

# ময়তৈ ৱাহৈশিংগী ঈনাৎকী ৱাহন্থোক

## (The Cultural Dictionary of the Meetei Words)


অহুমসুবা সরুক



জগোয় খুদোল তমলিবী
মীতৈ চনু অমা



লুহোংগদৌরিবা মীতৈ চনু পিবা



লুহোংগদৌরিবা মীতৈ কৌত্রুক চনু পিবা



লুহোংগদৌরিবা মীতৈ
ইনপুই চনু পিবা

**কংলৈ খুন্নাইদা মুৎনাইদ্রবা ঈনাৎকী সক্তমসিং**

ৱাংখেমচা চীংতমলেন

# ‘মনোরমা হাৎখিবদু তমথীনা ওৎ–নৈ

15 Nov, S.E. (2014)

কর্টসি : হিন্দু (কন্নদাস রাজগোপাল)




ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১৪ঃ থাংজম চনু মনোরমাবু নোংমৈনা কাপত্রিংঙগী মমাংদা ১৭শুবা আসাম রাইফল্‌সকি কাংবুনা তমথীনা ওৎ–নৈখি হায়না মীশি অসিগী মতাংদা শেমখিবা জুডিসিয়েল ইনকাইরি কম্মিসনা হন্দক্তা সুপ্রীম কোর্টতা পীখৎখিবা রিপোর্টতা ফোংদোকপ্রে।

মনোরমা শিখিবগী মতাংদা শেমখিবা ইনকাইরি কম্মিসনা থিংখিবগী রিপোর্ট চহী ১০ রোম মীয়ামদা ফোংদোকতনা থমখ্রবা মতুংদা হন্দক্তা সুপ্রীম কোর্টতা মণিপুর গবর্ণমেন্টনা পীখৎলকপদা মনোরমাগী পুন্সি লোইরমখিবা আসাম রাইফল্‌সকি কাংবুনা তমথীনা ওৎ–নৈখিবনি য়াওরকনি।

মনোরমানা শিখিবা থৌদোক অদুনু পাক–শন্না য়ানীংঙবা ফোংদোকখিবগা লোয়ননা আর্মড ফোর্সেস (স্পিসিয়েল পৱার্স) এক্ট রিপিল তৌনবা হাকচম কন্না পুথৎনরকখি। ২০১৩দা জষ্টিস জেএস বর্মা কম্মিটিনা আইন অসিবু রিভিউ তৌগদবনি হায়বা হাকচম পুথৎখি।

মনোরমা মীশিগী মতাংদা ডিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ ওইরম্মা সি উপেন্দ্রনা লূচিংবা কম্মিসনা থিংখৎলবা মতুংদা ২০০৪ গী ডিসেম্বর থাদা মণিপুর গবর্ণমেন্টতা রিপোর্ট অমা পীখৎলবসু রিপোর্ট অদু মীয়ামদা থগৎহনখিদে।

অমাং নোংগোম্ভি চৈটেংশিংদা কট–থিদা শিখিবগী থৌরোকশিংগী মতাংদা থিংখৎলবা সুপ্রীম কোর্টতা থারকপা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন অমগী শরুক অমা ওইনা সুপ্রীম কোর্টনা মণিপুর গবর্ণমেন্টতা রিপোর্ট অদু দিখান্দ তৌরকপদগী নুমিৎ খরনিগী মমাংদা মণিপুর গবর্ণমেন্টনা সুপ্রীম কোর্টতা পীখৎখিবনি।

উপেন্দ্রনা চিয়ারমেন ওইবা কম্মিসনগী রিপোর্ট অদুনা হায়, ‘মণিপুরী নুপীমচা অমা হাৎখিবগী থৌদোক অসি কষ্টডিদা হাংপা খুইদগী হেন্না থম্মোয় শোক্লিংঙাই ওইবা থৌদোকনি।’

ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্ট (ইরিলবুং) তা লৈবা মখুমদগী ২০০৪ গী জুলাই ১০ অমদি ১১ গী লোমনা অহিংদা ১৭শুবা আসাম রাইফল্‌সকি মতীক চাবা খুৎলায় পায়বা কাংবুনা কন্না ফারগা পুখিবনো হায়বদু রিপোর্ট অদুনা ফোংদোকই।

মহাক্কি ফিনুংগী শরুক অমদি কৈফংদা নোংমৈ মরূ কয়ানা পাল্লগা অশিবা হকচাং ওইনা পুলিস ষ্টেসন (ইরিলবুং) দগী কিলোমিটর অনীরোমতমক লাপ্না ভারিয়ান য়াইরিপোক লম্বীদা অশিবা হকচাং ওইনা ফংখি।

রিপোর্ট অদুনা হায়, থৌদোক থোকখিবা নুমিৎকি অহিং নোংয়াই অদুরাইদা মনোরমাগী মৌপা থাংজম বাসুনা হিন্দি ফিল্ম রাজু চাচা কৌবা অমা য়েংদুনা লৈরিক্কেদা য়ুমগী মপান্দা কাংবা তাখি। মিনিট খরগী মতুংদা আসাম রাইফল্‌সকি কাংবু অমুনা ইমুংদা থোরক্লকখি।

রিপোর্ট অদুনা হায়, ‘আসাম রাইফল্‌সকি পার্সোনেলশিং অদুনা মনোরমাবু ইমুংগী চিংথোক্লনা হোৎনবদা মমাদা কোন্দুনা ‘ইমা, ইমা, খাম্মু’ হায়না কাউখি।

বাসুনা হায়বা হাকচম পল্লদুনা রিপোর্ট অদুনা হায়, মহাকপু (মনোরমা) য়ুম অদুগী মাপোন্দা পার্সোনেলশিং অমুনা ওৎ–নৈবগী থবক চথখিবগা লোয়ননা মখোয়না হংবা বাহংগী পাউথুমদা ‘ঐ খঙদে’ হায়না খাল্লা হায়না হায়খিবা তায়। অদুগী মখা তারকপদা মহাকপু পার্সোনেলশিং অমুনা পুরগা চৎখি হায়না রিপোর্ট অদুনা পাই।

থৌদোক অদুগী মতাংদা ১৭শুবা আসাম রাইফল্‌সনা পুলিসকী ফাইল তৌখিবা এফআইআর অদুদা …





মনোরমা মীহাৎ–

# সুপ্রীম কোর্ট ঃ অপোকপীদা লুপা লা:

প্রেস ট্রষ্ট ওফ ইন্দিয়া / হিন্দু



ন্যু দিল্লি, ডিসেম্বর ১৮ঃ অসাম রাইফল্‌সকী পার্সনেলশিংনা ২০০৪দা থাংজম মনোরমাবু হাৎখিবগীদমক মহাক্কী অপোকপীদা লুপা লাখ ১০ কম্পেন্সেসন পীনবা হসি সুপ্রীম কোর্টনা সেন্টরদা ডিরেক্সন পীখ্রে।

কম্পেন্সেসনগী শেলফম অদু চয়োল মরিগী মনুংদা পীগদবনি হায়না জষ্টিস টিএস ঠাকুর অমসুং জষ্টিস পিসি ঘোশনা শাবা বেঞ্চ অমনা খগুহনখি।

থম্মোয় শোক্লীংঙাই ওইরবা থৌদোক অদুগী মতাংদা থিগৎনবা কম্মিসন ওফ ইনক্কাইরি অমা হাপখিবা অদু লোনা য়াই হায়না গৌহাটি হায় কোর্টনা মমাঙদা পীখিবা ওর্ডর শীংনদুনা থাজৎলকপা ৱাকৎসু বেঞ্চ অদুনা লৌশিনখি।

ইসু অসিগী মতাংদা জুডিসিয়েল ইনকাইরি তৌখিবগী রিপোর্ট নবেম্বর থাদা সুপ্রীম কোর্টতা খুৎশিন্নখি। অসাম রাইফল্‌সকী কাংবু অদুনা নুপীমচা অসিবু তমথীনা অমসুং মীনুংশি লৈতনা ওৎ–নৈখি হায়না রিপোর্ট অদুদা পনখি।

মনোরমাগী কেস অসিদগী আর্মড ফোর্সেস (স্পিসিয়েল পৱার্স) এক্ট, আফস্পাগী মায়োক্তা য়ানীংদবগী ঈহৌ পাক শন্না চঙশিল্লকখি।

মনোরমা ২০০৪গী জুলাই ১০ অমসুং ১১গী লোমবা অহিং ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনক্তা লৈবা মযুমদগী ১৭শুবা অসাম রাইফল্‌সকী লা: মীশিংনা ফারগা পুখিবনি।

মহাক হকচাংগী মফম কয়াদা নোংমৈ মক্রূনা পান্দুনা পুলিস ষ্টেসন অমদগী কিলোমিটর অনী লাপ্পা ভারিয়ান য়াইরিপোক লম্বীদা শিনা ফংখি।

রিপোর্টতা হায়খি, ১৭শুবা অসাম রাইফল্‌সনা থাঙৎলকপা এফআই–আর অনীদা মনোরমানা তাকপদগী মখোয়না কেনবুড অমসুং চাইনীজ গ্রেনেডশিং অমদি একে–৪৭ রাইফল অমা ফংখি হায়না ক্লেম তৌখি।

মনোরমানা চেল্লবা হোৎনখি। মদুদা মখোয়দা নোংমৈনা কাপখি হায়নসু এফআইআরশিং অদুদা হায়খি।

অদুমওইনমক, কম্মিসনগী রিপোর্ট অদুনা পুলিসনা ইনবেষ্টিগেসনগী থবক পুম্বা অসাম রাইফল্‌সকী অনীংবা–অপাম্বা তৌবা য়াহনখি হায়না মরাল শীখি।

মনোরমা মীশিগী মতাঙদা ডিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ ওইরম্বা সি উপেন্দ্রনা লূচিংবা কম্মিসনা থিগৎলবা মতুংদা ২০০৪ গী ডিসেম্বর থাদা মণিপুর গবর্ণমেন্টতা রিপোর্ট অমা পীখৎলবসু রিপোর্ট অদু মীয়ামদা খগুহনখিদে।

উপেন্দ্রনা চিয়ারমেন ওইবা …

থৌদোক অসি কষ্টডিদা হাংপা খুইদগী হেন্না থম্মোয় শোক্লিংঙাই ওইবা থৌদোকনি।’

ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্ট (ইরিলবুং) তা লৈবা মযুমদগী ২০০৪ গী জুলাই ১০ অমদি ১১ গী লোমবা অহিংদা ১৭ শুবা আসাম রাইফল্‌সকি মতীক চাবা খুৎলায় পায়বা কাঙবুনা কন্না ফারগা পুখিবনো হায়বদু রিপোর্ট অদুনা ফোংদোকই।

মহাক্কি ফিনুংগী শরুক অমদি কৈফংদা নোংমৈ মরূ কয়ানা পাল্লগা অশিবা হকচাং ওইনা পুলিস ষ্টেসন (ইরিলবুং) দগী কিলোমিটর অনীরোমতমক লাপ্ন ভারিয়ান য়াইরিপোক লম্বীদা অশিবা হকচাং ওইনা ফংখি।

রিপোর্ট অদুনা হায়, থৌদোক থোকখিবা নুমিৎকি অহিং নোংয়াই অদুরাইদা মনোরমাগী মৌপা থাংজম বাসুনা হিন্দি ফিল্ম রাজু চাচা কৌবা অমা য়েংদুনা লৈরিক্কেদা য়ুমগী মপান্দা …

# য়ুএস ডিপ্লোমেট ঃ মণিপুর য়ৌরকান্দদি টেরোরিষ্টকি ৱাফম অমতা লৈরমদ্রে

ঐখোয়গী ষ্টাফ রিপোর্টর



ইম্ফাল, জুন ২৯ঃ মণিপুরদা চংকদবা মপানগী মীওইশিংদা টেরোরিষ্টনা থনবনি হায়না হেক হেক কিহনবগী চংনবী লৈরি। য়ুনাইটেড ষ্টেটসকি ডিপ্লোমেট নুপী অমা অহানবা ওইনা মণিপুরদা লাক্লমদাই ষ্টেট অসিদা টেরোরিষ্ট কাঙবু য়াম্না লৈ হায়না মঙোন্দা হায়বীরবসু মণিপুর য়ৌরক্ল-কান্দদি পুমওন ওয়রদ্বা থেংনখ্রে।

য়ুনাইটেড ষ্টেটসকি কন্সুল জেন-রেল হেলেন লাফাবেনা অহানবা ওইনা ইম্ফালদা খোঙদারবদা পুক্রীংদা হরাও-নুংঙাইবনা মথুম-মরাং হৌ-খি। ষ্টেট অসিগী মীওই কাঙলূপ কয়ানা উনদুনা ৱারী শানবদা ইনসর-শুবা লাঞ্জাওগী ৱারীদা ঙাওজবা মহাক্কি অপোকপনা মহাক্কি মবুং অদু মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও মনুংদা মণিপুরদা থবক তৌদুনা লৈখি হায়না মঙোন্দা ৱারী তৌবদা মহাক্কি ৱাখলদা ফাওখিবা ইম্ফালদা চংনিংবগী লাঙতক্লবা পুম্বা অদু ঙসি মহাক্না মেডিয়া পার্সনশিংদা ফোঙদোকখি।

অমেরিকাগী ডিপ্লোমেট অসিনা ইম্ফালদা লাক্লিঙৈদা ষ্টেট অসিদা টেরোরিষ্ট কাঙবু য়াম্না লৈ হায়না মঙোন্দা হায়বীখি, অদুবু মহাক্না মফম অসিদা থুংলবা মতুং মীওই কয়াগা ৱারী শানবদা ইনসরজেন্ট নত্রগা ইচম চম্না অণ্ডরগ্রাউণ্ড ওর্গনাইজেসনশিং

Sangai Express - 30/6/14

---

# মীতৈ ৱাহৈশিংগী ঈনাৎকী ৱাহন্থোক

(The Cultural Dictionary of the Meetei Words)

অহুম শুবা শরুক

ইজবা

বাংখেমচা চীংতমলেন

M.A LL.B

সগোলবন থাংজম লৈরক

কংলৈপাক

কংলৈচাশিংগীদমক্তদি লাইরিক অসি শোয়দনা পাবীগদবা লাইরিক্নি। লাইরিক অসি পাবদা শোয়দনমক কংলৈপাক্লীদমক ৱাখল খনবা হৌরক্কনি।

The Kangleipak Historical and Cultural Research Centre,
Sagolband Kangleipak.

**লাইরিক ফোংজবা :**
**The President,**
**The Kangleipak Historical and Cultural Research Centre, Sagolband Thangjam Leirak Imphal, Kangleipak.**
**Tele : 8974577213**

অহানবা ফোঙবা : ২০১৫

চেখুমগী শকতম : ৱাখল অমসুং শকতম অইবনা পুথোকপা
চেখুম য়েকপা : ওইনাম সনাতোমবা মীতৈ

©: অইবা অমসুং মহাক্কী ইমুং

মমল : লুপা ১৪৭ (অচম্বা চেখুম)
: লুপা ১৭৭ (চেখুম অথাবা)
কোপী মশিং: ১০০০

**Computer Printing : Oinam Sanatomba Meetei**
**Offset Printing: Wizard Offset Printing**
Sagolband Thangapat, Imphal



# মীতৈ ৱাহৈশিংগী ঈনাৎকী ৱাহন্থোক

(অহুম শুবা শরুক)

ৱাহৌথোক :

অইবা অসিনা মীতৈ ৱাহৈশিংগী ঈনাৎকী ৱাহন্থোক (The Cultural Dictionary of the Meetei Words) অহানবা শরুক ২০১২ দা ফোংখি, অদুগা অনি সুবা শরুক ২০১৩ দা ফোংজখি। অইবনা মখল অসিগী লাইরিক শিং মথং মথং ইজরকপসি, অইবনা ইপা ইপুশিংগী পুয়াশিং অমদি হিনদুগী মতমদা পুয়ানি হায়দুনা পুয়া মান্নবা শেমজিল্লকপা লাইরিক কয়া নৈনবদা, কংলৈ ইপা ইপুশিং অসি কয়াগী মতিক ৱাংনা খল্লম্বা, ৱাংউলোন (Philosophy) অমদি Science নচিংবা হিরম কয়াদা মালেমগী মীয়ামনা মমং মংদুনা লৈরিঙেদা, হিনদুগী মমাংগী ইপা ইপুশিংনা য়ামনা মুন্না খংলম্বা, খুদম ওইনা খরদং পল্লবদা, Astronomy, Astro - Physics, Chemistry, Bio - Chemistry, Extra-Terristrial Origin of Life, Big Bang Theory অসিনচিংবা হিরম কয়াদা মালেমগী মীয়ামদগী চহীচা কয়া হান্না খংলম্বা, অসিনচিংবসি অইবনা কংলৈচা মীতৈগী অশেংবা পুয়া ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা - ইলোন পুকোক কন্না নৈনবদগী য়ামনা শেংনা খংলকপদগী, পুমনমকশি মাংখিবা তারে খনদুনা, পাখৎপগা লৌইন্না মথং মথং লাইরিক ওইনা ফোংদুনা, কংলৈপাক্কী লাক্কদৌরিবা মীরোননা খংহৌনবা হোৎনরকপনি। অইবনা Discovery of Kangleipak (English তা series অহুমসু) ফোংজখ্রে, লাইরিকশিং অসি লৈখিদ্রবা কংলৈচা ইপা ইপুশিংগীদমক অমদি লাক্কদৌরিবা কংলৈচা মীরোলগীদমক ইজখিবনি।

অইবা তশেংনা লাইরে। হৌজিক হৌজিক government কী থবক মচা অমা তৌরম্বগী pension না হিংলি। শেল লৈতবা অমদি অহল ওইরকপগী পাঙ্গল ৱাৎলকপগী য়ামনা নুংঙাইতবা অমদি অৱাবা মায়ওকনৈ। অদুবু মফমখরদগী তৌবিমল খংদবা, মীনুংশি খংদবা উৎলকই।

## তৌবিমল খংদবা অমদি মীনুংশি খংদবা

(১) Dr. Chandramani,convenor, Classical Manipur Language Promotion Board তা অইবগী পাউখুম:

" মালেমদা মমিং চৎলবা Scholar Pari Vaska Rao না CIIL গী কেমপশতা নুমিদাংগী ৱার্কিং চৎমিন্নবদা মনিপুরী লোনসি ক্লাসিকেল লেংগ্বেজ থবক্তা পুখৎপা য়াগনি থুনা দিপিআর (দিটেল প্রোজেক্ট রিপোট) অমা থাগৎলকনবা ঈথিল অমা অইবদা পীবীখি। ঈথিল অসিনা মরম ওইদুনা মনিপুরদা থোরক্তুনা মনিপুরদা লৈরিবা পুয়া কয়া খোমগৎপা হৌখি। মখোয়শিংদুগী মনুংদা ৱাকোকলোন থিলেল সলাই অমাইলোন পুকোক পুয়া (ৱাখেমচা চিংতমলেনদগী লৌজবা ) অমদি সাকোক থিরেন্নচিংবা অতে অতে লিটরেরি পুয়া কয়া অমা খোমগৎতুনা কোর্পোরা শেমগৎপা হৌখি। অদুবু হায়রিবা অরিবা পুয়াশিংদু সাকোক থিরেন নওনা অতৈদি লোনয়ানগী খোন্থোকশিংনা ৱাই চাইখি। "

মথক্কী quotation অসি Naharol Thoudang গী তাং ৬/৭/১৪ গী issue দা ডা: চন্দ্রমনি , convenor, classical manipur language promotion board না ক্লাসিকেল লেংগ্বেজ অমদি লোনয়ান (মনিপুরি লোন ) হায়বা Article অমদা ইরকপনি।

মথক্কী quotation অসিদা য়াওরিবা ৱাংখেমচা চীংতমলেনগী লোনচন অদু য়েংবিয়ু। অদুবু ঐ , ৱাংখেমচা চীংতমলেননি হায়না লৌজরে।

লোনয়ান থিগৎপিরিবা Learned Dr. Chandramani না লোল্লিবা লোন , মীতে লোনগী মতাংদা য়ামনা মুন্না খংবিদ্রিবা করিগীনো ? মীতে পুয়া , লোন নিংথিনা খংদনা করমনা লোনচন থিগৎপগী থবক চৎথবিগদৌরিবনো ?

পনবিরিবা ' ৱাকোকলোন থিলেল সলাই অমাইলোন পুকোক পুয়া' হায়বা অদুদি লৈখিদ্রবা অহল ইবুংঙো থোকচোম থৌকাচানপানা পুথোকপিরমবা, ১৯৬০ অদুৱাইদা ফোংবিরমবা পুয়ানি। ঐগীসু পুয়া অদুগী কোপী অমা লৈজে, ঐনা লৈজহৌবনি। ঐদি পুয়া অসি ইনদুনা চৎচদে। ঐনা Learned Dr. Chandramani দা , অতোপপদা কোপী অমতা পীখিবা লৈতে। Learned Dr. Chandramani না অদুক চাওবা থবক অমা তৌবিগনি হায়দুনা থোকপিরক্লগা , পুয়া খরগী অমসুং পুয়া শাবা খরগী মশাক নিংথিনা খংবিদ্রিমাল্লে। মতাং অসিদা , ফিভম অসিদা অদোমনা অইবা ৱাংখেমচা



চীংতমলেন দা , অদুক চাওবা লোনয়ান য়াওবা পুয়া পায়রগা চাওনা ঙাংবা ,চাওনা ইবা অইবা অমগী মরাল শিজিনবিরিবা করিগীনো? Learned Dr. Chandramani খোমজিনবিরিবা 'সাকোক থিরেন' নচিংবা পুয়ানি হায়বশিংদু অশেংবা পুয়ানি/নত্তে হায়বা মীয়াম মমাংদা শেংদোকনবা য়াবীব্রা ?

(2) Dr. I.M Singh দা অইবগী পাউখুম :

মখাগী অসি Dr. I.M Singh না তাং 8/6/14 দা Sangai Express (English) গী article অমদা ইবিরকপনি:

"However, I particularly find his insuniation of the meitei word Ima or Ema rather abhorrent, apart from it being philologically inaccurate. He explains E for bleeding during the child birth of a mother and 'ma' therefore, for mangba(unholy). To me, it gives a bad taste for such sacred occassion of a mother's giving birth and a new life to her children."

The article's heading is " A sentimental journey into the chaotic streets of Meitei puyas."

The writer Wangkhemcha Chingtamlen , who was born in 1933 and above 81 years of age by now, who has devoted all his fertile life to Kanglei Meetei History, culture etc , has done nothing to "insuniation" (Insinuation?) to the Meetei language, culture, history etc in his life. Seeing the weakness and not properly developed knowledge of the Meetei history, culture etc of Kangleipak which is his birth place, his Fatherland , most propably he was tutored by some no-sincere improper persons, or he was influenced by some printed materials or fake Audio tapes directed againts the writer, Wangkhemcha Chingtamlen.

Now, the writer Wangkhemcha Chingtamlen explain to the world what is the significance , meaning of the word/concept "Ima or Ema" as written by Dr. I.M Singh. The Kangleicha Meetei Race, which is the most ancient human group of the world , has

most developed language, thereby words/concepts, which is admired by some most reputed Linguists of the world like G.A Grierson of the Linguistic Survey of India.

The word/concept 'ꯏꯃꯥ' as written in the puya, is written as ইমা (Bengali), 'Ima or Ema' as written in english. The writer will use only Ima (for ꯏꯃꯥ) in english. The writer will explain the Etymological meaning of Ima now. Please see:

Ima = I + ma

The first letter 'I' means blood, not bleeding during child birth as written by Dr. I. M Singh, the second syllable of the word Ima, 'ma' means Mangba (lost), not (unholy) as written by Dr. I.M Singh. The original form of the present word/concept 'Ima' was 'Imang' but it changes to 'Ima' as time changes.

The word/concept 'Ima' does not related to 'bleeding during child birth' of a woman, but related to lost of blood during pregnancy. The word/concept 'Ima' is a fact of Human biology, known to physician well. It cannot be twisted in any form or manner.

Pregnancy

A single sperm comes into womb of a woman when pregnancy begins. After about 10 months in the womb of the woman, a child (a human being) weighs 2.5kg comes out from the womb of the woman-mother. Where does the child get so much weight and nourishment during its life in the womb of the woman-mother? Definitely from the woman-mother! A physician knows it better!

The lost of blood and nourishment from the woman-mother during pregnancy for the child in the womb is said by the Ancient Kanglei Forefathers and Foremothers as 'Imang' (lost of blood) simply and as times changes, the 'Imang' becomes 'Ima', the



present word/concept of the Meetei race of Kangleipak, equivalent to mother of the English.

The child calls to the woman-mother as Imang(Ima), the meaning is that you are the woman who lost blood for me during pregnancy. And the woman-mother calls her child (son or daughter) as 'Icha', the meaning is that you are the person who ate blood from me (the woman-mother).

The " a sacred occassion of a mother's giving birth" is a simple biological process known to the physician since college career and known to philosophers as well!

In such position of the Kanglei Meetei's language and words/concepts since early before christ, as shown by the written evidences of the puya, the sacred scripture of the Meetei race, and the writer's knowledge of interpretation of the Meetei words and language etymologically and philologically, can there be any "Insuniation" (Insinuation?) and "abhorent" feeling to any person in the world!

As English is not the writer's mother tongue, some inappropiate expression may be there, for that the learned readers may forgive the writer.

**(3) An open letter to Dr. Suresh Singh, writer of the book**

**The Endless Kabaw Valley**

Dr. Th. Suresh Singh quotes from my book, A Short History of Kangleipak (Manipur) Part I as under at page 11 and 12:

' From the North - West to the South - West of Kangleipak (Manipur), there is a high mountain range. This mountain range has several peaks by different names. From North to South, Koubru, Kounu, Loyalakpa, Thangjing are four peaks. These

four peaks are places of worship of the Meitei Race and the names of the peak are given by the names of the gods whom the Meeteis worship at the peaks. The above given hymn of invocation of the Koubru God (Koupalu in the puya) worshipped at Koubru peak. The god worshipped at the peak is the Lainingthou (King of Gods), the Creator, the Lord, the source of everything in the Universe.'

The Dr. Author further quotes from my book as under:

" The concept of the hymn conveys the mixed ideas of God and life and also the idea of Historical facts telling "Koubru" is the original place where the pre - history Meitei - Men and Women settled. "

In my book, A SHORT HISTORY OF KANGLEIPAK (MANIPUR) PART - I, I actually wrote as under at page 8 -9.

" From the North - West to the South-West of Kangleipak (Manipur) there is a high mountain range. This mountain range has several peaks by different names. From the North to the South Koubru, Kounu, Loyalakpa, Thangjing are four peaks. These four peaks are places of worship of the Meetei Race and the names of the peaks are given by the names of the gods of whom the Meeteis worship at the peaks. The above given hymn of invocation of the Koubru God (Kouplu in the puya) worshiped at koubru peak. The God worshipped at the peak is the Lainingthou (King of Gods), the Creator, the Lord, the source of everything in the universe."

"The concept of the hymn conveys the mixed ideas of God and life and conveys the idea of historical facts also telling you "Koubru" is the original place where the pre - history Meetei - men and women settled ".

Please compare the quotations from my book by Dr. Suresh in his book and the quotations given by me from my



book. The words 'Meetei Race' and 'Meetei - men and women' in my book above mentioned have been changed to 'Meitei Race', and 'Meitei men and women' in his book, The Endless Kabaw Valley. This is very unfair. In my career of writing more than 20 books since 1980, I never used the word 'Meitei' and used only 'Meetei'. The quotations of Dr. Th. Suresh from my book, A SHORT HISTORY OF KANGLEIPAK (Manipur) Part I in his book seem to design to tarnish my integrity, image, and faithfullness to the Meetei culture in the eyes of the readers of his book, The Endless Kabaw Valley.

Imphal,
Dated: 7-09-2014

Yours,
Wangkhemcha Chingtamlen,
writer of
A SHORT HISTORY OF
KANGLEIPAK ( MANIPUR ) PART I

# মীতৈ ৱাহৈশিংগী ঈনাৎক্কী ৱাহন্থোক

(The Cultural Dictionary of the Meetei words)

অহুম শুবা শরুক

লাইরিক অসিদা নৈনরিবসি ꯈ (খৌ) দগী ꯋ (ৱাই) না হৌবা মীতৈ ৱাহৈশিংনি ।

# মীতৈ ৱাহৈশিংগী ঈনাৎক্কী ৱাহন্থোক

(The Cultural Dictionary of the Meetei words)

অহুম শুবা শরুক

কংলৈপাক হায়বা চীংলৈপাক অসিদা হিনদু লাকত্রিঙেগী মমাংদা য়ামনা ময়েক লানা পানলমবা মীওই কংলুপ (Race) অদুগী মমিং মীতৈ কৌই । কনাগুমবা ময়েক শেংদবা মীওই খরনা হিনদুনা পাল্লবা মতমদগী মীতৈগী মহুৎতা (মৈতৈ) হায়নবা কননা হোৎনরমই । মসি করিগুমবা লৌশিংগী য়েৎনবা অমদা মীতৈগা (মৈতৈ) গা মইওকনবা থোক্লবদি (মৈতৈ) না মীতৈ গী মমাংদা লেপপা অদুগী মপাঙ্গল লৈরেই ।

মীতৈ হায়বা মী কাঙলুপ অসি মালেম অসিগী লৈমাইদা , হিনদু হায়বা মী কাংলুপ অসিনা হৌজিক্কী ইন্দিয়া হায়না খংনরিবা লম অসিদা লাকত্রিঙে চহি লিশিং কয়া কয়া গী মমাংদগী, মশাগী লোন, ময়েক য়ামনা অৱাংবা থাকতা শেমগৎতুনা পাল্লক্লবা মী কাংলুপ (Human Race) অমনি।

মীতৈগী ঈয়েক (ময়েক) ১৯ নি ,মসিগী মনুংদা ৱাহৈ ইনবা ইয়েকনা ১৮ নি । হৌজিক অইবনা খননা - নৈনবা হৌরিবা ইয়েক (ꯈ) অসি , ইনবা ঈয়েক ১৮ গী মনুংদা ৯ শুবা ঈয়েকনি । পাবগী খোন্থোকনা খৌ হায়না পাই।

ꯈ (খৌ) হায়বা ঈয়েক অসি য়েকপদা য়াওরিবা লৈই অসি ৩ নি মথক ইথং থংবা ফৈনা চীংলিবা – লৈই অদুনা অতীংআনি , অনিশুবা লৈই অফৈবা অতিংআদগী চিংথরক্লিবা লৈই (ꯇ) অদুনা কোক্কী তুংগী শকতমনি, অদুগা অহুম শুবা লৈই (ꯑ) অদুনা খৌতাঙ (হৌজিক্কী লোনদা খদাং) গী শকতমনি । শমনা হায়রবদা , ঈয়েক শকতম অসি মীওইবগী হকচাংগী য়া কাথোকপগী মওংদা , খৌতাঙ (খদাংদগী) লৌরগা য়েকপনি ।

হৌজিক মীতৈগী ইনবা মাপন শুবা ঈয়েক ꯈ (খৌ) কী মতাংদা পুয়ানা করি হায়রি খননসি ।

মীতৈ হায়বা মী কাংলুপ অসি মালেমদা য়ামনা হৈ - শিংবা , থৌনা ফবা, লৌশিংগী লম কয়াদা মীওইবা কাংলুপকী লৌশিংগী মৈরা পাইদুনা লুচিংলমবা মী কাংলুপ নি। পুয়া মৈ থাখিবদগী অমমবগী লমবী অমদা চৎতুনা লাকপনি ।

ꯈ গী মতাংদা পুয়ানা মখাগী অসুমনা ইরি:

"হে মী লাই ওইপসা ꯑ তাপীও ! হাইলাপানে ।। সানা চীঙকী মতীকনে খঙপীও ।। ময়াই থোঙকা কৌপতি খৌনাউ পুনে । তাইপঙ পালপা ꯑ মানে ।। মাংতা হাইখিবা সীঙথাফম কৌপতি থানে ।। সিতপা মপুনা ইমাঙ

- থোঙতা থুংনা লৈলে হইপাকীপু ইনুঙলোননা খৌ কৌয়ে । খুনুঙ লোন খোনথোক ইৱাই ইন্নিনা খৌতাঙ কৌয়ে ।। খৌকী ইয়েকতি অসিনে (ꯍ) লেপনা খঙপীও ।।০।।"

মতাং অসিদা (ꯍ) কী মতাংদা ইরিবা লোনদা অসি , য়ামনা লিরবা য়ামনা থাক ৱাংবা লোল অমসুং ঈয়েক্কী (science) মতাংদা ৱাংবা লোনদানি। হৌজিক্কী ঐখোয়না ঙাংলিবা লোল অসিদি চাওখৎপা ৱাৎপা , ময়েক্কী (science) ৱাংদবা ময়াংগী লোননা হৌখিবা চহী ৩০০ লোম অসিদা চয়েৎ খোয়েৎনখিবদগী মফম মরাং খংদ্রবা লোনদানি , মরম অসিনা হৌজিক্কী অচমবা মীওইনা মথক্কী পুয়াগী লোন , ৱাহৈশিং অসি খংবদা য়ামনা ৱারগনি ।

পুয়াদা ইরমলিবা লোন , ময়েক অসি ইপা ইপুগী লোন্নি ময়েকসি ,ঐখোয় খংনবা হোৎনমিননশি ।

মথক্কী পুয়াদগী লৌথোকপা ৱাহৈ পরেংশিংদা অহানবা পরেংদা য়াওরিবা "হে মী লাই ওইপসা ꯪ তাপীও ꯫ " হায়রিবা ৱাহৈ পরেং অসি অরাইবা নওে , অরুবা মীতৈনা মালেমগী কাংবু অতৈদগী হেননা খংলমবা , হৈরমবগী খুদম কয়া য়াওবা ৱাহৈ পরেংনি ।

"হে মী লাই ওইপসা ꯪ তাপীও ꯫ " হায়বা ৱাহৈ পরেং অসিদা য়াওরিবা " ꯪ " খুদম অসি অঙকপা খুদম হায়বা মীতৈগী খুদমনি , ইংলিস অমসুং হিনদুনা "!" খুদম অসি শিজিননৈ । অদুগা "তাপীও" গী মখাদা য়াওরিবা খুদম " ꯫ " অসিনা মীতৈনা শিজিননবা খুদম 'খকপা' হায়বা খুদম অদুনি । মসি ভারত অমসুং নোংচুপ লোমনা শিজিন্নবা থেংনদে । মতাং অসিদা " ꯫ " খকপা হায়বা খুদম অসিনা তাক্লিবদি, পুমনমক খমলবা অমুক চৎথরোইদবা হায়বনি ।

করমনা হায়রকক্লিবনো ,করমনা খকপা খুদম শিজিন্নরম্লিবনো খংমিন্নসি:

মীতৈগী কাংলুপকী পুয়াগী মতুংইন্না মী ওইবা হায়বা থৌৱাই পানবা মখল অসি , অচৎপা থৌৱাই পানবাশিংগী মনুংদা তইপঙ পানবগী মপা ওইরিবা তিংপালপা অমসুং তেংপালপা মপু , ঈপুঙ লৈইনপা অপকপা মহাকনা শেমবা খ্বইদগী ৱাংবা , মপু মাগী মশক য়েংদুনা শেমবা থৌৱাই পানবনি। নমু মতিম ঙাদগী হৌরগা মথং মথং শেমলকপনা , মপু মাগী মমিদা য়েংদুনা শাখিবা , শেমখিবা তইবঙ মী অসিনা তইপঙ খুৎশেম (evolution of species) গী অরোইবনি ।মী হায়বা থৌৱাই পানবা কাংলুপ অসিনা মপু মাগী থাক য়ৌবা , ৱাখল লৌশিংদা মপু মাগা মান্নরবা থৌৱাই পানবনি , তইপঙ



খুশেম (evolution of species) অমুক চৎথররোই , হায়বনি । মরম অসিনা অঙকপা খুদম ( ꯪ ) , অমদি খকপগি খুদম ( ꯫ ) হায়বদি মপু মানা তইপঙ খুৎশেম (evolution of species) লেপ্পনি হায়বা তাকই ।

'তাপীও ꯫ ' দা য়াওরিবা খুদম ' ꯫ ' অসি পুয়ানা খকপা কৌই । খকপা ꯫ হায়বা খুদম , punctuation অসি নোংচুপ লোমদা , ইদিয়াদা শিজিন্নবা উদে , মশি কংলৈচা মীতৈ না হেন্না কুপপা , খংবা হেনবগী খুদমনি।

তইবং শেমবা মপু অদুনা মীতৈগী ঈয়েক ১৮ অসি তইপঙ হকচাংগী শরুক ওইনা হাপ্পলকপনা , কংলৈ ইপা ইপুশিংগী মীতৈ গী ময়েকপু ময়েক হায়না কৌদে , ঈদা য়েকই হায়বগী ঈয়েক হায়না কৌই । লৈইননা ঈয়েক্কী মমিংসু হকচাংগী কায়াৎকী মতুংইন্না থোল্লি অমসুং মরম অসিদগী ঈয়েক অমদা য়াওরিবা হকচাংগী কায়াৎশিং অদুনা হকচাংদা পাঙথোক্লিবা মথৌ অদু থাদুনা পুয়াদা ইরমই । হকচাংগী কায়াৎকী মথৌ থাদুনা ইরকপদা , মতমগী science কী লৌশিং মথৌ তারকই । মরম অসিনা মীতৈ কংলৈপাকগী পুয়াশিং অসি লৌশিংগী , science কী লৌশিংগী ৱাফমনা পীক থল্লি ।

মথকতা তইবনা পুয়াদগী লৌথোকতুনা ইজখিবা ৱাহৈ পরেংশিং অদু মুন্না পাবীয় :

'ময়াই থোঙকা কৌপাতি খৌনাউপুনে ।' মসিনা হায়রিবা অসি , মী ওইবগী হকচাংগী ময়াইগী থোঙগী কাদি 'খৌনাউ পুনে' হায়বদি ঐখোয়না হৌজিক খনাউ হায়বা , পুয়াদনা খৌনাউ হায়বা হকচাংগী শরুক অসি , মীওইবগী হকচাংগী ময়াইথোঙগী কা (room) নি হায়রিবনি ।

মসিগী হেক মথংদা খৌনাউ অসি হকচাংগী ময়াই থোঙগী কানি হায়খ্রবগী মতুংদা পুয়ানা হায়রমলিবশি "তইপঙপালপা ꯉ নে ।।" হায়বসিনি ।তইপঙপালপা হায়বদি নুমিৎ , থা অসিনচিংবা থোকলিবা , ঐখোয়গী মালেমদা ঐখোয় মীওইবনা পাল্লিবা মফম অসিবু খঙনৈ ।

মসিগী মখাদা পুয়ানা হায়রিবা "সিতবা মপুনা ইমাঙথোঙতা থুংনা লৈলে হইপকীপু ইনুঙলোননা খৌ কৌয়ে ।" হায়রিবা অসিগী মখাদা (ꯁ) কী মতাংদা ইরকপদা "লাই কৌপাতি তইপঙ পালপা মপুকী মইওকতা লৈ হায়পকী লাই কৌয়ে ।।" হায়বা পুয়াগী ৱাফম অসিগা চপ মান্নে । পুয়াগী ৱাফম অনিমক , ঐখোয় তইপঙ মীনা উরিবা অহাংবা অতীঙআদা নুমিৎ , থা , থৌৱাইমিচাকনচিংবা , মলেমদা ঐখোয়না লৈরিবা অসি য়াওনা খংনবা তইপঙপালপা ꯉ (অমা) হায়বদুনি ।

মসিদা পুয়ানা হায়রিবনা, তেংপালপা মপু ওইরিবা অহাংবা নুমিৎ, থা নচিংবা মালেমনা তাওদুনা লৈরিবা মফম অসিবু "খৌ" কৌই হায়বনি অদুগা মীওইবগী হকচাং শরুক ওইরিবা "খৌনাউ" অশিসু "খৌ" গা চপ মান্নে, "তাইপঙপালপা ৫' মানে।।" হায়রকপনে।"খৌনাউ" হায়বদি খৌ + নাউ = খৌ + মচা, নাউ হায়বদি অঙাং, মচা হায়বনি খুদম - সনাউ = সন + মচা হায়বনি।

মতাং অসিদা পুয়ানা সেংনা হায়রিবদি তাপঙপালপদা অহাংবা, তেংপালপা মপু, তাইপঙপালপা মপু ওইরিবা অসিনা তাইপঙ মালেম, মীওইবা, থৌৱাই পানপা পুমনমক অসিদা তৌরিবা হিংহল্লিবা অসিমক খৌনাউনা মীওইবগী হকচাংদা তৌই হায়বনি।

মসিদা কনাগুমবানা অদু ওইরবদি "খৌনাউ" (খনাউ) না মীওইবা অমদি মীওইবগী হকচাংদা করি তৌই হায়না হংনিংবা য়াই।

মীওইবগী পুনসিদা "খৌনাউ","খৌতাঙ"(খদাং) না তৌরিবা অসি অঙকপনি। "খৌতাঙ" ,(খদাং) অমসুং য়ানা কুপনা শাইরগা তুমলকপা চিনচাক্কী পোৎলমদগী তিলাং(sperm) শুংলকই, মপু মানা তাইপঙ শনদোকপগী লমবীনি। তাইপঙ হকচাংগী engine অসি, ঙৌ, য়া, খদাং, লৈ অশিনচিংবা অসিনা চিনচাকতগী পীবা পোৎলমশিং অদু নত্রবদি হিংবা ঙমদে।

খমওই য়াংওই সেকনিং পুয়ানা " মপানতা সিংলিপতি নোংসিং কৌয়ে।। মনুংতা সিংলিপতি নুংসিং কৌয়ে।।" "নোংসিং" থৌৱাই সিদবা কৌই। পুয়ানা ইরি। মীওইবনা নাতোন ফুনদুনা, নিংশা হোনবা য়াদ্রবদা, খৌনাউগী মতেংনা নিংশা হোল্লি, হিংনবগী পামবৈনি। শিরমদাইদা নাতোন শিজিননবা য়ারকত্রবদা খৌনাউদগী নিংশা হোল্লগা মতম খরা হিংই। থৌৱাই শিতপা নোংশিং না তাইপঙ হকচাংদা চংলকপা লেপখ্রবা, খৌনাউ মথৌ তৌবা ঙমলকত্রবদা তাইপঙ মীওইবগী শিবা হায়বদু ওই।

মরম অসিনা খৌনাউ গী মথৌ অসি কয়া চাওখ্রবনো। শীংথাবদা লোইবা লৈররোই। মরম অসিনা পুয়ানা "সানা চীঙকী মতিকনে খঙপীও।।", "ময়াই থোঙকা" নে, "তাইপঙপালপা ৫' মানে" হায়রিবনি।

(২)"**খৌ**" ,খৌনাউ - অইবনা মথকতসু উৎচখ্রবা, পুয়াদা হায়রিবশি "সিতপা মপুনা ইমাঙথোঙতা থুংনা লৈলে হইপাকীপু ইনুঙ লোননা খৌ কৌয়ে।" অসিনি।



মফম অসিদা " ইমাঙথোঙ " হায়রিবসি মীওইবগী মাংদা, মিৎকী মাংদা "ময়াই থোং কা" গী মমাংদা ইপাক পাকনা লৈরিবা অসিবুনি, অতীঙঅা (space) অসিবুনি, "সিতবা মপু" হায়বদি মশিবুনি, তেংপালপা মপুনি। মসিবু পুয়ানা "খৌ" কৌই হায়বনি। খৌ গী ৱাহনথোকতি য়ামনা ঙকপা, ঐখোয় মীওইবনা তৌবা শুকঙম ঙমদবা অদুবু হায়বনি, মপু মানা তৌবা মতিক ময়াই অদুবু হায়বনি, "সিতপা মপু" অদুবু শৈথাবনি।

"খৌ" হায়বা অসি তশেংবদি য়াম্না ঙকপা ঐখোয়না তৌবা সুকঙম ঙমদবা অদুবু হায়বনি, কিবা (fear) হায়বগী ৱা নত্তে।

খৌনাউ -"খৌনাউ" হায়রিবা পুয়াগী ৱাহৈ অশিনা ফোংদোকলিবনা "খৌ" মচা, শিতপা মপুগী মতিক ময়াই চেনবা অপিকপা শরুক হায়বনি। খৌনাউনা তৌরিবশি পিক্লবসু শিতপা মপু মহাক্কী মথৌ অদুনি হায়রকপনি।

খৌনাউ = খৌ + নাউ, মফম অসিদা " নাউ " হায়রিবা অসিগী ৱাহনথোকতি অপিকপা, অচৌবা নওবা, পিকনা থৌ পাংথোকপা হায়বনি। খুদম - শনাউ = সননাউ = সন + নাউ, থোঙনাউ = থোং + নাউ, ঈনাউ = ঈ + নাউ অসিনচিংবা।

(৩) **খৌতাঙ** - "খৌতাঙ" হায়বা পুয়াগী ৱাহৈ অসি ঐখোয়না হৌজিক খদাং হায়রিবা হকচাংগী শরুক, করিগুমবা মতমদা, য়ানুং হায়রগসু খংনবা লৈ, য়া,ঙৌ, খনাউ তেংখাননচিংবা য়াওরিবা হকচাংগী শরুক কয়াৎ ওইরিবা অসিগী শরুক খদাং অসিবুনি।

"খৌতাঙ" গী ৱাহন্থোকতি, খৌ + তাঙ হায়বনি। মফম অসিদা "তাঙ" হায়বগী ৱাহন্থোকতি তাংবা, মতেং লৌবা, (dependent) ওইবা হায়বনি। পুয়ানা তশেংনা হায়রিবনা মীওইবগী পুনশি, হকচাং অসি 'খৌ' দা তাংলগা হিংই, খৌ য়াওদনা হিংবা ঙমদে হায়বনি।

(৪) **খমচিন কোন** - হায়বা ৱাহৈ অসি থাইনগী কংলৈচা ইপা ইপুশিংনা মীওইবা ঐখোয়গী 'থৌৱাই মিরেন' দি, শমনা হায়রগা 'থৌৱাই' দি শিবা লৈতে, হন্না হন্না পোকই, Rebirth তা থাজবগী ৱাহৈ/concept নি।'খাংপোকশঙ' 'চকৌই' হৌজিক্কি লোনদা জগোই, অসিনচিংবা 'খমচিনকোন' গা মরি লৈনবা ৱাহৈ /concept শিংনি।'খমচিনকোন' হায়বাৱাহৈ /concept অসি খমওই য়াংওই শেকনিং পুয়াদা শিজিন্নবা ৱাহৈ /concept নি।

'খমওই য়াংওই সেকনিং' পুয়াদা হায়রিবশি, মীওইবা, থৌৱাই পানবা পুমনমকনা হেক শিবগা, অহিংবা মপোক পুনশি অমুক ওইরকই হায়বগী

ৱাঙউলোন অদু পুথোকতুনা ইদুনা কংলৈ ইপা ইপুশিংনা ইদুনা থনমবা পুয়ানি।

খমচিন কোন - হায়বা পুয়াগী ৱাহৈ /concept অসিগী ৱাহন্থোকতি: খমচিনকোন = খম + চিন + কোন হায়বনি। মতাং অসিদা 'খম' হায়বদি 'খমনুং'হায়বনি, শিবা হায়বনি। খম, খমনুং হায়বদি মীওইবা অমগী ৱাখল, লৌশিং, পুকনিং অসি খমখিবা, লোইখিবা হায়বনি, শমনা হায়বদা শিবা হায়বনি।

মফম অসিদা 'চিন' হায়বনা মচিন, অরোইবা শরুক মতোন হায়বনি। মীওইবা অমগী পুনশিনা হেক লোইবা মতম, হেক শিবগা হায়বনি। মফম অসিদা 'কোন' হায়বনা, মীতৈগী চক মরি লৈবগী মনুংদা হা - চক ওইরকতুনা পলেম ওইবী অমগী পীবুকনুংদা চংদুনা লাংওন অমা ওইরকনবগীদমক, পালেমগী পীবুকনুংদা চালোৎ (womb) গী মনুংদা কোনচক ওইরকই হায়বনি।

শমনা হায়রবদা, 'খমচিনকোন' হায়বা পুয়াগী ৱাহৈ/concept অসিগী ৱাহন্থোকতি মীওইবা অমগী থৌৱাইনা, মী অদুনা হেক শিবগী মিকুপতা, পন্থৌ অমগী হকচাং দা চংদুনা থা অনি লৈরগা পালেম ইমাগী পীবুকনুংদা চংদুনা থা ১০ লৈরক্লগা অনৌবা লাংওন অমা ওইদুনা, অনৌবা মপোক অমমুক ওইদুনা মীওইনা থোক্লকই হায়বনি।

মসি মীতৈ ঐখোয়গী লিচৎকী থৌরমদা হায়রগা, মী অমা শিবগী চহী অমা (থা ১২ ফারকপদা)'ফিরোই' হায়না পাংথোকলিবা থৌনিবগী লিচৎকী থৌরম অদুনি। 'ফিরোই' হায়বা কংলৈচা মীতৈগী লাইগী ওইবা থৌনি - থৌরম অসিনা তাকলিবদি লৈখিদ্রবা মী অদুগী থৌৱাইনা মপাদা থা ২, মমাদা থা ১০, থা ১২ ফাদুনা মীওইপোক অমুক ওইরে হায়বগী, অনৌবা মপোকনা পুনশি নুংশাংবা নুংঙাই - য়াইফবা পুনশি ওইননবগী মপুগী মফমদা থৌজান নিজবা থৌরমনি।

(৫) **খমনুং** - খমনুং হায়বা মীতৈগী ৱাহৈ/concept অসিগী ৱাহন্থোকতি 'নুং' হায়বা পুকনিং, ৱাখল, লৌশিং, হায়বদি মীওইবা অমগী নুংগী ওইবা পুমনমকপু হায়বনি, খম হায়বনা খমবা লোইবা হায়বনি। মরম অসিনা 'খমনুং' হায়বগী ৱাহন্থোকতি, শমনা হায়রবদা শিবা হায়বনি।

কংলৈচা মীতৈশিংনা শিববু, খমনু সাৱা তান, অমম য়াথোঙ কুম হায়নসু Biological term দা ফোংদোকই।

(৬) **খমনুংসাৱা তান, অমম য়াথোঙ কুম** - মথকতা ইজরিবা ৱাহৈ পরেং অসিগী ৱাহন্থোক অসি থাইন মমাংদা কংলৈ খুন্নাই অসি কয়া ৱাংলমবগে, কয়ামনা লিরবা মী কাংলুপ অমগী খুন্নাইনো হায়বা উৎলি। 'সিবা' হায়বা থৌৱাইগা হকচাংগা কায়নবা হায়বা অদুগী থিগৎলোনগী ৱাহৈ /concept নি।

ৱাহৈ পরেং অসি হিনদুগী মতমদা **'খমনুং সাৱা তাম, অমম য়াইথোঙ কুম' হায়বা ওন্থোকতুনা কংলৈ খুন্নাইবু অপঙবা অঙাওবা অমগুম উৎতুনা মশক থীনবা হোৎনৈ। মদু শুকওই ওইখোকলোই। 'খমনুং শাৱা তাম, অমম য়াইথোঙ' কুম হায়বা ৱাহৈ পরেং অসি ৱাহন্থোক লৈতবা অঙাওবা ৱাহৈ পরেংনি।**

'খমনুং সাৱা তান, অমম য়াথোঙ কুম'হায়বা ৱাহৈ পরেং অসিগী ৱাহন্থোক খংদোকনবা হোৎনসি:

'খমনুং' করিনো হেক মথকতা ইজখ্রে। পুকনিং ৱাখল খমবা, থৌৱাইগা হকচাংগা কায়নবা হায়বনি।

'সাৱা' হায়বা ৱাহৈ অসি 'সৱা'হায়না ঙাংবসু ইবসু য়াওই। থোইনা কায়দে হায়না খল্লি। 'সাৱা' = সা + ৱা, সা হায়বদি হকচাং, ৱা হায়বনা ৱাবা।

'তান' হায়বনা তান্নবা, লমচেল তান্নবা, চপ মান্নবা চৎখৎলকপা হায়বনি।মরম অসিনা খমণুং সাৱা তান, হায়বদি মীওইবনা শিরমদাইদা, ৱাখল, পুকনিং খমলমদাই অসিদা মীওইবগী থৌৱাই হকচাং অসি অসুক্কী মতীক ৱাশিল্লকই, শিরমদাইগী পুকনিং ৱাখল খমলমদাইগী চংশিল্লকপগা থৌৱাই হকচাং ৱাশিল্লকপাগা অনি অসি তান্না তান্নদুনা চংশিল্লিকই হায়বনি। মথংদা 'অমম' হায়রিবা অদুনা খংদবা, অমমবা হায়বনি। মথংগী য়াথোঙ 'য়াথোঙ কুম' হায়বা অদুনা 'য়াথোঙ' = য়া + থোঙ হায়বনা য়া, য়ানা,'থোঙ' লমবী অদুদা 'কুম'হায়বনা কুমলকই হায়বনি।

মরম অসিনা 'খমণুং সাৱা তান অমম য়াথোঙ কুম' হায়বদি মীওইবনা শিরমদাইদা অসুক্কী মতীক ৱাই, ৱাবা অদু শিদ্রিবাফাওবা অসুম হেনজিল্লকই, অকোনবদা অৱাবা অদু খাঙবা ঙমলকতবদগী মশানা য়ানা শুকখং খংদবা সিবগী লমবীদা চৎখি, কুমখি হায়বনি।

Biological অমসুং Psychology গা মীওইবগী শিরমদাইদা লৈনবা মরি অদু শেংনা তাকপনি। মীওইবনা শিরমদাইদা মা মানা নিংজবা তিংপালপা তেংপালপা মপু অদুদা চংজরগা তাইপঙ ঈপাক লান্নে।

(৭) **খমলাই (লাইখম)** - 'খমলাই' হায়রিবা ৱাহৈ অসি ১৭শুবা চহীচা ফাওবা অসামগী Ahom - Tai নিংথৌশিংনা কোনুংদা লাৎলমবা লাইগী মমিংনি। মসি 'লাইখম' হায়বা কংলৈচাশিংনা লাৎলমবা, চহী হৌবা

নুমিৎতা খুরমই হায়বা লাইশিং - মনুংদা হনুবা লাইখম হায়বা কংলৈচাশিংগী লাই অদুনি , ঙাংবদা হায়বদা মথক মখা ওন্না হায়বা ঙাংবগী ৱানি । ৱাহম্থোকসি কংলৈচাশিংগী লাই ,'লাইখম' অদু মথক মখা ওন্থোক্লগা ওইবা 'খমলাই' হায়রকপনি , 'অরোইবা লাই'হায়বনি । English তা হায়রগা The Ultimate God হায়বনি ।Universal God Father অদুবুনি।

Padmeshwor Gogoi না ইবা The Tai and The Tai Kingdom গী লামাই 409, 410 দা অসুম্না ইরি "Kings flight and Garhgaon ocuupied by Mir Jumla (17th March, 1662)". "He was ancious to save from the Enemy's raid the sacred articles of the two Royal Temples (Deo-shals) of God Kham - lai and God Tai - kawphi. Having taken into his custody all the articles in them , he first proceeded to Raishat "

ঐখোয়না Assam গী Ahom-tai নিংথৌশিংগী পুৱারীদা, অহোম - তাই নিংথোইশিং না কংলৈচা মীতে শিংগী লাই নিংলমবা , লাৎলমবা অসি খংবদগী অসামগী অহোম - তাই মী কাংবু অসি , কংলৈচা মীতৈশিংগী লমদগী হৌখিবা মী কাংলুপনি হায়বা খংই । এশিয়া মহাদেশ কী মফম পুম্নমকতা তাই (Tai) হায়বা মী কাংলুপ খুনতাদুনা লৈ । এশিয়াগী মফম পুম্নমকতা তাই (Tai) হায়বা মী কাংলুপ অসি লী , লৌই , লাই হায়রগসু খংনৈ ।

মরম অসিনা অসামগী অহোম - তাই হায়বা মী কাংলুপ অসি কংলৈপাকী কৌব্রু চীংদোনদগী হৌখিবা লাই , লৌই হায়বা মী কাংলুপ অদুগী মনুং চল্লি হায়বসি তশেংনা খংই ।

(৮) **খমলাংপা** - শগোলকন লমবী অচৌবগী মখা থংবা নাকন্দা , মোইরাং লৈরক্কী মচিনদা লৈবা অচৌবা লাইশিংগী লাই অসি ইচম চমনা ইখং খংদনা ইবুধৌ খমলাংবা (ইপুথৌ খমলাংপা) হায়রগা খংনৈ । কনানো , করিনো হায়বা কনামতা নিংথিনা খংদে । কনাগুমবনা লাইনিংথৌ খমলাংপা হায়রগসু খংনৈ ।

ঐখোয় কংলৈচা শিংনা , হৌজিক্কী লমমিৎলোন (লমহৌলোন) , লাই তিলগী হৌরকলোন অসি , ১৮ শুবা চহী চাদগী ওন্থোক ওনশিন পংতৌদা তৌবা , হিন্দুশিংনা চয়েৎ খোয়েৎনবা কয়া , মখোয় হিন্দুগী ওন্থোকনবা তৌরকপদগী খংবদা য়ামনা ৱারে । অদুবু লোন অমসুং ৱাহৈ /concept



হায়বসিদি অহিংবা পুৱারী ওইবনিনা , কংলৈচা অশেংবা মচা ঐখোয়না মুম্না য়েংবদা হেকতা খংই , ময়েক শেংলকই ।

হৌজিক্কী ওইরিবা ৱাহৈগী মওং , মশক অসিদগী , হায়বদি খমলাংবা ( অশেংবা খমলাংপা ) হায়বা ৱাহৈ অসিদগী খংনবা হোৎনশি । ইপা ইপুগী লীকলমনি মুম্না খংনবা হোৎনবিয়ু।

হৌজিক ঐখোয়না শিজিন্নরিবা ৱাহৈ 'খমলাংবা' হায়বা ৱাহৈশি হৌরকপগী ৱাহৈ (original word) নত্তে । হিন্দুশিংনা ১৮ শুবা চহীচাদা চংলক্লগা Bengal ময়েক ৩৫ , কংলৈ ঈয়েক ১৮ মুথৎলগা , নমদুনা চৎহনখিবদগী খমলাংবা হৈবুধৌ - খমলাংবা) ওল্লকখিবনি , তশেংনা কংলৈ ৱাহৈ/concept তি 'খমলাংপা' হৈপুথৌ - খমলাংপা) হায়বনি ।

খমলাংপা = খম + লাং + পা হায়বনি । ইপা ইপুশিংগী অহৌবা লোননি । মতাং অসিদা 'খম' হায়বা ৱাহৈ মচেৎ অসি খমপা অখমবা , অরোইবা , খৱাইগী অরোইবা হায়বনি । English লোনদা হায়বা তারবদি End , The Ultimate End হায়বনি । মতাং অসিদা খম না তাকলিবশি The Ultimate God, The Ultimate God Father, The Ultimate Reality of the Universe হায়বনি ।

মথংদা 'লাং' ৱাহৈ মচেৎ অসিনা হায়রিবনা 'লাংওনবা' হায়বদি The Ultimate God Father অদুনা লাংওনলকপা , মীওইপোক ওল্লকপা হায়বনি ।

অদুগা ইকোন কোনবগী 'পা' হায়বা ৱাহৈ মচেৎ অসিনা হায়রিবনা,'নুপা', 'পা' ওইবা ,ইপা ওইবা হায়বনি ।

মরম অসিনা খমলাংবা (খমলাংপা) , ইবুধৌ খমলাংবা ( ইপুথৌ খমলাংপা) লাইনিংথৌ খমলাংবা ( লাইনিংথৌ খমলাংপা ) হায়বা অথোইবা লাই অসি , তিংপালপা , তেংপালপা মপু অদুনা তাইবংদা নুপা অমগী শকতম লৌদুনা পোক্লকপা , তাইবংবু লমচিংনবা , কোনবীনবা পোক্লকপা নুপা অমনা ওইখিবা লাইনি হায়বা তাকই ।

লাই অথোইবা অসিবু 'লাইনিংথৌ - খমলাংপা ' হায়না কৌনবগী মরমদি , খমলাংপা হায়বা লাই , মীওইপোক্কী লাই অসি অরোইবা লাই নিংথৌ তাইবং শেমবা অদুমকনি , অদুগা পাংখকনি হায়না খনবদগী 'লাইনিংথৌ - খমলাংপা' হায়নসু কৌনরিবনি ।

(৯) **খংবা** -'খংবা' হায়বা ৱাহৈ অসি ৱাখলগী শকতম (Abstract noun) অমা ওইবসু য়াই ,অদুগা খংবগী থবক অদু তৌবা (verb)

ওইবসু য়াই। 'খংবা' হায়বা ৱাহৈ অসি খংবগী থবক তৌবা (verb) ওইনা অহানবা খন্নসি। মতাং অসি 'খংবা' হায়বসি ৱাখলগা য়ামনা মরি লৈনে।

ঐগী য়ুমদা য়ামনা অহল ওইরবা নুপা অমা চংলকই, ঐ মহাকপু মশক খংদ্রে, মাদি ঐবু ইখং খংবগুম তৌরি। অদুগা ঐন্সু খংবগুমদি তৌরি।

হৌজিক ঐঙোনদা থেংনরিবা ৱাফমসি, অহল অসিবু ঐগী নাহা ওইরিঙৈগী মরুপ অদুরনে। শেংনা নিংশিংবদি ঙমদে। ঐনা ৱাখল খল্লিবসি, ঐগী কোকতা লৈরিবা থইনগী মরুপ অদুগী মমিগা, হৌজিক্কী মহাক্কী শকতম অসিগা চংদমনদুনা, লাকলিবা অহল অসি থইনগী মরুপ অদুনি, নত্তে খনদোক খনজিন তৌরিবনি। থইনগী মরুপ অদুনি হায়বা ৱাখলদা চুমনা লাক্লগনা, মরুপ চাওবা লেঙশিল্লকউ, কাওরুরে হায়রক্কদৌরিবনি, অদুগা থইনগী মরুপতু চুমই হায়না খনবা ঙমদ্রগনা 'ঐ মরুপু খঙবা ঙমদ্রে' হায়গদৌরিবনি।

ঐখোয় মীতৈ কংলৈচাশিংনা কোকতা লৈবা ৱাখলগী মমিবু 'মি' কৌই, কোকতা লৈরিবা মমি অদুবু করমবনা চুমই চুমদে খনদোকপবু ৱাখল খনবা কৌই। ঐখোয়না য়ামনা ঙৌবা European অমবুসু, য়ামনা মুবা Negro অমবুসু, Pigmy অমবুসু...... পুমনমক অসি মী ঙাকতনি হায়বা খংলিবসি, কোকতা লৈবা মমিশিং অদু চাংদমনবদা, ৱাখলনা খংবনি।

(১০) **খলৌপা (মী খলৌপা)** : ঐখোয়না ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা - ইলোন পুকোক পুয়াদা থেংনরিবশি অসিনি : "খলৌপাকী মহাকথক লাইকী পনখৈতি লোমলে (.) ।। "

মতাং অসিদা 'খলৌপা' হায়রিবসি 'মী খলৌপা' হায়বনি। তাইপঙপালদা লৈরিবা পুমনমক অসি ইপুঙ লোইনপা অপকপনা শেমবনি অদুবু থাঙঙৈশেংনা মী শাবদি সনামহী লাইনিংথৌনা শাবনি। মতাং অসিদা অইবনা নিংশিংজনিংবদি, ইপুঙলোইনপা অপকপা, সালাইলেল সিতপা, সনামহী লাইনিংথৌ হায়বসি লাই অমতনি, তোঙান তোঙানবা থবক্কীদমক, তোঙান তোঙানবা মমিং, মশক ওল্লকপদনি। তিংপালপা মপু, তেংপালপা মপু, তাইপঙপালপা মপু হায়না তোঙান তোঙান্না খংনবা অসিগুমবনি।

তিংপালপা মপু ইপুঙলোই অপকপানা তাইপঙ মী শেমগে নিংলকলে। মপু মহাকতি মশক লৈতবা, তলঙ মালঙ না মহাক্কী শকতম ওইবা, অরোইবা অখমবা লাইনি, English তা Ultimate God হায়বনি।

মীওইবা মপোক তাইপঙ মীওইবা হায়বা অসিদি শকতম লৈবা, মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ, লৈপাক, অতীঙানা পুল্লগা শাবা ওইবা পোৎনি। মরম অসিনা



ইপুঙলোই অপকপা মহাকনা অহানবদা মহাক্কী নুংপুঙ ৱাখলদগী অতীঙা, থা, থৌৱাইমিচাক, মালেম অসিনচিংবা, নোংথৌ অমসুং নোংথৌ মনুং অসি মহাকনা শাইওল্লে।

মতুঙদা মহাকনা অতীঙআ সিতপা (সলাইলেল সিতপা) গী মশাদা, নুমিৎ হুমনি সুপাকী অঙাংকী মতমকুমনা সানাকী মশক মালপা নৌৱা ৫'(অমা) ওইনা লৈরগা, ইমা লৈমালেল শিতপীগী (মালেম) দা, মহাকনা নৌৱা অদুবু 'সনামহী' মীংথোল পীদুনা, পীশিল্লে, মতুংদা নৌৱা অদুনা সনামহী, সালাইলেল সিতপা অমসুং লৈমলেল সিতপীগী মচা অহনগুম য়োকতুনা চাওরকলে। সনামহীদা সালাইলেল সিতপনা মী শাও হায়না য়াথং পীরে।

সনামহীনা মী শাবা হৌখ্রে। শারিবনি হায়দুনা ঙামুদগী য়োঙ ফাওবা মথং মথং শারে। লাইনিংথৌ সালাইলেল সিতপনা, সনামহীনা শারিবা পোৎ পুমনমক অদু অমতা মীনি হায়বা য়াদ্রে। সনামহী না মপাপুঙকী মফমদা মী শাবা ঙমদ্রে হায়না হংগৎচরে। মতাং অশিদা লাইনিংথৌ সালাইলেল সিতপানা মহাক্কী (সালাইলেল সিতপাগী) মশক য়েংদুনা মী শাও হায়দুনা য়াথং পীরে। ইকোন কোনবদা সানামহীনা সালাইলেল সিতপাকী মশক য়েংদুনা মী শাবদা, লাই নিংথৌ সালাইলেল সিতপানা শারিবা পোৎশক অদু তাইপঙ মী (Homo Sapian) নি হায়বা য়াখ্রে।

মতৌ অসুমনা মীতৈগী পুয়া, ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা - ইলোন পুকোক পুয়াগী মতুংইন্না সনামহীনা শারিবা, তিংপাল মপু, তেংপাল, মপুগী মশক য়েংদুনা শাখিবা মী অদু 'খলৌপা' নত্রগা 'মী খলৌপা' কৌই। হৌজিক শাবা লোইরগা ওইরিবা ফিবম অসি মথৌৱাই হাপত্রিবনি। সনামহী না শারিবা খলৌপা নত্রগা মী খলৌপা অসি তাইপঙ মীগী Model, Proto-type নি।

সনামহীনা শাবা মী খলৌপা অদুবু উবদা লৈমালেল সিতপীনা তিললাং অদুবু খোইতাখিতুনা থাপুঙ ১০ ফানা নাউপুরগা পাখংপা পোক্লকই। পাখংপা মহাকনা তাইপঙকী অহানবা তাইপঙ মীওইবনি।

মী খলৌপাগী মতমদা লাইকী পনখৈ লোমলে হায়বগী ৱাহন্থোকতি: ইপুঙলোইনপা অপকপা (তিংপালপা মপু), সালাইলেল সিতপা (তেংপালপা মপু) সনামহী লাইনিংথৌ (তাইপঙ পালপা মপু), মপু অহুম অসি মশক লৈতবা লাই ঙাক্তনি। ইকোন কোনবদা, সনামহীনা শাবা মী খলৌপা অশিসু মশক নাইদবা তাইপঙ মীগী Proto-type নি। লাই ঙাক্তনি।

অদুবু মশক নাইবা ইমা লৈমালেল সিতপী (মালেম) অসিগী পীপুকনুংদা

মী খলৌপা অদুনা চংদুনা থাপুঙ ১০ নাউপুরগা পোক্লকপা পাখংবদি তাইপঙ মীনি , মশক নাইবনি । লাই নত্রে , লাইগী মশক য়েংদুনা শাখিবা মী খলৌপা অদুনা তশেংনা মীওই মপোক ওইরক্লবনি , মশক নাইনা পোক্লক্লবনি। মরম পুমনমক অসিনা খলৌপাকী মতমদা লাই পনখে লোমলে হায়রিবনি ।

তাইবং মালেমদা মীওইবা হায়বা থৌৱাই পানবা কাংলুপ অসি তাইপঙ শেমবা মপুগী মমি ,মশক য়েংদুনা শাখিবা থৌৱাই পানবা কাংলুপনি হায়বগী ৱাঙউলোন ,Theory পুথোকপা খুইদগী হানবা অসি মীতে মী কাংলুপনি।

(১১) **খকপা** - 'খকপা' হায়রিবা ৱাহৈ অসি English লোনদা Punctuation হায়বা অদুগী খুদম অমগী মমিংনি , শকতমদি ¡ অসিনি। খকপাগী খুদম ¡ অসি নোংচুপলোম অমসুং ইনদিয়াদা শিজিন্নবা উদে । কংলৈচা মীতৈশিংগী পুয়াদা খুদম ¡ অসি শিজিন্নৈ ।

চৈহী লিশিং কয়াগী মমাংদা ইবা কংলৈচা মীতৈশিংগী পুয়া (Scripture) দা খুদম ¡ অসি শিজিন্নরমবা , য়ামনা মফম চানা , চুমনা শিজিন্নরমবা অসিনা , নোংচুপ অমসুং ইনদিয়াগী মীশিংদগী মীতৈশিংনা ইবদা অমসুং ৱাহৈ পরেং শেমবদা হেন্না খংবা , হৈবগী খুদমনি ।

ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা - ইলোন পুকোক পুয়াদা অসুমনা ইরি -

" ই.য়েক ই.পী লাইয়েক অসিকী ৱালি লীখুনপু খকপানে ¡ ।"

" ই.চানা সালিপা নমু তাইপঙ মীতি । খকপানে - খকপাকী ই.য়েকনে ¡ ।"

মথকতা পনজখিবা পুয়া অসিদা , মফম অনিদা অসুমনা ইরমই । ইরিবা অসি সালাইলেল সিতপানা সনামহীদা মী শারো হায়না য়াথং পীবা অমদি সনামহীনা মী শাবগী মতাংনি । তাইপঙ পালবদা Evolution of Living Species তৌরিবসি , তাইপঙ মীওইবা (Homo Sapien) সনামহী লাইনিংথৌনা শাবা অসিদা Evolution গী ৱাংখৎকদবা লৈইরে (অমুক Evolution তৌররোই) , মীদি তাইপঙ শেমবা মপু অদুগী মশক য়েংদুনা শাখিবনা , মসিদগী হেন্না ৱাংবা থৌৱাই পানবা অমমুক লৈররোই , মীওইবদি God Creator অদুগী থাক য়ৌরে হায়বশিদা থাইনাগী মীতৈনা পুয়াদা খকপা ¡ হায়বা গী Punctuation খুদম অসি শিজিন্নরমবনি ।

কংলৈচা মীতৈশিংনা য়ামনা ঙন্না , তাইপঙ মালেমগী মীয়ামদগী হেন্না ৱাখল ফজবা খনবা হেন্না লাইলীক হৈরমবগী খুদমগী ই.য়েক খকপা ¡ খুদমনি হায়না অইবনা লৌই ।



(১২) **খমসঙ** - খমসঙ হায়বা ৱাহৈ অসি , ঐখোয়না হৌজিক পায়রিবা , শিজিন্নরিবা মালেমগী খুইদগী লিরবা পুয়া ৱাকোকলোল হীলেল থিলেল সালাই অমা - ইলোল পুকোক পুয়াদা ইদুনা কংলৈ ইপা ইপুশিংনা থমলমবা ৱাহৈনি । কংলৈ মীতৈশিংগী ইনবা ই.য়েক ১৮ লৈবগী মনুংদা , ১২ শুবা ইয়েক ঢ(ৱাই) কী মতাংদা ইরকপদা য়াওরমবা ৱাহৈনি ।

পুয়ানা অসুমনা ইরি - "খোংলি লাউলিপা খৈপীককী থৌৱাইপু লেঙহনতনা মপুকী কোনচিতা খমনা লৈয়ে হাইপকীপু খমসঙ কৌয়ে ।। খমসঙ অতুকী মনুংতা থৌৱাই লৈ হাইপকীপু ৱাইসঙ কৌয়ে ।। "

তাইপঙ পালপদা - লৈবা পোৎ পুমনমকপু শেমলিবা তাইপঙ পালপা মপু অদুনা শা , উচেক , মী অসিনচিংবা খোংলি লাউলিবা পুমনমক্কী থমোইদা লেংদনা পুনশিনা খমদ্রিবা ফাওবা লৈ হায়বগী থমেমাইবু 'খমসঙ' হায়নসু কৌই । তাইপঙ পালপা হায়বসি মতম পুমনমকতা হিংদুনা লৈবা য়াবা পোৎশক , হকচাং নওে , পোকপা শিপা হায়বসি মপু মাগী নোংতমনি । নোংমদি শোয়দনা মপু মাগী নোংতম মায়ওকনরগনি , মহাক্কী নোংতম (শিপা) ফাওবদি মপু মানা থমেমাইদা লৈদুনা সংই হায়বগী 'খমসঙ'কৌই , খম + সঙ ,খম = খমবা , শিবা , সঙ = সঙবা , মপু মনা ময়ুম ওইদুনা শঙবা । **মরম অসিনা কংলৈচাশিংনা তাইপঙ মীওইবদি মপুগী লৈফমনি , লাইশংনি হায়রিবনি ।**

"খমসঙ অতুগী মনুংদা থৌৱাই লৈ হাইপকীপু ৱাইসঙ কৌয়ে ।।" হায়বদি 'থৌৱাই'= মঙা , মিগা থানা তরুক হায়বনি , পুয়াগী ৱাহৈ পরেং অসিনা হায়রিবদি , মীওইবগী থমমোই মনুংদা তাইপঙ পালপা মপু অদুনা মৈ, ঈশিং , নুংশিৎ , লৈপাক , অতীঙআ মঙা অসিবু কাইদোং ওইরগা 'মি'গী মশক লৌদুনা থমমোইদা অৱাইবা সঙ লৈফম অমগুম লৈ হায়দুনা থমমোইবু 'ৱাইসঙ' হায়রগসু খংনরিবনি ।

অইবনা থমমোইদা তাইপঙ পালপা মপু অদুনা মতৌ করমনা , করি মশক ওইনা লৈবগে হায়বদু "মীতে ৱাহৈশিংগী ঈনাৎকী ৱাহন্থোক" অহানবা শরুকতা উৎচখ্রে । অমুক্কা য়েংবিয়ু :

মথক্কী শকতম অসি মপু মানা মীওইবগী থমমোইদা লৈবগী শকতমনি। ৱাকোকলোন হীলেল থিলেন সালাই অমা - ইলোন পুকোক পুয়া নৈনবিয়ু , ইপা

**ইপুশিংগী লৌশিংগী অৱাংবা ময়ৌবিয়ু ।**

(১৪) **খমসু নাহা তা :** খমসু নাহা তা হায়বসি কংলৈপাক্কী পুৱারিদা য়ামনা মমিং চৎপদা মতিক ময়াই লৈরবা কংলৈ নিংথৌ মুংয়াংপা না পায়রমবা তানি । তা অসি মুংয়াংপা লাইনিংথৌনা মতৌ করমনা ফংখিবগে হায়বগী মতাংদা ৱাকোকলোন হীলেল থিলেন সালাই অমা - ইলোন পুকোক পুয়াদা অসুমনা পুয়াগী অরেৌইবা ৱাহৈ পরেংদা ইরি ।

"অসুমনা তালাপাকা । মুংয়াংপা নিংথৌনা , থাঙ খৌপোমপা । খমসুনাহা তাপু ফংচায়ে । মৈতানা কৌপা খাকী লৈপাক্কী হিংচাপাপু হাৎপা ঙমচায়ে । লেপনা খঙপীও ।।০।।"

মথকতা পনজখিবা পুয়া , ৱাকোকলোন হীলেল থিলেন সালাই অমা - ইলোন পুকোক অসি মুংয়াংবা নিংথৌনা পাউতাক হিতেনতগী হল্লকতুনা কংলাগী মেনতা শংকুপলৈ মখোংদা হকচিং লাংলিঙেদা , অপোৈই ননা মায়চৌনা নিংথৌনে লৈপাক মীয়ামনে অমদি মায়চৌ ৪ গী মফমদা লীরগা , চকপলম মচা মায়চৌনা ইখিবনি ।

ঐখোয়না হৌজিক পুয়াগী লীখুন্দগী ফংবগী মতুং ইননা , পুয়া অসি ইখিবশি খৃ:গী মমাংদা (B.C) চৌরাকনা চহী ১৫০০ দনি হায়বদি চহী অসি 15th century B.C দনি । মরম অসিনা পুয়া অসি ইবদা য়াওরিবা নিংথৌ মুংয়াংপা হায়বা কংলৈ নিংথৌ অসি খৃ:গী মমাং ১৫ শুবা চহীচাদা পানখিবা নিংথৌনি হায়বসি চেননবা য়াদনা খংই ।

**ঐখোয়না পুয়াদগী ফংলিবা কংলৈ নিংথৌ মুংয়াংপা হায়বসি হৌজিক্কী চৈথরোল কুমববদা খৃ:1562 - 1597 দা পান্নমই হায়না শেমজিনদুনা লাননা মমিং মুংয়ামবা নিংথৌ হায়না ওস্থোকতুনা ইশিন্নকপা অদুনি । পান্নমবা মতমদগী চহী ৩০০০ (লিশিং অহুম) থেংথরগা ইশিনদুনা কংলৈ পুৱারীদা মীনমলমবনি ।**

ৱাফম অসিগী ৱায়েং অইবগী Discovery of Kangleipak (Series 2)দা লা: ১৩৩ য়েংবিয়ু ।

মথকতা ইজখিবদা , পুয়াগী অরেৌইবা ৱাহৈ পরেংদগী লৌথোকপদা "অসুম তালাপাকা" হায়না পুয়াদা ইরমলিবদুনা , মুংয়াংপা নিংথৌনা , অপোৈই ননা মচা মায়চৌনা পুয়া লীবা অদু তারগা হায়বনি ।

মথকতা পুয়াদা য়াওই , পুয়াদা ইরি হায়না উৎচখ্রবা "খমসু নাহা তা" হায়বা অসি থইনগী লালগী খুৎলাইনি ; মশিদসু নওনা ইপুথৌ মুংয়াংপা কংলৈ নিংথৌনা থাঙ খৌপোমপা , হায়বা থাংশাং লালগী থাঙ অসিমসু ফংই



হায়না ইরিবসি অপাবশিংনা উবিখ্রে । খুৎলাইশিং অসি ইপুথৌ মুংয়াংপা কংলৈপাক্কী নিংথৌনা ৱাকোকলোন হীলেল থিলেন সালাই অমা - ইলোন পুকোক পুয়া অসি **কংলৈ মায়চৌ অপোৈই ননা মচানা নিংথৌ , মীয়াম অমদি মায়চৌ অতৈশিংগী মফমদা ৱারি লীবদা তারবা মতুংদা ফংখিবনি ।** কংলৈ নিংথৌ মুংয়াংপা অসি কংলৈপাকতা 15th centuries B.C দা পাল্লমবা নিংথৌনি ।

(১৫) **খাংপোকসঙ** - খাংপোকসঙ হায়বা কংলৈ মীতৈ ইপা ইপুশিংনা শিজিন্নরম্বা ৱাহৈ অসিগা মুন্না খংনরবদি , ৱাহৈ অসিনা নঙোনদা মীতৈ ইপা ইপুশিংনা চহী লিশিং কয়া কয়াগী মাংদা মীতৈ ঈনাৎকী মতাংদা পাংথোকলমবা , তৌরমবা থবক থাজনবী কঁয়া ময়েক শেংনা তমলক্কনি । ৱাহৈ হায়বসে তশেংবা মী কংলুপ অমগী অহিংবা পুৱারিনি ।

"খাংপোকসঙ" হায়বা ৱাহৈগা শক মুন্না অমুকতা খংনবিয়ু :-
"খাংপোকসঙ" হায়বসি কংলৈ মীতৈ য়ুমচাওগী "সুমাং" দা সুমাংগী মখা ওইরপনা , হায়বদি য়েৎ থংবা নাকল্দা , মী অমা শিবদা পুথোকতুনা মতম খরা থমনবা শঙ মচা অমনি । শঙ শারিবা মফম অদুবু **খাংলেনফম** কৌই । মফম অসিবু **"লানসমবীগী লময়াই"** হায়রকসু খংনৈ । কংলৈ মীতৈ ইপা ইপুশিংগী ঈনাৎকী মতুং ইননদি , মী অদু শিদ্রিঙেদা , শিরনি হায়বদি শোয়দ্রবা মতমদা পুথোক্লগা লোংনা হিপতুনা লৈহননবা , মতম মতমগী ওইনা শাবা শঙনি । অদুবু হৌজিক্তী শিরবা মতুংদা পুথোক্লগা খাংপোকশঙ মনুংদা থমলে ।

থইনা অইবনা করিসু খংদ্রিঙেদা উহৌবদি , খাংলেনফমদা শারিবা শঙ অদু মী অমা লোংনা হিপতুনা লৈবা য়াবগী চাওবগী চাংদা ইনা কুমতুনা য়াংলেন নইনা শাই । সঙ অদুগী মনুংদা চংপী লা মপুং ফাবা অমা থই , অদুগা চংপী লফুগী মতেক অমা লা অদুগী লাতেনদা ফৈনা থমই ।

মী অদুবু শিরনি হায়না চপচানা অমাইবনা হায়বা মতমদা , শিগদৌরবা মী অদু চংপী লাপুম অদুগী মথকতা , চংপী লফু মতেক অদুদা মোন খাংহল্লগা লোংনা হিপহনদুনা থমই ।

মতাং অসিদা -
হৈরাং খোইনিদা ,
চানাবা হৈনিদা ,
শিবু থোইনা হাওবা হৈদি ,
চীনতমবা হৈনিদা ।

.

.

.

লানশমবীকী লময়াইদা ,
মুনুনা ৱারে পোৎথাবা
ঈপাম লমদম য়েংলুবদি
নুংশিবা মায়কৈ তামখরে

চেক্লা পাইখরবনা,
পোমবী হনজিল্লকপদা ,
চেক্লাগী কাইদোংফম খংদ্রবনা ,
পোমবী কণ্ডাওনখেরে ,

সাবী ইনেম মচা পামুবী
চীংনুংগী সানা লোকতগী ,
পাইবিরকলোনে ।

অইবনা মথকতা ইজরিবা কংলৈ ইপা ইপুশিংগী হিরম অসিগীদমক অইবগী লাইরিক "মীতৈগী নোংকালোন" য়েংবীয়ু । লানন - ইশে অসি শক্লমই হায়বসি ঐখোয় হৌজিক খঙই । অদুবু অইবদি হিনদুশিংনা চঙৎনবী তৌদুনা কংলৈ ঈনাৎ মাংহননবা হোৎনখ্রবা মতুংদা পোকপা ওইবনা শিরমদাইদা খাংলেলফমদা ঈশৈ অসিমক শকপদি অইবনা তাবা উবদি ফংজহৌদ্রে । হৌজিকতি মী অমা শিরগা "খাংপোকসঙ" মনুংদা পুথোকতুনা থমই । শিরমদাই লাইরিক তাই , মরোন মরি মুননা খংদে ; ইশৈসু শকই , মরোলদি অসুমনা "মন চলো জাও বৃন্দাবন" হায়বগুম তৌই । য়োং মথীনা পীক থনবা, জুগোৎ চাদবা নুপা নুপী কয়া লৈবা "বৃন্দাবনদা পুকনিং নংচৎখ্রো । " হায়বা মাল্লি ।

হৌজিতি , শিরবা মতুংদা মাংগোলদা পুথোক্লগা , 'লমবোইরিবনি', বেস ওল্লিবনি হায়দুনা লমবোইবগী জুলি তুপী উপশিল্লগা , য়ুবী খুজাই অমা মনাক্তা থমজিল্লগা , য়েনপাক অমসু মখুৎ মনাকতা থমজিল্লগা , বিথা হাপলিবনি হায়দুনা অনকপা মরি মতা খুদিং চেং খরা খরা য়ুবী খুজাই অদুদা হাক্লগা , ময়াম কপনৈ , **বামোননা মরোল মরি খংদবা লাইরিকসু পাশিল্লি , য়ামনা নোকনিংই শাওসু শাওনিংই ।**



অইবগী য়ামনা নকনবা অহল অমা শিখ্রে । মহাক Navy Officer ওইরমই , ইনাকসু য়ামনা খুল্লি । মহাকনা শিবদা অইবসু , মঙ্গোলদা অশিবা - মনাকতা পি তৈথোক তৈথোকতুনা লেপলমই । ঙইহাক লৈরগা বেস ওনবা গী থৌরম অসি হৌরকপদা , শাওনিংবা হৌরকখ্রে , পিসু লৌইন হনগৎখ্রে । অশিবা মনাকতগী থাপনা চৎথোক্লগা লেপতুনা লৈ ।

**ঙইহাক লেপলবা মতুংদা , শিরিবা অহল অদুগী য়ামনা নকনবা চহী ৭০ মুক শুরবা নুপা অমা কৌথোক্লগা অইবনা অসুমনা হায়রমই - " ইবুংঙো খোইগী Officer ওইরমবা অহল অসিনা, মহাকনা শিরবা মতুংদা , বিথা নিবা চৎহললিবা অসিবু , মহাকনা খংলবদি য়াগদ্রা ?" অসি হায়রমলগা অদুম লাকলে ।**

হৌজিকতি খাংপোকসঙগী মতাংদা অমুক লাক্লগা - কংলৈচা মীতৈশিং গী য়ুমগী মাংকোলগী মমাংদা 'খংলেলফম' নত্রগা 'লানসমপী কী লময়াই' হায়রগসু খংনবা মফম অদুদা 'খাংপোকসঙ' হায়বা সঙ মচা অমা শারগা মনুংদা শিরগদবা মী অমা লৈরে ,'মথকতা অইবনা মতাং অসিদা শকনরমবা কংলৈচাশিংগী লানন - ইশৈসু উৎচখ্রে । হৌজিকতি পাৱীরিবাশিংনা 'খাংপোকসঙ' মশক খংবীদ্রিব্রা ?

কংলৈচাশিংগী মনাৎকা মরি লৈনবা ৱাহৈ /concept শিং 'সুমাং' 'খাংলেনফম', 'লানশমপীকী লময়াই' হায়বা ৱাহৈ /concept শিং অসিগী ৱাহন্থোক খংবগা 'খাংপোকসঙ' হায়বসি করিনো খংলগনি ।

সুমাং ?

সুমাং = সু + মাং , মফম অসিদা 'সু' হায়বদি সুনবা , মী খুদিংগী,তাইবং মী খুদিংগী হায়বনি , অদুগা 'মাং' হায়বনা 'মাংবা', মাংখিবা লোইখিবা , সিখিবা হায়বনি । মরম অসিনা সুমাং হায়বা ৱাহৈনা হায়রিবদি সুমাং হায়বা মফম অসিদা তাইবঙ থৌৱাই পানবা মীওইবশিং , মী খুদিংমক থৌৱাই মাংই, লোমখি হায়বনি । মরম অসিনা কংলৈচা মীতৈশিংদি শিদ্রিঙেদা সুমাংদা পুথোকই হায়বসি তাকই ।

খাংলেনফম ?

খাংলেনফম = খাং + লেন + ফম = মতাং অসিদা 'খাং' হায়বসিদি খাংবা , অৱাবা খাংবা হায়বনি , চপ চাবা ৱাহন্থোকতি শিরমদাইগী অৱাবা অদু খাংবা হায়বনি ; 'লেন' হায়বদি লেনবা হায়বনি , শিরমদাইগী অৱাবা অদু খাংদুনা লেনবা হায়বনি ;'ফম' মফম হায়বনি । চপ চাবা অশেংবা

ৱাহন্থোকতি , শিরমদাইগী অৱাবা অদুবু খাংদুনা , লেনবা , শিবা মতম ঙাইবা মফম হায়বনি , 'খাংলেনফম' গী ৱাহন্থোকতি ।

লান্সমপীগী লময়াই ?

লান + সমপী = 'লান' হায়বা ৱাহৈ মতেক অসিনা পীরিবা ৱাহন্থোকতি 'লানবা', তাইবঙ ইপাক লানবা , অমরোমদা হায়রগা শিবা , তাইপঙ থৌৱাই না মপু মাগী মফমদা তিনখিবা হায়বনি , অদুগা 'শমপী' হায়বনা সমনববু পীরিবা মফম হায়বনি ; 'লময়াই' হায়বনা মফম , লমগী ময়াই হায়বনি । মরম অসিনা 'লোনসমপীকী লময়াই' হায়বদি 'খাংপোকসঙ' মনুংদা শিবা ঙাইদুনা লৈরিবা মী অদুনা শিরবদা , মহাক্কী থৌৱাই পোনপী না তাইপঙ হকচাং থদোক্লগা তাইপঙ ঈপাক লানদুনা মপু মাগী মফম য়ৌখিনবগী পামবৈ , পীরিবা , মফম ওইরিবা সুমাংবু হায়বনি ।

মতাং অসিদা কংলৈচা মীতে শিংগী লান্ন - ইশৈদা 'লানসমপীকী লময়াই' হায়না শক্লমলিবা অসিনা তাকপদি হৌজিক ঐখোয়না 'খাংপোকসঙ' শারিবা মফম অসি সুমাং ময়াইদগী য়েৎলোমদা খরা থৈদোক্লগা শানৈ , মসি হিন্দু লাকপদগী ময়াইদা 'তুলশি' থাজিনখিবদগী মতাইদা থৈদোক্লগা শানবা ওইরমবা য়াই হায়বা তাকই । থাইনদি 'খাংপোকসঙ' সুমাং ময়াই চপ চানা শানরমই হায়বা তাকই ।

'খাংপোকসঙ' ?

খংপোকসঙ = খাং + পোক + সঙ , মতাং অসিদা 'খাং', হায়বা ৱাহৈ মচেৎ অসিনা হায়রিবদি খাংবা , অৱাবা খাংবা , শিরমদাইগী অৱাবদু খাংবা হায়বনি , 'পোক' হায়বনা পোকপা , অনৌবা মপোক হায়বনি , অদুগা 'সঙ' হায়বদি ইচম চমনা য়ুম মচা অমা হায়বনি । মরম অসিনা 'খাংপোকসঙ' গী তশেংবা ৱাহন্থোকতি , খাংপোকসঙ মনুংদা 'চাংপী' লারাক অমগী মথকতা 'চাংপী' লফু মতেক অমা মোন খাংদুনা শিবা ঙাইদুনা লৈরিবা অসি অনৌবা মপোক অমা অমুক পোকলবা , অৱাবা - খাংদুনা ঙাইদুনা লৈরিবনি হায়বনি । মতাং অসিদা চংপী লফু শিজিন্নরিবা অসিগী ৱাহন্থোকতি চং + পী হায়বদি শিরবা মীবু অনৌবা পুনশি , অচংবা ওইনা পোকপা অমুক পীরিবা হায়বনি ।

ময়ামনা নিংশিংবিবা য়াই , মদুদি - মীতে কংলৈচা শিংনা লৈপাক নিংথৌগী চৈরাক ফংলদুনা হাৎপা তারবদা , মী অদুবু 'অঙাং' ওলহনখ্রে হায়। অনৌবা মপোক অমা ওইনবা শীনখ্রো হায়বনি ।

মরম পুমনমক অসিনা কংলৈচা মীতৈশিংগী 'খাংপোকসঙ' হায়বা ৱাহৈ /concept অসিনা , মালেমদা কংলৈচা মীতৈশিংদি , থৌৱাইদি



শিদে, শিরগা অনৌবা পুনসি ওইনা অমুক লাংওল্লি , 'Rebirth' তা খম থেংনা থাজবা মী কাংলুপনি হায়বা তাকই ।

(১৫) **খাকেমপা** - হৌজিক্কী (মেনিপুর) গী পুৱারীনি হায়না পুথোকলিবা চৈথরোল কুমবাবগী (1967 - Ed.) লামাই ২০ দা ফমবান কাই হায়না ইরিবা খাগেমবা (খৃ: ১৫৯১ - ১৬৫২ ) অসি তশেংনমক হিন্দুগী মমাংদা পাল্লমবা কংলৈপাক্কী নিংথৌরা নত্রগা চৈথরোল কুমবাবা দা পিরিবা মতম অসিদা তশেংনা পাল্লমব্রা হায়বসি শেংনা হায়বা ঙমদে , কংলৈপাকতা কনাগুমবা অমতনা হায়রিবা ৱাফমসি শেংনা হায়বা , খুমবা ঙমমোই ।

খাগেমবাগী মমাংদা পাল্লবা চৈথারোল কুমবাবগী নিংথৌ 'মুংয়ামবা' হায়বসি 'ময়ামবা' হায়বা নত্তে , 'মুংয়াংপা' হায়বনি ,ওন্থোকখিবনি , অদুগা পানবা মতমসু চৈথরোল কুমবাবগী মতম অসিদগী চহী ৩০০০ লোমনা ঙন্না ১৫ শুবা খৃ: চহীগী মমাংদা (B.C) পাল্লবা নিংথৌনি হায়বা উৎচখ্রবনি । মরম অসিনা খাগেমবা হায়বসি অশেংবা কংলৈ নিংথৌরা , মতম অসিদা হায়বদি ১৬ শুবা চহীচা (C.E) দা পাল্লমবা নিংথৌরা হায়বসি খুমবা ঙমলকতবনি ।

কংলৈচাশিংনা ২১ শুবা চহী চাদা পুৱারীগী মতাংদা থেংনরিবা অৱাবা অসি হৌখিবা চহী ৩০০ (চহুম) অসিদা , পুয়া মৈ থাখ্রবা মতুংদা , ওইদবা পুমনমক অচুমবা পুৱারী শাদুনা শেমজিল্লগা পুৱারীনি হায়জিল্লকপা অসিনি। ঐখোয় হৌজিক থেংনরিবা অমানা , খাকেমপ নিংথৌগা মরি লৈনবা , হিন্দুগসু মরি লৈনবা থাজনবী কয়া হিন্দুগী মতমদা শাগৎলকপগুম তৌই । মরম অসি লৈবনা খাকেমপা কী মতাংদা থাজদবা চীংনবা অদুম হেনগৎহল্লি।

(১৬) **খা - ঙানপা** - ঐখোয় কংলৈপাক মীতৈশিংগী সালাই তরেৎ (৭) লৈ , মখোয়শিং অদুদি - মঙাং , লুৱাং , খুমন , অঙোম , মোইলাং , খাপা - ঙানপা (খা - ঙানপা) , সালাই লৈশাংথেম । সালাই ৭ অসি কংলৈ নিংথৌ অহানবা , হৌজিক্কী ইমফাল কংলাদা পাল্লমবা , কোনচীন তুকথাপা ইপু অথৌপা (ইপুথৌ) পাখংপাগী মচাশিংনি । খা - ঙানপা হায়বা কংলৈ নিংথৌ অসি ৬ শুবা মচা নুপানি । খা - ঙানপাবু পোকপা লৈমা পলেম অদুগী মমিংনা লৈথম তালি লৈমা কৌই । ইমা ইবেমমা লৈথম তালি অসি ইপুথৌ পাখংবগী ৬ শুবা লোইনবীনি ।

খা - ঙানপানা লৈলমবা মফমশিংদি -

ইমফাল কংলাগী কোনুংদা , মপাবুং ইবুংঙো পাখংবগা লৈরমলবা মতুংদা , খা - ঙানপাবু খাইদোক্লকপা মতমদা , খা - ঙানপানা ইহান -হান্না তোঙান্না লৈলমবা মফমদি 'সালাং মাই' নি।

'সালাং মই' হায়বা মফম অসি হৌজিক্কী কংলাগী মফম অমদা ওইফম থোকই । অইবনা মফম অসি চপ চানা তাকপা ঙমদ্রে । মথংদা, খা - ঙানপানা লাইলেলপী কোনতিং লৈমগা লুহোংলবা মতুংদা , নোংতমলেল অঙানপা পোকত্র । মতৌ অসুম তৌনা মীশিং হেনগৎলক্কবা মতমদা কংপোকপীদা লৈরমলে । মথংদা লাংকোলদা লৈরমই । মথংদা লুৱাংচীংদা লৈরমই । ইকোন কোনবদা 'তাকনা খানা কোনপা' মফমদা লৈরমই ।

সালাই তরেৎ কী মচুগী মনুংদা, খা - ঙানপা কী মচুদি 'লুমনা ঙানপা' মচুনি ।

ইপুথৌ পাখংবা কোনচীন তুকথপা নিংথৌগী মতমদা , সালাই ৭ মক্কী থিজিল্লোন পুয়া অমমম লৈরমই , মখোয়শিং অদুদি - মঙাংলোন , লুৱাংলোন, খুমনলোন ,অঙোমলোন ,মোইলাংলোন , খা - ঙানপালোন , সালাই - লৈশাংথেমলোন অসিনি । পুয়া মৈ থাবদা য়াওখ্রে । লোইনা মাংখ্রে।

সালাইলোনশিং অসি ফংলবদি , সালাই তরেৎকী মতাংদা , হৌফম শাৎফম , লৈফম , সালাই মচু , পোকপগী মতম , চীংগী মীশিংগা তমগী মীশিংগা লৈনবা মরি , চীংগী মীশিংগী সালাই অসিনচিংবা মুন্না খংলমগদবনি।

**অদুবু হিনদুগী মতমগী পুয়া মৈথাবনা তুমনা মাংহনখ্রে ।**

(১৭) **খা - খোং** - তইপঙ মীওইপাগী হৌজিক ঐখোয়না হকচাং (human body) হায়রগা খংনরিবা অসি মীতৈগী খুন্নাইনা নৈরিঙৈ মতমদদি 'হুকসাঙ' হায়রগা খংনরমই। পুয়াদদি হুকসাং হায়না ইরি । 'হুকসাঙ' গী ৱাহন্থোকতি , মপু মহাকনা তইপঙ হকচাংদা লৈবিরিমখৈ পুনশি নুংশাংই হায়বনি ।

অদুবু মতমগী খোংলৈ মতুং ইন্না , মীতৈ খুন্নাইনা science কী ৱাফমদা হেন্না হেন্না খংলকপা অমসুং নৈনরকপদগী ,'হুকসাঙ' মহুৎতা 'হকচাং' হায়না শিজিন্নরমই । হকচাংগী ৱাহন্থোকতি , কংলৈচাশিংনা লুমবা, মরুম লৈবা পোৎশিংবু'হক' হায়রগা খংনৈ অদুগা 'চাং' হায়বনা 'অরেপপা চাং'(proportion of element having weights) হায়বনি , শমনা হায়রবদা মীওইবগী হকচাং অসি তিংপালপা , তেংপালপা মপু মানা অরুমবা পোৎ ময়াম অমা , চাং চানা , চাং মান্নরা পুনশিনদুনা শেমবনি হায়বনি। ৱাফম অসি অমরোমদা অমুক হায়বা তারবদি hydrogen, oxygen, protein, calcium etc etc.. চাং অমদা থমলগা পুনশিনদুনা মীওইবগী হকচাং অসি , মপু মানা শেমলকপনি হায়বসি খংলকপনি। ৱাফম অসিনা তাকলিবসি, science না কংলৈ খুন্নাইদা য়ামনা ঙল্লিঙৈ মতমগী খোংদারকলে হায়বনি ।



চহী ১৫০০ খৃ: মমাংদগী কাংলৈচাশিংনা Bio-chemistry গী মতাংদা মুন্না খংলকপনি ।

ৱাফম অসিগা লোইননা , কংলৈ খুন্নাইনা মীওইবগী খুন্নাইগী য়ামনা ঙল্লিঙৈগী মতমদগী 'খোংলম ৯' মীওইবগী হকচাংদা লৈ হায়বা খংলমই । 'খোংলম ৯' অসিগী খৱাইদগী মরুওইবা খোংলম অহুমদি খা - খোং , লাই - খোং , মালঙ - খোং কৌই ।

অইবনা পুয়া নৈনবদা 'খোংলম ৯' অসি ꠗ না , নাকোং ঈয়েক নৈনবদা থেংনবনি । হায়রিবা ৱাফমশিং অসি Biological Science কা য়ামনা মরি লৈনবগা , Science কী লৌশিং য়ামনা ৱাৎপা অইবনা শেংনা খংবা ঙমদে । অদুবু খৱাইদগী মরুওইবা খোংলম অহুম হায়বদি খাখোং , লাই - খোং , মালঙ খোং অসিগী মতাংদা হায়জগে ।

**খা - খোং** ,

খা হায়বদি মখা হায়বনি , মায়কৈগী মখা হায়বা নওে , হকচাং গী মখা হায়বনি মফম অসিদা খা হায়রিবা অসি । খোং হায়বসি ইশিংগী লমবী , লৌখোং অসিনচিংবা ।

মরম পুমনমক অসিনা , 'খা-খোং' হায়বদি 'চীন' হায়বদি চারি - থকলিবা পুমনমক্কী হকচাংদা অহানবা চংফম ওইরিবা 'চীন' দগী অমাংথোং ফাওবগী খোং - লম , খোংলি অসিবুনি।

**মথংদা লাই - খোং** ,

মথংদা লাই - খোং হায়রিবা অসিদি লাইগী লমবী , লাইগী খোংলম হায়বনি । পুয়ানা ঈ Blood পু 'ই. লাই' কৌয়ে । মরম অসিনা 'লাই - খোং' ঈগী লমবী , ঈগী খোংলম হায়বনি । মতাং অসিদা লাই - খোং হায়রিবসি থমমোই (Heart) অমদি মসিগা মরি লৈনবা ঈরম - খোংলমবু হায়বনি ।

**মথংদা মালঙ খোং** ,

'মালঙ খোং' হায়বা অশিসু 'নুংসিৎ কী' লমবী , খোংলম হায়বনি। হায়বদি , নতোনদগী হৌরগা থবোমবী (Lungs) অসিগা মরি লৈনবা নুংশিৎকী ময়াম অদুবু হায়বনি ।'মালঙ' মালঙবা হায়বা ৱাহৈ অসি নুংশিৎ নওনা অতৈ করিসু নওে ।

কংলৈচা মীতৈশিংনা খা - খোং , লাই - খোং , মালঙ - খোং অসিনচিংবা খোংলম ৯ মীওইবা খন্নাইনা ঙাল্লিঙৈ মতমদা খংলমলিবশি,

Biological Science তা কংলৈচাশিংনা য়ামনা ঙন্না লৌশিং মতিক চানা লৈরমবগী খুদমনি ।

(১৯) **খোনথোক ঈৱাই ঈন্নিন** -

মথকতা ইজরিবা 'খোনথোক ঈৱাই ঈন্নিন' হায়রিবা ৱাহৈ অহুমগী ৱাহৈ পরেং অসি পুয়াদা ঈয়েক্কী খোন্থোক (Pronunciation) গী মতাংদা ইবনি । 'খোনথোক ঈৱাই ঈন্নিন ' হায়বসি মীতৈগী লৈজরিবা ইনবা ঈয়েক ১৮ লৈরিবা অসিগী হৌরকফমনচিংবগী মতাংদা ইরকপদা ঈয়েক খুদিংগী ইরক্কনি । তশেংবদি 'খুনুঙলোন খোনথোক ঈৱাই ঈন্নিন ' হায়বনি । পুয়াদা ঈয়েক অয়ামবগী মরমদা ইরকপদা 'ঈৱাই' হায়বা ৱাহৈশি য়াওদনা 'খুনুঙলোন খোনথোক ঈন্নিন' অসুমনা শমসিন্না ই । অদুবু ৱাহৈ পরেং অনিমক ৱাহন্থোক চপ মান্নে ।

'খুনুঙলোন খোনথোক ঈৱাই ঈন্নিন' অমদি 'খুনুঙলোন খোনথোক ঈন্নিন ' হায়বসি ঈয়েক অদু মীয়াম মরকতা , খুনগংদা মতৌ করমনা পাই , খোন্থোক (Pronunciation) পী , হায়বদি How the particular script is pronunced in the society হায়বগী মতাংদা শনদোকনা তাক্লপগী ৱাফমনি ;অদু ওইরবদি , 'খোনথোক ঈৱাই ঈন্নিন' করিনো? ৱাহৈ অমমমগী ওইনা হৌরকফম (Etymology) , করি করি ৱাহৈ পুনশিল্লগা ওইখিবা , ৱাহন্থোকনা করি করিনো হায়না মুন্না থিগৎতুনা খংনবা হোৎনসি ।

'খোন্থোক' হায়বদি খোন + থোক হায়বনি । 'খোন' হায়বদি মীনা 'হো ইমা' হায় , ক্কাকনা 'ক্কাক ক্কাক' হায়না খোংই , হুইনা 'গৌ গৌ' খোংই অসিনচিংবা । অসুমনা থৌৱাইপানবা অমনা মচিনদা থোক্লকলিবা খোন , খোনচেল অদুবুনি । অদুগা 'থোক' হায়বনা থোক্লকপা (how the inner feeling is produced in words , in sound) অসিনচিংবা হায়বনি।

মরম অসিনা পুয়াদা ইরমলিবা অসিনা হায়রিবদি মী মরকতা ঐখোয়না ঙাংনরিবা লোন , ৱাহৈশিং অসি করমনা খোনচেল , খোনন্থোক ওইনা থোক্লকই হায়বসিনি ; মসি লোন , ঈয়েক , ৱাহৈ শিংগী থোক্লকপগী কুপনা নৈনবা (Etymology) গী ফোংদোক ৱাহৈনি ,'খোনন্থোক' হায়বসি খোন্থোকলোনগী মহৈনি ।

মথংদা 'ঈৱাই' হায়বা ৱাহৈসি ঈ + ৱাই হায়বনি । 'ঈ' হায়বা ৱাহৈ , ৱাহৈ মচেৎ অসিগী ৱাহন্থোকতি , ঈ য়াওবা হকচাং ঈ খকতা মহী ওইবা অঙাংবা অদুবু খংনৈ । মরম অসিনা ঐখোয়না করিগুমবা অরেপপা ঈয়েক অমগী খোন্থোক পীবদা করমবা হকচাংগী শরুক শিজিন্নে , করমবা হকচাংগী



শারুকতগী হৌরকই হায়বনি । মতাং অসিদা 'ৱাই' হায়বদি 'ৱাইবা' মৈ চাকপা , করমবা মফমদা থবক তৌবা , খোন্থোক হৌবা অসিনচিংবনি।

**মথংদা 'ঈন্নিন'** ,

'ঈন্নিন' হায়বদি ঈ + ন্নিন , মফম অসিদা ঈ হায়রিবা অসিসু মথকতা হায়জখিবগুমবা হকচাং (Human body) হায়বনি । 'ন্নিন' হায়বদি ঈথক, ঈন্নিন হায়বগা চপ মান্নে । অসিদা 'ঈন্নিন' হায়রিবসি ঐখোয়না ৱাহৈ অমা খোন্থোকপীবদা , নত্রগা ঈয়েক অমা খোন্থোকপীবদা করমনা হকচাংগী শরুক ঈহৌই , লেংই অসিনচিংবা হায়বনি । মরম অসিনা ইপা ইপুশিংগী ঈয়েক ১৮ অসিগী মরমদা পুয়াদা ইরকপদা 'খুনুঙলোন খোনথোক ঈৱাই ঈন্নিন' হায়বসিনা তাকপদি মীতৈ ইপা ইপুশিংনা ঈয়েক ১৮ অসি পুথোকপদা , মমিং থোনবদা , পাবদা ঈয়েকশিং অসি হকচাংগী করমবা মফমদগী খোন্থোক হৌই, করমনা হকচাং মফমদা লেংই অসিনচিংবা শেংনা খংলগা পুথোক্লমবনি হায়বসি তাকই ।

ঈয়েক্কী মতাংদা পুয়াদা 'থিকৎলোন' (Etymology) অসিবু তাকপা, শেংনা খংলকপা অসি উৎতুনা অসুমনা ইরি -" ঈনুঙলোন । খুনুঙলোন অসি খৈপীককী ঈয়েক ঈপীপু লাইনিংথৌ সালাইলেল কী কোলোই ময়াথংপু হিকতোকপা লৈতনা । লৈমালেল সিতাপীনা লৈয়েংতা লৈপী ঈয়েকলৈমা । লৈয়াইতা লৈপী লাইখুলেলপী । লৈতোনতা লৈপী লাইনৌ তাপী । অহুমমক অসি সাইওনতুনা মপালি ঈপুঙঙো কোনসেন তুলৈ সেংপাতা পাউমেনতুনা তাকপীখিয়ে ।।০।। " মথক্কী মরম পুমনমক অসিদগী অইবনা মালেমগী মীয়াম পুমনমকতাক্কী কংলৈচা মীতৈশিংনা Phoneme , Phonetic , Phonology গী মতাংদা হান্না খংই হায়না য়ামনা চাওথোকপা পোকলি ।

(২০) **খোইমু** :- ঐখোয়না য়ামনা অঙাং ওইরিঙেদা , ৱা উনা মখোং য়ুংলগা শাবা য়ুম , শঙ্গৈঈনচিংবা য়ামনা উরিঙেদা , য়ুমবী মখোং ৱাগী মখুল অহোবদা মকোন শাবা অমুবা খোই মখল অমা উরমমই , হৌজিকতি খোই মখল অসি সুকউ উখ্রিদ্রে । ঐখোয়না ঈনাংকী ইশৈ ৱারেংশিংদা থেংনরিবা 'খোইমু' হায়বসি ৱাগী অহোবদা মহুম শাবা অমুবা খোই , চীকপদা য়ামনা নাবা খোই অদু নওে । খুদম ওইনা কংলৈচা মীতৈশিংগী লান্ন - ইশৈদা :

হৈরাংখোইনিদা ,
চানবা হৈনিদা ,
সিবু থোইনা হাওবা হৈদি ,
চীনদমবা হৈনিদা ,

মমাংলৈকায় থমবাল সাৎলে,

খোইমুনা ইল্লে খোইরবা,

মফম অসিদা য়াওরিবা 'খোইমু' হায়বসি অচীকপা অমুবা খোই অদু নওে। মতাঙ অসিদা হায়রিবা 'খোইমু' অসিদি ৱাখলগী ঈথক, ঈরাং অমবু শৈথবনি। মসিগী ৱাখলগী ঈথক ঈরাং অসি নুপা ওইবগীনি।

মতাং অসিদা পল্লকলিবা 'খোইমু' হায়বসি করিনো খংমিন্নসি:

'খোইমু'= খোই + মু হায়বনি। কংলৈচা মীতৈশিংগী লোনদা 'খোই' হায়বদি পুকনিং, ৱাখল, অহিংবা থৌৱাই পানবা অমনা মপুকতা নিংলিবা অদুবু হায়বনি। খুদম ওইনা, খোইরাংলে, খোইশাওরে, খোইতারে, খোইতাদে, খোইরাংহল্লি, 'নুজা' কানগী চেংলৌনো, পাখং ঐনা খোইদারে, অসিনচিংবা।

মফম অসিদা 'মু'হায়বনা, মফম মরাং খংদবা অপামবা, শোকনিংবা, পাইনিংবা চানিংবা, করিগুমবা খরা পাংথোকনিংবা, মিহৌবা অসিনচিংবা।

মরম অসিনা খোইমুগী ৱাহন্থোকতি পুকনিংগী, ৱাখলদা মুবা হায়বনি। মথক্কী লান্ন - ঈশৈ শৈরেং মতেক অসিদা 'খোইমু' অমসুং 'খোইরবা' ৱাহৈ শিংনা করি হায়রি য়েংবিয়ু:

নুজা ওইবী অমগী থবাক্কী শরুকতা মথোৎ কারকপা মতমদা তোংখৎলকপা চাওখৎলকপা অদু নুপাশিংনা উবদা মফম মরাং খংদনা খুন্নাই অমনা য়াদবা অপামবা, খোইরাংবা, ঈথক ঈরাং অমা হৌরকপা অদুবু, মফম অসিদা 'খোইমু' অমসুং 'খোইরবা' হায়বা ৱাহৈ অনি অশিনা ফোংদোকই।

মথক্কী শৈরেং মতেক অসিদা 'হৈরাংখোই' ৱাহন্থোকতি উহৈ অমনি, ইনখৎলকলিবা নুজাশিং ইনখৎলক্লিবা থবাক্কী অতোংবা অনি অদু মানবনি। ৱাহন্থোকতি - 'হৈরাংখোই'= হৈ + লাং হায়বনা লাংবা, ঈথক ইরাংদা লৈবা হায়বনি, অদু 'খোই' হায়বনা পুকনিং ৱাখল হায়বনি। মফম অসিদা 'হৈ' হায়রিবা ৱাহৈ অসি নুপাবু খংনবা ৱাহৈনি।

মখাদা চীনদমবা হৈনিদা, হায়বনা নংনা নিংলিবা অদু পাংথোকনবা নওে, তাইপঙপালবা মপুনা তাইপঙ চাদা নাওতানা অহানবা চীন তমনবা চনবা, থকনবা শেমলকপা পোৎনি হায়রকপনি।'খোইমু' গী মতাং অমসুং লান্ন - ঈশৈ গী মরমদা মুন্না খংনিংলবদি অইবগী **'মীতৈগী নোংকালোল'** পাবিয়ু।

(২১) **খোইয়ুম লাই, খোইয়ুম লাইনিংথৌ:**

'খোইয়ুম লাই, খোইয়ুম লাইনিংথৌ' হায়বা কংলৈ খুন্নাইগী ৱাহৈ / concept অনিশিগী ৱাহন্থোক কংলৈচা অয়ামবনা খংদে। ঐখোয় কংলৈচাশিংগী অৱাংবা খুন্নাই লোল, খ্বাইদগী লিবা খুন্নাই, কংলৈচাশিংগী



পুকনিং ফোংদোকপগী পামবৈ ওইরিবা ৱাহৈ ৱাতশিং কংলৈচাশিংনা খংলকতবা অসিনা মরম ওইদুনা, মীয়ানচা শিংনা ঐখোয়বু লীচৎ, ঈনাৎতা নোংমা নোংমগী নমথাক তৌরক্লিবা অসি খংদে, অফবা অচুমবা ওইরবৈই নিংদুনা অদুম তাদুনা লৈ। মসি খ্বাইদগী ৱাংবা, হিন্দু য়াওদ্রিঙৈদা লৈরমবা, পুয়া পুমনমক মৈ থাদোকতুনা মাংনবা হোৎনখিবা খুন্নাই, ঈনাৎ অদু কনবদা মতেং ওইগদবা থৌতৌ নওে, কংলৈ খুন্নাই মূৎলকপগী মরমনি। কংলৈচা খুদিংমক কংলৈ খুন্নাই, লীচৎ, ঈনাৎপু কন্নবা ইপা ইপুশিংগী লোল, ৱাহৈ খংন্নবা হোৎনবিয়ু। **লোল ৱাহৈশিংশি হিংলিবা পুৱারীগী ৱরীনি।**

ঐখোয় হৌজিক 'খোইয়ুম লাই', 'খোইয়ুম লাইনিংথৌ' হায়বা ৱাহৈ/concept অসিগী ৱাহন্থোক করিনো খংমিন্নসি:-

'খোইয়ুম'= খোই + য়ুম মফম অসিদা য়াওরিবা 'খোই' হায়বা ৱাহৈ অসিগী ৱাহন্থোক হেক মথকতসু ইজখ্রে। অমুক হন্না হায়বা তারবদি 'খোই' হায়বদি মশক লৈতবা পুকনিংদা ওইবা, ৱাখলদা ওইবা, থাজবদা ওইবা পোৎশক অমনি। ঐখোয়না 'থাজবনা লাল্লি' হায়, মসি লীচৎ (dharma) গী ৱানি। ঐনা থাজবা লাই (মপু) অদুনা চিংদুনা চৎলি, মীওইবনা থাজবা লাই (মপু) অদুনা মরম ওইদুনা লান্নে। মতাং অসিদা য়ুম হায়বদি লৈনবা য়ুম, লৈফম হায়বনি, ইচম চমবা ঐখোয়না খংনরিবা ৱাখল মওঙ অদুনি।

ৱাকোকলোল হীলেল থিলেল সালাই অমা - ইলোন পুকোক পুয়া অসি ইবা হৌবদা অসুম্না হৌই - " ৎ হুঙ। হৈ। হা। হে:। খোইয়ুম লাইনিংথৌ। অতীংআ কৌইলৌ সিতপাপু খু.লু.মনা ইচাকে।।"

পুয়া অসি ইবা হৌবদা চকপালম মায়চৌনা, হায়বদি পুয়া অসি ইরিবা মায়চৌনা শিজিন্নরিবা খোইয়ুম লাইনিংথৌ হায়বা ৱাহৈ/concept সি মশক লৈবা, মশক নাইবা পোৎশক নওে হায়বদি মীয়ামনা য়াবিফম থোকই। মহাকনা হৌজিক খুরুমলিবা লাই অসি ইপা সোরারেন, ইপা সালাইলেন সিতবা, অতীংআবুনি।

মরম অসিনা খোইয়ুম হায়বদি পুকনিং, ৱাখল, থমমৈইদা য়ুম ওইনা লৈবা, পুকনিং, ৱাখল, থমমৈইদা লেংদনা লৈবা হায়বনি। মসি মীওইবা খুদিংগী থাজনবীনি, মী কাংলুপ খুদিংগী লীচৎনি,(dharma) নি।

লাই হায়বদি ইচম চমবা ৱাহৈ, ঐখোয়না খঙনরিবা, থৌৱাই পানবশিংবু শেমবিরিবা য়োকপীরিবা মপু মহাকপু হায়বনি। লাইনিংথৌ হায়বনা লাইশিংগী মকোক হায়বনি।

মরম অসিনা খোইয়ুম লাই , খোইয়ুম লাইনিংথৌ হায়বদি ঐখোয় মীদৌনা মখোং মখুৎ পানদুনা কৌইচৎ চৎপা মশক নাইবা পোৎশক অমদি ওইদ্রে হায়বসিদি শোয়দ্রবা ইপা ইপুশিংনা খুনাইদা ঈনাৎত চৎনরমবা পোৎনি।

মথকতা হায়জরিবা অসিগা চপ মান্নবা সনামহী লাইনিংথৌ হায়বা লাই, মপু মহাক অশিসু মশক নাইদবা লাইনি ।

মালেমগী লিরবা, ৱাংলবা খুন্নাই অমগী মপু ওইরিবা কংলৈচা মীতৈশিংনা হৌখিবা চহী ৩০০ অসিদা পুয়া পুমনমক মৈ থাখিবা অমসুং লোল / ৱাহৈদা ওন্থোক ওনশিন কয়া তৌখিবা অসিদগী মখোয়না মখোয়গী ৱাহৈ / concept লোন নিংথিনা খংলকতবা , **মরম অসি লৈবনা খুন্নাইগী মীয়ামচাশিংনা মখোয়গী লোন / ঈনাৎতা চমাং য়ানশিন্নবা হোৎনরকপা খুদিং য়েংদুনা লৈ । মসি খুন্নাই অসি মাংথিনবগী য়ামনা চাওবা মরমনি ।**

মরম অসিনা কংলৈচা খুদিংনা লৈরোল চনখ্রবা ইপা - ইপুশিংগী পুক্নে ওইরিবা লোল খুন্নাই অমদি ঈনাৎপু খংনবা নৈনবিয়ু , হোৎনবিয়ু অমদি কন্নবা হোৎনবিয়ু । হৌখিবা চহী ৩০০ অসিদা কংলৈপাক্কী ৱাংলবা খুন্নাই অমসুং ঈনাৎপু মতিক ময়াই চমনবা পোৎয়ানগী থবক চথখরে । য়ামনা চাওবা খুদম অমা পুথোকচগে , নৈনদুনা য়েংশি :-

(১) হেন্জু নাহাগী ৱারী :

' হেন্জু নহা '

অহৈবম বরমনিনা ইবা ' মৈইরাং শাইওন ' হায়বা লাইরিকতা য়াওরিবা ' হেন্জু নহা ' হায়বা মৈইরাংগী ফুঙ্গা ৱারীগা মরি লৈনবা অথৌবা নুপা , অদুগী মরমদনি হৌজিক অইবনা ইজরিবা অসি । অইবা বরমনিনা ইবা মতমদা ' হেন্জু নহা - থোংনাং লাইরৌলেম্বী ' , হায়না নুংশি - নুংওনগী ৱারী ওইনা ইরকপনি ।

মৈইরাংগী নুংশি - নুংওনগী ৱারী ' হেন্জু নহা ' না নুংশি - নুংওন্না পুল্লবা নুপাগী শকতমদা , অদুগা ' থোংনাং লাইরৌলেম্বী ' না নুপীগী শকতমদা শাগৎতুনা ইরকপনি । মৈইরাংগী ফুঙ্গা ৱারী ওইনা ২০ শুবা চহীচাদা বরমনিনা ফোংলকপা লাইরিক অসিদা নুপা নুপী অনিমক্কী মমিংদা শেমদোক শাদোক তৌরবা , লান্না হেকতা হায়জিল্লিবা , নত্রগা খংদদুনা তৌরিবা অমদি তৌরে।

' হেন্জু নহা ' নত্রগা ' হেন্জু নাহা ' হায়বদা য়াওরিবা ৱাহৈ ' হেন্জু' নত্রগা ' হেনজু ' হায়বা ৱাহৈ অসি ১৮শুবা চহীচাগী , হায়বদি হিনদুনা কংলৈপাক্কী নিংথৌ ওইদ্রিঙৈগী মমাংদা শুকলৈ লৈরমদবা ৱাহৈনি ।

**হেনজু = হেন + জু ।**



' হেন্জু ' নত্রগা ' হেনজু ' হায়বা ৱাহৈশি হেন+ জু হায়বা ৱাহৈ মচেৎ অনিনা ওইরকপা (compound word) ৱাহৈনি । ৱাহৈ কাংলোন অমদি ৱাহৈ থিগৎলোন (Etymology) গী মতুং ইন্না থিগৎলেকপদা , Analysis তৌরকপদা ৱাহন্থোক অমতা পীবা ঙমদে । হেন + জু , মফম অসিদা ' হেন ' না করি হায়রিবনো ,' জু ' না করি হায়রিবনো কনাগুম্বনা পুথোকপা ঙম্বিরা? কনাসু পুথোকপা ঙমলোই ।

' হেন্জু ' হায়বা ৱাহৈ/Concept অসি কংলৈ মীতৈগী ৱাহৈ/Concept নত্তে , হিনদুগী মতমদা ওইরকপনি নত্রগা শেমজিল্লকপনি । কংলৈচাশিংগী হান্না লৈজবা ৱাহৈদি ' হেনসু ' মমিং পুল্লপনা হায়বা তারবদি ' হেনসু নাহা ' হায়বনি । হৌজিক কংলৈ ৱাহৈ/Concept ' হেনসু ' গী ৱাহন্থোক খংবিয়ু - 'হেনসু ' = হেন + সু, মতাং অসিদা ' হেন ' হায়বগী ৱাহন্থোকতি খৱাইদগী হেনবা খৱাইদগী ফবা , খৱাইদগী অহেনবা হায়বনি , অদুগা ' সু ' হায়বনা ' সুনা , পুমনমক সুনা , পুমনমক অমতা ৱাৎতনা ' হায়বনি । মরম অসিনা মৈইরাংগী ফুঙ্গা ৱারিদা য়াওরিবা ' হেন্জু নাহা ' হায়রিবা নুংশি - নুংওন্না পুল্লবা নুপা অসিগী অশেংবা মমিংসি ' হেনসুনাহা ' হায়বনি , মৈইরাংগী থৌনা ফরবা পাখং অমগী মমিংনি ।

মথংদা ' থোংনাং লাইরৌলেম্বী ' হায়বা ফুঙ্গা ৱারিদা নুপীগী শকতম লাংলিবী নুচা অসিগী মমিংদা য়াওরিবা ' থোংনাং ' হায়বা ৱাহৈ অসিসু কংলৈ য়েলহৌ ৱাহৈ নত্তে । হিনদুনা পালবা মতুংদা কোন্না লাকপা ৱাহৈনি । রজনি কুমার শর্মানা ইবা Radio লিলা ' কোং মতু পেগোদা ' দা পামহৈবা গরিবনিৱাজবু ' মৈদিংঙু থোংনাং ময়াম্বা ' হায়না কৌই । তশেংনমক হায়রবসু ,'থোংনাং' হায়বসি কংলৈ য়েলহৌমী মীতৈগী ৱাহৈ ওইনা ৱাহন্থোক পীনিংঙাই লৈতে । 'থোংনাং' = থোং + নাং , মতাং অসিদা 'থোং' হায়বা অসিগী ৱাহন্থোকতি তুরেলগী মথকতা চৎনবা থোং , নত্রগা য়ুমগী থোং ওইরো । অদুগা 'নাং' গী ৱাহন্থোকসি করি ওইগদদৌরিবা ?'নাং , নাং লাওবা' হায়গদৌরিব্রা ? মৈইরাংগী শাইওনগী নুংশিরবা ফুঙ্গা ৱারী অসিগী খৱাইদগী মরুওইবা শকতম লৌরিবী নুজা অসিগী মমিং অসিদা 'থোংনাং' হায়বা ৱাহৈ অসিবু য়াওরমগদ্রা খনদুনা য়েংবিয়ু । ১৮ শুবা চহীচাগী মমাংদদি য়াওরমগদবা মান্দে । সুকয়াও য়াওফম থোকতে ।

' হেন্জু নহা ' শিবগী মতাংদা বরমনিনা মহাক্কী 'মৈইরাং শাইওন' দা লামাই ২৪ দা অসুমনা ইরি ' লাইয়ামনা চেনশিল্লকতুনা মবুক্তা ফমলে , মখৌরি মেৎলে , হেন্জু নহা তৌফম খংদনা লৈরিঙৈদা , ৱাংব্রেন খানা চাওবা না

চোংথোরকতুনা হেন্জু নহা গী য়াইবী মথৱাই পুরগা লাইয়ামগা লোয়ন্না হনখি।' মথক্কী অসিনি বরমনিগী লাইরিকতা ইরমলিবসি ।

'হেন্জু নহা' ৱারী অসি কংলৈপাক্কী মেইরাংগী ফুঙ্গা ৱারী অশেংবা (original) অদুদি নত্রে হায়বসি তশেংনা খংলে । মথকতা মেইরাংগী ফুঙ্গা ৱারীগী মরুওইবা নুপা নুপী অনিগী মিংশিংদু লাল্লে হায়বসি উৎচখ্রে । মথংদা শিবগী মতাংদা উৎলিবা শকতম, ৱাহৈ ৱাতা পুমনমক, খৱাইদগী লুবা ৱাফমদা, মীতৈ কংলৈচাশিং শিবগী মরি লৈনবা থৌৱাইনা নোংমতোন কাখিবগী ৱারী ৱাংউলোন অদু ওন্থোক্লগা, হিনদুগী মান্নবা শেমজিল্লে, লাল্লে হায়বসি উৎচগে:

মথক্কী বরমন্নিনা ইবদা য়াওরিবা ' ৱাংব্রেন খানা চাওবা ' হায়বসি পুয়াদা য়াওবা লাইনি । মীপুমনমকনা খংনরিবা তানরিবা ' লাইপুঙথৌ তরেৎ ' কী মনুংদা মরি শুবা লাইপুঙথৌনি , অতীংআদা লৈরিবা থৌৱাইমিচাক চৈয়োম ৭ নত্রগা থৌৱাইমিচাক চৈওন ৭ কী মনুংদা অমা ওইনা অতীংআদা পাইদুনা লৈবনি । নোংমতোন থকতা তাউদুনা লৈবা থৌৱাইমিচাক অমনা মতৌ করমনা মীগী মখুৎ ' নমু তাইবং মীগী খুৎশা য়াওবা মীখুৎ ' চাবা লাইনি হায়বা কাংবুদা য়াওগদৌরিবনো ? লাল্লবনি , শেমজিনবদা হৈদি হৈতনা শেমজিল্লুবনা , ইরাই লাইনা লাল্লি হায়বা খংলবনি ।

ৱাংব্রেন্না ' হেন্জু নহা ' গী 'থৱায়' পুদুনা লাইয়ামশিংগা লৈইন্না হনখ্রে হায়রিবদুবু কদাইদা পুদৌরিবা জাৎনো ? হিনদুশিংগী য়ামনা হৈশিংলবা কাংবু অমনদি ' হেন্জু নহা ' থৌৱাই অদু লাইয়ামশিংনা লৈগী দোলাইদা পুরগা বৈতরনি তুরেল লালথোকই , অদুগা লাইরৌ লেম্বীগী থৌৱাইদি মতোমদা হাৎচবনিনা , মখোংনা লাউদুনা চৎখি হেন্জু নহাগা লৈইন্না বৈতরনি তুরেল লানবা ঙমদে হায়না শনদোকই । বরমনিনসু ' অসি তুরেল লানবদা নুরা পাখং খুজেং পলোয়ন্না লানমিন্নসি ' হায়না মহাক্কী লাইরিকতা ই । পুমনমক কংলৈপাক্কী শিবগী মতাংদা থাজনরিবা ৱাংলবা ৱাউলোন অদু অমতা নওে । হৈদি হৈতনা শেমজিনখিবা ঙাকতনি । মখাদা কংলৈচা মীতৈশিংনা শিবগী মতাংদা থাজনবী অসি য়েংবিয়ু :-

**কংলৈচা মীতৈশিংগী নোংকুম - নোংকা**

কংলৈচা মীতৈশিংগীদি কনাগুমবা নুপা নুপী অমা শিবা মতমদা , 'অসি তুরেল লানবা' অদুগা ' বৈতরনি তুরেল লাল্লি ' হায়বা ৱাফমশিং অসিদি য়ামনা নোকনিংবা ৱানি । মীওইবা অমগী মশক মওং লৈতবা থৌৱাই অমনা মীওইবা অদুনা শিরবা মতমদা ওরিসা হায়বা ভারতকী লম অদুদা লৈবা বৈতরনি তুরেল লাল্লি হায়বসি নোকনিংবা ৱা নত্রা ? অদুগা মীতৈনা শিরবা



মতমদা থৌৱাইনা লান্নবা ' অসি তুরেল ' হায়বা অমা কদাইদা লৈবগে , লৈফম থোকপ্রা ?

কংলৈচা মীতৈশিংদি ১৮ শুবা চহীচাদা হিনদুশিংনা কংলৈপাকতা লাকত্রিঙেগী আঃ মমাংদা science অমসুং ৱাংউলোনদা মালেমগী লুচিংবা ওইদুনা লৈরক্লবা মরমনা অসিগুমবা চাওখৎতবা মানবা ৱাঙাং শাঙাংশিং অসি তানিংদে , নোকনিংই ।

মীতৈনা মীওইবা অমা পোকপবু ' নোংকুমবা ' কৌই । তাইবংপালবগী থৌৱাইপানবা পুমনমক অসিগী নোংমতোনদা লৈবা ঈপুঙলোইনপা অপকপা অদুনা থারকপনি । মরম অসিনা মীওইবা অমা পোকপবু ' নোংকুমবা ' হায়বদি থৌৱাইনা নোংমতোনদগী কুমলকই হায়বদগী ' নোংকুমবা ' কৌই । মীওইবা অমনা শিবা মতমদসু , শিরিবা মীওইবা অদুগী থৌৱাইনা মহাক্কী হৌফম ওইরিবা তাইবংগী মপা ওইরিবা মফম নোংমতোনদা অমুক কাখি হায়বদগী শিববু ' নোংকাবা ' কৌই ।

কংলৈপাক্কী মীতৈ নুপা নুপী অমা শিবা মতমতা থৌৱাইনা 'লানপা' (লানবা) হায়বা ৱাফম অমদি লৈ । ৱাফম অদুদি ' তাইপঙ ঈপাক লানপা ' হায়বনি । ঐখোয়না মায়কৈ পুমনমকতা য়েংবদা উরিবা অহাংবা (অতীঙআ) অসিবু সালাইলেন সিতপা , ইপা সোরারেল , ঈনুঙপুঙ কৌই , (space) অসি ঈনা থল্লি , ঈগী হৌফমনি , ঈপাকনি হায়বনি । মরম অসিনা ঐখোয়না শিবা মতমদা , তাইপঙ থৌৱাইনা , তাইপঙ ঈপাক অসিবু লাল্লগা , নোংমতোন থকতা লৈরিবা তিংপালপা মপু , পুমনমক্কী মপা ওইরিবা ঈপুঙ লোইনপা অপকপা অদুদা তিনখি , য়ৌখি হায়বনি ।

হৌজিক্কী শারৈই খাংবনচিংবদা তৌরিবা থৌরমশিং অসিবু লান্না পংহাইদা হায়জিনবা , তৌশিনবা মানবা থৌদোক ময়াম অমা ওইরে । লানবা চুমবা খন্নবা মথৌ তাই ।

কংলৈচা চীংতম পুমনমকশি কৌব্র চীংদোনদা পাল্লমবা ' লাই ' নত্রগা ' লৈমা লাই ' হায়বা মী কাংবু অমগী মচা মশুনি । লমতাগী থাংজ নুমিৎতা ' লাই খুনদিনবদা ' লাইশিংনা মীগী মশা চাই ,' হেন্জু নহা ' হাৎলি হায়বসিবু আচুমবা ওইফম থোকপ্রা ? য়ামনা মুন্না খন্ননিংঙাই ওইবা ৱাফম ওইরকলি ।

অইবনা মখাদা পুয়াদগী , মীতৈ সালাই তরেৎকী মপুথৌ ওইরিবা কোনচিন তুকথপা ইপু অথৌপা পাখংপাগী মতমগী থৌথোক , অইবা খুদম (প্রমান, Evidence) অমা পীজরি :-

' লাইয়াম পুমনমকনা খুনতিন য়াকাতুনা । কংলা সঙকাই মেনসঙতা তানায়ে সেনপুঙ য়ৈতুনা খুনতিন য়াকা য়াথোকলে । য়াথোকপতা ¦ পাখঙপানা হাইলকই - ইপাপুঙ ঈপুঙঙো সিতপা । নমু তাইপঙ চাতোন সুতোনশিংনা। লাইকী চাতা নাউতানি হাইনা চৎলকাতপা অসিবু কলম হাইনা তৌকপা ।' ৱাফম অসি ইপুথৌ পাখঙপানা মপা ঈপুঙঙো সালাইলেল সিতপাতা য়েক সালাইগী লৌন - লৈনবগী মতাংদা হংবা তানবগী ৱাফমনি ।

মফম অসিদা হায়রিবা অসি য়েংবিয়ু । পাখঙপানা কংলৈপাক্কী নিংথৌনি, অদুগা খুনদিন্নরিবা মীয়ামনা 'লাইয়াম পুমনমকনা খুনতিন য়াকাতুনা' লাই মীয়ামনি । পুয়াদা য়াউরিবা লাই ,লাইয়াম হায়রিবা অসি ঐখোয়না হৌজিক মীওইবা হায়রিবা মীয়াম কাংবুনি । পাখংবগী মতমগী লাইয়াম খুনদিন্নবা অসিদসু, লাইয়াম খুনদিন্নবদা মী চারমগদ্রা? লমতাগী থাংজা অহানবদা 'শরৌই খাংবা' অসিনচিংবা অসি লোইনা হিনদুগী মতমদা শেমজিল্লবা জাৎলা, মীতৈশিংগী মপা মপু ওইরিবা লাই নত্রগা লৈমা - লাই শিংবু নুংশিদনবা , ইকায় খুমনদনবা শেমজিনবা জাৎ লা, য়ামনা কুপনা থিজিনবা মথৌ তাই ।

**(২১) খোঙলৈ মতম :**

ৱাকোকলোল হীলেল থিলেল সালাই অমা - ইলোন পুকোক পুয়াদা , ইপুথৌ - পাখংপাগী মচা তরেৎমক্কী মরমদা ইরিবা অসি য়েংবিয়ু -

(১) অহানবদা মঙাংগী মতাংদা - " ইপালী ইবুঙঙো! ঙাংলৌ - চেংলৌ অহানপা নঙতি কামপী মৈনা খোঙলৈ মতম অহুমপু পুলিঙৈতা পোকপনে ইপালীও ।।০।। "

(২) অনিশুবা লুৱাংগী মতাংদা - " ইপালী ইপুঙঙো লুৱাংপা নঙতি লাইচা ইশিঙনা খোঙলৈ মতম অহুমপু পুলিঙৈতা পোকপনে ইপালীও ।।০।।"

....

....

(৭) তরেৎশুবা সালাই লৈশাংথেমগী মতাংদা - " ইপালী ইপুঙঙো সালাই লৈশাং চেংলৌ হেনপা । নঙতি কামপী মৈনা খোঙলৈ মতম অহুমপু পুলিঙৈতা পোকপনে । ইপালীও ।।০।। "

মথক্কী সালাই ৭ মক্কী মরমদা ঙাংলিবা অসি , ইপুথৌ পাখংপানা মচা ৭ মক্কী ওইনা হায়রকপনি । মসি ঐখোয়না হৌজিক কুথি হায়না খংনরিবা astrology গী মতাংদনি হায়বসিদা চিংনবা লৈবীব্রা ?

চিংনফম লৈতে , তশেংবনি । ইপুথৌ পাখংবানা হায়রিবা অসি তশেংনমক মচা তরেৎকী Astronomy and Astrology গী মতাংদনি।



ইপুথৌ পাখংপানা লুৱাংগী মতাংদা হায়রিবা " ইপালী ইপুঙঙো লুৱাংপা নঙতি লাইচা ইশিংনা খোংলৈ মতম অহুমপু পুলিঙৈতা পোকপনে ইপালীও ।।০।।" , অসি তশেংনমক মালেম অসিগী লৈমায়দা পোকলিবা মী অমদা পোকপগী মতম মতুং ইন্না , .Rotation অমসুং Revolution তৌরিবা মাল্লেমনা , অতৈ Rotation অমসুং Revolution তৌরিবা অতীংআগী থৌৱাই মিচাকনচিংবগা লৈনবা মরি , অমসুং মদুগী মহৈ মালেমদা পোকপা মীগী মতাংদা হায়রকপনি । তশেংনা হায়রবদা মচাগীশিংগী কুথিগী মতাংদা হায়রিবনি। অৱাংবা থক্কী Astrology নি ।

হিনদুশিংনা পানদ্রিঙৈ , পুয়া মৈ থাদোকদ্রিঙৈ মতমদা , কংলৈপাক্কী ইপা ইপুশিং অসি তশেংনা হৌজিক্কী মতমগী Science তা অঙকপা ফংনা চাওখৎলমলে হায়বসি তশেংনা খংই । পুয়া মৈ থাখিবদগী মতম খরা পঙশিল্লুবনি ।

মতাং অসিদা অইবনা খঙদ্রিবসি মী অমনা পোকপা মতমদা "খোঙলৈ মতম অহুম " না পুই হায়বসিনি । লুৱাংসি পোকপা মতমদা "ইসিঙনা খোঙলৈ মতম অহুম " পুই হায়বসিনি; " মতম অহুম " হায়বসি খংবা ঙমদে । M.Sc Astrology তমবশিঙদি খংবা য়াই ।

তশেংনা হায়রবদা "ইসিঙনা খোঙলৈ মতম অহুম" পুরিঙৈদা পোকই হায়রিবা "লুৱাং" সালাই অসি য়ামনা ইঙবা তপপা মীনি হায়রিবনি। হৌজিক্তি পারিবশিংনা পুয়াদা হায়রিবা "খোংলৈ মতম " হায়বসি ৱাহম্থোক খঙবীরমলগনি খল্লি ।

কংলৈ ইপা ইপুশিংবু কাওবীগনু , মখোয়গী মতাংদা পুকচেল শেংনা থিগৎপিয়ু । মীথোয় মীহেনবা ওইগনি ।

ইপুথৌ পাখংপাগী মচা ৭ লৈবা অসিগী মনুংদা , মঙাং , মোইলাং, সালাই লৈশাংথেম মচা অহুম অসি মৈনা মতম ৩ পুবা মতমদা পোকপনি । লুৱাং , অঙোম মচা অনি অসি ইশিংনা মতম ৩ পুবা মতমদা পোকপনি । খুমন , খা - ঙানপা মচা অনি অসিনা নুংশিৎনা মতম অহুম পুবা মতমদা পোকপনি । কংলৈচা ঐখোয়না মঙাং নিংথৌনা কংলৈ পুৱারিদা খৱাইদগী চাওবা মরুওইবা থৌদাং লৌরমই হায়বসি খংই , লোইননা সালাই লৈসাংথেমনা খু: গী আ: মমাংদা চহী চৈচৎ (Era) পুথোক্লমই হায়বসিসু খংই ।

**(২২) খোঙচোম নুপী :**

মথকতা অইবনা 'খোঙচোম নুপী' হায়না ইজরিবসি পুয়াদদি " ১১ তি হ.নুঙলোননা খোঙচোম হাইনা কৌখলে । খুনুঙলোননা নুপী হাইনা হাইখলে।"

হায়না ইবনি ।

মসিগী হেক মথকতা পুয়াদা ইরিবনা " ১০ তি ইনুঙলোননা থাপাতোন হইনা কৌখলে । খুনুঙলোননা থাপা হইখলে ।"

" খোঙচোম নুপী " মখাদনা পুয়াদা অসুমনা ই " ১২ তি ইনুঙলোননা সাচুং হইনা কৌখলে । খুনুঙলোননা তিলহৈপা হইনা হইখলে । "

মথকতা ১০, ১১, ১২ হায়না পীরিবা মমিং পরেং অসিদা, নুমিৎ, থা, মালেম , থৌৱাইমিচাকনচিংবা অতীংআদা তাউদুনা লৈবা পোৎশক ১৯ দগী হেনবা পোৎশক ময়ামগী মমিং য়াওরি । মমিং পরেং অসিদা 'সাচিক' (সজিক), থৌৱাই মিচাক অপকপা ওইপনা 'পু অমা' অসিনচিংবা নোংথকতা তাউদুনা লৈবা পোৎ কয়া মরূম য়াওরি । মরম অসিনা " খোঙচোম নুপী " হায়রিবা অসি Star নত্রগা Planet অমনি হায়বসিদি তশেংলে ।

মরম অসিনা পুয়া অসিদা ইরিবসি , হিনদু মমাংগী কংলৈচা মীতৈশিংনা Astrology গী মতাংদা য়ামনা হেন্না খংলমবা অদু নতনা অতৈ করি মতা নওে হায়বসিসু তশেংলে ।

অদুবু অইবনা তুংদা লাক্কদৌরিবা , হৌজিক লৈরিবা কংলৈচা নাহারোলশিংদা হইনিংলিবদি - হিনদু মমাংগী কংলৈ ইপা ইপুশিং অদু অরাইবা আচমবা মীওইশিং নওে , লৌশিংগী লুচিংবশিংনি , পুয়া মৈ থাখিবগী তানথিশিং অদু " থোকউ হায়বদা থোকহনবা ঙমবা য়াইওইবা " ওলহল্লু হায়বসিনি । ইপা ইপুশিংগী কোকশিং অদু " **মংগে থেঙ্গু য়াইওইবা** " **ঙাকতনি । কংলৈ ইপা ইপুশিংবু কাওবিগনু**।

(২৩) **খুনুঙ লোনচুম** :-

অইবনা মথকতা ইজরিবা " খুনুঙ লোনচুম " হায়বা ৱাখল/concept অসিগী মতাংদা পুয়ানা অসুমনা ইরি " মতম মতমতুকী চাননা চমনাপা লোমনা ই.য়েক লোমতুনা । লু.মনা ইৱাই - খোনথোকপু লু.মহনলি হায়পাকী খুনুঙলোন অতুপু খুনুঙ লোনচুম কৌয়ে ।। " মথকতা অইবনা লৌথোকখিবা ৱারেং অসি ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা - ইলোন পুকোক পুয়াদগীনি ।

মথকতা পনজরিবা পুয়া অসিদা থাইনগী কংলৈ ইপা ইপুশিংগী অশেংবা ঈয়েক ১৮/১৯ য়াওরি । মীতৈগী ইনবা ঈয়েকশিং অসি মালেমদা খৱাইদগী লিরবা (Script) ঈয়েক নি । খৱাইদগী scientific ওইবা মওংদা পুথোকপনি । অদুবু ঙসিগী মমাং চহী লীশিং কয়াগী মতমদা পুথোকখিবনা, মতম অদুদা হিংলিবা মীতৈ ইপা ইপুশিংনা, তুংদা লাক্কদবা, মালেমগী হোংলকপা মতমদা , চান্নদবা , চানরকতবা থোক্লকপা য়াই হায়বসি মুন্না খংলমই ।মরম অসিনা ইপা ইপুশিং অদুনা মতৌ করমনা মায়ওকনগদগে, চান্নবা , চুননবা ঈয়েক করমনা শেমদোক্কদগে হায়বদুগী ইবগী চৎন - পথাপ (Grammar) অমা পুয়াদুদা পীরমই , চৎন - পথাপ অদুবু "খুনুঙ লোনচুম" কৌই ।



মথক্কী পুয়াদগী লৌথোকপা পুয়াগী ৱারেং অসিদা য়াওরিবা খুনুঙ লোনচুমনা হায়রিবদি :-

পুয়া ইবা মতম অদুদা , খৃ: চহী গী মমাংদা চহী লীশীং কয়াগী মতম অদুদা , কংলৈ ইপা ইপুশিংনা কংলৈপাকতা ইনবা ঈয়েক (Script) ১৮ দমক তশেং তশেংনা শিজিন্নরমই অমসুং ঈয়েক ১৮ দা তশেং তশেংনা ইরমই। অদুবু চহী লীশীং কয়াগী মতুংদা , ঐখোয়গী মতমদা লমবী থোং ফগৎলকপনা মরম ওইদুনা মালেমগী মী মখল কয়া অমগা অমগা তোৎশিন্নরকপদগী , ঈয়েক ১৮ দগী হেন্না মথৌ তারকপা য়াই হায়বসি খংবদগী , বেঙ্গলী ৱাহৈ "গংগা" হায়বসি ইনবা ইয়েক মীতৈ ঈয়েক ১৮ দা য়াওদবনা ," গংগা " হায়বা ৱাহৈসি করমনা ইগদগে হায়বদু " খুনুঙ লোনচুম " পথাপনা তাকলি। মতাং অসিদা [illegible] তা লোম (.) হাপচিল্লগা ক বু গ ওনহল্লগা ইয়ু হায়না তাক্লমবনি ।

মথক্কী পুয়াদগী লৌথোকপা অদুদা " মতম মতমতুকী চান্না চমনাপা লোমনা ঈয়েক লোমতুনা হায়বগী ৱাহনথোকতি মসিনি । হায়বদি [illegible] তা লোম ইয়েক (.) শিজিন্নদুনা গংগা ইয়ু হায়না তাকপনি । মদুদি [illegible] (গংগা) ইবনি । অসুমনা [illegible] দগী লোম হাপচিল্লগা [illegible] = দ মান্নে অসিনচিংবা । অদুগা মসিগা লোয়ননা লুম ঈয়েক (.) শিজিন্নদুনা লোনগী অরূম অয়াংগী ৱাফম লাক্লবদি লুম ঈয়েক (.) শিজিন্নৌ হায়না তাক্লমবনি । শমনা খুদম ওইনা - উচেক পাইবা - [illegible] , মৈ পায়বা - [illegible] অসুমনা শিজিন্নৌ হায়না তাক্লমবনি ।

মরম অসিনা " খুনুঙ লোনচুম " গী পামবৈনা মীতৈ ঈয়েক ১৮ না মালেমগী করিগুমবা লোন অমা হেকতা ইবা য়াই । মীথীপোঙ মীতমবাল খরনা মীগী ময়েক পুরগা শিজিন্নদুনা ঈয়েক শেমখিবদু মীনাই ওইবগী ৱাখলনি। মীতৈ মুৎনবা শিল্লিবনি ।

মীতৈ ঈয়েক অচুমবা মুন্না হেক খংবা নুমিৎতা মীতৈ নিঙতমলে , মীনাই য়োৎলিং ককথৎলে , খঙবীয়ু ।

(২৪) **খু.লু.মনা** :-

পুয়া ৱাকোকলোন হীলেল সালাই অমা - ইলোন পুকোক ইবা হৌরকপদা ইরিবা "৭ । হুঙ । হৈ । হা । হে: । খোইয়ুম লাইনিংথৌ । অতীংআ

কেইলৌ সিতপাপু খু.লু.মনা ইচাকে ।।"

মথক্কী পুয়াদগী লৌথোকপা ৱাহৈ পরেং অসিদা য়াওরিবা ৱাহৈ "খু.লু.মনা" হায়বা ৱাহৈ অসিদা খু. , লু.ম হায়বা ৱাহৈ মচেৎ অনি অসিদা খু. দসু লুম (.) নম্মই , অদুগা লু.ম দসু লুম (.) নম্মই । মরম অসিনা মফম অসিদা ইরিবা " খু.লু.মনা " হায়বসি ঐখোয়না হৌজিক শিজিন্নরিবা "খুরুমবা" হায়বা হিনদুগী মতমদা শিজিন্নরমবা ৱাহৈ অসিদি নত্রে । হৌজিক ঐখোয়না শিজিন্নরিবা ৱাহৈ " খুরুমবা " হায়বসিদি মওং কয়াদা পাংথোকই - দনদবোৎ তৌদুনা খুরুমবা , খুৎ লোন্নদুনা খুরুমবা অসিনচিংবা । মরম অসিনা মতাং অসিদা অইবনা হায়জরিবদি , মফম অসিদা খু.লু.মপা , "খুলুমনা" পুয়াদা শিজিন্নরিবা অসিদি মীতৈশিং , (মরু ওইনা নুপীশিং) না খু.লু.মবগী মওং অসিগা অমতনি , খুদম ওইনা লাই হরাওবগী লাইমাংদা খু.উনা লৈপাকতা তারগা (শৌরগা) , লৈপাকতা খুৎ শৌরগা খুরুমবা অসি খকতনি। ঐখোয় মীতৈশিংনা হিনদুগী মমাংদা দনদবোৎ তৌদুনা খুরুমবা চৎনরমদে ।

পুয়াদা য়াওরিবা " খুলুমনা " " খুলুমপা " হায়বা খুরুমবা মওং অসি South East Asia দা থাইলেন্দনচিংবা মফমদা চৎনৈ । মফম অসিদা অইবনা হায়জরিবদি , পুয়াদা য়াওরিবা " খুলুমনা " হায়বা ৱাহৈনা তাকলিবসি , ঐখোয়না হৌজিক চৎনরিবা হিনদুগী মতমগী - খুরুমবগী মওং অসি তশেংবা মীতৈগী - মওং নত্তে , মীতৈগীদি থাইলেন্দনচিংবা মফমদা চৎনরিবা মওং , খুউ লৈতারগা খুরুমবা অসিনি হায়জবনি ।

(২৫) **খুনুঙলোন সাকোক থিলেল** : হায়বা অসি ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা - ইলোন পুকোক পুয়াদা মমিং য়াওবা পুয়াশিংগী অমনি । পুয়া অসি করিগুমবা মওংদা ঐখোয়না হৌজিক উবা , ফংবা ঙমখিদ্রবা কংলৈ ইপা ইপুশিংগী পুয়া অমনি । গরিবনিৱাজগী মতমদা পুয়াশিং মৈ থাদোকখিবদগী মাংখ্রবা পুয়া অমনি । মসিদগী হেন্না হায়নিংঙাই লৈতে ।

(২৬) **খুৎলাই** : কংলৈপাক হায়বা চহী লীশিং ২০ (কুন) লোমগী মমাংদা মমিং থোন্নলমবা , চীংলৈপাক কংলৈপাক অসি মালেমগী খ্বাইদগী লিবা নিংথৌ পানবা লৈপাক অমা ওইরকপনা , লৈপাক অসিদা লৈরমবা , লৈরকপা মীশিংগী থৌনা ফরকপা , খুৎশু খুৎলাইদা হৈ শিংলকপা মদুগী ৱাফম অমদি , ২১ শুবা ইং চহীচাদা হিংলিবা ঐখোয়না মতম পুমনমকতা উরু - তারুবা পুমনমকতা খংবা ঙম্মই ।

Mr. T.C. Hudson না ২০ শুবা ইং চহীচাগী অহৌবদা ফোংলমবা মহাক্কী The Meitheis গী লা:২০ দা য়াওরিবা অসি য়েংবীয়ু:



" The breach - loads above mentioned , which is still in existence , is of iron and about three feet long ; the breach piece is separable from the gun and received the charge , its extrimity being then inserted into the bore of the gun , a portion of the barrel being cut out to admit of this; the movable breech peice fastened behind by a slot passing through the gun (see photograph). The bullet weighed only a few ounces , the bore being small . The piece , carriage and all , was carried by two men . Nothing is known of the inventive genius who made this gun , except that he was a native of Munnipore : it is probably about a hundred years ago . "

অসুমনা খুৎশু খুৎলাইদা হৈ - শিংবা কংলৈচাশিংবু , মখোয়গী মপা মপুনা থৌনা ফরমবা , হৈ শিংলমবা উৎতনা মনিপুরগী Museum দা নুপা জগোই শাবীনা হান্না উৎলগা লমজিংদুনা Museum কাদা পুশিল্লকপা , লৈপাক অসিদা কংলৈচা ঐখোয়না তুংগী করি অমুক অফবা খল্লুগনি । মনিপুর Museum গী চংফম দা , য়োৎতেক - থাংতেক , নুং মচেৎনাচিংবা উৎলিবা কাদা চংলমদাইদা উৎলিবা অসি য়েংবীয়ু -



মসিনি মনিপুর - কংলৈপাক্কী Museum দা উৎলিবা পোৎশিং । খুৎলাই হায়বসি করিনো খংমিন্নসি :-

খুৎলাই = খুৎ + লাই 'খুৎ' হায়বদি মফম অসিদা হকচাংগী খুৎ , খুৎ অনিখক পাল্লিবা অসিবুনি । খুৎ হায়বা অসিনা হকচাংবু কন্থোকই , শিবদগী

ঙাকথোকই কল্লি , ঈরৈপাকপু নিংতমনা থমই । মসি পুমনমক অসি খুৎতা পায়রিবা 'খুৎলাই' অদুগী মতেংননি ।

মরম অসিনা কংলৈচা মীতৈনা থাঙ , তা , অরামবাই , তেন অসিনচিংবা অসিবু লাইনি হায়না খুরুমই । 'খুৎলাই' হায়বদি খুৎকী লাই হায়বনি । মফম অসিদা 'লাই' হায়রিবা অসি তিংপালপা মপু , তেংপালপা মপু , তইপঙপালপা মপু , পুমনমক অসিবু শেমলিবা , পুমনমকপু পুনিংবা মায়কৈদা পুবা ঙমবা , ওইহন্নিংবা মওংদা ওইহনবা ঙমবা মপু মহাকপুনি ।

(২৭) **খুমন** : কংলৈ মীতৈ ইপা ইপুশিংগী পুয়া ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা - ইলোন পুকোক অসি , কংলৈপাক্কী ইপা ইপুশিংনা হান্না খংলমবা , মালেমগী মী অতৈ কংলুপনা হৌজিকক্তা খংবা হৌরিবা science কী ৱাফমনা পীক থল্লে । মসি নোংমা নোংমগী শেংলকপগুম তৌরি।

অইবনা www.paochelkangleipak.net, www.e-pao.net তা Evolutionary theory , extra - terristrial origin of life , Big bang theory , Scientific facts of semen and sperm অসিনচিংবা মতাংদা Website অসিদা ইজখ্রে।

মসিগী মতাংদা লাইরিক ওইনা Discovery of Kangleipak (Series Two) দা The puya Wakoklon Heelel Thilel Salai Ama - ilon and Modern Science হায়বা হেদিংগী মখাদা ৱারেং কয়া পুথোকচখ্রে । তশেংনা হায়রবদা , **ইনদু মমাংগী মীতৈ ইপা ইপুশিংনা মালেমগী মী কাংলুপ অতৈদগী হেল্লমগী ৱাফমনি । ৱাফম অসি তশেংনমক অশেংবনি , নৈনদুনা য়েংবিয়ু ।**

পুয়াদা ইরিবা অসি য়েংলগদি মালেমদা space কী মনুংদা মচু ৭ (মচু তরেৎ) লোৎতুনা লৈ হায়বসি অহানবা হায়বা মী কাংলুপতি কাংলৈচা মীতৈ ইপা ইপুশিংনি ।

**অদুবু ১৯ শুবা ইংগী চহীচাদা পুথোকপা চুমথাংগী মচু তরেৎ - Red , Orange , Yellow , Green , Blue , Indigo and Violet , মচু তরেৎ অসিগা পুয়াদা ইবা মচু তরেৎ অসিগা খেন্নে ।Science না পুথোকপা চুমথাংদগী লৌবা মচু তরেৎ অসিদা 'অমুবা' মচু য়াওদে , নোংচুপ লোমনা ঙন্নাংদা science না পুথোকপা অসিদগী হান্না কংলৈচা ইপা ইপুশিংনা পুথোকপা মচু ৭ তদি 'অমুবা' মচু য়াওই । করমনা খেন্নরিবনো খংবা ঙমদ্রি ।**



অইবনা হৌজিক ঐখোয় মীতৈনা শেংনা খংনরবা 'খুমন' গী - অমুবা মচু অসি করমনা হৌরকলিবনো , ওইরকলিবনো হায়বা পুয়াগী ৱাফম শেংনা উৎচগে খেন্নবা পুথোকপিয়ু!

" নুলা ঈপেমমা লাইকোক হুইমুলৈ পুকসি খোমপীনা অয়ুককী খোঙলৈ মচুনা ঙাঙপা মতমদা । নাউসংতা পোকখিপানা । নৌৱাপু মঙাঙ মিংথোন ফংচখিয়ে ।"

মথক্কী ৱাফম অসি ইপু অথৌপা কোনচিন তুকথপা পাখংপা গী মচা নুপা অহল মঙাং পোকপগী মতাংদা পুয়াদা ইবনি । মথংদা অমুক পাখংপাগী মচা অনি শুবা লুৱাং পোকপগী মতাংদা পুয়াদা ইরিবা অসি অমুক য়েংবিয়ু :- " নুলা ঈপেমমা হুইমুলৈমানা কৌইলৌ মমিনা ৱাংনা ঙৌনা য়ুংপা খোঙলৈ মতমদা নৌৱানা তইপঙপালতা ফাউপনা লুৱাং মিংথোন ফংচাখিয়ে ।।"

পাখংপাগী মচা অহানবা , অনিশুবা পোকপা মতমগী মচু " অয়ুক্কী খোঙলৈ মচুনা ঙাঙবা মতমতা ।" অমদি " ৱাংনা ঙৌনা য়ুংপা খোঙলৈ মতমতা " হায়বসি মঙাংগী অমসুং লুৱাংগী মচু অঙাঙবা অমসুং অঙৌবা মচু লৌরিবা অসি নুমিৎ অমসুং মালেম অনিগী লৈনবা মরীদগী , মঙালদগী লৌখিবনি , মঙানদগী লৌখিবা মচুশিংনি হায়বসি ইরাই লাইনা খংই।
মথংদা খুমনগী মচু অমুবা ওইরিবা অসিগী মতাংদা পুয়াদা করি হায়না ইরি য়েংবিয়ু :-
" নুলা ঈপেমমা লৈইখুমপী মৱাই থোংঙাইলেলপীনা । কৌইলৌ মমিনা খু.না মমপা মুপা খোঙলৈ মতমতা । নৌৱা অঙাংনা তইপঙ পালতা ফাউলকপানা খুমন মিংথোন ফংচায়ে ।।০।।"
মথক্কী পুয়াদগী লৌথোকপা অসিদা য়াওরিবা " খু.না মমপা মুপা " হায়রিবা অসিদা " খু.না " হায়রিবা অসিগী ৱাহন্থোকতি " খু.না " হায়বদি অরাওবা, অপাকপা নৎতপা , য়ামনা খু.বা মখুলগুমবা , পোৎ অনিগী মরক , কারককুমবা মমসু মমপা মুসু মুবা হায়বনি । Black হায়বসি English Dictionary না "Black Colour: absence of colour" হায় ।

মরম অসিনা খুমননা পোকপা মতম " কৌইলৌ মমিনা খু.না মমপা মুপা খোঙলৈ মতমতা । " হায়রিবসি মতমগী খোঙলৈদা নুমিৎ (কৌইলৌ নুমিৎ) না Black Hole অমগী মথকতা (মপাদা) চপ য়ুংনা চৎপা (লানবা) মতমদা , তইপঙ মালেমদা পোকপনি , হায়বা নওনা করিসু নওে । অতৈ ৱাহন্থোক অমা পীনিংঙাই লৈতে । মতাং অসিদা অইবনা হায়রিবদি মীতৈ কংলৈচাগী সালাই অহুম সুবা ওইরিবা খুমন Patriack অসি নুমিৎকী

মঙালবু Black Hole দা চিংশিনখিবা মতমদা মঙাল লৈতবা মতমদা পোকপনি হায়রিবনি। মতমগী Science কী মরমদা খংবা মীশিংনা মসিদগী হেন্না হায়নিংঙাই লৈতে হায়না খল্লি। খুমনগী মখাদা সালাই Patriack মরি লৈহৌরি। লৈহৌরিবা মরি অসিসু মঙাং, লুৱাং গুমবা নুমিৎ মঙাল মচুগী মনুংদা পোকপনি, মরম অসিনা মখোয়গীসু মচু লৈ। পুয়াদা অদুম শেংনা ইরি।

নুমিৎ (Sun), অতীংআ (Space) অমসুং মালেম (Earth) অহুম অসিগী মরি লৈনবা, মালেমগী 'খোঙলৈ মতম' দা অতীংআ (Space) গী মনুংদা মচু ৭ (তরেৎ) লোৎতুনা লৈ হায়বসিমদি পুয়া, কংলৈ Scripture দা ইরিবা অসিনা অরেপপা ওইনা তাকুগা (Written Evidence ওইরগা), মালেমদা মসিবু অহানবা ওইনা হায়খিবা মী কাংলুপতি কংলৈপাক্কী মীতৈ কাংলুপনি হায়বসিমদি মালেমদা কনানসু য়েৎপা ঙমগনি হায়বসি থাজদে।

অইবনা Black Hole হায়বা Physics কী Science না পুথোকপা ৱাফম, তেংপালবগী থৌদোক অসি ইহান হান্না খংবা মালেমগী মী কাংলুপসি কাংলৈপাক্কী মীতৈ কাংলুপনি হায়না চাওথোকনা লাউথোকলি। অদুবু মসিগী মতাংদা করি হেন্না হায়বা ঙমবগে হায়না হংলবদি হায়বা ঙমদে, মসিগী মরমদি পুয়া পুমনমক মৈ থাখিবদগীনি।

১৮ শুবা চহীচাদা ময়াং নিংথৌশিংনা মৈ থাদোকখ্রবা, মীতৈ ইপা ইপুশিংনা পায়রম্বই হায়রিবা, পুয়াদা ইরিবা পুয়া অনিগী মমিং - **কৌইলৌ নুমিৎ খেনচঙলোন অমসুং থৌৱাইমিচাক খেনচঙলোন, পুয়া অনিশিদা শোয়দনা Black Hole গী মতাং য়াওরমগনি।**

(২৮) **খুৎপুন চীঙ :**

'খুৎপুন চীঙ' হায়বা ৱাহৈসি পুয়াদা ইবা ৱাহৈনি। অদুবু পুয়া অসি চহী লিশিং কয়াগী মমাংদা ইবনা হৌজিক্কী মীরোলনা ইরাই লাইনা খংবদি ওইথোকত্রে। অদুবু পুয়াদা ইরিবা অসি য়েংবিয়ু, খংনবা হোৎনশি -

" চকপালোন সাইওনবী লাংওন ৎ (অমা) তা খুৎপুন চীঙতা তইপঙকী লাইনিংথৌ ওইয়ে।। " মসিনি পুয়াদা ইরমলিবসি।

কংলৈ মীতৈশিংনা " চকপালোন " হায়রিবসি মীতৈ কংলৈচাশিংনা চক মরি - হৈচক, হা চক, কোন চক, লাংপা চক মরি অসিবু হায়বনি। অদুগা " লাংওন ৎ (অমা) তা খুৎপুন চীঙতা তইপঙকী লাইনিংথৌ ওইয়ে।। " হায়বনা - ৎ (অমা) হায়বা শকতম অসিনা তিংপালপা মপু ঈপুঙলোই



অপকপা অদুনা তইপঙ পালপদা থৌৱাই মিরেল ওইনা লাকপগী শকতম (Symbol) নি, " লাংওন ৎ (অমা) তা।। " হায়রিবা অসিনা মপু মহাকনা তইপঙ থৌৱাই পানবা শেমবা লাকপদা অহানবদা থুংলবা মফম কোক্কী লাইপকতা লৈবা মতমনা চক মরিগী অহানা চক 'হৈচক' তা, চৈচৎ থাচনা ৱাকচীঙ থাদা হায়বনি।

মরম অসিনা " খুৎপুন চীঙ " দা হায়বনা কোক্কী লাইপকতা হায়বনি। কংলৈ মীতৈশিংনা কোক্কী লাইপকতা (নুপা অমাগী) থৌৱাই শেমবা, (Semen and Sperm) শেম্বই হায়।

মরম অসিনা তইপঙ পালবদা লৈরিবা থৌৱাই পানবা পুমনমকসে নুপা (লাবা) অমগী কোকতা (মকোক মনুংদা) তিললাং (Sperm) ওইনা লৈরিঙৈ মতমদদি থৌৱাই পানবা পুমনমকসে (খুৎ পুমনমকসে পুল্লি অমতা ওইনা লৈ) অমতনি হায়বনি। মফম অসিদা " পুন " হায়রিবা অসি থৌরিনা পুল্লি হায়বা নত্তে, পুনদুনা লৈমিন্নে হায়বনি।

মরম অসিনা " লাংওন ৎ (অমা) তা খুৎপুন চীঙতা তইপঙকী লাইনিংথৌ ওইয়ে।।" হায়বদি তইপঙ পালবা শেমনবা লাকক্লিবা মপু ৎ (অমা) অসি, কোক্কী লাইপক্কী শরুকতা তইপঙ থৌৱাই পানবশিংনা অমতা ওইনা পুনদুনা লৈরিঙৈ মতম অসিদা " তইপঙকী লাইনিংথৌ "কৌই, হায়না খংনৈ হায়বনি।

(২৯) **খুনুঙলোন :**

' খুনুঙলোন ' হায়বা ৱাহৈ / concept অসি মতম পুমনমকতা " ই. নুঙলোন " হায়বা ৱাহৈ অসিগা লোয়নদুনা পুয়াদা ই। ৱাহৈ অনি অসি থানবা য়াদবা ৱাহৈ অনিনি।

পুয়াদা ইরিবসি য়েংবিয়ু - " তিং পালপা মপুনা অয়ুঙপা ৱাকোন ফোলাংতা ফাউলকলে হইপকী ই.নুঙলোন কৌয়ে।। ই.নুঙলোন কৌপতি মপুকী নিংসাকী মসকনে। মসিপু লাইকী লোননে।। "

ঐখোয়না হৌজিক শিজিন্নরিবা 'কোক'(head) অসিগী ৱাহন্থোকতি কোকনা পুমনমক 'কোকই' পুথোকই হায়বগী কোক কৌই। ঐখোয়না হৌজিক শিজিন্নরিবা ' থোপ '(Brain) হায়বসি অচুমবা ৱাহৈ নত্তে মসিগী মীতৈগী অশেংবা ৱাহৈদি 'থোক' হায়বনি। কংলৈচা মীতৈশিংগী ৱাখল লমবী লংলা লংজিন **ফুরৎ কাংকোক চাইনবা** ৱাখল লৌশিং মাংখিনবা, অপংবা কাংলুপ অমা ওইখিনবা 'থোপ' হায়না ওন্থোকখিবনি।

পুমনমক ‘থোক’ (Brain) দগী থোকই হায়বগী ‘থোক’ হায়না ইপা ইপুশিংনা খংনরমবনি ।

মতাং অসিদা পুয়াদা ইরমলিবা ‘অয়ুংপা ৱাকোন ফোংলাং ’ হায়রিবা অসি কংলৈচাশিংগী অতোপপা ৱাহৈশিংদা ‘ নোংপোক চীঙখৈ অপানপা ’ হায়নসু ফোংদোকই ।‘ নোংপোক চীঙখৈ অপানপা ’ হায়বগী ৱাহন্থোকতি মীওইবা নুপা অমগী কোক - তা থোক মনুংদা তইপঙ মীওইবা শেমনবগীদমক চীঙখৎতুনা কোক মনুংদা থমলিবা ‘ ফোলাং ’ নংনং লাউবা মহী ঙৌরুনবা অদুবু হায়বনি , ‘অপানপা’ হায়না শীংথাবনি ।

মরম অসিনা ঈনুঙলোন ( ই.নুঙলোন ) গী ৱাহন্থোকতি তিংপালপা মপু ঈপুঙলোইনপা অপকপা অদুনা তইপঙতা ইহান হান্না মীওইবগী থোক মনুংদা ‘ ফোলাং ’ দা চংদুনা তইপঙ শেমবা হৌরকপা , তইপঙ শেমদ্রিঙৈগী, খুন্থোকত্তিঙৈগী মতমদা , মপু মাগী ঈ(Blood) মনুংদা লৈরিঙৈগী লোন ৱাহৈ হায়বনি । মতাং অসিদা হায়রিবদি কোক মনুংদা ‘ফোলাং’ দা Semen and Sperm শেমদুনা তইপঙ শেমবা হৌই হায়বদুনি । মরম অসিনা ‘খুনুঙলোন’ হায়বনা মপু মানা মী শেমলবা মতুংদা , মীশিং অদুনা মালেমদা মফম মফম কয়াদা খুন (Village) ওইনা তারকবা মতমদা লোনবা , ঙাংনবা ৱাহৈ অদুবু ‘ খুনুঙলোন ’ হায়বনি অচমবা লোননি।

(৩০) **খৈপা** :

‘খৈপা’ হায়বা ৱাহৈ অসি কংলৈচা মীতৈশিংগী ৱাহৈ পরেংশিং ইবদা, ফোংদোকনিংবা ৱাখল , ৱাফম অমা মপুং ফাবা ৱাখল্লোন অমা উৎলপা মতমদা, লোইরে , ৱাখল খৈরে হায়বা উৎপা খুদমনি , Punctuation নি। খুদম অসি অসুমনা ‘।।০।।’ ই ।

খুদম ওইনা হায়বদা কংলৈচা মীতৈশিংগী ঈয়েক ১৮ গী মনুংদা ৪ শুবা ওইরিবা ꯈ কী মতাংদা পুয়াদা অসুমনা ইরি :

‘ অতীংআ সিতপাকী মমিং মনুঙতা লৈপা মিৎনাহা অদুপু মাললে হইপাকী মি কৌয়ে ।। মি অতুপু য়েংনা সাখিয়ে হইপাকীপু মী কৌয়ে ।। মী অতুপু খঙনাপা হইতুনা অতীঙআ সিতপাকী মমিং মনুঙতা লৈপা মমিপু য়েংতুনা সাখিপানা অতৈ অমনি খঙননাপা হইতুনা মী অতৈ কৌয়ে ।। মিতা সইওন তৌতুনা পোকপা সিপা তইপঙ মীনা । মীতৈ হইনা কৌখলে ।।০০।। ’

ꯈ কী মতাংদা ইবা , ৱাখল্লোন অমা পীবা মপুং য়ারে হায়দুনা , ৱাহৈ পরেংশিং অসি লোইশিনবদা ‘খৈপা’ কী খুদম ‘।।০।।’ অসি শিজিন্নরিবনি। Fullstop হায়বনি।



ৱাহৈ পরেংশিং অসি ইবদা ‘।।০।।’ শিজিন্নদ্রিঙৈদা খুদম ‘।।’ অমসুং (।) শিজিন্নবা ৱাহৈ পরেংশিং অসি ইবদা শিজিন্নবা উৱিরে । মীতৈনা খুদম ‘।’ অসি coma ‘ ,’ গী মহুৎতা , অদুগা খুদম ‘।।’ অসিনা Semi - Colon ‘;’ গী মহুৎতা শিজিন্নে । পাবনা ‘।’ খুদম অসি চৈখন হায়না পাই, অদুগা খুদম ‘।।’ কুনা চৈখৈ হায়না পাই।

ꯉ (ঙ)

মথকতা উৎচরিবা কংলৈ ঈয়েক শকতম (Script Symbol) অসি কংলৈচা মীতৈ ঈ কাংলুপকী ১০শুবা ঈয়েক ꯉ (ঙৌ হায়না) পাবা ঈয়েক অদুনি । ঈয়েক শকতম অসিগী মতাংদা পুয়াদা ইরমবা ৱাহৈ ৱাতা (Concept) অসি অসুক্কী মতীক লুনা অমসুং ৱাহৈ অমনা ৱাখল্লোন কয়া পীবা মওংদা (Complex ওইনা) ইরমই । মীওইবগী খুন্নাই (Civilization) না অসুক ঙল্লিঙৈদা , অসুক লুবা (Complex ওইনা) খল্লমবা ইরমবসি , কংলৈ খুন্নাই অমা শাগৎলমবা কংলৈ ইপা ইপুশিং অসি ৱাখল লুনা অমসুং ৱাংনা খল্লমবগী চাওরবা অইবা - লেংদ্রবা খুদমনি ।

ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা - ইলোন পুকোক দা ইরমলিবসি য়েংবীয়ু :-

“মলাঙ নুংসিৎতকী সৌপতি লাইপুঙথৌ ৭ কী পনখৈ ৮ না খৈলপা উমংলাই ৯ অসিকী মনুঙতা লৈপা লাইনিঙথৌ লাইলেলমা অনিমা তুলে । অতুকী অথুমপা মচুমতকী সৌপতি খে·ইনে । ঙকসমনে অনি মানে ।। মমিং অনিমাতি লাই অপিসানে ।। লৈচঙতকী সৌপাতি ঙৌনে ।। হে মীওইপা! লেপনা খঙপীও ।। ঈয়েক অসিপু ঈনুঙলোননা ঙৌ কৌয়ে । খুনুঙলোল খোনথোক ঈৱাই ঈনিননা ঙক কৌয়ে ।। ঙৌ কী ঈয়েকতি অসিনি (ꯉ) লেপনা খঙপীয়ু ।।০।।”

“ মলাঙ নুংশিৎতকী সৌপতি লাইপুঙথৌ ৭ কী পনখৈ ৮ না খৈলপা উমংলাই ৯ অসিগী মনুঙতা লৈপা লাইনিঙথৌ লাইলেলমা অনিমা তুলে ।।”

তইপঙ মালেম শেমলকপদা মীতৈ কংলৈচাগী ৱাঙউলোন গী মতুং ইন্নদি , মালেম অমসুং মৈ , ইশিং , নুংশিৎ লাইনা শেমলকপা পোৎলম মরি অসিনা খ্বাইদগী হান্না শেমই।

মালেম অমসুং মৈ , ইশিং , নুংশিৎ ৪ অসি , ইপুঙলোইনপা অপকপনা মশাগী ঈনুঙপুঙ হায়বদি সালাইলেল সিতপা ইপা সালাইলেল, ইপা সোরারেল (Space) কী মনুংদগী পুথোকপনি । ঐখোয়গী ইথকতা লৈরিবা সালাইলেন সিতপা , ইপা সোরারেন (Space) অহাংবা অসি তিংপালপা মপু ওইরিবা

ঈপুঙলোইনপা অপকপগী মশানি , মসিবু ঈনুঙপুঙসু কৌই , অতোপপা লোন অমদা তাইপঙ থৌৱাই পানবশিংগী ঈনা পীক থল্লি, তাইপঙগী থৌৱাই পানবশিংগী ঈনা থল্লি , তাইপঙকী থৌৱাইশিংগী হৌফমনি হায়বনি ।

লাইপুঙথৌ ৭ অসি মালেম লৈমা শেমলকপদা অসুম য়াওরকপা লাই ৭ নি অদুগা লাইপুঙথৌ ৭ অসি তাইপঙ মীওইবগী মশাদসু য়াওই , তাইপঙ মীওইবগী মশা অসিবু লৈপাক অহিংপীসু কৌই । অদুগা অমুক পুয়াসিদা হায়রিবনা লাইপুঙথৌ ৭ কী লাইশং ওইরিবা হকচাং অসিবু উমং (মেপু মানা শেমবা পোৎলমশিং ঙাকতনা মংনা উরিবা) সু কৌই । মীওইবগী হকচাংবু হিংহল্লিবা 'উমংলাই' ৯ হায়বদি মিৎ ২, নাতোন মখুল ২ , নাকোং ২ , চিল ১ , ইশিংথোং ১ অমসুং অমাংথোং ১ হায়রিবা ৯ অসিনি । মাপল অসিবু করিগী 'উমংলাই' , হকচাংগী লাই কৌরিবনো হায়রবদি ৯ অসিনা মীওইববু মী ওইনা হীংনা থমই , ৯ অসি লৈত্রবদি মীওইবগী হকচাং অসি উতুপ অকংবা অমদগী করিসু হেল্লোই । মরম অসিনা ৯ অসিবু 'উমংলাই' কৌরবনি । মাপল অসিবু 'থোঙলোন ৯' সু কৌই । থোঙ ৯ অসি লৈত্রবদি মীওইবা হায়বা অমা সুকলৈ লৈরোই । হিংনবগী পামবৈ লৈরোই । অমুক পুয়ানা হায়রিবদি অসিগুমবা লাইগী খুৎশেম উমংলাই ৯ লৈবা তাইপঙ হকচাং অসি , হায়বদি থোঙলোন ৯ লৈবা উমং (তাইপঙ হকচাং) অসি 'লাইনিংথৌ লাইলেলমা তুলে !' হায়বদি পন্থৌ পল্লেম অনিমকনা পুনশিনদুনা শেমবনি হায়বনি ।

মরম অসিনা পুয়ানা অহানবা ৱাহৈ পরেংদা হায়রিবসি পল্লেম পন্থৌ অনিনা পুন্না শেমমিন্নবা তাইপঙ হকচাংবু শনদোকনা হায়রকপনি ।

মতুংদা অমুক পুয়ানা হায়রিবনা "অতুকী অথু.মপা মচুমতাকী সৌপতি খে.ই নে ।" অসিনি । পুয়ানা হায়রিবা অসি তাইপঙ পুনসিগী নুপা নুপীগী পুনসিগী নুঙাইবনা থাক্লবা মিকুপশিং অমদি মদুগী পোৎথোকপু হায়রকপনি। নুংঙাইবা , নুংশিবা , অপুনবা অদুদগী থোকপা পোৎথোক , পুকনিংগী মহৈ হায়বনি । খে.ই হায়বসি অশেংনা পুকনিং ৱাখল হায়বনি ।

তাইপঙ হকচাংবু পলেম পন্থৌ অনিনা পুন্না শেমলকপা অসি অপামবা, নুংশিবা , কল্লকপা অদুগী থুংনবা মীকুপতা শেমখিবা " খে.ই " নি হায়রকপনি।

মতম মতমগী ওইনা অপামবা , পামদবা , কল্লকপা , মিহৌবা অসিনচিংবা পুকনিংগী ফিভমবু " খে.ই " হায়বা পুয়াগী ৱাহৈনা ফোংদোকই।

" খে.ই " হায়বা ৱাহৈগী " খে.ই " দা নমলিবা (.) অদু "লুম " কৌই , অরুমবা খোন্থোকনি । " খে.ই " অচিকপা খোই নওে । মশক



কয়া, অপামবা , পামদবা , নুংশিদবা , খোইদাবা খোইদাদবা , কয়া মশক লৌবা ঙমবা পুকনিংগী ফিভমনি । মদুনা " খে.ই ", অখোয়বা কৌরিবনি। অসিগুমবা শকতম মশক লৌবা ঙমবা ঈহুল কয়া তোঙান তোঙানবা শকতম লৌবা , শকতম ফোংবা পুমনমক অসিবু " খে.ই " হায়বা ৱাহৈ/ concept না ফোংদোকই ।

মথংদা " ঙকশমনে ২ মানে ।। " হায়বা ৱাহৈ পরেং অসি "অতুকী অথুমপা মচুমতকী সৌপতি খে.ইনে" হায়বা ৱাহৈ পরেং অসিগা পুন্না পাশিনবিয়ু , তোঙান্না পারবদি ৱাহন্থোক খংবা ৱারনি ।

মরম অসিনা পুয়া অসিদা হায়রিবদি " খে.ই " নে , ঙকশম নে অনিমক অসি পলেম পন্থৌ অনিনা পুন্না শেমবা তাইপঙ হকচাং অসিদগী চোংখৎলকপনি , লৌখৎলকপনি হায়বনি ।

মথংদা " মমিৎ অনিমাতিং লাই অপিশানে " হায়বদি হকচাং অসিগী য়ামনা মরুওইবা মিৎ অনি " লাই অপিশা " অসিবু হায়বনি ।

মতাং অসিদা মিৎ অপিশা হায়বসি অসি করিনো খংবা মথৌ তাই। ঐখোয়গী হকচাংদা য়াওরিবা , পাল্লিবা মিৎ অসিনা ঐনা উরিবা পোৎ পুমনমক অসিগী ফজবা , ফজদবা , পামজবা , পামজদবা , ইচা , ইশু , ঐনা নুংশিবা নুপা , নুপী , নুংশিদবা নুপা নুপী অসিনচিংবা তাইপঙ পালপা পুমনমকপু উহল্লি , খংহল্লি । ঐগা নুংশিননা লৈমিন্নরিবা নুপা নুপী অদুনা করি পামলি হায়বশিসু মিৎ অনি অসিনা খংহল্লি , তাইপঙ পালপা অসিবু উহল্লি , খংহল্লি ।

মরম অসিনা অপিসা হায়বশিনা করি হায়রিবনো খংবিয়ু :-

অপিসা = অপি + সা হায়বদি , অপি হায়বদি ঐখোয় কংলৈ মীতৈনা ৱা ঙাংবদা য়াওরিবা অচৌবা , অপিকপা অসিনচিংবদা য়াওরিবা "অ" অসি ৱাহন্থোক শেংনা তোঙান্না লৈতে । মতাং অসিদা " অপি " হায়রিবা অসি পীরিবা উহল্লিবা , খংহল্লিবা হায়বনি । মতাং অসিদা য়াওরিবা " সা " হায়বা অসিনা তাইপঙ পালপবু শাগৎলিবা নুমিৎ , থা , শা , উচেক , উৱা , মীনাচিংবা পুমনমক অসিবু হায়বনি । মরম পুমনমক অসিনা "লাই অপিসা" হায়বদি তাইপঙ পালপাবু ঐঙোনদা মশক তাক্লিবা লাই হায়বনি।

মথংদা ঙৌ (ꯉꯧ) হায়না পাবা কংলৈচা মীতৈশিংগী ১০ শুবা ঈয়েক (Script Symbol) অসি করমনা য়েকলিবনো অমসুং লৈই কয়া করি করি পোৎ মহুৎশিনদুনা য়েকলিবনো য়েংশি :-

ꯉꯧ শকতম অসি লৈই ৬ (তরুক) না পুনশিনদুনা য়েকপনি।

য়েকলিবা ꯉ কী শকতম মচেৎ অসি লৈই ৫ নি ,অদুগা অকোনবা অসিনা লৈই অমনি। লৈই ৬ অসিনা পুনশিনদুনা কংলৈচা মীতৈশিংগী ১০ শুবা ইনবা ঈয়েক ꯉ(ঙৌ) অসি য়েকপনি।

পুয়া অসিদা ইরিবা " উমং " অমসুং " লৈচঙ " হায়বা ৱাহৈ অনিমক তাইপঙ হকচাংবু হায়বনি । অহানবগী লৈই ৫ অসিনা তাইপঙ হকচাংবু শাগৎলিবা মৈ , ইশিং , নুংশিৎ , লৈপাক , অতিংআ , থৌৱাইগী কায়দোংফম ওইরিবা পোৎশক ৫ অসিবু মহুৎ শিনদুনা য়েকপনি । অদুগা অকোনবগী লৈই অদুনা তাইপঙ হকচাংগী চাকচং উতোংগা শমনবা য়াগী মনুংগী খোঁনাউ গী " ঙৌ " গী শকতম মহুৎ শিনদুনা য়েকপনি । মতৌ অসুমনা লৈই ৬ অসিনা ঙৌ ꯉ ঈয়েক অসি তানবা য়েকপনি । য়াম্না লুবা ৱাফম অমনা ঙৌ ঈয়েক অসি ঙৌ , (·) য়াওদনা য়াংনা পাগদবা নওে , লুমনা ঙৌ (ঙৌবগী খোন্থোকতা , ঙা ঙৌবগুমবা) খোন্থোকতা পাগদবনি , কুচু ঙৌবগী খোন্থোকতা পাগদবা নওে ।

ঈয়েক ঙৌ (ꯉ) অসিনা তাকলিবা , তাইপঙ পুনসিগা তৎনবা লৈতনা লোয়নরবা , হোংবা লৈতনা য়াওরবা তাইপঙ পুনসিগী মওং অমনা , ঙৌপা , ঙৌ ঙৌ লাওপা হায়বা অসিনি ।

ইমা ইপাগী তাইপঙ পুনসি অনিনা পুন্না শেমলমলবা তাইপঙ হকচাং অসিদা , মীৎ অনিনা চানিংবা পোৎ অমা উরুরে , নত্রগা ঐনা য়ামনা পামজবা নুংশিজবা মী অমগী মশক উরে , ফিভম অসিদা মফম খংদনা তিল তারকই , চানিংবনা ঙৌ ঙৌ লাওরকই , অদুগা নুংশিবা / পামজবা অদুবু উরুবদা , মাগী মশাদা নকশিননিংলকই , মীৎ , না চেইরকই , ঙৌ ঙৌ লাওরকই।

অদুগা অনিশুবা মওংগী ঙৌ ঙৌ লাওপা মওং অমনা , মী ওইবা পুনশি অমনা , তাইপঙ পুনশি লোমলমদাইদা নিংসা হোনবা য়ারকতে, হকচাং মনুংগী নুংশিংকা মপানগী নুংশিৎ (নোংশিৎ) কা শমনবা য়ারকতে । নাতোন শিজিন্নবা য়ারকত্রবা মতম , ঙৌ মনুংদা কাথোক্লগা নিংশা হোন্নবা হোৎনরকই , মদুসু য়ারকতে । মতম অদুদা তাইপঙ পুনসি অদু ঙৌ ঙৌ লাওনা , কমবী থকতা ঙৌরবা লেমলৈ ঙাগুম , তাইপঙ পুনসি লোমই ।

পুয়াশিংদা ঈয়েক ꯉ গী মতাংদা উৎলিবা ঙৌ , ঙৌ লাওপা উৎলিবা শক্তম অনি অসি শমনবা য়াদবা, মতোন অনি (Extreme) অনিদা লৈবা শক্তমনি । অহানবা মখল অদুনা মীওই পুনশিদা খ্বাইদগী পাঙ্গল কল্লিঙে অপাম নুংশি , অপাম পামদনা পুনসি লমচিংলিঙেদা থোকপনি ,



অদুগা অকোনবগী অদুনা তাইপঙ পুনশিনা অপাম নুংশি....অসিনচিংবা লোইখিদুনা খাংলেনফম দা লোংনা হিপতুনা লৈরক্লবা মতমদা , তাইপঙ পানপগী মপু মাগী ৱাখলদা লুপ্লকপা মতমদা থোকপনি ।

তাইপঙ পুনসিগী শকতমবু মুন্না খংলবা কংলৈ ইপা ইপুশিং অদুনা , ঙৌ ঙৌ লাওপা , ঙৌপা , মীওই পুনশিদা হকচাংগী মফম অতৈগা হায়বদি থমমোই , ফিরাক , থপোমবী অসিনচিংবা কায়াৎশিংগা ঙক , ঙকসমনা ঙৌগা শমজিন্নদুনা থোকহল্লিবা অসিবুসু মুন্না খংলবা মতুংদা , ঙৌ , ঙক , ঙকশম , হকচাং মরি অসিগী লৈনবা মরি উৎতুনা , মীতে ঈয়েক ꯉ (ঙৌ) অসি য়েক্লকপনি ।

কংলৈ ইপা ইপুশিংগী লৌশিংগী অৱাংবা খংলু উরুবদা , ইকাই খুমনদবা ঙমদে ।

(১) **ঙমু** - ঐখোয়না হৌজিক নুমিৎ খুদিংগী উরিবা কৈথেলদা ফংলিবা ঙমু , ঐখোয়না মীতে ঙমু হায়বা ঙা অদু নিংশিংবীরমগনি । ঙমু হায়না ঐখোয়না হৌজিক হায়রিবা ঙা অসিগী মমিং অসি "ঙমু"হায়বা নওে, "ঙমমু" "নংনা ঙমমু" হায়বদা শিজিনরিবা ৱাহৈ "ঙমমু" হায়বদি " ঙম + মু " নংনা ঙমমু , নংনা থবক অদু তৌবদা "ঙমমু" হায়বনি ; পুয়াদনা সনামহী লাইনিংথৌনা শাবা মতমদনা তেংপালপা মপু সালাইলেন শিতপানা ঙা অসিগী মমিং অসি "নমু মিতম ঙা " হায়না মমিং থোল্লি ।

ঙমু (নমু মিতম ঙা) অসি মীতে খুন্নাইদা অমসুং মালেম খুন্নাইদা , মসিগী মতাংদা কংলৈ মীতে গী ৱাখল্লোল , ৱাংউলোনগী থাক অসি অসুক্কী মতিক ৱাংই ; মসিগী ৱাফম অসি অইবগা লোইননা মীয়ামনা খংনবা মখাদা থমজরি !

সালাইলেল সিতাপানা সনামহী লাইনিংথৌদা য়াথং পীবসি পুয়াদা ইরমবদি " পালী নঙগী নথৌ নঙম তাইপঙ মীপু সাপা হৌলো " , মী শারো হায়বনি।

অদুবু সনামহী লাইনিংথৌনা ঙমু অমা শারগা লাইনিংথৌ সালাইলেলদা মী শারে হায়দুনা কৎশিল্লুবনি । অদুবু সালাইলেল সিতাপানা মীনি হায়বা য়াদ্রে। অদুবু সালাইলেল সিতাপানা 'ইচানা অহানপা সালিপা অসিতি লেমনা মাংপা য়াতপনা' মমিং 'নমু মিতম ঙা' হায়বা মিংথোলবু সালাইলেল সিতাপানা পীদুনা লাইচ ইশিংদা থাদোকখ্রে ।

থাদোক্লমদাইদা সালাইলেল শিতাপানা 'নমু মিতম ঙা' ঙমু অদুদা হায়খি " হয়েং তাইপঙপাল অসিতা ইচা ইসু তাইপঙ মীয়ামনা পাকসন্না লৈরক্লপা মতমদা , ইচা ইসুশিং অদুনা নংপু ফালকা মখোয় কী অৱা অনা

পুম্নমক নংনা পুতুনা চৎলো হায়তুনা ইসিংতা অমুক থাথোক্লপতি নংনা অৱা অনা পুম্নমক পুতুনা চৎকতপনি, নংনা পুম্নমক অসি ঙমকতপনি।" অসি হায়রগা , পাউতাক অসি পীরগা , সালাইলেল সিতাপা অমসুং সনামহী লাইনিংথৌনা নমু মিতমঙা অদুবু ইশিংদা থাদোকখ্রে । মী শাবগী মতাং অসিদা, কংলৈ মীতৈগী ফুংগা ৱারি (tradition) , ৱাখল্লোন , ৱাংউলোন অসিগী কংলৈ খুন্নাইগী ঙমু উশিন , কংলৈ নিংথৌ অমসুং কংলৈ কোন্নুংগী চৈথাবা, চৈথাবগী থৌরম পোকই । **মসি মালেমদা পাক শন্না তমনখ্রবনি।**

নোংচুপলোমগী থৌরম "Scape Goat" and its Theory অসি কংলৈ মীতৈগী ঙমু উশিন , চৈথাপা অসিদগী তমখিবনি ।

মী শাবগী থবক সনামহী লাইনিংথৌনা অসুম চৎথরকপদা , ঙমুগী মথংদা থৌৱাই পানবা মথং মথং শারে । মপা ইবুংঙো সালাইলেল সিতাপানা মীনি হায়বা য়াদ্রে । ইকোন কোনবদা সনামহী লাইনিংথৌনা , হৌজিক ঐখোয়না মীগা খৱাইদগী নকনবা মথৌৱাই পানবা পোৎনি হায়না থাজরিবা , য়োং অমা সারগা সালাইলেল সিতাপাদা কৎশিল্লে মদুসু সালাইলেল সিতাপানা মীনি হায়বা য়াদ্রে । মতাং অসি য়ৌরবদা , সনামহী লাইনিংথৌনা মপাপুঙ ইবুংঙোদা মহাক সাবা ঙমদ্রে হায়না চংজরে ।

ইকোন কোনবদা , লাইনিংথৌ সালাইলেল সিতাপানা সনামহী লাইনিংথৌদা মহাক্কী (তেংপালিপা মপু সালাইলেল সিতাপাকী) মমি (Image) য়েংদুনা মী শাউ হায়না য়াথং পীরে ।

মতৌ অসুমনা সনামহী লাইনিংথৌনা তেংপলিপা মপুগী মমি য়েংদুনা মী শাখ্রে , অমসুং সালাইলেল সিতাপানা সনামহী লাইনিংথৌনা শাবা থৌৱাই পানবা অহিংবা পোৎ অদুবু মীনি হায়না য়াখ্রে ।

**মতৌ অসুমনা সনামহী লাইনিংথৌনা তাইপঙ মীওইবা ঐখোয়বু শাখি অমসুং তাইপঙ মীওইবা ঐখোয়সে তাইপঙ শেমবা , মপু , তাইপঙগী মপা মহাক্কী শকতমনি হায়বা কংলৈ ৱাংউলোন অসি তাইবং মালেমনা য়ানখ্রে ।**

মথক্কী ৱারি মচেৎ অসি কংলৈপাক্কী ফুঙ্গা ৱারীদা মীতৈগী মীশেমলোন অমসুং ঙমু উশিনগী মতাংদা লীনরকপা অমসুং কংলৈ পুয়াদা ইরমবগী য়ামনা সমবা ৱারী । তাইৱনা সমনা ইশিনমনখিদুনা চমমনবা খরা থোকপা য়াওরবসু অচুমবা ৱারী অদুদি শেংনা ইজরিবনি ।

সনামহী লাইনিংথৌনা মী শারকপা অমসুং শেমলকপগী ৱারী অসি শেংনা হেক খংবদা , মীতৈগী ঙমুদগী হৌরগা মীদা লোইশিনবা মীশেমলোন



অসি হেক মুন্না খংবদা , কংলৈ মীতৈ গী ৱাংউলোন (Philosophy) অসি নোংচুপলোমনা Evolution Theory হায়রিবা Theory অদুনি হায়বসি তশেংনা হেকতা খংগনি ।

**মীতৈগী মীসেম - ৱাংউলোন অসিনা , নোংচুপলোমগী Evolution Theory দগী চহী লীশিং কয়া হাল্লি ।**

মীতৈনা কৌব্রু চীংদোনদগী লাই হরাউবা ফাওবা পাংথোকতুনা লৈরমবদগী , হৌজিক্কী কংলাদা কুমলকতুনা ইম - কৈ লাইশঙ শাদুনা পাল্লকপা মতম অসি ঙসিদগী মমাং চহী ২০,০০০ (চহী লীশিং কুলমুক) অদুৱাইদনি । **মসি তাইবা খুদম চাউনা লৈরবা ৱানি ।**

**পুম্নমক অসিনা তাকপদি , মীতৈগী পুয়া (Scripture) অমদি মীতৈ ঈ কাংলুপ অসিদগী হেন্না লিবা খুন্নাই মালেমদা লৈতে হায়বসিনি ।**

(২) **ঙৌবা , ঙৌরুলবা , ঙৌপালেল ঙৌবা** - ঐখোয় ইচম চমবা কংলৈচা অমগী মিৎয়েংদদি মথক্কী ৱাহৈ /concept অহুম হায়বদি 'ঙৌবা', 'ঙৌরুলবা' , ' ঙৌপলেল ঙৌবা ' হায়বা ৱাহৈশিং অসিগী ৱাহন্থোক অসি ইমান মান্নবগুম তৌই , মান্নে হায়না খনগনি । তৌইগুমবসুং অহানবগী ৱাহৈ অনি অদুগা অকোনবগী ঙৌপারেল ঙৌবা (ঙৌপলেল ঙৌপা) হায়বা ৱাহৈ অদুগা ৱাহন্থোক য়ামনা খেন্নে ।

ঙৌবা হায়বনা ইচম চমবা অঙৌবা মচুনি হায়বনি । ঙৌরুলবা হায়বনা য়ামলা ঙৌদ্রবসু ঙৌবা হায়বা অদুগী মচুদা চনবা মচুনি হায়রিবনি । ইচম চমবা মচুগী ৱাখল ফোংদোকপা ৱাহৈ ঙাকতনি ।

অদুগা ইকোন কোনবগী ৱাহৈ 'ঙৌপলেল ঙৌপা' হায়বা ৱাহৈ অসিগী ৱাহন্থোক তি পুমতোং তোংঙানবা অহেনবা ৱাহন্থোক লৈ ।

ৱাচেৎলোল পথুপ পুয়াগী অহানবা লামাইদা " মমিংতি তলঙলেল ঈপুঙ লোইনপা অপকপা কৌয়ে ।। লৈতি চোমলাং মাপাল চিললে ।। অসি লৈপাকক্কী খুয়াতা ঙৌয়ে ।। ঙৌপলেল নে ।। "

পুয়া অসিগী লামাই মঙাদা " ৱাকোনপুঙতা লৈপা তোংসাকী মচুতি সানা অহিংপা মচুনে ।। ফিশেৎতি অঙৌপনে ।। "

পুয়া অসিমক্কী লামাই তরাদা অমুক " অতীংপা অতীঙআনা পসোৎনে। ঙৌপলেলনে । " অসুমনা ইরি ।

ৱাচেৎলোন পথুপ হায়বা পুয়া অসিগী লামাই অহুমদা ইরমবা অসি পাবিরিবশিংনা উবিরে । ইরিবা লোন অসি অরিবা মীতৈলোন ওইরবসু , ইপা

ইপু মীতৈশিংনা থইনা ঙাংলমবা লোন্নিনা অয়ামবা কংলৈচা মীতৈশিংনা খংবিরমগনি খল্লি ।

অহনবা লামাইদা হায়রিবা অসিনা, মফম অসিদা " তলঙলেল ঈপুঙ লোইনপা অপকপা " ঐখোয়না ইতৎ তৎতনা শিজিন্নরিবা, নোংমতোনগী মথকতা লৈ হায়না কংলৈ ৰাঙউবশিংনা খল্লিবা " ঈপুঙ লোইনপা অপকপা " হায়বা, তিংপলিপা, তেংপালপা, তইপঙ পালপগী মপা অমতা ঙইপা মপু (Creator of the Universe, Universal God Father) মহাকপু হায়বনি, অমসুং মহাক্কী মচুদি 'ঙৌপলেল' নি হায়বনি।

অনিশুবা লা: ৫ দা হায়রিবা " ৰাকোনপুঙতা লৈবা তোংসা গী মচুদি সানা অহিংবা মচু " নি হায়বদি " ৰাকোনপুঙ " হায়বদি " কোক" তা লৈবা হকচাংগী পোৎশকতি " সানা অহিংপা " হায়বদি মীওইবা শনদোকনবগী অহিংবা পোৎশকনি হায়বনি, অদুগা মচুনা " অঙৌপা " নি হায়বনি ।

অহুমশুবা লা: ১০ দা হায়রিবা " অতিংপা অতীঙআনা পসোৎ নে। ঙৌপলেল " মচুনি হায়বনি মফম অসিদা হায়রিবা ইপা শোরারেন, অতীঙআ নোংথৌ, (Space) অসিগী মচুদি "পসোৎ নে । ঙৌপলেলনে।।" অঙৌপানে, ঙৌবদগী ঙৌবা ঙৌপলেলনে, ঙৌবরেল নি হায়রকপনি।

য়ামনা শমনা হায়রবদা পুন্নানা হায়রিবসি নুপাদা য়াওরিবা মপু মানা পীরকপা তইবং শস্তোকনবগী মচাক অদু পশোৎনে, অঙৌবনে, ঙৌবরেল ঙৌবনে হায়বনি ।

(৩) **ঙাপ্রুম চীংচেন** - ঙাপ্রুম চীংজেল (হৌজিক্কী লোনদা) হায়বসি অরিবা কংলৈ মীতৈ লোনদা " ঙাপ্রুম চীংচেং " হায়বনি । ৰাহৈশিং অসিগী ৰাহস্তোকতি, " ঙাপ্রুম " হায়বদি ঐখোয়না হৌজিক ঙাপ্রুম হায়রিবা ঙা মখল অদুনি, অদুগা " চীংচেন " চীংদা কুৎথদুনা লমবী ওইনা চৎপা য়াবা মফম (Hill - cut) হায়বনি । ৰাহৈশিং অসিগী মনুংগী ৰাহস্তোকতি কংলৈপাক্কী পুৱারিগী মতম অমদা কংলৈ তমপাকী ইশিং অসি চীংচেং অসি ফাওবা থুমলমই ৰাংলমই , চীংচেং অসিদা ঙাপ্রুম লৈরমই হায়বনি ।

ঐনা হৌজিক পাৰীরিবশিংদা খংহনজনিংলিবনা ১৮ শুবা চহীচাগী অরোইবা তংখাইদা কংলৈপাক (মনিপুর) দা পানখিবা ভগ্যচন্দ্র মহারাজগী মতমগী পুৱারিগা মরি লৈনবা থৌথোক খরগী মতাংদনি । অইবা অসিনা ইং চৈচৎ ২২/৪/০৯ (নিংথৌকাপা) নুমিৎতা ঙাপ্রুম চীংচেনগা খ্বাইদগী নকপা মীতৈ খুল শাঙাইথেল চৎচরুই । অইবনা খুল অসিদা চৎচরবদা খুল অসিগী খ্বাইদগী অহল ওইবা নিংথৌজম অহোং (চহী ৮২, ২০০৯ দা) অদুগা ঙাংবম



কুলচান্দ (চহী ৭৬, ২০০৯ দা) পুয়ানচিংবা পাঙ্গবা অহল অসিগসু উনজরকই। মখোয় অনিদগী শাঙাইথেল, ঙাপ্রুম চীংজেন্নচিংবা মফম কয়াগী মতাংদা পুৱারীগী ৰাফম কয়া খংলকই ।

ঙাপ্রুম চীংজেল, শাঙাইথেলনচিংবা মফমশিং অসি অমসুং মসিগী মনাকতা লৈবা উমংশিং অসি, মহাক্কী মতমদা অৱানা লান তারকপা, মীতৈ কংলৈপাক হিনদগী মতমদা খুনতাকলকপা মতমদা, ভগ্যচন্দ্র মহারাজ অমসুং মহাক্কী কাংবুনা অৱা কিবদগী চেনখিবা মতমদা লোৎফম অমসুং অৱানা মীতৈ তমপাকতা করি তৌরি য়েঙনবা মফমশিং ওইনা শিজিন্নরমই ।

ঙাপ্রুম চীংজেনদগী ইমফাল কংলা নোংচুপ থংবা সনাথোং য়ামনা শেংনা উই অমসুং হৌজিকসু উই । অদুগা অতোপপা য়ামনা মরুওইবা লোৎফম ওইবগী মরম অমনা, ঙাপ্রুম চীংজেলগী নোংচুপতা হেক কুমথখিবদা ময়াং লৈপাক কাছার তই । কংলৈ তমপাকতা কৱো লানমী য়ামনা লাক্লবা মতমদনা কাছারদা চেনদুনা হেক লৈবা অদুগা অৱা লানমী লৈতবা মতমদনা তমপাকতা কুমথরক্লগা অফাওবা শাদুনা অমুক লৈবা, অসিনচিংবা তৌদুনা মতম শাংনা লেল্লমবা, ভগ্যচন্দ্রনা Observation Tower ওইনা শিজিন্নরমবা, সাঙাইলেল অমসুং ঙাপ্রুম চীংজেলগী অকোইবগী উমংশিং অসি লোৎফম ওইরমবা, ঙাপ্রুম চীংচেল হায়বসি পুৱারীগী য়ামনা মরু ওইবা মফম অমনি ।

(৪) **ঙানপ** : ঙানপা হায়বা ইনান নানবা য়ামনা পিকপা, য়ামনা চাওবনা ইনচি অনি য়োনা শাংদবা ঙা মখল অমা লৈবদু মী পুমনমকনা খংবি উবিরমলগনি খনজে । ঙা অপিকপা অসি চৎনবী অমদি ইনাৎ কী ওইনা য়েংবা তারবদি কংলৈ খুন্নাইদা য়ামনা মরুওইবা ঙা মখল অমনি । মীতৈ খুন্নাইদা, লুহোংবগী নুমিদাংগী চাকলেল অসি, লুহোংলিবা নুপা নুপী অনিদুগীদি খ্বাইদগী মরুওইবা চাকলেল অমনি । মপু মানা শেমবা থৌৰাই অনিনা তইবং শনদোকপদা পুন্না শরুক য়ামিন্নরসি হায়দুনা, মীয়ামগী থৌরমগা লোইননা, মপু মহাক্কী মফমদা হায়জ নোনজদুনা খুরুজদুনা চংজরবগী মতুংদা, তইবং পুনসি অনিনা মপুনসিগী ওইনা পুন্না অহানবা তরা লুককোই চামিন্নবগী, অহানবা নুমিদাংগী চাকলেলনি।

অদু ওইরবদি, ঙানপা হায়বা ঙা অপিকপা অসি, খুন্নাইদা, ইনাৎতা কয়াদা মরু ওইখবা ঙা ওইখ্রবনো !

চৎনবী অসিগী হৌরকফম অইবসু শেংনা খংদে। অদুবু অহল লামন্নদি নুপা নুপী অনি অদু মপুনসিগী অদুম নপশিন্নদুনা নুংশিননা লৈমিন্নবা নুমিদাংগী

চাকলেনগী মথেল ওইনা ঙানপ হাপলিবনি হায়না ফাগীওই করিওই হায়রীরকই।

(৫) **ঙাসাপা ( লৈসঙলেন অসং ঙাসাপা )** - মফম অসিদা ঐখোয়না শমনা " ঙাসাপা " হায়রিবা অসি কংলৈপাক্কী য়ামনা ঙল্লিঙেগী মতমগী কংলৈপাকতা পাল্লমবা মঙাং সালাইগী নিংথৌ অমগী মমিংনি । মহাক্কী অশেংবা মমিংদি, " লৈসঙলেন অসং ঙাসাপা " হায়বনি । মহাক অসি কংলৈপাক্কী অহানবা নিংথৌ , কোনচিন তুকথপা ইপু অথৌপা পাখংপাগী মশু অহন্নি ।

ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা - ইলোন পুকোক পুয়াদা অসুমনা ইরি - "মপাপুঙ ইপুঙঙো কোনচিন তুকথাপা পাখঙপাসুং ফমপাক থকতা । থাচকী মসেকতকী তালকপা কুমনা মৈপুন হইচাউ হৌপা ওইনা নুংঙাই থেইনা পানখলে ।। অসুমনা লৈলাপতা লাইলেল খোমপী কা মঙাং নিংথৌ কা পান্নাতুনা লৈসঙলেন অসং ঙাসাপা পোকত্র ।"

মহাক অসি কংলৈ পুৱারিদা য়াম্না মমিং চৎপা কংলৈ নিংথৌনি । ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা - ইলোন পুকোক পুয়াগী ৱালী লীখুন হায়বদি পুয়া অসিগী থিগৎলোন , ৱাখল্লোন অসি মঙাং সালাইগী লৈসঙলেন অসং ঙাসাপা হায়রিবা ইপুথৌ পাখঙপাগী মশু অহন নিংথৌ অসিনা পুথোক্লমবনি। পুয়া অসিদা অসুমনা ইরি "ননা মইচৌনা ৱালি লীয়ে- চকপালম মচা মইচৌনা লাইকী চৈ থাপিয়ে অতুকা মইচৌ অহুমসু তাপীও - ১ তি লুৱাঙচম মচা মইচৌ । ২ তি ৱাহিঙপম মচা মইচৌ । ৩ তি চীনকাঙপম মচা মইচৌ । অহুম অসি য়াউনা কংলৈয়োনতা মেনতা সংকুপলৈ মখোঙতা ফমপাল লাংলিঙেতা ৱাকোকলোন অমতি ৱাহৌলোন । ২ তি ইনুঙলোন খুনুঙলোন অসি খৈপীককী ৱাপু মঙাং সালাই ইকী লৈসঙলেন অসং ঙাসাপা নিঙথৌকী ৱালি লীখুনপু ননা মইচৌনা । মইচৌ ৪ নে । লৈপাক মীয়ামনে । অসি খৈপীককী মফমতা হইলকলে ।।০।।"

কংলাকী সংকুপলৈ মখোঙতা পোৎথাদুনা ফমলগা পুয়াগী ৱারি তারিবা কংলৈ নিংথৌ অসি মুংয়াংপা নিংথৌনি । হৌজিকতি নিংথৌ অসিগী "মুংয়াংপা" হায়বা মমিং অসি চৈথরোল কুমবাবদা "মুংয়ামবা" হায়না ওন্থোকতুনা ইশিনখ্রে । মতমসু থেংথনা ইশিনখ্রে ।

## ꯊ (থ)

মথকতা উৎচরিবা ঈয়েক শকতম (Symbol) অসি কংলৈচা মীতৈগী ইনবা ঈয়েক ১৮ লৈবগী মনুংদা ১১ শুবা ঈয়েক শকতম (Symbol) নি।



শকতম (Symbol) অসি মীওইবগী থৌপাক (হৌজিক্কী লোনদা - থবাক) কী শকতম লৌদুনা য়েকপনি , পুথোকপনি । ঈয়েক অসি পাবগী মওং - খোন্থোকনা থৌ হায়না পাই, খোন্থোক পী।

য়েকথোকপা অমদি শকতম (Symbol) পুথোকপগী মওংসি লৈই অহুমনা য়েকপনি । অহানবগী মথকতা ফৈনা চিংলিবা লৈই (–) অদুনা অতীঙআ ( নোংথৌ, সালাইলেল সিতপা ) নি । অদুগা অতীঙআ লৈইদগী অমতা ওইনা চিংথরগা, নাক য়েৎতা অনি থোকনা খাইদোক্লগা মতোন মতোনদা কোনখৎতুনা য়েকলিবা মওং অদুনা মীওইবগী থৌপাক (থবাক) কী শরুগী মওং অদু মান্নবা য়েকপা মওংনি ।

থৌ ঈয়েক (ꯊ) কী মতাংদা ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা - ইলোন পুকোক পুয়াদগী ইরমলিবা অসি য়েংবিয়ু :-

"হে মী লাইকা তৈনলাপাসা ॥ য়েন অমা হইকে ।। লৈপাক চাউয়ে। লৈপাক ফৈয়ে ।। মৈনে ।ই.সিঙনে। নুংসিৎনে অহুম মাকী লিখুনপু খঙলপাসুং ফৈয়ে ।। লৈপাক অহিঙপীতাকী সৌখৎলকপতি লৈনে। অমনা ৎ" না খঙলাপতি লৈপাক হইয়ে । ময়েং তইয়ে ।। ইসিঙতকী সৌপতি ই.খোমনে ।। তইপঙ থৌৱাইনে ।। ই.য়েক খোনথোক অসিপু , ইনুঙলোন্না থৌপাক কৌয়ে। খুনুঙলোন খোনথোক ই.ৱাই ই.নিন্না থৌ কৌয়ে ।। থৌকী ই.য়েকতি অসিনে (ꯊ) লেপনা খঙপীও ।।০।। "

মথক্কী ৱাহৈ পরেংশিং অসি পুয়া অসিগী লামাইগী ꯊ হায়বা ঈয়েক অসিগী হৌরকপগী অমসুং ওইরকপগী মতাংদা ইরমবনি । কংলৈ ইপা ইপুশিং অসি অসুক্কী মতিক ৱাংনা ৱাখল খল্লমই অমসুং মখোয়না ইরমবা ৱাহৈশিং অসি অসুক্কী মতিক ৱাহৈ অমনা ৱাহন্থোক কয়া ফুমদুনা লৈবা ৱাহৈ শিজিন্নরমই । ঐখোয়গী কংলৈপাক্কী খুন্নাইগী লৌশিং কয়াবু ইদুনা থমলমবা পুয়াশিং অমদি অইবা লাইলীকশিংবু ১৮শুবা চহীচাগী অহৌবদা, পামহৈবা হিনদু নিংথৌ অমদি শানতিদাস গোসাই হিনদু গুরু,মখোয় অনিনা তুমনা মৈ থাদোকখিবদগী , অমমবা লমথাদা চৎলকখিবদগী, কংলৈচাশিংনা ২১ শুবা চহীচাদা ৱাহৈশিং অসিগী ৱাহন্থোক খংবা ঙমদ্রে । অদুবু ইপা ইপুশিংনা থমলমবা লৌশিংশিং ঐখোয় খংদবা য়াদে, খংবা তই ।

ঐখোয়না পুয়াগী লামাইশিদা ꯊ গী মতাংদা ইবদা য়াওরিবা , হনজিন হনজিন ইরিবা 'লৈপাক' হায়বা ৱাহৈ অসিগী ঈনুঙ লোলগী মমিংদি 'মালেম' কৌই । 'লৈপাক' হায়বা অসিনা খুনুঙ লোলনি । হায়বদি লাইনা শোল্লকপা, থৌৱাই পানবশিং শেমলক্লগা মখোয়বু মমা অমগুম য়োকপিনবা হৌজিক্কী

লৈপাক, পোৎ থাফম ওইরিবা, য়ুম শাফম ওইরিবা লৈপাক অসি 'মালেম' (মাল্লে + ইমা) অসি লাইনা শেমলকপনি। মসিবু ঐখোয় মীয়ামনা লৈপাক হায়না কৌনবনি।

মৈ, ইশিং, নুংশিৎ অহুম অসিনা পুনশিল্লগা শেমলিবা মালেম, লৈপাক অসিসু ময়েং তাই, মতিক ময়াই হন্থরকই, পুমনমকসি ঐখোয়না হৌজিক ২১ শুবা চহীচাদা খংলে। পুয়া অসিদা "অমনা ৫ খংলাপতি লৈপাক হাইয়ে। ময়েং তাইয়ে।।" হায়রিবা অদু তাইপঙ হকচাংবুনি।

পুয়া অসিদা ইরিবা 'লৈপাক অহিঙপীতাকী' হায়রিবা 'লৈপাক অহিঙপী' হায়রিবা অদুসু তাইপঙ হকচাংবুনি।

পুয়াদা "য়েন অমা হাইকে।।" হায়রিবা অদু নুপী ওইবীগী তাইপঙ হকচাংদগী থোকপা খোমলাংবুনি। খোমলাং হায়বসি তাইপঙ মীওইবগী অহানবা চীনতম য়েননি। মসি তাইপঙ পালপা মপু মহাকনা শেমবা তাইপঙ মীওইবগী চীনতম য়েননি, য়েন অসি তাইপঙ মীওইবা খুদিংনা লৈগী পামবৈনা মহাও শেংনা খংবা পুনসি পীনা চিনজাকনি। অদুবু তাইপঙ হকচাং হায়বসিদি ময়েং তাবা, নোংমা নোংমগী শোন্থরকপা, হন্নুরকপা পোৎশকনি।

তাইপঙ মীওইবগী ' থৌপাক ', থবাক হায়বসি তাইপঙ হকচাংগী খ্বাইদগী মরুওইবা শরুকনি, তাইপঙ মপু মহাকনা য়ামনা চেকশিন্না ফজনা শেমবা হকচাংগী শরুকনি, থৌ কয়া মপুং ফানা পাংথোকনবা খ্বাইদগী মরুওইবা হকচাংগী শরুকনি। থৌপাক = থৌ + পাক, থৌ কয়া পাংথোকনবা পাকনা ফজনা শেম - শাবা পোৎনি।

অমতা ঙাইবা তিংপালপা, তেংপালপা মপু মহাকনা মৈ, ইশিং, নুংশিৎপু চাইনহনদুনা শেমলবা মপু মহাক্কী মশামক ওইরবা হকচাংবু অফবা থবক থৌ ঙাকতা পাংথোকতুনা 'লৈপাক অহিঙপী' 'থৌপাক' ময়েং তাগনবা হকচাং অসি কুইনা শাংনা থৌ তৌদুনা লৈনবা হোৎনৌ হায়বনি, পুমনমক অসি।

(১) **থমমোই** - হৌজিক কংলৈচা ঐখোয়না থমমোই (থম + মোই) হায়রিবা তাইপঙ মীওইবগী খ্বাইদগী মরুওইবা হকচাংগী কয়াৎ অমা ওইরিবা, থমমোই অসি মীওইবগী হকচাংগী করমবা মফমদা লৈ, করি থবক তৌই হায়বসি অয়ামবা মীনা খংনরে।

ঐখোয় মীয়াম মীচমনা, মী অমা শিরমদাইদা, মিহুল লৈরিব্রা হায়না য়েংনৈ। মিহুল লৈব্রা হায়না য়েংবসি খুচেংদা, খোইদৌদা য়েংনৈ, অদুগা খোইদৌদা মিহুল লৈত্রে, শিরে হায়নৈ। 'মিহুল' হায়বদি মি + হুল



হায়বনি। 'মি' তাইবং শেমবা মপু মহাকনা তাইপঙ পুনসিনা লোমদ্রিবা ফাওবা, কোক ( লাইপক ) তা, থমমোই দা, খোইদৌদা লৈ হায়না লৌই, 'হুল' হায়বদি হুনদোরকপা থাদোরকপা, মি না থাদোরকপা 'দং দং' লাউবা মখোল অদু হেক লৈরিবা মখৈ মপু মহাক তাইপঙ হকচাং থাদোকতুনা চৎখিদ্রি, মী অদু হিংলি হায়না খংনৈ। অদুগা 'মিহুল' অদু হকচাংদাহেক ফংদবদা মপু মহাক তাইপঙ হকচাং থাদোকতুনা চৎখ্রে, মী অদু শিরে হায়না খংনৈ। মসিনি থাইনা কংলৈচা ইপা - ইপুশিংনা খংলমলিবা লৌশিং অসি।

থাইনদগী মীতৈ কংলৈচাশিংনা থাজরমলিবা, খংলমলিবা অসি পুয়াদা ইদুনা থমলমই। ৱাকোকলোন হীলেল সালাই অমা - ইলোন পুকোক পুয়াদা ১২ শুবা ঈয়েক সং গী মখাদা অসুমনা ইরমই :

"সিতপা মপুনা মী। সা। ঙা। হংঙোই। য়োং। তীল। কাঙ। ৱাহি। খালৌ। কাউচেং। হয়িং। খোইয়া। তুমিৎ। য়ুলান খোংলি লাউলিপা খৈপীক্কী থৌৱাইপু লেঙহনতনা মপুকী কোনচিনতা খমনা লৈয়ে হাইপকী পু খমসঙ কৌয়ে।। খমসঙ অতুকী মনুংতা থৌৱাই লৈ হাইপকীপু ৱাইসঙ কৌয়ে।।"

মথক্কী ৱাহৈ পরেংশিং অসিদগী হায়রিবশিং অসি য়ামনা ময়েক শেংই। তাইপঙ পানবগী থৌৱাই লৈরিবা, থৌৱাই পানবা পুমনমক্কী থৌৱাই অদু মপুনা হকচাং গী মনুংদা 'খমসঙ' হায়বা মফম অমদা পুনসি লোইদ্রিবা ফাওবা কোনশিনদুনা, লেংদনা লৈ হায়বনি, খমসঙ হায়বদি খম ( লোইবা ) + সঙ ( সঙদুনা লৈবা ) হায়বনি।

অদুগা মথংদা হায়রিবনা 'খমসঙ' অদু থৌৱাই + মি লৈনবা ৱাইবা 'ৱাইসঙ' কৌই হায়বনি।

মীওইবগী তাইপঙ হকচাংদা, তিংপালপা, তেংপালপা অমতা ঙাইবা মপু মহাকনা 'মি' ওইনা চংদুনা লৈরিবসি, মপু মহাকনা তাইপঙ হকচাংনা শেংনা মপু মানা লৈবা য়াবা লাইশং ওইরিবমখৈ লৈনবা, থমনবা থারকপনি। হকচাং অসিনা মাংথারকতুনা, মপু মানা লৈবা য়াবা লাইশঙ ওইরকতবা মতমদা থাদোকতুনা চৎকনি, লৈরেই, থমলোই হায়বনি। মসিনি মপু মাগী থৌশিল অসি।

মফম অসিদা 'খমসঙ', 'ৱাইসঙ' হায়রিবা অসি মীওইবগী হকচাংগী 'থমমোই'বুনি। অনৌবা চাওখৎলকপগী মতুং ইন্না শেমলকপা, ওইরকপা ৱাহৈনি। 'হুকসাঙ' হায়রমবদগী হকচাং হায়রকপগুমবনি। থমমোই হায়বদি মতম পুমনমকতা থমমোই, মপু মানা থমলোই হায়বনি।

থমমোইদা তিংপালপা , তেংপালপা মপু মহাকনা 'মি' ওইনা লৈবগী মওং অসি মখাগী




অসিনি হায়না অইবনা মফম কয়াদা , লাইলীক কয়াদা উৎচখ্রে ।

মখাদা পুয়াদা ইরমবা কয়াগী মতাংদা অইবনা নৈনরিবসি কংলৈচা মীতৈনদি খংলমলবা , মালেমগী মীয়ামনদি হৌজিক ফাওবা নিংথিনা খংদ্রিবা Science কী ৱাফমশিংনি মুন্না পাবীয়ু ।

(২) **থৌৱাই** : 'থৌৱাই' হায়বা পুয়াদা ইদুনা থমলমবা ৱাহৈ/concept অসি হিনদুনা কংলৈপাকতা ১৮ শুবা চহীচাদা পানখিবদগীদি 'থৱাই' হায়না শিজিন্নখ্রে । মসিদা , থৌৱাইদগী থৱাইদা ওনখিবা অসি মতোমতা ওনখিবনি হায়না অইবনা খনদে । থৱাই হায়বা ৱাহৈনা থৌৱাইগী ৱাহন্থোক পীবা ঙমদে , ওল্লকপা অসিনা 'থৌৱাই' হায়বা ৱাহৈ/concept না পীরিবা ৱাংলবা ৱাখল্লোন (Philosophy) , ৱাংউলোন অদু 'থৱাই' না পীবা শুকঙম ঙমদে । থৌৱাইদগী থৱাইদা ওল্লকপনা , মালেমগী খুইদগী লিরবা মী কাংলুপ মীতৈ হায়বা কংলৈচাশিংনা খল্লমবা , খুইদগী ৱাংনা খল্লমবা ৱাখল্লোন, ৱাংউলোনগী লংজা অদু থদৎলি , ৱাখলগী পরিং ৱাংউলোন অদু মুথৎলি।

ইজরিবা অসিগী হেক মথকতা অইবনা থমমোইদা লৈবা 'থৌৱাইগী' শকতম উৎচখ্রে । শকতম অসি উৎনবা , য়েকনবা হোৎনবদা খনখিবা ৱাখল পরিং , শকতম অসিবু পুথোকনবা হোৎনবদা চংলিবা মচাকশিং , হৈ শিংলবা scientist অমগী কোকনি , খুৎনি ।

শকতম অসিবু মীয়ামদা শনদোকনা , মচেৎ - মচেৎ ওইনা তাকতুনা (Analysis তৌদুনা ) উৎন্নবগীদমক শকতম মখাদা অমুক উৎচরি -



শকতম অসি ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা - ইলোন পুকোক পুয়াদা , মীওইবা খুন্নাইনা য়ামনা ঙাল্লিঙেদা , য়েকতুনা থমবিরমবনি ।

থৌৱাই = থৌ + ৱাই হায়বনি ।

মফম অসিদা 'থৌ' হায়রিবা অসি থৌবা , চৎহনবা , লেংহনবা , থবক তৌহনবা হায়বনি । 'নিংথৌ' হায়বা ৱাহৈদা য়াওরিবা 'থৌ' হায়বা ৱাহৈ অদুগা ৱাহন্থোক চপ মান্নে । মথংগী ৱাহৈ মচেৎ 'ৱাই' হায়বা অসিনা অমুক হায়রিবনা 'ৱাইবা' , ৱাইশিনবা , থবক চৎথহনবা , মশক ওন্থোকল্লগা থবক পাংথোকহনবা খংনৈ ।অদুবু 'মৈনা ৱাই তাংনা সম' অদুগী 'ৱাই' হায়বা ৱাহৈ



মচেৎ অদুগদি মান্নদে ।'মৈনা ৱাই'হায়বা অসিদা 'ৱাই' হায়রিবা অসিদি মাংহনবা , লৈহনখিদবা হায়বনি ।

মথংদা অমুক লাকলিবা ৱাহংনা , করিবু ৱাইগদৌরিবা , করিবু থবক পাংথোক হনগদৌরিবা হায়বা ৱাফম অসিনি ।

নুমিৎ , থা , থৌৱাইমিচাকনচিংবা থোকলিবা , তইপঙ থৌৱাই পানবশিংনা লৈরিবা মালেম অসিনচিংবা পাল্লিবা তইপঙ পালপা অসিনচিংবা অসিনা লৈত্রিঙে , পুমনমক অসি অমতা লৈত্রিঙে , তলঙ মালঙ ওইনা লৈলিঙে গী মমিংবু , তলঙ ঈপুঙ কৌই । মসিবু , শকতম অসিদা তিংপালপা কৌই । অমতা ঙাইবা , খুইদগী হানবা , খুইদগী হনবা মপু (Ultimate Universal Lord) অদুবু তিংপালপা মপু ঈপুঙ লোইনপা অপকপা কৌই , কংলৈ মীতৈ ৱাংউবশিংনা ।

অসিগুমবা তিংপালপাগী ফিভম অসিদা , ঈপুঙ লোইনপা অপকপা মহাকনা তইপঙ কুমহৈ শান্নগে নিংলকলে ।

**মতাং অসিদনি ইপা ইপু কংলৈচা মীতৈশিংনা Western Science কী Big Bang Theory পুথোক্লমলিবা , চহী লিশিং কয়াগী মমাংদা ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা - ইলোন পুকোক পুয়ানা মখাগী অসুমনা ইরি: " ঈপুঙলোই অপকপনা মথননাতা লৈপা য়াততুনা হাইনা হুমমকপগী হুঙ । হং । কী ঈৱাই ঈনিন্না নীকশিন্নকতুনা ফমচিন্নকপাতা। থেংনালুপা অতুপু লাইকী মসানি হাইতুনা লাইসা (লৈসা) হায়না কৌখিপা অতুপু ঈনুঙপুঙতকী ঈপুঙলোইনপা অপকপনা ফুকখৎ চীংখৎ থাংখৎলকপতা লোইনলকপা । অমতি লাইসাপু থেংনাপাতকী থোকলকপা কামপী । লাইচা। মালঙপা হাইনা কৌখিপা । লাইপুঙথৌ ৭ কী লাইমিং থোনতুনা ঈমাই ফাউখিপা । ঈমাই অতুপু লাইকী খুৎতমনি - লাই মাললে হাইতুনা মালেম হাইনা কৌখিপা । তইপঙ পালপা ς ওইলকলপা ঈপুঙলোইকী নুংপুঙ ৱাখনতকী থোকখিপা পুমনামকপু তাকপীলাকে খনতুনা ς তি থক্কা খাকা তইনপা অনিকী লকতা । লাইকী মহৈপু তইপঙ মী ওইনা পালহললে ।"**

**মথকতা উৎচরিবা পুয়াদা ইরমলিবা অসি তশেং তশেংনা হৌজিক্কী মতমগী Modern Science নি ।**

মথক্কী কংলৈ মীতৈ পুয়াদা ইরমলিবা অসি তশেংনা মীয়াল্লোন য়াওদবা কংলৈ মীতৈ লোন্নি । ইমালোননি , খংগে হায়না হেক খনদুনা পাবা মতমদা

খংগনি। তশেং তশেংবা Science কী অৱাংবা ৱাখল ঙাকতা ইরবনি।

মথক্কী পুয়াদগী লৌথোকপা অদুদা য়াওরিবা 'হুঙ। হুং। কী ঈৱাই ঈনিন' হায়রিবা অদু তশেং তশেংনা নোংচুপলোমগী তেংপালপা, তাইপঙ পালপা অসি ওইরকপা শেমলকপগী অহৌবগী Science theory, ময়ামনা য়ানরবা Big bang theory হায়বা অদুনি 'হুঙ। হুং।' মখোলনি অদুগা 'ঈৱাই ঈনিন' হায়বা অদুনা মখোল অদুগী থোক্লকপা ঈথক, ঈহৌ অদুবুনি। মখা তারক্লিবনা ঈথক, ঈহৌ, ঈরাউখোল অদুনা ফমজিল্লকতুনা লাইসা ( লৈসা ), মালেম ( প্রথিবী ) ওল্লকই হায়রিবনি। তাইপঙ মালেম শেমলকলে হায়রিবনি।

অদু ওইরবদি, মখোল গী ঈৱাই ঈনিন্না মতৌ করমনা নীকশিল্লকতুনা ফমচিল্লকতুনা মালেম লৈসা, লৈপাক করমনা ওল্লক্কদৌরিবনো? মসিবু ওইথোকপ্রা?

নোংচুপলোমগী না হনদকতা (2012) মসি ওইথোকই হায়না খুমখ্রে। মরমদি, নোংচুপলোমনা Science কী মতেংনা 'God particle',subatomic particle, Dark matter না নোংথৌ, অতীঙআ (space) অসি পিকথন্না লৈ, space অসি অহাংবা নত্তে হায়বসি খংখ্রে। মসিবু মখোয়না Higg Boson কৌই।

**নোংচুপলোমগী science না 2012 C.E দা খুমখিবা পাউখুম অদুগী বাহং অদুগী পাউখুমদি কংলৈচা ইপা ইপুশিংনদি ঙসিগী মমাং (B.P) চহী ৪০০০ ( লিশিং মরি ) গী মমাংদা পীবা ঙমখ্রে।**

মীতৈ ময়েক ১৮ গী ꯁ꯶ গী মখাদা য়েংবিয়ু। "কামপী মৈ তলঙ। লাইচা ঈশিঙ তলঙ। মালঙপা নুংসিং তলঙ। অহুম মানা লৈতলিঙে। তলঙ ওইনা লৈলিঙে কী মমিংপু তলঙ ঈপুঙ কৌয়ে।।"

মৈ, ঈশিং, নুংশিং হায়না হৌজিক খংলিবা, তাইপঙ পালপগী খুইদগী মরুওইবা তেংপালপা (space), অতীঙআ, নোংথৌ পুমনমক অসি শেমদ্রিঙৈগী মতমদা অহুম অসি তলঙ মালঙ ওইনা লৈরম্ই, মদুবু 'তলঙ ঈপুঙ' কৌই হায়বনি। 'তলঙ ঈপুঙ' অদুগী মপুনা ঈপুঙ লোইনপা অপকপা কৌই। মসিনি পুমনমক অসিগী অহৌবা, মসিনি ঈপুঙ লোইনপা অপকপা ( Universal Reality ) অদুনা ,পুমনমক অসি শেমদ্রিঙৈগী মওং, শকতম ( Reality )।



কংলৈচা ইপা ইপুশিংগীদি ইহৌ হৌবা, খুইগী মমাংদা লৈবা (Primordial Reality), অসি অহুম খকতনি। মখোয় অদুদি "কামপী মৈ তলঙ। লাইচা ঈসিঙ তলঙ। মালঙপা নুংসিং তলঙ।" মৈ, ঈসিং, নুংসিং হায়বা অহুম অসিদনি কংলৈচাগী Prime Reality তি। অতীঙআ অহাংবা অসি অহুম অসিনা থন্না লৈ, অহাংবা নত্তে। মখোয় অহুম অসি Prime Reality নি, Primordial নি।

অতীঙআ অমদি মালেম অনিগী "তাইনপা মলকতা কামপী। লাইচা। মালঙপা **চাইনলে**।। মৈ। ইশিং। নুংশিং অসুম ওইপা মওংপু ঈপুঙঙোনা **ওন্না ওন্না সাইওনলে** ।।০।।" অসুমনা পুয়াদা ইরি।

মসিদা পুয়াদা হায়রিবা অসি, তাইপঙ মালেমদা উরিবা পুমনমকসি, পোৎ পুমনমকসি, মৈ, ঈশিং, নুংশিং '**চাইনপা**' **(collision)** দগী থোকখিবনি হায়বনি।

হৌজিক নোংচুপলোমনা (science) কী মতেংনা, Higgs boson, God particle, sub - atomic particle হায়না 2012 দা খংলিবা অদু, কংলৈচা ইপা ইপুশিংগী ওইবা মৈ, ঈশিং, নুংশিং অহুম অসিনি, space অসি অহাংবা নত্তে হায়বা primordial অসিনচিংবসি কংলৈচা মীতৈশিংনা নোংচুপলোমদগী চহী লিশিং কয়া হান্না খংই। হুঙ হুং ইৱাই ঈনিন্না নীকশিল্লকতুনা ফমচিল্লকলিবা অসি মৈতলঙ, ইশিংতলঙ, নুংশিংতলঙ অহুম অদুনি।

মখোয়না নোংচুপলোমদা ইফা ফানা মফম মরাং খংদনা God particle হায়বনি, ঐখোয়গী কংলৈচা ইপা ইপুশিংদি চপ চানা অহুম খকতনা মখোয়গী God particle ওইদুনা তাইপঙকী লেংলি পাল্লিবা পুমনমক শেমই হায়বসি খংখ্রবনি।

'থৌৱাই' হায়বসি থৌৱাই পানবা তাইবংচা খকতদা লৈবা পোৎশকনি, ঐখোয়গী হৌজিক ফাওবা খংবা ( লৌশিং ) গী মতুং ইন্না ২১ শুবা চহিচা ফাওবগী মনুংদা অতীঙআ, নুমিৎ, থা, মালেম, থৌৱাইমিচাক নচিংবা পুমনমক অসি শেমখ্রবা মতুংদদি, অতীঙআ, নোংথৌ অমসুং মালেম অনি অসিগী মরকতা হায়বদি মালেমথকতা থৌৱাই পানবা পুমনমক শেমলে। থৌৱাই পানবশিংগী মরকতা তিংপালপা মপু মহাকনা খুইদগী নকনবা, মহাক্কী মমিদা য়েংদুনা তাইপঙ মীওইবা শেমখ্রে। **মহাক্কী মমিদা য়েংদুনা শেমখিবা মী কাংলুপ অদুবু মীতৈ কৌখ্রবনি।** থাইনগী কংলৈ ইপা ইপুশিংনা মীওইবগী হকচাং অসি অহকপা পোৎলম মঙানা শাই, মদুদি - মৈ, ঈশিং,

নুংশিৎ, লৈপাক, অতীঙআনি। মখোয় মঙা অসিবু নোংচুপলোম মী কাংবু কয়ানা 'পন্চ ভুং' কৌই। মখোয় মঙা অসি মপু মাগী খুৎ শেমনি, মখোয় মঙাতনা থবক পাংথোকপা ঙমদে।

মখোয় মঙানা শাবা 'হুকসাঙ', হকচাং অসিগী থমমোইদা তিংপালপা মপু ইপুঙলোইনপা অপকপা অদুনা 'মি' কৌনা, তইপঙ হকচাংদা লৈরগা, 'তইপঙ পালপা মপু' হায়রগসু খংনবা মপু মহাকনা লৈরবা মতমতদা মথৌ তৌবা, থবক পাংথোকপা ৱাখল খনবা ঙমই। মতাং অসিদা কংলৈ ৱাংউবশিংনা থৌৱাই হকচাংবু 'থৌৱাই মঙা মিগা থানা তরুক' হায়না খংনৈ। 'থৌৱাই মঙা মিগা থানা তরুক' হকচাংদা শুনা পুল্লপনা লৈরবা মতমদা তইপঙ হকচাং অসি অশেংবা, অহিংবা মপু মাগী লাইশং ওই।

মরম পুমনমক অসিনা অপাবশিংনা হৌজিকতি শেংনা খংবিরমলগনি, মদুদি 'থৌৱাই' হায়বা অসিদা য়াওরিবা, থৌ + ৱাই ৱাহৈ মচেৎশিং অসিনা করি তৌরিবা, করি হায়রিবা, কনানা থৌরিবা, কনাবু করি থৌরিবা হায়বদু।

তিংপালপা মপু ইপুঙলোইনপা অপকপা মহাকনা, মহাকনা শারিবা শেমলিবা তইপঙ হকচাং অসিবু শারিবা মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ, লৈপাক, অতীঙআ মঙা অসিবু থৌবনি, মখোয় মঙাবু মথৌ তৌহনবনি, মসিনি কংলৈ - ইপা ইপুশিংগী 'থৌৱাই' গী ৱাখল্লোন (concept)। থৌৱাই মঙা অমদি মিগা তরুক লৈদুনা তইপঙ হকচাংনা থবক পাংথোকপা অসিবু, 'হে থৌৱাই মঙা মক, মিগা থানা তরুকমক' হায়না খুরমনৈ।

**থৌৱাই মিচাক**

মথক্কী অইবগী ৱারেংশিং অসি পাবীবদা, ইকাই খুমনরবা পাবীরিবশিংনা 'থৌৱাই' হায়বসিদা য়াওরিবা ৱাখল্লোন, ৱাংউল্লোন, concept অসি মুন্না খংবীরে হায়না লৌজরে। অইবনা ইকগা খনবগা খেন্নখিবা য়াওরবসু তাকপিরকউ চুমথোকচগে।

মথংদা অইবনা হোৎনজগদৌরিবা অসি 'থৌৱাই মিচাক' ৱাহৈ অনি অসিদা য়াওরিবা 'মিচাক' হায়বসি করিনো, মসিনা করি খংনরিবা, অসিনা করিনো, করি হায়রিবনো অসিনচিংবা অসিনি।

'মিচাক'= মি + চাক 'থৌৱাই মিচাক' হায়রিবা ৱাহৈ অনিগী পোৎশক, English তা হায়বা তারবদি star হায়বা পোৎশক অসিদা য়াওরিবা ৱাহৈ 'থৌৱাই' হায়বা অসিদি মথকতা মতিক চানা খন্না নৈনখ্রে। হৌজিক মথংদা খন্না নৈনগদৌরিবা অসিনা 'মিচাক' হায়বসি করিনো, মসিনা করি তাকলিবনো হায়বা অসিনি।



থৌৱাই মিচাক্কী 'মিচাক' হায়বা ৱাহৈ অসিদা য়াওরিবসি, ৱাহৈ মচেৎ (Syllable) অনিনি, মি + চাক, compound word নি। মপুং ফাবা ৱাহৈ অনিনা পুনশিল্লগা শেমবা ৱাহৈনি।

পুয়াদা ইরিবসি 'সিতপাকী মসকতি মিনে' মসিদা পুয়াদা হায়রিবসি তইপঙ পালপগী মপু, শিবা নাইদ্রবা, কনানসু পোকতবা মহাক্কী মশকতি সিতপাকী মশকতি 'মি' নি হায়বনি। মশক লৈতবা ইপুঙ লোইনপা অপকপা তইপঙকী অরেইবা মপু মহাকপু হায়বনি।

মফম অসিদা 'চাক' হায়বনা মচাক হায়বনি, ঐখোয়না চারিবা চাক অদু হায়বা নত্তে।

হৌজিক ঐখোয়না নোংতোন অতীঙআদা উরিবা, মশিং লাকঙমদ্রবা, ঐখোয়না 'থৌৱাই মিচাক' হায়না কৌরিবা পোৎশিং, অরংবা মঙাল থোকপা পোৎশকশিং, মমিং 'থৌৱাই মিচাক' হায়বা ৱাহৈ অসিগী ৱাহন্থোক করিনো হায়বসিনি, ঐখোয়না খংফম থোকলিবসি। কংলৈ ইপা ইপুশিংনা করিগী পোৎশকশিং অসিবু 'থৌৱাই মিচাক' কৌরমলিবনো হায়বসিনি।

থৌৱাই পানবা অহীংবা অমগী মশা হকচাং, মসিগা লোইননা ৱাখল খনবা থবক তৌবা ঙমবগী মতিক ময়াই লৈরিবা অসি থৌৱাই মঙা, মিগা থানা তরুক, তরুক অসিনা পুন্না হুকশাঙ, হকচাংদা লৈরবা মতমদদা অহিংবা তইপঙ মী ওই হায়বসি, কংলৈ - ইপা ইপুশিংনা চহী লীশিং কয়াগী মমাংদগী খংখ্রে। মসি Biological science নি।

মথংদা অমুক নোংমতোন অতীঙআদা থোকলিবা থৌৱাইমিচাকশিং (stars) অসিদা থৌৱাইপানবা অহিংবা, মীনচিংবা অসি শাবদা শেমবদা চংগদবা, শাবদা চংগদবা পোৎলম পুমনমক য়াওরে হায়বসিমকসু চহী লীশিং কয়াগী মমাংদা কংলৈ ইপা ইপুশিংনা খংখ্রে। মরম অসিনা নোংমতোন থকতা থোকলিবা অরাংবশিং অসিবু 'থৌৱাই মিচাক'(star) কৌরমলিবনি। মসিগী ৱাখল্লোন অসিনা কংলৈচাশিংগী ৱাংলবা নোংচুপলোমগী **Astromical science** হায়বদুনি। পাবীরিবাশিংনা 'থৌৱাই মিচাক' কী ৱাহন্থোক খংবিরমগনি খল্লি।

(১) **থৌৱাই মিচাক অপকপা পু অমা**

(২) **থৌৱাই মিচাক পী মলিক সিতপা চৈওন তলেৎ**

মথকতা ইজরিবা '(১) থৌৱাই মিচাক অপকপা পু অমা', '(২) থৌৱাই মিচাক অপকপা পী মলিক সিতপা চৈওন তলেৎ' ৱাহৈ পরেং অনি অসি পোৎশক অমতগী হায়বদি থৌৱাইমিচাক চবুন (cluster of stars) অমগী

তোঙান তোঙানবা মমিং , কংলৈ ইপা ইপুশিংনা চহী লিশিং কয়াগী মমাংদা পীরমবনি । **Astronomical science কী Finding নি।**

মথক্কী থৌবাইমিচাক চকুন (constellation) অসিগী মতাংদা , পুয়াদা অসুমনা ইরি , '৮ তি ইনুঙলোম্না থৌবাইমিচাক অপকপা ওইপানা পু অমা কৌখলে । খুনুঙলোম্না থৌবাই মিচাক পী মলিক সিতপা চৈওন তলেং হইনা হইখলে ।।'

মথক্কী পুয়াদগী লৌথোকপা অসিদা য়াওরিবা 'অপকপা' হায়বা বাহেসিগী বাহস্থোকতি 'তইপঙ পালপা অসিদা হৌজিক উরিবা , উদবা পুম্নমক মহাক্কী মশাদা পকতুনা , য়াওদুনা লৈরিবা লাই' হায়বনি । 'পু অমা' হায়বনা 'চকুন অমা'(constellation অমা) হায়বনি । মথংদা 'পী মলিক সিতপা' হায়বনা 'পী' হায়বদি পীথোকপা , লৌথোকপা , অদুগা 'মলিক' হায়বনা 'ই লিক' (drop) হায়বনি , অদুগা 'সিতপা' হায়বদি শিদবা লাই হায়বনি । অদুগা 'চৈওন তলেং' হায়বদি লংমাইচিং, নিংথৌকাবা , লৈপাক পোকপা , ইমশাকৈসা , সাকোনসেন , ই লাই , থাঙচা হায়রিবা কংলৈচা মীতে কাংলুপকী নুমিৎ ৭ অসিবু 'চৈওন তলেং' কৌই । মখোয় তরেৎ অসি থৌবাইমিচাক অমমমনি । মথক্কী 'পু অমা'(constellation অমা ) হায়রিবদু , মখোয় তরেৎ অসিনা শাবা থৌবাই মিচাক চকুন অমনি ।'চৈওন' হায়রিবা বাহেদু চা + ই.+ ওন হায়বনি। চা = মচা , তইপঙচা , ই.= হকচাংগী ই. , ওন = ওল্লকপা , ওইরকপা। মরম অসিনা নুমিৎ ৭ নি ওইনা খংনরিবা থৌবাইমিচাক ৭ অদু মী শেমনবা , শানবা মপান নাইদ্রবা মচাক য়াওরবা থৌবাই মিচাক ৭ নি, থৌবাইমিচাক ৭ কী চকুন (constellation) অমনি হায়বনি ।

অরেইবা ওইনা , কংলৈচা মীতৈশিং খৃ: গী আ মমাংদা খংলমলিবসি, পাকচাওখ্রবা অতীওআ অসিদা লংমাইচিং , নিংথৌকাবা , লৈপাকপোকপা , ইমসাকৈশা , শকোনসেন , ই লাই , থাঙচা কৌবা তইপঙদা মী শেমনবগী মচাক সুনা য়াওরবা থৌবাইমিচাক ৭ কী চকুন (constellation) অমা লৈ হায়বা অসিনি ।

হৌজিক অইবনা মালেমদা চাওথোকনা হায়নিংলিবনা , হৌজিক ২১ শুবা চহীচাদা নোংচুপলোমগী science না খংবৈই খংদবৈই তৌরিবা Extra territrial origin of life অসি কংলৈচা মীতৈদি খৃ০ চহী মমাং চহী লিশিং কয়াদা খংলমলে হায়বসিনি । **১৮ শুবা চহীচাদা পুয়া পুম্নমক মৈ থাখিবদগী অমসুং হিনদু নিংথৌশিংগী বায়েল পথাপনা কংলৈচা মীতৈশিংবু পংশিনহনখিবনি ।**



অইবনা পুয়াদা য়াওরিবা মখাগী খরা অসিসু পাবীরিবশিংগী মফমদা উৎচরি -

"১৯ তি ৎ (অয়া) হইলিবা ই.পুঙ লোইনপা অপকপনা থৌবাইমিচাক চৈয়োম ৭ পু ই.নুঙলোন খুনুঙ লোম্না চৈওন ৭ হইনা হইখলে ।।০।।"

"ই.পুঙলোই অপকপকী বাকোনপুঙ পু লাইপুঙথৌ ৭ ওইনা য়েনখিপনা মমিং অতুপু ই য়েক হইনা কৌখলে ।।০।।"

"ই.য়েক ৭ মানা চৈওন ৭ মা থোকয়ে ।। চৈওন ৭ মানা থৌবাইমিচাক ৭ মাসুং পোকয়ে ।।"

অইবনা মথকতা ইজখিবা পুমনমক অসি কংলৈচা মীতৈশিংনা মালেমদা science গী লমবীদা লমজিংলমবগী খুদম খরনি মুন্না পাবিয়ু। পনচখিবা পুয়া অদু য়েংদুনা ইজরিবশি চুমব্রা লানব্রা য়েংবিয়ু ।

## Science and Technology:

### Science

Regarding what is science , all English dictionary agree that science is " the systematic study of the structure and behavior of the physical and natural world through observation and experiment".

Coming to the Meetei dialect , the knowledge of the Meetei race is called 'Lousing'. This means that the 'Lousing' of the Meetei race of Kangleipak is **empirical.**

Lousing = lou + sing, here the meaning of 'Lou' means Lousinpa further means 'taken', taken as right and correct after minute observation and experiment, 'sing' means 'singpa' further means wise (wisdom, knowledge). The words (dialect) of the Meetei race of Kangleipak are highly 'Archaic' today, having every syllable of the words, having different meaning containing high class observation and experiment,

further telling the young generations that the Meetei race of Kangleipak developed their language as a very ancient 'Literary language' in Kangleipak in the East of the world.

"But this much seems certain, that Meithei has preserved some traces of a more ancient stage of phonetical development " **enabling the Meetei Race of Kangleipak to resent the onslaught of the Hinduism since 18th century upto this day on the 21st century C.E.**(Please see page 8 of the Linguistic survey of India Vol III , Part III by G.A. Grierson )

**Technology**

On the other hand, Technology means " the application of scientific knowledge for practical purposes " in making " machinery and equipment developed from such scientific knowledge. "

As a amazing technological advance in the west, now we have the large hadron collider in Europe.

After amazing advance in technology, the western scientific and technologists begin to say "Higgs particle's presumed power to confer mass seems to andow it with the power of creation itself, which helped lead to its ' God particle ' nickname." - Article of CHRIS WICKHAN (Seven sisters post, Guwahati, July 5 , 2012 )

"For the first time we have three lines of evidence that together give us confidence these DNA building blocks actually were created in space." - National Academy of sciences of the United States of America (2011)



But in the East , the Meetei race of Kangleipak knew the Extra terristrial origin of life before the middle of 2000 yrs B.C.

**Advance of science in Kangleipak:**

Extra - terrestrial origin of life

The humble writer is more than 80 years at the time of writing this book.

When the writer was very young less than 20 years old, writer heard many man and women in the society, even though they were illeterate , said that when a meteorite ( Thouwaimichak mathi - literally meaning a dung of the star ) falls in the compound of a home , a woman in the compound is pregnant . This beleif and traditional saying will be heard in the kanglei society every where among the peoples of the Meetei race even to day in the 21st century C.E.

In parallel with this tradition and belief , The Meetei race of Kangleipak , we have seven stars called " Cheiyom talet " also callled " Chei - on Talet " clearly in the Puya , scripture called " Wakoklon Heelel Thilel Salai Ama - ilon Pukok " written in the middle of the 2000 years BC.

Written in the puya : "꯱ (Ama) hailipa Eepung loinapa apakpana thouwaimichak cheiyom taletpu eenunglon khununglon chei - on talet haina koukhale ||o||"

This is a categorical and authoratative statement of the puya that there is a group of seven stars in the sky called " cheiyom talet " or " chie - on talet "

The meanings of the words/concepts 'cheiyom' and 'chei - on' in the Kanglei dialect :

Cheiyom = cha + i +yom = cha = macha (angang nawa), i = blood , yom = mayom (bundle). Therefore , cheiyom means a bundle of OFF-SPRINGS.

Chei - on , cha and i as stated above and here ' on ' means onba , oirakpa , 'became' in English.

Therefore , it is very clear that the Ultimate God Father as the Meetei race of Kangleipak called ONE(Ama) in the symbol ৎ,Incarnated as Seven stars putting of the offsprings of the Earthly lives in Bundles in the space in the seven stars .

This is a very advance astronomy of the Meetei race of Kangleipak in the east , **many thousands years before the appearance of the hindus in Kangleipak.**

The wirter quotes again from the above mentioned puya : "Eepali Eepungo! Nganglou chenglou ahanpa nangti kampi meina khonglei matam ahumpu pulingeita pokpane | eepali - o ||o||"

"Eepali Eepungo luwangpa nangti laicha Eesingna khonglei matam ahumpu pulingeita pokpane | Eepali - o ||o||"

"Eepali Eepungo khumanpa nangti Malangpa nungsitna khonglei matam ahumpu pulingeita pokpane | Eepali - o ||o||"

This is three of the seven sons of Pakhangpa , written in the above mentioned puya, scripture . In the puya , it is written about all the seven sons. This is also very advance status of Astrology of the kangleicha Meeteis of Kangleipak in the years before christ.



In the quoted portion of the puya about the sons of pakhangpa, " Khonglei matam " means in the rotation and revolution of the Earth in its journey round the sun , according to a person's birth at a particular time on the Earth , the heavenly bodies have a particular influence on the character of the person (child) in his life . The first son of Eepu Athoupa Pakhangpa , Mangang was born at a time when 'Mei'= fire was in charge of 'khonglei matam ahum'. This means the character of the first son mangang was controlled by fire in his mindset and this further means mangang's character is chief ly marshal and military. According to this prediction of character , moilang and salai leisangthem also are of marshal and military mindset.

These things in the puya are of great advance in the science of Astrology in Kangleipak in deep BC.

All these leading knowledges on the Earth among the human races , had been destroyed by the events of **the Puya Meithapa (Burning of all written records and puyas during the reigns of the Hidu kings Pamheiba Garivaniwaz and Bhagyachandra in the 18th century C.E.)**

**Big Bang Theory:**

Almost all the scientific discoveries of the west in the late A.D had been known by the Meetei race of Kangleipak in BC , the theory of the Big Bang is one of them.

Britannica ready reference encyclopedia writes: " model of the origin of the universe , which holds that it emerged from a state of extremely high temperature and density in an explosive expansion 10 billions - 15 billions years ago." This is the origin of the Universe according to the West in the recent past regarding this Universe , full of stars , planets etc in which we all live today.

The writer quotes from the above mentioned Puya regarding on this matter :

"Eepung loinapa apakpana mathannata leipa yatatuna haina hummakpaki hung|hung| ki Eewai Eeninna niksillaktuna famchillakpata | Thengnalupa atupu laiki masani haituna laisa (leisa) haina koukhipa atupu Eenungpungtaki Eepung loinapa apakpana fuk - khat chingkhat thangkhatlakpata loinalakpa | Amati laisapu thengnapataki thoklakpa kampi | laicha | malangpa haina koukhipa | laipungthou taletki laiming thontuna Eemai faokhipa | Eemai atupu laiki khuttamni - lai malle haituna malem haina koukhipa | taipangpalpa ꞩ oilaknapa Eepungloiki nungpung wakhaltaki thokkhipa pumnamakpu takpilake khantuna amati thakka khaka tainapa aniki malakta | laiki maheipu taipang Mee oina palhalle |"

On the other hand , this is another categorical and authoratative statement of the Puya regarding the origin of this Universe , where the hundreds and thousands stars and planets etc are there in which we human beings and other living beings are living together. This is the unique version of the origin of the Universe in the East of the earth in Kangleipak , the ancient country of the Meetei Race.



Now please see what scientific discoveries of present time had been involved in the statement of the puya written sometimes in the middle of 2000 B.C. The "Hung| hung | ki Eewai Eenin" in the puya , simply means "explosive expansion" with loud sound of the theory of Big bang of the western scientific theory .

" Niksillaktuna Famchillakpata " in the Puya, further means the loud sound waves of the " eewai Eenin " of the ' Hung | Hung ' becomes matters , material , physical substances etc from which the stars , planets , Earth etc were made in the later part of the creation.

If you read critically the quoted portion of the puya , you will certainly grasp the idea in your mind and will understand that the big bang theory of the west had been known by the Kangleicha Meetei in the deep B.C. in Kangleipak.

**The theory of evolution of species :**

The statement in the puya about the creation of man by sanamahi lainingthou , according to the advice of Salailel Sitapa , is a very advance evolutionary theory of species of the Meeteis in Kangleipak in deep B.C.

**The scape goat theory :**

The Usin theory of Kangleipak is the scape goat theory of the west . We in Kangleipak developed the theory of scape goat theory so nicely and so

well that the palace cheithaba ceremony is the best form of scape goat theory on the earth better than any form of scape goat theory practised in the world.

In this way, the Kangleicha Meetei in the East of the world developed sciences and scientific theories so nicely before any race of the world did in this field in B.C. These scientific development of the Meeteis of Kangleipak in the east cannot be disputed in the 21st century CE by now.

**<u>The technology side of the scientific development in Kangleipak</u>**

"Spares , bows and arrows were also used as weapons of offence , and the introduction of firearms , while rendering them and the aramba to a large extent obsolet , also gave scope to the ingenity of Manipuri artisans , who manufactured rough matchlocks , and known to have risen to the height of producing a breech - loading gun of iron , which Dr. Brown thus describes : The breech - loader above mentioned , which is still in existence , is of iron and about three feet long; the breech piece is seperable from the gun and recieved the charge , its extrimity being then inserted into the bore of the gun , a portion of barrel being cut out to admit of this ; the movable breech piece fastened behind by a slot passing through the gun ( see photograph). The bullet weighed only a few ounces , the bore being small. The piece , carriage and all , was carried by two men. Nothing is known of the inventive genius who



made this gun , except that he was a native of Munnipore " so writers T.C Hodson in his book The Meitheis at page 20.

The photograph of the gun is not given in the book , but the gun was still in the archives of the foreign department of the government of India , Mr. T.C. Hodson said in his book. The foreign department was in calcutta during the British times.

This is the only historical evidence , the writer come across upto this day about the development of the mechanical used technical side in Kangleipak in ancient time .

T.C hodson further writes in his book that king khakempa of Kangleipak made big metal guns.

In this matter, the present writer comments that king khagempa reigned about in the middle of 2000 B.C. in Kangleipak . So, to make a metal mechanical big gun in about the middle of 2000 B.C. is not behind any race on the Earth in this technological and mechanical development in Kangleipak.

The unique and amazing knowledge of the most ancient civilization of the Meetei race in Kangleipak became ashes by the acts of the Hindu Kings of Puya Meithapa since the 18th century C.E.

**So destroyed one of the most attractive civilization of the mankind in Kangleipak since the days of Pamheiba Garivaniwaz , the first hindu king in Kangleipak.**

**(৩) থৌবাইলেল সিতপা , থৌবাই মিচাক নিঙথৌ সিতপা , য়াইপীলেল সিতপা**

মথকতা অইবনা ইজরিবা - থৌবাইলেল সিতপা , থৌবাই মিচাক সিতপা অমদি য়াইপীলেল সিতপা হায়বা বাখলোন/concept অহুম অসি

পোৎশক অমতগী মমিংনি , ৱাখল্লোল (ৱাংউলোন) অমতনি ।

থৌৱাইলেল হায়বদি থৌৱাইলেল = থৌৱাই + লেল হায়বনি । থৌৱাই করিনো হায়বদি হান্না খংবিখ্রে , হৌজিকতি 'লেল' হায়বা ৱাহৈ মচেৎনা করি হায়রিবনো হায়বা অসিনি । 'লেল' হায়বদি খ্বাইদগী হেনবা , খ্বাইদগী মকোক ওইরিবা , পুমনমক মঙোনদগী থোকপা Ultimate reality মহাকপুনি , ঈপুঙ লোইনপা অপকপা মহাকপু হায়বনি , থৌৱাই ওইবা , থৌৱাই পানবা পুমনমকপু পুথোকলিবা , পুমনমক্কী হৌফম ওইরিবা মহাকপু হায়বনি । মপু মহাকতি সিবা নাইদে , চঙ থোকপা হায়বা অদুনি , ঈপুঙ লোইনপা অপকপা মহাকপু হায়বনি । থৌৱাইলেল সিতপা হায়বদি ঈপুঙ লোইনপা অপকপা মহাকপু হায়বনি । থৌৱাইলেল সিতপা হায়বদি ইবুংঙো মহাকপুনি । তাইপঙকী মপানি ।

মথংদা অমুক থৌৱাই মিচাক নিংথৌ সিতপা হায়বসি করিনো অমুক খংবিয়ু । 'থৌৱাই মিচাক' করিনো হায়বসি মথকতা অইবনা ইজখ্রে , করিনো হায়বদু খংবিরমলগনি হায়না খল্লি । ঐখোয় কংলৈচা মীতৈশিংনা 'নিঙথৌ' হায়বা ৱাহৈ অমা শিজিন্নরিবা অসিগী ৱাহন্থোকতি , নিঙথৌ = নিঙ + থৌ হায়বনি । 'নিঙ' হায়বনা নিঙবা , পুকনিংনা খনবা , ৱাখল অদুবু হায়বনি , 'থৌ' হায়বনা থৌবা , থৌরিবা হায়বনি । মরম অসিনা 'নিঙথৌ' গী ৱাহন্থোকতি তাইপঙ থৌৱাই পানবা পুমনমক্কী নিঙবা , ৱাখলবু থৌরিবা , পুরিবা হায়বদি মপু , তাইপঙকী থৌৱাই পুমনমকপু পীরিবা , তাইপঙকী থৌৱাই ওইরিবা ঈপুঙ লোইনপা অপকপা মহাকপু হায়বনি । 'সিতপা' হায়বদি মপু মহাকতি শিপা নাইদে , চঙ থোকপনি হায়বনি , মশিনি 'থৌৱাই মিচাক নিঙথৌ সিতপা' গী ৱাহন্থোক । মথংদা 'য়াইপীলেল সিতপা' গী ৱাহন্থোক খংবিয়ু । 'য়াই' হায়বা ৱাখল/concept অমা , কংলৈচা মীতৈশিংনা চহী লিশিং কয়া শিজিন্নরক্লিবা অসিগী ৱাহন্থোকতি , থোকউ হায়বদা থোকহনবা ঙমবা , পুথোকপা ঙমবা পোকশক অদুবু হায়বনি । খুদম ওইনা , কংলৈ ফুঙাঁ ৱারীদা 'মঙ্গে থেঙকু য়াইওইপা' । মফম অসিদা 'য়াইপীলেল' হায়বদি য়াইপীলেল = য়াই + পী + লেল হায়বনি । 'য়াই' পুমনমকপু , 'পী' হায়বদি পীরিবা , পীবা ঙমবা অদুগা 'লেল' হায়বনা খ্বাইদগী হেনবা , খ্বাইদগী মকোক হায়বনি । মরম অসিনা 'য়াইপীলেল' গী ৱাহন্থোকতি , তেংপালপা , তাইপঙপালপা পুমনমকপু শেমলিবা , পুথোকলিবা মপু পুমনমক্কী মপা ওইবা , ঈপুঙ লোইনপা অপকপা মহাকপু হায়বনি , মহাকতি শিপা নাইদে , চঙ থোকপনি হায়বদগী 'সিতপা' হায়বনি।



(৪) **থাংচীঙ , থাংচীঙ কৌইলেল লাই সিতপা**

কংলৈপাক্কী খা - নোংচুপতা অৱাংবা চীংশাং অমা লৈরিবা অসিবু কংলৈচাশিংনা থাংচীঙ কৌই । থাংচীঙ হায়বা চীঙশাং অসি পুয়াদা মমিং পনবা , অহানবা তাইপঙ লৈশেমলকপদা য়াওবা চীঙশাং অমনি । মসি ঈপুঙ লোইনপা অপকপানা মালেম লৈশা শেমলকপদা য়াওরকপা , লাইপুঙথৌ তরেৎকী মনুংদা অমা ওইরিবা চীঙশাংনি । চীঙগা মরি ইলৈ লৈনদবা মওংদা পুয়াদা লাইপুঙথৌ তরেৎকী অহুমশুবা ওইনা 'থাংচীঙ কৌইলেল লাই সিতপা' হায়না মিং থোল্লি ।

মতাং অসিদা অইবনা , 'থাংচীঙ' অমসুং 'থাংচীঙ কৌইলেল লাই সিতপা' হায়বসি করিনো হায়বসি নৈনগনি ।

মতাং অসিদা অইবনা অপাবশিংগী মফমদা অহানবদা নিংশিংজনিংবদি , ঐখোয়না মৈইরাংগী হিনদু মতমগী মমাংগী ওইবা ইশৈ , পেনানচিংবা তাবা মতমদা , 'ঈপুথৌ থাংচীঙ কৌইলেল লাই' হায়না ইতৎ তৎতনা অশৈবশিংগী মচিনদগী , অইবশিং গী খোরজেদগী তাবা উবা ফংই। মখোয় না শকলিবা শোল্লিবা ৱাহৈশিং অসি তশেংনা পুয়াদা ইরমলিবা ৱাহৈশিং অদুনি । মতাং অসিদা ঐখোয় খংলিবদি 'থাংচীঙ' হায়না ঐখোয়না উরিবা চীঙচাও অসি , তশেংনা অচমবা চীঙ অমদি নত্তে , চীঙ অসিগী মমিংগা মতৌ করমনা তেংপালপা , তাইপঙপালপা শেমবা মপু মহাকনা মরি লৈনরমলিবা , করিগীদমক 'কৌইলেল লাই সিতপা' কৌরমলিবনো হায়বসিনি ।

পুয়া পুমনমক্কী পুকোক , মকোক ওইরবা ৱাকোকলোল হীলেল থীলেল সালাই অমা - ইলোন পুকোক পুয়া ইবা হৌরকপা মতমদা , পুয়া অসিদা অসুমনা ইরি , ' **ঈপুঙ লোইনপা মপুনা , নুংপুঙ ৱাখলতগী , মালেম লৈসাপু ঈনুং পুঙতকী ফুকখৎ চিংখৎ থাংখৎলকপা মতমদা , নুংপুঙ ৱাখলতকী থোকখিপা ।**'

মথক্কী পুয়াদগী লৌথোকপা ৱাহৈ পরেংশিং অসিগী মনুংদা অরৈইবগী Bold letter ৱাহৈ পরেংশিং অদু মুন্না য়েংবিয়ু ।

অনিশুবা ওইনা মথক্কী পুয়া অসিদা অসুমনা ইরি '৫' (অমা) হাইলিপা মপুনা তলঙ মালঙ ওইনা হাইনা হুমনা লৈলিঙৈতা **মপু সিতপকী নুংপুঙ ৱাখলনা ঈনুং পুঙতা লুপখিতুনা মালেম লৈসাপু ফুকখৎ চিংখৎ থাংখৎলকপা মতমতা ঈনুঙপুঙকী সাইওননা কামপী , লাইচা , মালঙপা চোংথোকলে।।**'

মথক্কী পুয়াদগী লৌথোকপা অসিদসু মখা লৈই চিংশিল্লিবা ৰাহৈ পরেংশিং অদু মুন্না পাবিয়ু।

অহুমশুবা ওইনা পুয়াসিদা অমুক ইরি 'লাইপুঙথৌ তলেৎকী ঈয়েক পাথাপ কইতনা ৫ তি নোংপোক চীঙখৈ অপানপানে। অনিশুবা অৱাঙপা কৌপলুনে। **অহুমতি থাংচীঙ কৌইলেল সিতপানে।....... তলেৎতি সালাইলেল সিতপা তলেৎনা লাইপুঙথৌনে।।'**

মথক্কী পুয়াদগী লৌথোকপা অসিদসু Bold letter ৰাহৈ পরেং অদু য়েংবিয়ু।

মরিশুবা ওইনা পুয়াদা ইরিবা অসি অমুক য়েংবিয়ু - 'ঈপুঙ লোইনপা অপকপনা মথন্নাতা লৈপা য়াততুনা হইনা হুমমকপকী হুঙ। হুং। গী ঈৱাই ঈনিন্না নীকসিল্লকতুনা ফমচিল্লকপতা। থেংন লুপা অতুপু লাইকী মসানি হইতুনা লাইসা (লৈসা) হইনা কৌখিপা অতুপু ঈনুঙ পুঙতকী ঈপুঙ লোইনপা অপাকপানা ফুকখৎ চীংখৎ থাংখৎলকপতা লোইনলকপা। অমতি লৈসাপু থেংনপতকী থোকলকপা কামপী। লাইচা। মালঙপা হইনা কৌখিপা। লাইপুঙথৌ তলেৎকী লাইমিং থোনতুনা ঈমাই ফাউখিপা। ঈমাই অতুপু লাইকী খুৎতমনি লাই মাললে হইতুনা মালেম হইনা কৌখিপা। তইপঙ পালপা ৫ ওইলকনপা ঈপুঙলোইকী নুংপুঙ ৱাখনতকী থোকখিপা পুমনমকপু তাকপীলকে খনতুনা অমতি থক্কা খাকা তইনপা অনিকী মলকতা। লাইকী মহৈপু তইপঙ মীওইনা পালহললে। অতুকী মলমনা তইপঙতা পাললে হইতুনা তইপঙপাল কৌখিপা।।'

মথক্কী ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা - ইলোন পুকোক পুয়াদগী লৌথোকলকপা অসি মুন্না পাবিয়ু, মরুওইনা Bold letter ৰাহৈ পরেংশিং অদু মুন্না খংনবা হোৎনবিয়ু।

অইবনা মথকতা পীজখ্রিবা পুয়াদগী লৌথোকপা মরিগী, মরিদা পীরিবা, ইরিবা পুমনমক অসি মুন্না হেক খংবদা, কংলৈপাক্কী খা নোংচুপতা লৈরিবা চীঙজাও চীঙশাং থাংচীঙ হায়বসি মালেম অসি শেমলকপদা য়াওরকপা, খুাইদগী লিরবা, মালেম (পৃথিবী) গী চীঙশাংনি হায়বসি খংলগনি। থাংচীঙ চীঙশাং অসিনা মালেমগী খুাইদগী অনিশুবা চীংশাংনি।

চহী লিশিং কয়াগী মমাংদা কংলৈচা মীতৈশিংনা কংলৈপাকতা পুথোক্লমবা লৈশেমলোন (Theory of creation of the Earth) গী মতুং ইন্না পুয়ানা হইরিবদি, ঐখোয় না হৌজিক উ, ৱা, উচেক ৱায়া, শা, ঙা, মীনাচিংবা লিশিং কয়ানা চংজফম লৌদুনা হিংলিবা মালেম অসি ঈপুঙ



লোইনপা অপকপা ( The Ultimate Universal Lord) অদুনা মথন্নতা লৈপা য়াততুনা, লৈনিংদদুনা হুঙ, হুং হায়না হই হুমলকপগী ঈৱাই, ঈনিন (মখোন) অদুনা নিকশিল্লক্লগা ফমচিনলকপদগী ওইখিবনি হায়বনি। তিংপালপাগী মপু ঈপুঙ লোইনপা অপকপা ঈপুঙঙো মহাকনা মহাক্কী ঈৱাই ঈনিন্নদগী ফমজিল্লকপা লাইসা (লাইগী মসা), লৈসা (লৈপাক) অদুবু ঈনুঙ পুঙতগী (মপু মহাক্কী মপান নাইদ্রবা ঈপুঙ, (Endless blood whole) দগী চিংখৎলকপনি।)

মহাকনা অহানবা চিংখৎলকপা লাইসা (লৈসা) অদু ঐখোয়না মালেম, লৈপাক হায়না কৌই। মসি ঐখোয়গা নকনবা হিনদুশিংনা পৃথিবী, নোংচুপলোমগী ইংলিস কাংবু Earth হায়রগা খংনৈ।

মালেম (পৃথিবী, Earth) অসি অহানবদা ঈপুঙ লোইনপা অপকপনা মহাক্কী মশাগী ঈপুঙ ঈলোননুংদগী চিংখৎলকপা মতমদা মহাক্কী মশামকনি (ঐখোয় পুমনমকপু শেমবা লাই মহাক্কী মশানি হায়বদগী পুয়ানা) 'লাইসা' হায়না কৌই। 'লাইসা' হায়বসি ঐখোয় পুমনমকনা উরিবা, শোকলিবা মালেম 'লৈসা' অসিনি। পুয়ানা তাকপগী মতুংইন্না, মালেম শেমবদা য়াওরকপা লাইপুঙথৌ ৭ কী মনুংদা অহুম শুবনি, 'থাংচীঙ কৌইলেল লাই সিতপা' কৌই।

থাংচীঙ চীঙচাও অসি মপু মাগী মশানা ওইবা 'লাইসা' মালেমবু, মপু মাগী মশামক্কী ঈপুঙদগী চিংখৎলকপা মতমদা অনিশুবা উরকপা অৱাংবা অতোংবা ওইবা মরমনা মপু মশামকনি হায়দুনা কংলৈচা মীতৈশিংনা 'থাংচীঙ কৌইলেল লাই সিতপা' হায়না মিংকৌনৈ। 'কৌইলেল লাই সিতপা' হায়বদি 'নোংথৌ' 'অতীংআ' বুনি। 'নোংথৌ' অতীংআ অসি ঈপুঙলোইনপা অপকপা মহাক্কী শাইওননি।

(৫) **থাঙচা** - ঐখোয় কংলৈচা মীতৈশিংনা 'চৈওন' হায়না খংনবা নুমিৎ ৭ নি লৈরিবা অসিগী ৭ শুবা অরোইবা নুমিৎ অসিবু ঐখোয়না 'থাঙচা' কৌই। হৌজিকনা ৱাহস্থোক পুথোকপা য়াদ্রবা, মফম মরাং খংদ্রবা লোনথৈ 'থাংজ ' হায়রগা খংনরে।

লাইপুঙথৌ ৭ হায়রগা খংনবা, মালেম শেমবদা য়াওরকপা মরুওইবা লাই ৭ অমসু লৈরি। লাইপুঙথৌ তরেৎ অদুগী মমিংদি - (১) নোংপোক চীঙখৈ অপানপা, (২) অৱাঙপা কৌপালু, (৩) থাংচীঙ কৌইলেল লাই সিতপা, (৪) খানা চাউপা ৱাঙপুলেল লাই সিতপা, (৫) ঈলাই পুলেল পুলিঙ লাই সিতপা, (৬) লাইনিংথৌ পাংকলপা, (৭) সালাইলেল সিতপা।

তরেৎ শুবা 'সালাইলেল সিতপা' হায়বসি হৌজিকতি 'সোরারেল' হায়না ওন্থোকখ্রে । ঐখোয় কংলৈচা মীতৈশিংনা 'সালাইলেল সিতপা' বু 'ইপা সালাইলেল সিতপা' হৈপা সোরারেল) হায়রিবা অসিগী বাহন্থোকতি তইপঙ থৌবাই ওনগদবা পুমনমক অসি 'সালাইলেল সিতপা' গী মশা মনুংদা শেম শাদুনা লোইনা লৈরে মালেমদা থাংথরক্কদবদা ঙাইরে হায়রিবনি,মীশেমলোননি। ইপা সোরারেল হায়বগী বাহন্থোকতি ঐখোয় মীওইবা পুমনমক অসি মাঙোনদগী থোরকপনি হায়বসিনি। অমরোমদা science কী বাফমদা Extra terristrial origin of life কী অরেইবা লৌশিং (Knowledge) নি। ৭ শুবা লাইপুঙথৌ 'সালাইলেল সিতপা' হায়বসি 'থাংচা' নুমিৎ অসিগা অমতনি।

থাংচা হায়বা নুমিৎ অসিগী বাহন্থোক খংসি ।

থাংচা হায়বা নুমিৎ অসিগী বাহন্থোক খংবা হায়বা অসি, ইপা ইপুশিংদা লৈরমবা বাংলবা Science কী লৌশিং হায়বদি Creation of man, Extraterristrail origin of life বু থইনগী ইপা ইপুশিংনা মালেমগী মীওই অতৈনা খংদ্রিঙৈদা খংলমবা অদুবু খংগদৌরিবনি ।

তিংপালপা, তেংপালপা মপু অদুনা তইপঙ মীওইপা হায়বা থৌবাইপানবা পোৎলম অসি শেমবদা নুমিৎ তরেৎনি চংই ।

কংলৈচা মীতৈশিংগী চৈওন ৭ কী অহানবা নুমিৎ , লাংমাইচীঙ (লেংমাইচীঙসু হায় ) হায়বা নুমিৎ অসিদা মীওইপা অমা ওইনা শেমগদৌরিবা পোক্কদৌরিবা লাংওন সাইওন অদুগী পরিং লাংসঙ হুল্লি ; অনিশুবা নুমিৎ নিংথৌকাপদা কোকনে, সমনে লাইপকনে কায়াৎশিং অসি শেমই ; অহুমশুবা - নুমিৎ লৈপাকপোকপদা মিৎ , তইপঙ পালপা পুমনমক্কী মপা ওইরিবা মপু মহাক্কী লৈফম লাইপকতা শেমবগা লোইননা , কোক মনুংদা লৈরিবা সিংলি নাউরি , ঈলম খোংলম পুমনমক শেমবা লোইদুনা , তইপঙ সনদোকনবা পোৎলম তিললাংনচিংবা শেমবা লোইখ্রে । মরিশুবা নুমিৎ ঈমসাকৈসাদা চীল, খৌনাউ অসিনচিংবা শেমই । মীতে ঈয়েক পনদুনা হায়বা তারবদি ঈমশাকৈশানা চীল , তিল অমদি খৌ হৌজিক্কী লোনদা খনাউ , অসি ওইখি হায়না পুয়ানা তাকপনি । কংলৈচা ঐখোয় মীতৈগী ৮ শুবা ঈয়েক 'তিল' হায়না পারিবা অসি ঈনুঙলোন্না 'তিললাং' কৌই ।'তিললাং' 'তিল' বাহৈ/concept অনি অসিগী বাহন্থোকসি অমতনি , English তা হায়বা তারবদি sperm নৎত্রগা spermatozoon হায়বগুমবনি । মতাং অসিদা অইবনা হায়জনিংলিবনা মীওইবগী লাইপকতা চীংখৎতুনা থমলিবা ' তিললাং ',



'তিল' , sperm, spermatozoon হায়বা অসি শেমবসি , মীওইবা ঐখোয়না চারিবা থকলিবা পুমনমকতগী খ্বাইদগী ফবশিং অমসুং মৈ , ঈশিং, নুংশিৎ পুমনমকনা পুনশিনদুনা কোক মনুংদা মপু মানা শুংবনি । মরম অসিনা তিললাং , তিল শুংবদা চীল , খনাউ , খদাং অসিনচিংবা কয়া অসিগী মতেং য়াওদনদি শুকয়া য়াদে । মরম অসিনা মপু মাগী লাইশং ওইরিব মীওইবগী হকচাং (অরিবা লোনদনা হুকশাঙ) অসি শাগৎলকপা মতমদা , চীল , তিল, অমদি খৌ অসিনচিংবশিং অসি মরুওইনা পল্লকলিবা অসিগী মরমনি । মরি শুবা নুমিৎ অসিগী মমিং 'ঈমশাকৈশা' হায়রিবা অসিগী বাহন্থোকতি ঈম , কৈ (অনৌবা লোনদা য়ুম , কৈ ) শাবা হায়বনি । মঙা শুবা নুমিৎ শাকোনশেন নুমিৎতা ঙৌ , থৌপাক (থবাক) অমদি থমমোইনচিংবা শেমই । মরি শুবা নুমিৎতা শেমবা শাবা হৌখিবা অদু মঙাশুবা নুমিৎ শাকোনসেনদা ঙৌ , থৌপাক থমমোইনচিংবা মপুং ফানা শেমদুনা হুকশাঙ (হকচাং) গী কয়াৎ মরুওইবা পুমনমক শাবা লোইরে । শাকোনসেন নুমিৎতা , মপু মহাক্কী লাইশং ওইরিবা হুকসাঙ (হকচাং) গী থমমোইদা মপু মানা লেংদনা লৈদুনা , মপু মহাক্কী মশাক য়েংদুনা শাখিবা শেমখিবা তইপঙ মীওইবগী হকচাংবু শোয়দা ঙামদনবা শেন্নদুনা লৈখ্রে । তরুক শুবা নুমিৎ 'ইলাই' , নুমিৎতা য়াঙ (হকচাংগী য়াঙলেন) , হকচাং শরুক পুমনমক শাবা লোইরদুনা উন্না হকচাং পুমনমক কুপশিল্লে । তরেৎনি শুবা নুমিৎ (থাঙচা) নুমিৎতা নুপা নুপী ওইবগী কয়াৎ পুমনমক, মথৌ মঙম তোঙান তোঙান্না পাংথোকনবা শেম শাবা লোইরে , লাইকী মসক ওইরবা ঈ (blood) থাচিল্লে ।

মপু মাগী লাইশং ওইরিবা তইপঙ হুকশাঙ (হকচাং) মপুং ফানা শেমবা লোইরদুনা তইপঙদা শনদোকনবা মপু মানা হকচাংদা লেংদনা লৈখ্রে ।

থাঙচা হায়রিবা চৈওন ৭ কী তরেৎ শুবা নুমিৎ অসিদা মপু মানা তইপঙ মীওইবা শেমবা পুমলোই লোই ।

'থাংচা' গী বাহন্থোকতি , থাঙচা = থাঙ + চা , থাঙ হায়বনা মপুমানা মহাক্কী মশাদগী থাঙথরকপা পীথরকপা, 'চা' হায়বনা অঙাং মচা চাতা নাউতা হায়বনি । মরম অসিনা 'থাঙচা' গী বাহন্থোকতি তিংপালপা , তেংপালপা মপু মহাকনা মহাক্কী মশকতগী য়েংদুনা শাখিবা তইপঙ মীওইবা অদু চৈওন ৭ নত্রগা চৈয়োম ৭ হায়না খংনবা থৌবাইমিচাক ৭ না শাবা থৌবাইমিচাক কাংবু অদুদা হাপচিনদুনা থমলগা তইপঙ মালেমদা মতম পুমনমকতা থাঙথনবা শেম শাদনা থমখ্রে হায়বনি ।

(৬) **থাপুঙ তলা :**

**কংলৈচা মীতে হায়বা মী কাংলুপ অসিগী থা (month) তরানিথোই লৈ । থা ১২ অসিগী ইহান হানবা থাগী মমিং ৱাকচীঙ কৌই ।**

তিংপালপা মপু মহাকনা তইপঙ মীওইপা অমা তইপঙ মালেমদা শনদোকনবগীদমক শাবদা নুমিৎ ৭ নি চংই । লাংমাইচীঙ নুমিৎতা হৌরগা তরেংশুবা নুমিৎ থাঙচাদা শাবা লোই । অদুবু তইপঙ মালেমদা মীওইবগী লাংওনবু শনদোকনবগী থবকতি নুপা অমগা নুপী অমগী মতেং লৌরগা শনদোকই । মপু মাগী মীশেম পরিংদা ইহান হানবা নুপা নুপী অনি অদুদি ইপা সালাইলেল সিতপা হৈপা সোরারেল) অমদি ইমা লৈমলেল সিতপী অনি অসিনি । ইমা লৈমালেল সিতপীনা থাপুঙ তরা নাউপুরগা কোনচিন তুকথপা পোকই । কোনচিন তুকথপা অসিনা তইপঙকী ইহান হানবা মীওইবনি । মহাক অসি লইকা হেক তাইনপা লাই (God) নুপা নুপী অনিনা পোকপা ওইবনা, মহাকনা তইপঙ পালপগী মপা ওইরিবা মহাকপু নিংথিনা খঙই , মহাকপু নিংজৈ হায়বদগী মহাকপু 'পাখংপা' সু কৌই ।

'কোনচিন তুকথপা পাখংপা' বু ইমা লৈমালেল সিতপীনা থাপুঙ তালা নাউপুরগা পোক্লকপনি , ইমা লৈমালেল সিতপীদা পীরগা , থাপুঙ তারা নাউপুরগা পোক্লকপনি । ইমা লৈমালেল সিতপীদা পীদ্রিঙৈগী মমাংদা ইপা সালাইলেল সিতপা হৈপা সোরারেল) না থাপুঙ অনি নাউপুবনি ।

তইপঙ মীওইপা অমা সেমবসি নুপা নুপী অনিনা থা ১২ চংই । অহানবা থা অনি হায়বদি ৱাকচীঙ , ফাইলেল থা অনি অসিনা নুপানা পুই , অদুগা অকোনবগী থা তারা হায়বদি লমতা দগী পোইনু ফাওবা থা তরা অসিনা মমা ওইরিবী নুপী অদুনা নাউ পুই । মসিবু তইপঙ লাংওন অমা পুথোকপদা 'থাদা থাই' হায়বদু মসিনি ।

মতাং অসিদা লাইরিক পারিবশিংনা , ঐখোয় সালাই তরেংপু পোকলিবা ইপুথৌ কোনচিন তুকথপা পাখংপা , অসিগা , সালাইলেল সিতপা অমদি ইমা লৈমালেলনা পোকলিবা কোনচিন তুকথপা পাখংপা অসিগা করি থেন্নবগে হায়না খংনিংলমবা য়াই !

অকোনবগী কংলৈপাক্কী অহানবা নিংথৌ ওইরমবা ঐখোয় সালাই তরেৎপু পোকলিবা নুপা কোনচিন তুকথপা পাখংপা হায়বা অসিদি মতম অদুগী লাই হায়না খংনবা মী কাংলুপ অদুগী মরকতা পোকপা য়ামনা শিংবা , থৌনা য়ামনা লৈবা নুপা অমনা সালাইলেল সিতপা অমদি ইমা লৈমলেল সিতপী না



পোকপা , কোনচিন তুকথপা পাখংপাগী মমিং লৌরগা , কংলৈপাক্কী অহানবা নিংথৌ ওইরকপগী ৱাফমনি । মখোয় তোঙান তোঙানবা মীওইবা নুপা অনিনি।

(৭) **থাথোই :**

কংলৈচা মীতে ঐখোয়না ইতৎ তৎতনা তারিবা ৱাহৈ 'থাদোই' হায়বা ৱাহৈ/concept অসিগী ৱাহন্থোক নিংথিনা খংদবা ৱাহৈ অমা ওইরে। খুদম ওইনা , মৈইরাং নিংথৌ গী মথং খনবা মনাও নুপানা পোকচবী মৈইরাং থোইবীবু মহাকনা 'লাংলেল থাদোই থোইবী' হায়না মিংকৌই । মফম অসিদা 'থাদোই' হায়রিবা ৱাহৈসি হৌফম থিগৎপদা মফম মরাং খংদ্রবা ৱাহৈনি । থাদোই = থা + দোই , থা হায়বা ৱাহৈ মচেৎ অসিদি ঐখোয় লাইনা খংই, থা (moon) হায়রিবনি , 'দোই' হায়রিবা ৱাহৈ মচেৎ অসি করি হায়রিবনো, হৌফম মরু করিনো সুকখং খংদে , খংবসু খংবা য়ারোই , কংলৈ মীতে লোনদা হৌফম মরু লৈতে ।

খংবিগে হায়রবদি ঈয়েক ১৮ গী অশেংবা কংলৈচা মীতৈগী লোনদা থিবিয়ু শোয়দনা খংগনি ।

মীতে লোনদা 'থাদোই' হায়বা ৱাহৈ লৈতে । 'থাদোই' হায়বদি কংলৈ মীতে লোনদা 'থাথোই' হায়বনি । থাথোই = থা + থোই = 'থা' হায়বদি নোংমতোনগী থা চা , ফজবগী তমজনফম ওইরিবী নোংমতোন মথকতা থোকলিবী থাচা । খুদম ওইনা হায়রগা "নুংশিরবী নংগী নোংমতোন থাচানা ইকায়চবী মাইথোংতো" । মথংগী মচেৎ 'থোই' হায়না হায়রিবনা 'অথোইবী, থোইরবী , অহেনবী' হায়বনি । খুদম ওইনা হায়রবদা , 'নোংমতোন থাচানা ফজবা মামক ঙাইরে হায়দুনা থোক্লকপদা , নংগী মাইথোং উরুবদা ইকায়জবী নহাক্কী মায়থোংনি' হায়বনি।

(৮) **থালৈমা :**

'থালৈমা' হায়বা ৱাহৈ অসি কংলৈ পুৱারীদা , মৈইরাং সালাই সাখাইদা য়ামনা চাওনা মফম কল্লিবী লৈমা অমগী মিংলেন্নি । পুয়াদা ইবা অদুমক লৌখৎতুনা মীয়ামদা উৎচকে - "মথং অমতা লাইলেলপী **থালৈমা** কা মৈইলাং নিংথৌকা পান্নতুনা ঈচেঙ পোকয়ে ।।"

'থালৈমা' হায়রিবী ইমা ইবেমমা অসি মীতে সালাই তরেৎকী মঙাশুবা ইপুথৌ পাখংবগী মচা ইবুংঙো 'মৈইলাং' গী লোইনবী তালোইনি। মৈইরাং সালাই সনদোকলিবা পন্থৌ 'মৈইলাং' না 'থালৈমা' হায়রিবী ইমা অসিগা পান্নদুনা 'ঈচেঙ' হায়রিবা মচা নুপা অসি পোকখি । মতৌ অসুমনা মথং মথং মৈইৱাং সালাই শনদোক চাওথোকললকখি ।

(৯) **থাপাতোন**

কংলৈচা মীতৈগী তাইপঙ মালেম শেমলকপদা তরা শুবা ওইনা শেমলকলিবা মপু মাগী খুৎশেম, থাপাতোন হায়বা নোংমতোন থকতা ঙাল্লিবা পোৎশক তাসি, ঐখোয় কংলৈচা মীতৈনা ২১ শুবা চহীচা অসিদা নিংথিনা খংবা ঙমদ্রে। কংলৈচা মীতৈশিং অসি মালেমদা science লমচেন্দা মাঙ থারমবা মীওই কাংলুপনি হায়বসি অইকনা ইজবা লাইরিক কয়াদা হনজিন হনজিন হায়জখ্রে, মসি অওইবমকনি।

পুয়াদা 'থাপাতোন' অমসুং 'থাপা' হায়বা ৱাহৈ / নোংমতোন দা ঙাল্লিবা পোৎ অনি অসিগী মতাংদা অসুমনা ইরি "তলাতি ঈপুঙলোননা থাপাতোন হায়না কৌখলে। খুনুঙলোন থাপা হায়না হাইখলে ।।" মতাং অসিদা 'থাপাতোন' অমসুং 'থাপা' হায়রিবা নোংথৌ মনুংদা ঙান্না পাইদুনা লৈরিবা পোৎলম, পুয়াদা ইরমলিবা অসি পোৎ অমতগী মমিং অনি লৈবনি, 'থাপাতোন' 'থাপা' ৱাহৈ অসি পোৎশক অমতনি, মমিং অনি থোনবনি হায়বসি লায়না খংই। অদুবু 'থাপাতোন', 'থাপা' হায়রিবা অপাইপা, অঙানবা পোৎ অসি থৌৱাইমিচাকলা নত্রগা থাগুমনা planet লা হায়বসিদি ঐখোয়না হৌজিক ইরাই লায়না খংবা ঙমদ্রে। খংবা ঙমদবা অসিগী মরমদি পুয়া মৈ থাখিবদগীনি।

কংলৈপাকতা পোকপা মীতৈ হায়বা মী কাংলুপ অসিগী থিচিনলোনগী science কী মতাংদা ইবা পুয়া অনি হায়বদি (১) থৌৱাই মিচাক খেনচঙলোন, (২) কৌইলৌ নুমিৎ খেনচঙলোন কৌবা পুয়া অনি অসি পামহৈবগী মতমদা নৎত্রগা ভগৎচন্দ্রগী মতমদা মৈ থাদোকখ্রে। মৈ থাদোকখিবা পুয়া লাইরিক অনি অসি শৌইদমক science কী মতাংদা ইবা, নুমিৎ অমসুং থৌৱাইমিচাক্কী থিজিল্লোনগী মতাংদা ইবা লাইলীক ওইগদৌরিবনি। শিন্থোকপা ওইরবসু ঙসিফাওবা লাইলীক অনি অসি ফংখিদ্রে। **কংলৈচা মীতৈগী লৌশিংগী পুক্লেদগী, অমসুং মালেমগী ওইবা খ্বাইদগী লিবা খুন্নাই অমগী তাইপঙ মীওইদা তমলমপা মমল লাইদ্রবা খুদোন অমা, মতম পুমবগী ওইন হিনদুশিংনা মাংহনখ্রে, মৈ থাদোকখ্রে।**

'থাপা' হায়বগী ৱাহন্থোকতি, থাপা = থা + পা হায়বনি, 'থা' হায়বনা ঐখোয়না, 'থা' হায়না খংনরিবা নুমিদাংদা থোকপা অমেংবা মঙাল পীবা 'থা' হায়বা অদুনি। 'পা' হায়বনা পাবা, পানবা থাগী ওন্নৈতেনবা মায়কৈদা থোকপা ঙানবা হায়বনি। কনাগুমবনা 'থাপাতোন' নত্রগা 'থাপা' অসি নোংঙাল্লমদাইদা থোকপা 'শাচিক' পুনি হায়বসু য়াওই, মদু নত্তে, শাচিক অমসুং থাপা



তোঙান তোঙানবা নোংমতোনগী অঙানবা অপাইবা পোৎশক অনিনি।

(১০) **থাদৌ :**

কংলৈপাক্কী খা - নোংচুপ থংবা মায়কৈদা মীতৈ ঐখোয়না কুকি হায়না খংনবা মী, চীংগী মী কাংবু অমা তাই। মখোয়শিং অসিগী মনুংদা থাদৌ হায়না কৌবা কাংলুপ অমা য়াওরি। কুকি হায়বা মী কাংলুপ অসি মীতৈ ঐখোয়গা শাওং শাদা মান্নবগী মথকতা, কুচুসু য়ামনা মানবগী মথকতা, মখোয়গী মনুংদা ঐখোয় লাইমীনি হায়বা কাংবু অমা য়াওরি। মখোয়না ঐখোয় লাইমীনি হায়রিবা অসিগী ৱাহন্থোকতি মীতৈ ঐখোয়গী কৌব্রু চীংদোনদগী হৌরকপা লাই হায়বা মী কাংবু অদুগী মচা মশুশিংনি হায়না মীতৈ ঐখোয়না খংবা, হায়বা অদুগী ৱাহন্থোকনি। মসিনা তাকপদি ঐখোয় মীতৈনা ঐখোয় লাইগী মচা মশুনি হায়বদু মখোয়সু হায়রিবনি, **ঐখোয় মীতৈ, কুকি কাংলুপ মপা মপু অমতগী মচা মশুশিংনি হায়বনি।**

অইকনা থাদৌগী Radio program অসি তাবদা য়ামনা নুঙাই হায়দুনা খংবৌই খংদবৌই ইতৎ তৎতনা তাই। অইকনা অসুম তারকপদা নোংমদি থাদৌগী অহল লমন য়াওনা পাংথোকপা program অমদা থাদৌ অহল অমনা য়ামনা তপনা 'হৈ হা' হায়না শোল্লকই। মসিগী মতুংদসু থাদৌগী Radio program দা, থাদৌ অহল অমনা য়ামনা তপনা লেমনা 'হৈ হা' হায়না শোল্লকপা অদু তাই।

কংলৈচা মীতৈশিংসু ৱারবা নত্রগা থবক শুরুবগী পোৎথাবা মতমদা 'হৈ হা' হায়না শোল্লি। করিগুমবা মতমদসু 'হৌ হা' হায়না শোল্লি। 'হৈ হা' গী ৱাহন্থোকতি। 'হৈ' না ইপানি, 'হা' না ইমানি হায়বনি, পুল্লপনা 'হৈ হা' হায়বনা তাইপঙপালপা পুমনমকপু শেমলিবা মপু, তাইপঙকী মপা, অমতা ঙাইবা মপু, তিংপালপা, তেংপালপা মপু ঈপুঙলোইনপা মহাকপু ইপা ইমা অনি শকনা শোল্লকপনি। হৌজিক AIR না লান্না '**হয়ি হয়া, হয়া হয়ুম**' হায়না ওন্থোক্লগা শোনজিল্লিবা মীয়ামদা শনদোকলবা হোৎনরিবা অদুনি।

কনাগুমবা মীওই খরনা কুকিশিং অসি নোংপোকলোমদগী লাকপনি, ইকুই কুইদ্রি হায়দুনা ঐখোয় মীতৈদগী তোঙান্না থমনবা হোৎনরকপসি, অইকনা য়ামনা কন্না য়ানিংদে। **'হৈ হা' হায়বা লাইশোন অসি মীতৈগী থাইনগী পুয়াদা ইদুনা য়াওবা ৱাহৈশিংনি। ইপা ইপুগী লাইশোনবু শোল্লিবা কুকি কাংবু অসি মীতৈগা মী কাংবু অমতনি, খায়দোকনবা য়াদে।**

(১১) **থোংনাং :**

'থোংনাং' হায়বা ৱাহৈ/concept অসি কংলৈচা মীতৈগী ৱাহৈগী পুক্কেদা অনৌবা ৱাহৈ /concept নি। পামহৈবা লারৈ লাথুপ হায়বা লাইরিক অদু মমিং ইপা ইপুশিংনা '**শেমবী মুকাকলৈ**' হায়না থোনদুনা ফোংলমই। মেইরাং থোইবীগী ৱারিদা, থোইবীবু লোইথাবদা '**শেমবী পদাংখোং**', '**শেমবী মীচাক চা**' অসিনচিংবা ৱাহৈ কয়া তাবা ফংই।

রজনী কুমার শর্মানা ইবা radio লিলা 'কোং মতু পেগোদা' দসু পামহৈবা গারিবনিৱাজবু '**মৈতিংঙু থোংনাং ময়ামবা**' হায়না কৌই। অদুগা চৈথরোল কুমবাবা (1976 Ed.) গী লামাই ৩০ দা পামহৈবনা নিংথৌ ফমবাল কাববু '২৩ নি য়ুমশকৈশাদা মৈদিংঙু **ময়ামবনা** চহী ২০ দা ফমবান কইত্র।' হায়না ই। মফম অসিদা পামহৈবা, গারিবনিৱাজ হায়না ইবগী মহুৎ 'ময়ামবা' হায়না ইরমলিবা অসি ঐখোয়না তাবা ৱাৎপা, পামহৈবগী মমিংসি 'ময়ামবা' হায়বা অমা লৈরমগদ্র থাজবা ৱাৎলি। অদুগা কনাগী 'ময়ামবা' ওইবনো হায়বসি খনবদা চমমনৈ। অমা ওইরে, অমবু ওইরে, কংলৈপাক্কী অহানবা হিন্দু নিংথৌবু '**ময়ামবা**' হায়বা অসি কংলৈ পুৱারীদা অনৌবনি।

মতাং অসিদা তইবনা হায়জনিংলিবদি, 'থোংনাং', 'শেমবী' হায়বা ৱাহৈ/concept অনি অসিদি মীতৈগী ৱাহৈ পুক্কেদা লৈবা 'লমচা' (লমজা) Foreigner হায়বা ৱাহৈ/concept অদুনি।

(১২) **থৌথা , থৌথাং**

মথকতা তইবনা পীজরিবা ৱাহৈ/concept অনি অসি ৱাহন্থোক য়ামনা শেংনা পীবা ৱাহৈ অনিনি। হৌজিক ২১ শুবা চহীচাদা কংলৈচা মীতৈশিংনা তাইওন্নবা, মরিং মরাংবা ৱাহৈ 'থৌদা', 'থৌদাং' হায়না শিজিন্নৈ। হৌজিক মীতৈ হায়বা ঈ কাংলুপ অসি মশানা শিজিন্নরিবা ৱাহৈ /concept খংদবা, মরোল মাংখ্রবা মীওইশিংগুমনা লেপ্লে। 'থৌদা' নত্রগা 'থৌদাং' হায়বা ৱাহৈশিং অসি ৱাহৈগী মরু (root) থিগৎপা য়াদে, থিগৎপদা খংলোই।

'থৌদা' হায়বা ৱাহৈ অসি মীতৈগী অশেংবা থইনগী ৱাহৈ নত্তে, অশেংবা মীতৈ ৱাহৈদি 'থৌথা' হায়বনি, অদুগা 'থৌদাং' হায়বা ৱাহৈ অসিসু অশেংবা মীতৈগী ৱাহৈ নত্তে, অশেংবদি 'থৌথাং' হায়বনি।

কনাগুমবা তাঙমবা অমনা মাগী মখা থাবা মীদা, মখা থাবা মী অদুগী অরেপপা থৌ অমা পী। খুদম ওইনা - মখা থাবা মী অদুদা 'নংনা কোনথোং শংউ', 'নংনা পাউপীবা চৎলু' অসিনচিংবা। 'থৌথা' হায়বদি অরেপপা



থৌ (থবক) অমা পীবা হায়বনি। 'থৌথাং' হায়বনা মানা মানা তৌগদবা, পাংথোক্কদবা, তৌফম থোকপা থবক, পাংথেক্কদবা, থাংদোক্কদবা থবক হায়বনি। থৌথাং = থৌ + থাং হায়বনি। **খুদম ওইনা, 'নাহালোলগী থৌথাং'**

(১৩) **থোরাই মচা , থোরাবী :**

কংলৈচা মীতৈ ঐখোয়না শিজিন্নরিবা ৱাহৈ অনি - থোরাই মচা, থোরবী হায়বা ৱাহৈ অনি অসি কংলৈ খুন্নাইদা শিজিন্নবা য়ামনা তুক্কচবা, য়ামনা তাবদা নুংঙাইতবা ৱাহৈ অনিনি। অদুবু হৌজিক্তি ৱাহৈ অনি অসি ইচম চমবা ৱাহৈগুম খন্নখ্রে। মখোয়গী মহুৎতা অতোপা তাবদা নুংঙাইতবা ৱাহৈনা শিনখ্রে।

থোরাইমচা হায়বা ৱাহৈসি, মসিগী হৌফম (root) খংদবদগী হায়বদি ৱাহৈ অসিগী ৱাখল্লোন খংলকতবনি। খুন্নাইগী চমমনবা ইশাগী লোল, ৱাহৈ ফাওবা খংলকতবা অসিগী মরমদি, ১৮ শুবা চহীচাদা মীতৈগী পুয়া পুমনমক মৈ থাদোকখিবা, কংলৈ মীতৈ ঈয়েক ১৮ গী মহুৎতা বেঙ্গোলী ময়েক ৩৫, ৺ নচিংবা কংলৈচা মীতৈশিংদা নমদুনা হিন্দু নিংথৌশিংনা চৎহলখিবদগীনি।

ঐখোয়না হৌজিক হৌজিক শিন্নেরিবা 'থোরাবী' হায়বা ৱাহৈ অসিগী থাংগৈশেংবা মশক্তি 'তলাকী নুপী' (নুপা ১০ গী নুপী) হায়বনি। হিন্দুশিংনা হৌজিক চহী ৩০০ লোম পানখিবা মতমদা ৱাহৈ অসিগী মশকসি মফম মরাং খংদনা ওনখিবনি। 'থোরাইমচা' হায়রিবা ৱাহৈ অসিগী অশেংবা মশকনা 'তলাকী মচা' (নুপা তলাকী মচা) হায়বনি। 'থোরাবী' গী অশেংবা ৱাহন্থোকতি 'নুপা তলাকী নুপী' ওইরিবী অদুগী মচা হায়বনি।

(১৪) **থোঙলোন মাপন**

তইবা অসিনা ইদুনা ফোংখ্রেবা 'মীতৈ ৱাহৈশিংগী ঈনাৎকী ৱাহন্থোক (the cultural dictionary of the Meetei words)' অহানবা অমসুং অনিশুবা শরুকতা মীওইবগী থমমোইদা (হকচাং) দা তিংপালপা মপু অদুনা থৌৱাই, থৌৱাই মি ওইনা লৈবা অমসুং মপু মহাকনা তাইপঙপালবদা অহানবা নোংমতোনদগী তাইপঙ থৌৱাই পানবা পুমনমক শেমনবা কুমথরকপগী শকতম (symbol) শিং চেখুমদা য়েকতুনা ইকাইখুমনরবা পাবীরিবশিংগী মফমদা উৎচখ্রে। ঐখোয়গা য়ুমলোন্নদুনা লৈরিবা হিন্দু শিংনসু 'দিল ত্রক মনদির হৈ' হায়। অদুগা কংলৈচা মীতৈশিংদি মখোয়না হৌজিক লৈরিবা ভারততা মখোয়না লাকত্রিঙৈগী চহী লিশিং কয়াগী মমাংদগী কংলৈপাকতা মীওইবগী 'হুকশাঙ', হকচাং অসি মপু মাগী লাইশংনি হায়দুনা লাকই।

তাইপঙ হকচাংদা থমমোইদা লৈরিবা থৌৱাই মি হায়বদু মপু মাগী তাইপঙ হকচাংদা লৈবগী শকতমনি। তিংপালপা মপু মাগী লৈফম, লাইশং ওইরিবা তাইপঙ মীওইবগী হকচাং (হুকসাঙ) অসি হকচাংগী খ্বাইদগী চাউবা কায়াৎ অমা ওইরিবা উন, উনসা হায়বা অসিনা পুংয়োম য়োমশিনদুনা থম্মই। লাইশং ওইরবা হকচাংবু উনসানা পুময়োম য়োমশিনদুনা থমবগী মরমদি, মপু মাগী তাইপঙ পালপাদা মহুৎ শিল্লিবা ঈ (blood) অসি অতোপপা পোৎশক অমনা ইরাই লাইনা শোকপা, মাংহনবা য়াদনবনি।

মীওইবা অমগী উনসা অসি kg মরি রোম লুম্মই অদুগা মীওই খেনবগী মতুং ইন্না পাকপসি sq. metre ১.৩ দগী ১.৭ ফাওবনি। (হুইয়েন লানপাউ লাতম তাং ৫, ১২, ২০১৪ য়েংবিয়ু)

মীওইবগী অমগী হুকশাঙ (হকচাং) দা য়াওরিবা অসি থোঙলোন ৯ নি। থোঙলোন মাপন অসিনা মীওইবা অমগী মশাদা য়াওরিবা থমমোইদা লৈবা তাইপঙ পালপা মপু ( থৌৱাই মঙামক মিগা থানা তরুক ) অদুগা তিংপালপা, তেংপালপা মপু অদুগা শমনহল্লি।

পুয়াদা হায়রিবা অসি য়েংবিয়ু :- " তলঙ ঈপুঙ লোইনপা অপকপা মসানা ওইপা মিহুন। সম। তু। খুচিন্নচিংপা সিংলি পাফম ১০৮। মিহুন ৮৪। তাংসালমি ২৭। থাপুঙ ১০ কী ঈফা ইমেনফম। **থোঙলোন ৯**। পনখৈ ৭। কায়াৎকী কা ৫ মখোইসুং ঈপুঙ লোইনপা অপকপাকা লোইনলিপা মসেলনে। অতুক্কী মলমনা সিংলি পাফম কৌপনে।।" ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা - ইলোন্ পুকোক পুয়াদা য়েংবিয়ু।

অদুবু মথংগী ৱাহংদি, থোঙলোন ৯ হায়বসি করি করিনো হায়রা অসিনি। ঐখোয় মীওইবগী মিৎ অনি পাল্লি, মিৎ অনি অসিনা মপু মানা শেমবা ফজরবা তাইপঙপাল মী, শা, উচেক, য়া, থৌৱাইমিচাক অসিনচিংবা, লোইননা ফজরবা লৈকোল, উচেক ৱায়া অসিনচিংবা পুমনমক অসি উহল্লি। মীওইবা ঐখোয়গী না (নাকোং) অনি পাল্লি; না অনি অসিনা তাইপঙ পাল অসিদা লাউরি খোংলিবা পুমনমকসি তাবা ঙম্মই, তাবা ফংই, নুংশিবা মখোলগা, তানিংদবা মখোলগা খেন্নবা খংহল্লি। মীওইবা ঐখোয়গী নাতোন মখুন অনি পল্লি; নাতোন অসিনা ঐখোয়দা নুংশিবা মনম, নমথীবা মনম অনি খেন্নবা, হকচাং শোক্কদবা মনমগা, হকচাং ফগদবা মনমগা খেন্নবা খংহল্লি। নাতোন মখুন অনি অসি নিংসা হোন্নবা লমবী ওইনা শিজিন্নহল্লি। ঐখোয় চিল অমা পাল্লি; চিল হায়বা মীওইবগী কায়াৎ অসি কয়া মরু ওইখ্রবনো খন্থবিয়ু। চিল মনুংদা লৈ, য়া অসিনচিংবা থবক পাংথোকনবা পামবৈ ওইবা



কয়া য়াওরি। চিলনা মনুংগী য়ানচিংবা কয়াগা লোইননা হকচাং অসি হিংনা থমবগী অমতা ওইবা পামবৈনি। চিলনা চাখিবা পোৎশিং অসিনা ঈ শেম্মই, থোক (brain) শেম্মই অসিনচিংবা। ঐখোয় মীওইবা নুপা, নুপী অনিমক্কী ঈশিং থোং পাল্লি। ঈশিং থোংগী মথৌ অসি মীওইবগী ঈশিংয়াফম দগী, হকচাংগী ফত্তবা মচুম অদু মপানদা থাদোকখিদুনা হকচাংবু শেংনা লৈহল্লি। মসি নত্তবা য়ামনা মরুওইবা মথৌ অমদি, মসি চাপোকথোং ওইনা নুপা নুপী অনিমকতা শিজিন্নে। মসি নুপাগীনা, নুপাগী তিল্লাং (sperm) নুপীদা হাপচিন্নবগী খুৎলাইনি, হকচাংদগী তিল্লাং থোকললনবগী লমবী (থোঙ) নি। নুপীগীনা, তিল্লাং অসি মশা মনুংদা লৌশিনদুনা অঙাং শেমবগী লমবী (থোঙ) নি। কয়া মরু ওইখ্রবা হকচাংগী থোঙনো, খল্লুবদা মপু মানা শেমলিবা অসি কয়া ঙকখ্রবনো। অরেইবদা ঐখোয় মীওইবগী অমাংথোঙ হায়বা অমমম পাল্লি। ঐখোয় মীওইবনা মনামশিং, ঙা শাগী মরু, হৱাই চেংৱাই অসিনচিংবা কয়া নুমিৎ খুদিংগী চারি। চারিবা পুমনমক অসি তুমবদা ৱাদনবা, য়ানা শায়র শায়রগা চাই। অদুবু পুমনমক তুমদুনা ঈ (blood) ওনখিবদি ঙমদে। তুমদনা মপঙ কয়া হকচাং মনুংদা লৈহৌই। ঈ শেমখ্রগা তুমবা য়াদদুনা লেমহৌবা মপঙ পুমনমক অসি মপানদা পুথোকতুনা হুনদোকখিবনা লমবী (থোঙ) অমা লৈতবা তারবদি, মীওইবা ঐখোয়সি য়ামনা থুনা ফুনকৎতুনা শিবা শোয়দবনি। মসি থোকতনবা মপু মানা হকচাংগী অমাংথোঙ কৌবা থোঙ (লমবী) অমা, পুমনকসি পুথোকখিনবা শেম্মই।

মিৎ অনি, না অনি, নাতোন মখুল অনি, চিল অমা, ঈশিং থোঙ অমা, অমাংথোং অমা লৈ। মসিদা পিজরিবা হকচাংগা মপানগা শমনহল্লিবা থোঙ মাপল অসিবু হকচাং (হুকশাঙ) গী থোঙলোন মাপল হায়রগা খংনৈ।

(১৫) **থৌনা**

ঐখোয় মীতৈনা ঙাংনরিবা ৱাহৈ 'থৌনা', 'থৌনা ফাবা' হায়বা ৱাহৈশিং অসি য়ামনা চমবা ৱাহৈ ঙাকতনি, অদুবু ইচম চমবা ৱাহৈশিং অয়ামবা মীনা ৱাহম্বোক শেংনা খংদবা য়াই। 'থৌনা' হায়বা ৱাহৈ অসিগী ৱাহম্বোক য়েংবিয়ু :- থৌনা = থৌ + না, 'থৌ' হায়বা ৱাহৈ মচেৎ অসিনা হায়রিবা থবক অমা তৌবদা পাংথোকপদা ইচং থৌনা, অকিবা লৈতনা তৌবা, পাংথোকপা হায়বনি ; মফম অসিদা 'থৌ' হায়বদি থবক, ঐগী ইথৌ হায়বনি। অদুগা 'না' হায়বা ৱাহৈ মচেৎ অসিনা হায়রিবনা 'নাবা' হায়বদি থবক পাংথোকপা নত্রগা থবক তৌবা খংনৈ। থাইনা অহল লমনশিংনা, নাহা অমনা থবক

তৌবদা খোইচঙদ্রবা নত্রগা নিংথিনা তৌদ্রবা মতমদা 'নাবা নঙ মী ওইরেইহে' হায় , হায়রিবা অসিগী ৱাহন্থোকতি , থবক তৌরিবা নং হৈতে নত্রগা পাংদে নত্রগা থৌওইনা তৌদে হায়বনি। মথক্কী ৱাহৈ পরেংদসু অইবনা 'নাহা' হায়বা ৱাহৈ অমা শিজিন্নরি।'নাহা' গী ৱাহন্থোকতি , নাহা = না + হা ,'না' গী ৱাহন্থোক মথকতা হায়জখ্রে,'হা' হায়রবনা হানা নত্রগা থুনা থবক পাংথোকপা হায়বনি , তপনা , ঙমদবেই তৌদবা হায়বনি। নাহা অমগা অহল অমগা থবক পাংথোকপগী খেন্নবা , নাহানা থুনা য়াংনা পাংথোকপা , অদুগা অহল ওইরক্লবা অমনা পাংকন ৱাৎলক্লবনিনা , তপনা , থুনা পাংথোকপা ঙমদবা থবক খৎতৌ অদুবু তাকপনি।

(১৬) **থান্নি :**

'থান্নি' হায়বা ৱাহৈসি ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা - ইলোন পুকোক পুয়াবু , মতম পুমনমকতা মীতৈগী লৌশিংগী লনকৈদগী মাংখিদনবা , পুয়া অসিবু লোন্না শিনদোক্লগা লোংঙা কৈইরেংদা থৈথোকতুনা মাংদনবা থমলমবা , কংলৈ মপারী তাংলবা অঙোম চাউপা হায়বা ইপা অসিনা, মহাক্কী শিনথোকপগী ৱাহৈ পরেংদা ১৮ শুবা চহীচাদা পামহৈবগী মতমদা শিচিন্নরমবা ৱাহৈ নি।

ইপা অঙোম চাউপানা , মহাক্কী শিন্থোকপগী ৱাহৈ পরেংদা অসুমনা ইরমই - "চৈহীকী কুমহৌ অহানপা নুমিৎতকী সিনথোকপা হৌপনা। নুমিৎ ১৫ নি চঙনা ৱাকচীংকী থান্নিতা লোইয়ে।।"

মথক্কী ৱারেং অসিদা হায়রিবদি , চৈহিগী কুমহৌ নোংমা পানবদগী শিনদোকপা হৌবনা ৱাকচিংগী ১৫ নি পানবা (থান্নি) নুমিৎতা শিন্থোকপা , পুয়া শিন্থোকপা লোই হায়বনি। ৱাফম অসিনা তাকপদি 'থান্নি' হায়বা পুয়াগী ৱাহৈ/concept অসি হৌজিক্কী ঐখোয়না শিজিন্নরিবা 'থাপুঙ' ( থা মপুঙ ফাবা নুমিৎ ) নত্রগা হিনদুদগী লৌদুনা শিজিন্নরিবা 'পুরনিমা' হায়বা ৱাহৈ অদুনি। 'থান্নি' হায়বা ৱাহৈগী ৱাহন্থোকতি , থানা খুইদগী চাওনা , মপুঙ ফাবা ওইনা উবা নুমিৎ হায়বনি মসিগা লোইনননা , মথক্কী পুয়া শিন্থোকপগী ৱাহৈ পরেং অসিনা তাকলিবদি মীতৈ হায়বা মালেমগী খুইদগী লিরবা , হৈ শিংলবা লৌশিং চাওবা , মপু মাবু লুনা নিংজবা মী কাংলুপ অসিগী চৈহি (চহী) হৌবসি 'ৱাকচিং' থাদনি হায়বনি। ৱাফম অসি ' চৈহিকী কুমহৌ ' হায়বা ৱাহৈশিং অসিগা , ' ৱাকচিংকী থান্নিতা লোইয়ে ' হায়বা ৱাহৈশিং অসিগা পুন্না পামিন্নবদা মশক শেংনা চোংথোরকপনি।



(১৭) **থাংচীঙ :**

কংলৈচা মীতৈশিংগী চীংলৈপাক কংলৈপাক্কী খা নোংচুপতা উরিবা চীঙ, চীঙশাং ' থাংচীঙ ' হায়বা চীঙ অসি পুয়াদা ময়েক শেংনা ইদুনা য়াওবা তইপঙ মালেমগী অনিশুবা চীঙনি। চীঙ , চীঙশাং অসিবু কংলৈ পেনা শকপা অইবশিংনা ' ইপুথৌথাংচীঙ কৈইলেল লাই , মৈইলাং পোকপা সালাইলেল ' (সোরারেল) হায়না শৈথানৈ।

'থাংচীঙ' ৱাহৈ অসি পুয়াদা করমনা য়াওরিবগে ইরিবগে হায়বদু য়েংবিয়ু :-

" অসুম তৌনা থাপুঙ তলাবু সীঙথাফম ওইনপা ঈপুঙ লোইনপা অপকপনা সইওন পুথোকতুনা। মালেম লৈসাপু ঈনুঙপুঙকী ফুকখৎ চিংখৎ থাংখৎখিয়ে হায়পকী থাংচীঙ হইনা কৌখলে ।।০।। " অনিশুবা ওইনা ৱাকোকলোন হীলেল সালাই অমা - ইলোন পুকোক পুয়াদা অমুক মখাগী অসুমনা ইরি :-

" হুঙ। হুং। কী ঈৱাই ঈন্নি না নীকসিল্লকতুনা ফমচিল্লপতা। থেংনালুপা অতুপু লাইকী মসানি হইতুনা লাইসা (লৈসা) হইনা কৌখিপা অতুপু ঈনুঙপুঙতকী ঈপুঙ লোইনপা অপকপনা ফুকখৎ চীংখৎ থাংখৎলকপতা লোইনলকপা। অমতি লাইসাপু থেংনপতকী থোকলকপা কামপী। লাইচা। মালঙপা হইনা কৌখিপা। লাইপুঙথৌ তলেৎকী লাইমিং থোনতুনা ঈমাই ফাউখিপা। ঈমাই অতুপু লাইকী খুৎতমনি - লাই মাললে হইতুনা মালেম হইনা কৌখিপা।"

মথক্কী পুয়াদগী লৌথোকপা অসিদা " লাইপুঙথৌ তলেৎকী লাইমিং" হায়না ইরিবা অসিদা 'থাংচীঙ' হায়বা ৱাহৈ অসি য়াওই। ফোংনা ইদবগী ৱানি।

লাইপুঙথৌ তরেৎকী মমিং অসি পুয়াদা য়াওবসি য়েংবিয়ু :-

" ১ তি নোংপোক চীঙখৈ অপানপানে। ২ তি অৱাঙপা কৌপলুনে। ৩ তি থাংচীঙ কৈইলেল লাই সিতপনে। ৪ তি খানা চাউপা লাই সিতপনে। ৫ তি ঈলাই পুলেল পুলিঙ লাই সিতপনে। ৬ তি লাইনিঙথৌ পাংকলপা নে। ৭ তি সালাইলেল সিতপা : ৭ না লাইপুঙথৌনে।। "

মথক্কী লাইপুঙথৌ ৭ কী মমিং অসিদা 'থাংচীঙ কৈইলেল লাই সিতপনে ' হইনা ইরিবা অদু হৌজিক্কী ঐখোয়গী থাংচীঙ চীঙশাংবুনি।

ঈপুঙলোই অপকপনা তইপঙ মাল্লেম অসি ইহান হান্না শেমলকপা মতমদা চীঙশাং অনি য়াওরকই , মখোয় অদুদি - থাংচীঙ চীঙশাং অমদি

কৌরু চীঙশাংনি। ঐখোয় কংলৈচাশিংগী পুয়া ৱাকোকলোন হীলেল থীলেল সালাই অমা - ইলোন পুকোক্কী মতুং ইন্না তইপঙ মাল্লেম অসি শেমবদা য়াওবা চীঙচাউ অনিদি থাংচীঙ চীঙশাঙ অমদি কৌরু চীঙশাংনি।

(১৮) **থিলেল**

পুয়াদা য়ামনা শেংনা মমিং ফংবা 'থিলেল' হায়বা ৱাহৈ য়াওবা লাইলীক খরগী মমিং খংবিয়ু -

(১) ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা - ইলোন পুকোক (ঐখোয়না হৌজিক পাইরিবা পুয়া),

(২) সাকোক সালাই থিলেল,

(৩) খুনুঙলোন সাকোক থিলেল,

(৪) পাফল লমপুবা য়াঙপী থিলেল,

মথক্কী পুয়াশিং অসিদা ৱাহৈ/concept 'থিলেল' হায়বসি য়াওই। পুয়াশিং অসিগী মমিংসি ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা - ইলোন পুকোক পুয়াদা য়াওই। মথক্কী ' থিলেল ' য়াওবা পুয়াশিং অসি লোইনা হিনদু নিংথৌশিংনা মৈ থাদোকখ্রে। ঐখোয়না হৌজিক হৌজিক পায়রিবা ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা - ইলোন পুকোক অসিসু মৈ থাবদা য়াওখ্রে। অদুবু অঙোম চউপা কৌবা মইচৌ অমনা মৈ থারমদাইদা লোন্না শিনদোক্লগা লোঙা কৌইরেংদা থৈদোক্লগা লোৎতুনা থমলমবদগী, থৌনা ফরবা কংলৈ ইপা অসিগী মতেংনা ঐখোয়না পুয়া অসি ফংজহৌবনি।

মতাং অসিদা পুয়াদা শিজিন্নরমলিবা ৱাহৈ/concept 'থিলেল' ৱাহন্থোক মুন্না খংমিন্নশি - থিলেল = থি + লেল নি। মফম অসিদা 'থি' হায়রিবা ৱাহৈ মচেৎ অসিগী মপুংফাবা ৱাহৈদি থিবা, থিজিনবা, থিগৎপা হায়বনি। ঐখোয় কংলৈচাশিংনা ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা - ইলোন পুকোক অসি হেক ফংবদগী ঙসি ফাওবদা চহী ৪০ মুক অসিদা হিনদুগী মমাংদা কংলৈচাশিং অসি মাল্লেমগী লমজিংবা scientists ঙাকতনি, মালেমগী খ্বাইদগী লেমজনিংঙাই ওইবা ৱাঙউপা (philosopher) কয়া কংলৈচাশিংগী মরকতা য়াওরমই হায়বসি ঐখোয়না মুন্না খংলকই। মফম অসিদা ' লেল ' হায়বা অসিগী ৱাহন্থোকনা খ্বাইদগী হেনবা, খ্বাইদগী ফবা, মাংজিন থাবা হায়বনি। মরম অসিনা ' থিলেল ' হায়বগী মপুংফাবা ৱাহন্থোকতি, খ্বাইদগী ফবা থিগৎপা, থিজিনবগী মওং হায়বনি, মীগী মরোলদা হায়বা তারবদি, The best form of Research হায়বনি। ' সাকোক সালাই থিলেল ' হায়বদি মীওইরকপা, মী শেমলকপগী খ্বাইদগী ৱাংবা



থিগৎপগী মওং, থিগৎপা লাইলীক হায়বনি।' খুনুঙলোন সাকোক থিলেল' হায়বনা মীওইবগী খুন্নাইদা মী করমনা ওইরকপা, মী করমনা শেমগৎলকপা, মীওইবনা করমনা খুন্নাইদা মী শনদোকপগী মরমদা খ্বাইদগী নিংথিনা ফজনা থিগৎতুনা ইরবা লাইলীক হায়বনি।

**মতাং অসিদা ঐখোয়না হৌখিবা চহী ৩০০ লোম অসিদা করি থোকখ্রবগে হায়না খল্লকপদা খংলকলিবদি, হিনদুশিংনা পুয়া মৈ থাখিবসি কংলৈচা মীতৈশিং অসিনা, ১৮ শুবা চহীচাদা মখোয়না নিংথৌ ওইরকপা মতমদা, হিনদুশিংদগী হায়ফম খংদমখে হেল্লমবা তুংগী কংলৈচা মীতৈশিংনা খংদনবা, পুয়া পুমনমক মৈ থাদোকখিবনি, মখোয়না হায়জিন শাজিনদুনা নমথবা য়াররেই খংবদগী পুয়া পুমনমক মৈ থাখিবনি হায়বসিনি। পুয়া মৈ থাখিদে হায়রিবা মী কাংবু অদু পুয়া মৈ থাখিব কাংবু অদুগী মচা মশুশিংনি।**

মীতৈ কংলৈচাশিং অসিগী পুয়াশিং অসি মৈ থাদোক্লমদদুনা হৌজিক হৌজিক ২১ শুবা চহীচাদ ঐখোয়না পাইবা তারবদি ঐখোয়না মালেমগী মীওইশিংগী মমাংদা কয়ামনা চাওথোকচগদবা, অমদি মালেমদা ঐখোয়না কয়ামনা মতেং পীবা ঙমজরমগদবা, খনদুনা য়েংবিয়ু। খন্থবীয়ু ঐখোয়গী ইপা ইপুশিং অদু ঐখোয়না কয়ামনা ইকাই খুমনফম থোকপগে অমসুং থাংগৎফম থোকপগে। পুমনমক অসি হৌজিক্কী কংলৈচা ঐখোয়গী ইথৌনি।

(১৯) **থাৱইলেল সিতাপা :**

পুয়া ৱাকোকলোল হীলেল থিলেল সালাই অমা - ইলোন পুকোক তা ' থৌৱইলেল সিতাপা ' হায়বসি করিনো হায়বগী মতাংদা অসুমনা ইরি- 'তিংপালপা মাপু পুমনমকপুসু থৌয়ে হইপকী থৌৱইলেল সিতাপা কৌয়ে।।'

পুয়ানা পীরিবা, ৱাহৈ খরগী ৱাহৈ পরেং অসিনা পীরিবা ৱাখল লৌশিং অসি য়ামনা চাওখ্রে, ৱাংখরে। মীতৈগী মীশেমলোন অমদি মপু মাগী লীকলম খংবা মীদদি মসি শেংনা উই।

তিংপালপা মপু মহাকনা মৈ, ইশিং, নুঙশিৎ, লৈপাক, অতীঙঅা মঙা অসিনা চাং অমদা অথৌই অহেন কায়দনা থমলগা মীওইবগী হুকসাঙ (পুয়াদা ইবা), হৌজিক্কী কংলৈচা মীতৈশিংগী ৱাহৈ হকচাং শেমলে। হুকসাঙ নত্রগা হকচাং গী কোক্কী লাইপক হায়না কৌবা মফম অসিদা, মপু মানা লৈদুনা ' তইপঙপালপা মপু ' কৌনা তইপঙ হকচাংবু থৌই হায়বগী মহাকপু থৌৱাই কৌই, করিগুমবা মতমদা ' হে থৌৱাই মঙা মক মিগা থানা তরুকমক ' হায়না কৌই।

অচৎ - চৎত থৌৱইপানবা পুমনমক , অউবা উদবা , হাংই হায়না উবা, হাংদবা পুমনমক অসিবু য়াওরিবা , অসিনচিংবা পুমনমক অসি য়াওরিবা কংলৈচা মীতৈশিংনা তিংপালপা (Universe ?) হায়না কৌরিবা অসিগী মপু , তিংপালপাগী অমতা ওইবা থৌৱই (Universal soul) অমা লৈ,অদুবু কংলৈচা মীতৈশিংনা 'থৌৱইলেল সিতাপা ' কৌই । ' থৌৱইলেল সিতাপা ' মহাকতি মশক হোংদে , লৈফম হোংদে , পুমনমক অসি মাঙোনদগী থোকলকপনি , মাঙোনদগী হৌরকপনি , লোইবা লৈতে , মশক লৈতে , মওং লৈতে ; পুমনমকতগী হান্না লৈরমলবা মপুনি । 'থৌৱইলেল শিতাপা ' মহাকতি primordial নি।

ꯋ (ৱ)

কংলৈচা মীতৈশিংগী ৱাহৈ ইনবা ঈয়েক ১৮ লৈ অদুগা তিংপালপা মপু ইপুঙলোইনপা অপকপা মহাকনা তাইপঙ পালপা , মালেম অমদি থৌৱই পালপা পুমনমক অসিবু শেমবা , কৌইলৌ নোংমতোন থকতগী লাকপা , মহাকনা লৌবা শকতম (symbol) ꯱ (অমা) অসিগা থারগা কংলৈচা মীতৈশিং ঈয়েক ১৯ লৈ । ইয়েক ১৮ , [illegible] দগী হৌরগা [illegible] অসি মপু মাগী শকতম (symbol) ꯱ ( চৈশিং ঈয়েক অমা ) অসিদা য়াওবা , হায়বদি ঈয়েক ꯱ অসিদগী থোক্লকপা মরমনা , মীতৈ কংলৈচাশিংনা মীতৈ ঈয়েক ১৯ লৈ হায়না লৌই ।

কংলৈচা মীতৈশিংনা করমনা ঈয়েক (ময়েক) না ইপানি হায়রিবা অদু করমনা ওইরিবনো হায়বদু য়েংবিয়ু - তিংপালপা মপু (Universal God Father) অদুগী মহাক মশানা উৎচবা শকতম (symbol) দি মহাকনা তাইপঙপালপা শেমবা লাকপা কৌইলৌ নোংমতোনদগী কুমথরকপা শকতম (symbol) ꯱ ( চৈশিং ঈয়েক অমা ) অসিনি । চৈশিঙ ঈয়েক অমা (꯱) অমসুং নিংথৌকাবদগী থাঙচা ফাওবা চৈওনগী নুমিৎ ৬ নি অসি ঈপুঙ লোইনপা অপকপনা ওইখিবনি । চৈশিঙ ঈয়েক অমা (꯱) অসি মীতৈ ঐখোয়না চৈওন ৭ কী অহানবা নুমিৎ লংমাইচীঙ হায়নসু কৌই । চৈশিং ঈয়েক অমা (꯱) অসিগা থারগা , নুমিৎ ৭ নি অসিবু লাইপুঙথৌ ৭ সু কৌই । ঐখোয় কংলৈচা মীতৈ ঐখোয়গী ইনবা ঈয়েক ১৮ অমদি চৈশিঙ ঈয়েক অমা (꯱) অসি তিংপালপা মপু মঙোনদগী , মপু মাগী মশামকতাগী , থোক্লকপা ওইরকপা মরমনা , ঈয়েক ১৯ অসি তিংপালপা মপু , ইপুঙলোইনপা অপকপা (Universal God Father) মহাকমকনি হায়না লৌই । মরম অসিনা ইপা ইপুশিংনা ঈয়েক ১৯ অসিবু ইপানি হায়না লৌই । মরম অসিনা কংলৈচাশিংনা ' ঈয়েকনা ইপানি , লোন্না ইমানি ' হায়না শৈশকনৈ ।



তিংপালপা মপু ঈপুঙ লোইনপা অপকপা (English তা হায়রগা, The Universal God Father) হায়রিবা কংলৈচা মীতৈশিংনা নীংলিবা নোংমতোন থকতা লৈরিবা তাইপঙকী ইপা মহাক্কী মশা অসি শরুক ৭ থোকনা খায়দোকই । তরেৎ অদুবু লাইপুঙথৌ ৭ হায়রগা খংনৈ । ৭ না পুনশিল্লগা ওইবা ঈপুঙ লোইনপা অপকপা মহাকশি তাইপঙকী থৌৱাইনি । মখাদা ইরিবা অসি পুয়াদগী লৌথোকপা ꯋ কী মখাদা ইবা ৱাহৈ পরেংশিংনি:

' সিতপা মপুনা মী । সা । ঙা । হংঙৈই । য়োং । তীল । কাঙ । ৱাহি । খালৌ । কাউচেং । খেইয়া । তুমিৎ । য়ুলান খোংলি লাইলিপা খৈপিক্কী থৌৱইপু , লেঙহনতনা মপুকী কোনচিতা খমনা লৈয়ে হাইপকীপু খমসঙ কৌয়ে ।। খমসঙ অতুকী মনুংদা থৌৱাই লৈ হায়পকীপু ৱাইসঙ কৌয়ে । ৱাইসঙ অতুকী মনুংদা লৈপা মিংলেল মিংখৈতি হ.। হ.। হুঙ হুঙ কৌয়ে ।। হে মীও ꯋ পঙনা হাইকুনো ꯋ নহাক নিঙও ꯋ তাইপঙ লাইনিঙথৌকী মালঙ ৱাই কৌপতি অসিনি ।। মনুঙ কৌপা কংলৈতি অসিনে ।। ঈয়েক খোনথোক অসিবু ঈনুঙলোন্না ৱা কৌয়ে।। ৱাকী (কোনকী) ঈয়েকতি অসিনে ꯱ ।। খুনুঙলোন্না ঈৱাই ঈনিন্না ৱাই কৌয়ে ।। ৱাকী ঈয়েকতি অসিনে (ꯋ) লেপনা খঙপীও ।।০।। '

মথক্কী ꯋ ঈয়েক্কী মরমদা কংলৈ ইপা ইপুশিংনা পুয়াদা ইরমল্লিবা অসি অসুক্কী মতিক ইপা ইপুশিং অসিনা তাইপঙকী মপু , তাইপঙকী মপা মহাকপু মশক খংবা , science কী ৱাফম য়াওবা অসিনচিংবা কয়া য়াওবা , হাইফম খংদনা ঙকনা ফজবা ৱাফম ঙাকতনি । অদুবু হিনদুশিংনা অপঙবা ওইহন্নবা , চহী ৩০০ লোম নৈহৎখ্রবা হৌজিক্কী মীরোলনা খঙবদি য়ামনা ৱারগনি । অদুবু অইবনা ইপা ইপুগী ৱাখল্লোন পুমনমক অসি সালাইচা পুমনমকনা খংবীনবা ঙমবমখৈ হোৎজগে !

ঐখোয় কংলৈচা মীতৈশিংনা শিবসি ইমুংদা শিরমদে । সুমাঙদা খাংপোকসঙ মনুংদা শিরমই । সুমাঙবু ' লানসমপীকী লময়াই ' হৌজিক্কী লোনদা ' লানসোমবীগী লময়াই ' কৌই । হৌজিক্কী মতম ফাওবা , মী অমা শিরমদাইদা মাইবা অমনা মী অদুগী খোইদৌ পাইদুনা (খোইদৌ মিহুন য়েংদুনা) ইমুঙদগী মপানদা পুথোকলকপা উরিরমগনি । মাইবানা তৌরিবা অদু শিগদৌরিবা মী অদুগী মশাদা মিহুন লৈরিব্রা য়েংলিবনি । মিহুন অসিনা মী অমগী মশাদা হেক লৈতবদা , মিহুন্না পুমলেপ লেপখিবদা মী অদু শিগদৌরিবনি ।

মতাং অসিদা মিহুন হায়বসি করিনো খংবিয়ু!

পুয়া ৱাকোকলোন হীলেল থীলেল সালাই অমা - ইলোন পুকোকনা , মীতৈ ঈয়েক ১৮ গী [illegible] কী মখাদা য়ামনা শেংনা অসুমনা ইরি - " অতীংআ সিতপাকী

মমিৎ মনুঙতা লৈপা মিৎনাহা অতুপু মাললে হাইপাকীপু মি কৌয়ে ।। মি অতুপু য়েংনা শাখিয়ে হাইপকীপু মী কৌয়ে ।। ”

‘ সিতপাকী মসকতি মিনে । ’

ঐখোয় মীওইবা অমনা হিংনা লৈবা মতমদা, ঐখোয়না হিংনা লৈরিবসি তাইপঙ পালপাগী মপা তিংপালপকী মপু সিতপা ‘ মি ’ অদুনা ঐখোয়গী হকচাংদা, মীগী মশাদা লেংদনা লৈবদগীনি । ঐখোয়না তোয়না তারিবা ‘ হে থৌৱাই মঙা মক মিগা থানা তরুকমক । ’, মী অমা শোকতুনা শিবা তারবদা, নত্রগা অঙাং অমা ঈশিংদা তারবদা ‘ থৌৱাই মি কৌশিল্লু ,’, ‘ থৌৱাই মি কৌখৎলু ’ অসিনচিংবা তোয়না তারিবা অদুনি ।

মরম অসিনা মিহুন = ‘মি’ + হুন , মি হায়বদি সিতপা মপু , তাইপঙকী মপা , হুন হায়বদি হুনদোক্লপা , লেংঙকপা , চোংঙকপা হায়বনি। তাইপঙ পুমনমক্কী মপা ওইরিবা মি মহাকনা হকচাং মনুংদা লৈরিবমখে ‘ তং তং ’ খুদাংদা , ঙকশমদা , থবাকতা , থমমোইদা খেইদৌদা মফম কয়াদা চোংদুনা মহাকনা হকচাং মনুংদা লৈরি হায়বা তাক্লকই । মিহুন চোংবা হেক লেপখিবগা মপু মহাক হকচাংদগী চৎখ্রে, মপান থোকখ্রে হায়বা তাকই , মতম অসিদা মী অদু শিরে ।

পুমনমক অসিনি ‘ মিহুন ’ হায়বগী ৱাহন্থোকতি । মুন্না খংবীয়ু ।

হৌজিক লাইরিক অসি পবীরিবা পুমনমকনা মীওইবা অমনা হিংলিবমখে তাইপঙ পুমনমক্কী মপা ওইরিবা ‘ মি ’ অদুনা মীওইবা হকচাং মনুংদা লেংদনা লৈ হায়বসি খংবিরমলগনি । অদু ওইরবদি মথক্কী অইবনা পুয়াদগী লৌথোকতুনা - ইজখিবা ৱাহে পরেংশিং অদুগী ৱাহন্থোক পুথোকচরগে।

“সিতাপা মপুনা মী । সা । ঙা ....... তুমিৎ । য়ুলান খোংলি লাউলিবা খৈপীক্কী থৌৱাইপু লেঙহনতন মপুকী কোনচিতা , খমনা লৈয়ে হাইপকীপু খমসঙ কৌয়ে ।। ” ‘খমসঙ’ মীওইবা ঐখোয়গী হকচাংগী করমবা মফমদা সিতাপা মপু লৈবগে হায়না হংলবদি, মরুওইনা ‘ লাইপক ’ অমসুং ‘ থমমোই ’ দনি । কংলৈচা মীতে ঐখোয়না ‘ খমসঙ ’ অমসুং ‘ৱাইসঙ’ হায়রিবা ৱাহে অনিসি থমমোই (heart) পু খংনবা ৱাহেশিংনি । মীওইবা অমনা হেক শিবা মিৎকুপ অদু ফাওবা , পুনসি খমবা ফাওবা সিদবা মপু মহাকনা থমমোইদা লৈদুনা শঙদুনা লেংদনা , লৈ হায়বগী থমমোইবু ‘ খমসঙ’ কৌই , খমসঙ = খম + সঙ , পুনসি খমবা ফাওবা , সঙ হায়বদি সঙদুনা লৈবা , সঙ য়ুম অমগুম । ৱাইসঙ হায়বদি , ৱাইসঙ = ৱাই + সঙ = ৱাই হায়বদি ৱায়বা , সঙ হায়বদি সঙবা , য়ুম লৈফম ওইবা হায়বনি , মতম পুমবদা



লৈগদবা নত্তে মীওইবা মহাকনা শিদ্রিবা ফাওবদং , ৱাইদুনা থবক তৌদুনা লৈগদবনি হায়বনি । মতাং অসিদা ৱাই (ৱায়) হায়রিবা অসি ‘থৌৱাই’ দা য়াওরিবা ‘ ৱাই ’ হায়বা ৱাহে মচেং অদুবুনি । মৈ , ইশিং , নুংশিৎ , লৈপাক, অতীংঅা মঙা অসিবু থবক তৌহনদুনা লৈবা , **ৱাইহনদুনা** লৈবা হায়বনি ।

মরম অসিনা মথক্কী ৱাহে পরেং খরশিদা পুয়ানা ফোংদোকলিবদি , মী, শা , ঙা , উচেক ৱায়া ....... অসিনচিংবা পুমনমক অসিনা শিদ্রিফাও , পুনসি খমদ্রিফাওবা , তাইপঙকী মপা সিদবা মপু মহাকনা মখোয় মখোয়গী থমমোইদা মখোয় মখোয়গী থৌৱাইবু কোনদুনা লেংহনদনা শোয়দা ঙামদনবা লৈ হায়বনি। মথংদা ‘ ৱাইসঙ অতুকী মনুঙতা লৈপকী মিংলেল মিংখৈতি হ.া হ.া হুঙ হুঙ কৌয়ে ।। ’ হায়রিবা পুয়াগী ৱাফম অসিনা হায়রিবদি মীওইবগী থমমোইদা মপু মানা লৈবা মতমদা মপু মাগী ‘ মিংলেল মিংখৈ ’ দি ‘হ.া হ.া হুঙ হুঙ’ কৌই হায়বনি । কনাগুমবা অপাবা অমনা ‘হ.া হ.া হুঙ হুঙ’ গী ৱাহন্থোক করিনো হায়না হংলবদি অইবনা ‘ ঐখোয়গী থমমোইনা লেংবগী মখোল অমা থোকলিবা অদুনি ’ হায়না খুমজনিংই ।

মথংদা ‘ তাইপঙ লাইনিংথৌকী মালঙ ৱাহে কৌপতি অসিনে ’, মফম অসিদা ‘ মালঙ ৱাই’ হায়রিবা অসি করিনো ?

পুয়ানা ‘ মালঙপা ’ হায়বসিগী মতাংদা অসুমনা ইরি ‘৩ তি ঈনুঙলোন্না মালঙপা হাইনা কৌখলে । খুনুঙ লোন্না নুংসিৎ হাইনা হাইখলে।’ ঐখোয়না হৌজিক ‘ নুংশিৎ’ হায়বা পোৎশক অসি করিনো হায়বসি ইচম চমনা, নিংসা হোনবদা শিন্নেরিবা , উনা ৱানাবু লেংহনলিবা পোৎশক অসিবুনি। অদুবু মীতে ইপা ইপুশিং অসিনা পুয়া ইবা মতম অসিদদি ঐখোয়না হৌজিক ইচম চমনা খল্লিবা অসি নত্তে । কংলৈচা ইপা ইপুশিং অসিনা কংলৈ পুয়া অয়াম্বসি ২০০০ ( two thousand ) B.C গী মতম অমসুং মমাংদা ইখ্রবনি ।

পুয়ানা ‘ঈনুঙলোনা’, মফম অসিদা ‘ ঈনুঙলোন ’ হায়বসি মপু মানা তাইপঙ পালপগী থৌৱাই পানবা পুমনমকনা হিংবা ঙমনবা নুংশিৎ অসিবু শেমবা মতমদদি মসি ‘ মালঙপা ’ কৌই হায়বনি , অদুগা মালঙপানা শিৎলিবা মফম , মালেমগী শরুক অসিনি ‘ মালঙ ’ , পা হায়বসি লৌথোকখ্রগা ওইরিবা ‘ মালঙ ’ হায়বা ৱাহে অসিনি । মসিগা লোইননা , মালঙ হায়বা ৱাহেসি য়ামনা পাক চাওবা , হৌবা লোইবা নাইদবা মপু মহাক ওইবা , মশক নাইদবা , ৱাখলতদা লৈবা পোৎশক অমনি । মসি কংলৈচা ইপা ইপুশিংগী ৱাঙউলোননি । পুয়া ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা - ইলোন পুকোক অসিদা ‘ তলঙ মালঙ ’ ৱাহেশিং অসি পুয়াসিদা , পুয়া অসি ইবা

হৌরকপদা মপুমানা তইপঙ পালপা শেমবা হৌরকপা মতমদা উবিগনি। পুয়াদা ইরি “ ১(অমা) হইলিপা মপুনা তলঙ মালঙ ওইনা হইনা হুমনা লৈলিঙৈতা” মরম অসিনা মফম অসিদা “ মালঙবাই ” হায়রিবা অসি তিংপালপা মপু, তেংপালপা মপু মহাক্কা মীওইবগী থমমোইগা সমনবা বাফমনি।

করমনা মীওইবা ঐখোয়গী থমমোইগা তইপঙ পুমনমক্কী মপা ওইবা মপু (Universal God Father) মহাক্কা শমনরিবা !

হিনদুশিংনসু ‘ দিল এক মনদির হে ’ হায় ; অদুবু করমনা ‘ দিল এক মনদির’ ওইরিবনো শেংনা খংলমগদ্রা , ঐখোয়না খংদে । অদুবু কংলৈচা মীতৈশিংদি মসি খঃ পোকত্রিঙৈগী আঃ মমাংদা শেংনা খংখ্রে ।

পুয়ানা স গী মখাদা মথংদা ইরক্লিবা অসি য়েংবিয়ু - “ বাকী (কোনকী) ঈয়েকতি অসিনে ই ।। ” মফম অসিদা য়েকলিবা শকতম অসিগী ময়াইদা য়াওরিবা “ ১ ” অসি পুমনমকপু শেমলিবা তিংপালপা মপু (Universal God Father) মহাক্কী শকতমনি। মফম অসিদা তইপঙ পালপা মীওইবগী হকচাংদা (থমমোইদা) লৈরবা মতমদা, “ মি ” কৌই ,‘ হে থৌবাই মঙামক মিগা থানা তরুকমক ’ , মসিদা য়াওরিবা ‘ মিগা ’ হায়বসিদা য়াওরিবা ‘ মি ’ অদুনি । মতাং অসিদা তইবং হকচাংদা লৈরবা মতমদা পুমনমক্কী মপা (Universal God Father) মহাকপু ‘ তইপঙ পালপা মপু ’ হায়রগসু খংনৈ ।

মীওইবগী মশাদা থমমোইদা ‘ মি ’ নত্রগা ‘ তইপঙ পালপা মপু ’ হায়না লৈরিবা মপু মহাকসি , তইপঙ পালপা পুমনমক্কী মপা ওইরিবা কৌইরৌ নোংমতোন থকতা লৈরিবা , পুমনমকপু শেমলিবা মপু , ইপুঙ লোইনপা অপকপা , তিংপালপা মপু (Universal God Father) গা অমতনি, খ্বাই পুমনমক্কী মপা মহাকনা মীওইবগী হকচাংগী থমমোইদা লৈদুনা , হকচাং মনুংদা মৈ , ইশিং , নুংশিং লৈপাক , অতীংআ মঙা অসিবু থৌদুনা , থবক তৌহনদুনা হায়বদি মঙা অসিবু ‘ বাই ’ বাইহনদুনা মীওইবনা শিদ্রিফাওবা লৈরিবা মপু , তইপঙ পালপা মপু মহাক ওইরিবনি ।

মীওইবা ঐখোয়গী থমমোই অসি তিংপালপা মপু , ঈপুঙলোইনপা অপকপা মহাকনা তইপঙপালপা মপু কৌতুনা , মপু মাগী থবক তৌফমনি । মসিবুনি পুয়ানা ‘ খমসঙ ’ ,‘ বাইসঙ ’ ,‘ তইপঙ লাইনিঙথৌকী মালঙ বাই ’ হায়রকলিবনি ।

তিংপালপা মপু , ঈপুঙ লোইনপা অপকপা (Universal God Father) , পুমনমকপু শেমলিবা মপু মহাকনা , মীওইবকী থমমোইদা লৈরিবা



তইপঙ পালপা মপু মহাক্কা শমনদুনা তইপঙগী হিংবা , বাখল খনবা , তইপঙ শনদোকপা অসিনচিংবা অসি , মওং অসিনি । মসিনি “ মালঙ বাই ” গী বাহস্তোকতি ।

মতাং অসিদা পাবীরিবশিংনা পুয়াদা ইরমলিবা ‘ বা ’, ‘ বাকী (কোনকী)’ হায়রিবা অসিদা য়াওরিবা ‘ বা ’ হায়বা বাহৈ অসিগী বাহস্তোক য়ামনা মুন্না খংবা মথৌ তই । পুয়ানা ইরক্লিবা ‘ বা ’ হায়বা বাখল্লোন অসিগী English কী বাহস্তোকতা হায়বা তারবদি ‘concept’ হায়বা বাহৈ অদুনি। concept না ‘ বা ’ কী চপ চারা বাহস্তোক পীবা ঙমই ।

Chambers everyday dictionary says a concept is “ a thing concieved , a general notion .”

A conception is “ the formation in the mind of an image or idea ”

Britannica ready Ref. Encyclopedia says ; a concept formation is the “ process of developing abstract rules or mental constructs based on sensory experience. Concept formation figures prominently in cognitive development.”

কংলৈচা ঐখোয়না নুমিৎ খুদিংগী ‘ বা ’,‘ বাহৈ ’,‘ বাখল ’ হায়বা বাহৈশিং শিজিন্নৈ । মীওইবা ঐখোয়গী থোক (Brain) দা তারিবা মমি , পোৎশক অমগী থোকতা লৈরিবা মওং মশক ( অশেংবা পাইবা য়াবা নওবা, Abstract ওইবা , general nation , image or idea) অদু কংলৈচা মীতৈশিংনা ‘ বা ’ কৌই । কোক মনুংদা লৈবা ‘ বা ’(idea image) অদুবু চিন্না হায়দোরক্লবা মতমদা বাহৈ (বা + হায়) কৌই ।

ঐনা চহী য়াংখৈগী মমাংদা লাইরিক তমমিন্নরমবা অহল অমা ঐখোয়গী কোম্মোংদা চংলকই । মাবু হেক উবদা ঐনা মাবু লাইরিক তমমিন্নরকখিবা অমা মাল্লি , অদুবু অচুমবদি খংদ্রি । সুম সুম চংশিল্লক্লগা মাবু মশক খংলে , মহাকসি ঐনা চহী য়াংখৈগী মমাংদা college দা তমমিন্নরমবা চাওবা কৌবা নুপাদুনি হায়বা মুন্না খংলেল । ঙইহাক অসিদা ঐগী কোকতা , থোকতা তৌরিবা থবক অসি ‘ বাখল ’ নত্রগা ‘ বাখল খনবা ’ হায়বা অদুনি।

ঐগী কোকতা লৈরিবা চহী য়াংখৈগী মমাং অঙাং ওইরিঙৈগী শকতম মমি (idea , image) অদুগা হৌজিক্কী চহী য়াংখৈগী মতুংদা ওইরক্লবা অহল ওইবগী শকতম অদুগা চাংদমনদুনা লাল্লবা চুমব্রা খনদোক খনজিন

তৌরিবনি। মুন্ন খল্লবা মতুংদা, নুপা অসি থাইনগী চাওবা অদুনি, চহী য়াংখৈ অহল ওইশিল্লকপদগী মশক য়ামনা খেন্নরকপনি হায়বা খংলকপনি। মতৌ অসুমনা ঐনা চাওবা মশক খংলকপনি।

পুমনমক অসিনা ঈপুঙলোইনপা অপকপা, তেংপালপা, মপু সালাইলেল সিতপা, তাইপঙ পালপা মপু মীওইবগী থমমোইদা লৈরিবা পুমনমক অসি, 'ৱা ', মি (মমি) ওইনা, English তা হায়রগা Idea, Image, General notion, concept ওইনা লৈবনি।

মরম অসিনা ' মালঙৱাই ' হায়বদি পুমনমকপু শেমল্লিবা মপা ওইরিবা ঈপুঙ লোইনপা অপকপা মহাকনা মীওইবগী থমমোইদা ' ৱা ', 'মি' (Abstract idea, Image concept ) ওইনা লৈদুনা মীওইবগী হকচাংবু শাগৎলিবা মৈ, ইশিং, নুংশিৎ, লৈপাক, অতীঙআবু মথৌ তৌহনদুনা মী অদুনা শিদ্রিফাওবা লৈ হায়বনি। মসিনি ' মালঙৱাই ' গী ৱাহন্থোকতি।

মরম অসিনা কংলৈচা ইপা ইপুশিংনা কংলৈচা মীতৈ ঐখোয়গী ইনবা ঈয়েক ১৮ গী মনুংদা ১২ শুবা ওইরিবা ঈয়েক স(Symbol) অসিবু, মপু মাগী থবক পাংথোকফমনি হায়দুনা খুনুঙলোনদা ' ৱাই ' কৌই, ঈনুঙলোন্না 'ৱা' কৌই।

স(Symbol) অসি লৈই মরিনা শাবনি। মথক ইথং থংবা '—' লৈই অসিনা অতীঙআগী মহুৎ শিনবনি। অদুগা ঐগী ওইদা উরিবা '—' লৈইদগী চিংথরকলিবা 'ᒥ' অনিশুবা অকোনবা অসিনা মীওইবগী লেংবানদগী খৱাং ফাওবগী হকচাং য়েৎথংবদা উরিবা মপানগী শরুক অদুনি, অদুগী ঐগী য়েৎতা উরিবা 'ᒥ' শকতম অসিনা লেংবানদগী হকচাংগী মপানগী ওইগী নাকন্দা খৱাং য়োদনা তংখায় য়োরগা হকচাং মনুংলোমদা লৈই মচেৎ অমা চিংশিল্লগা মীওইবগী হকচাংদা থমমোইগী লৈফম তাকপনি। স হায়বা ঈয়েকনা মীওইবগী হকচাংদা থমমোইনা তৌরিবা মরুওইবা, থমমোইদা মপু মানা লৈবা, মপু মানা থমমোইদা লৈদুনা মপু মানা মীওইবগীদমক করি তৌই হায়বা তাকপা মরমনা, ঈয়েক স(Symbol) অসিবু কংলৈ ইপা ইপুশিংনা 'ৱাই' হায়না মমিং থোল্লি।

(১) ৱাকোন - মীতৈ হায়বা ঈ কাংলুপ (Race) অসিনা, অইবা লাইলীক অমসুং পুয়া পুমনমকপু মৈ থাখোকখিবগা লোইননা চহী ৩০০(চহুম) মুক হিন্দু নিংথৌশিংগী মখা লৈরকপা অসিদা, কংলৈচা মীতৈশিং অসি মখোয়গী তাইবং মালেমদা ৱাংউলোন, science ঈনাৎ অসিনচিংবা কয়াগী



মতাংদা তাইবং মালেমদা লমচীং মৈরাগুম পাল্লমবা মপা মপুশিং অদুগা মরী তৎখিবদগী য়ামনা পংশিনখরে। ভারতকী হিন্দু মচাশিং অসি **মখোয়না হৌজিক লৈরিবা ভারত হায়বা লম অসিদা খৃঃ গী মমাং চহী ১০০০ -২০০০ দা মখোয়গী মপা মপুশিং অদু অফগানিসতান লানশিল্লক্লগা চংলকপনি। মখোয়না ভারত (India) দা লৈরকপশি ঙসিগী মমাং চাওরাকনা চহী লিশিং মরি ( ৪০০০ ) অদুৱাইদগীনি, ইকুই কুইদ্রি। মখোয়গী মনাৎ (culture), খুন্নাই (civilization) অসি য়ামনা নৌরি। কংলৈচা মীতৈশিংদি মখোয়না কংলাদা ইম - কৈ, লাইশং অসিনচিংবা শাদুনা কংলৈপাকতা পাল্লকপা অসি ঙসিগী মমাং চহী লিশিং কুল (২০,০০০) লোম শুরে, খৃঃ গী মমাং চাওরাকনা চহী ১৮,০০০ (180 century) শুরে। কংলৈচাগী খুন্নাইনা হিনদুগী খুন্নাইদগী চাওরাকনা চহী ১৪,০০০ লোম হাল্লি। অনৌবা খুন্নাই অমগী মখাদা পুয়ানচিংবা অইবা লনকৈ পুমনমক মৈ থাদোক্লগা নমদুনা থমজিনখিবদগী ঐখোয় পংথখিবনি।**

হৌজিক হৌজিক ঐখোয়না খন্নগদৌরিবা ৱাহৈ/concept (ৱাকোন) হায়বা পুয়াগী ৱাহৈ/concept অসি কয়া ৱাংখ্রবা ৱাখলগী খুদমনো, পন্থুংনো হায়বদু ঐখোয় হৌজিক খংমিন্নসি।

ৱাকোন = ৱা + কোন, ৱা হায়বদি কংলৈ মীতৈ লোনদা, পোৎ অমগী মশকপু মীওইবা ঐখোয়গী কোক (থোক - Brain) মনুংদা মি, মমি (Image) ওইনা তাদুনা লৈরিঙৈগী মওং অদুবু হায়বনি। ঐখোয় মীওইবগী মমাংদা করিগুমবা থৌদোক অমা হেক থোকপদা, থৌথোক অদুদা য়াওবা মীশিং, মখোয়না তৌখিবা থবকশিং, মখোয়না ঙাংখিবা ৱাহৈশিং উহৌরিবা মী অদুগী কোক্কী থোক (Brain) দা মি, মমি ওইনা, English তা হায়রগা concept ওইনা তাদুনা লৈহৌই। মরম অসিননি, ঐখোয়না মীহাৎপগী থৌথোকতা থোকখিবা পুমনমক police তা পাউতমবা ঙমলিবসি। ঐখোয়না ' ৱাহৈ ', ' ৱাখল ' হায়বা ইতৎতৎতনা তাই। ৱাহৈ, ৱাখল হায়বসিনা তাকলিবসি করিনো? ৱাহৈ = ৱা + হৈ, ৱা হায়বদি মথকতা ফোংদোকচখিবা অদুনি, হৈ হায়বদি মফম অসিদা অহানবা হৌরকপা মতমদদি হৈ হায়বা নওে, হাই হায়রমবনি, মতমগী মতুং ইন্না ওনখিবনি। ৱাহাই হায়রমবদগী ৱাহৈ ওনখিবনি। কোক মনুংদা মি, মমি ওইনা লৈবা অদুবু চীন্না হায়দোকপবু ৱাহাই (ৱাহায়) ৱাহৈ হায়না খংনরকপনি। অমুক ৱাখল হায়বসি করিনো খংবিয়ু।

ৰাখল হায়বদি কোক মনুংদা লৈবা মি , মমি অদু করমবনা চুমবগে , করমবনা চুমদবনো হায়বদু খনদোকপা হায়বনি । থৱইনা ঐনা চহী ৫০ গী মমাংদা কোলেজদা তমমীন্নরমবা চাওবা কৌবা নুপা অদু ঐগী য়ুমদা ২০১৪ দা চংলকই । মতম অদুদদি মহাক চহী ২০ লোম শুবা পাখংনি , অদুবু মহাক অদু চহী ৭০ হেল্লদুনা অহল যম্না ওইরে , ঐনা মহাকপু থৱইনগী চাওবা অদুনি হায়বা হেকতা খংদে , মহাকনদি ‘ ঐ চাওবনি হায়রে ’ ; হৌজিক ঐঙোনদা থোক্লিবা ৰাফমদি , থৱইনা চাওবা হায়বা অমা লইরিক তমমীন্নরমই , ঐ নিংশিংই , মশকসু নিংশিংই , মহাক্কী মশক্কী মমি অদু ঐগী কোকতা লৈরি । হৌজিক অমুক থৱইনগী চাওবা অদু ঐগী ইমাংদা লেপতুনা লৈরে , মহাক্কী হৌজিক্কী মশক্কী মমি অদু ঐগী কোকতা তারে , অদুবু মহাক্কী মশক অদু চহী ৬০ মুক্কী মতুং অসিদদি অসুক্কী মতিক খেনখ্রে , থৱইনগী চাওবা অদুনি হেক হায়বা ঙমদ্রে । ঐনা হৌজিক তৌরিবা অসি মহাক্কী ঐগী কোকতা তারিবা ৰা , মি , মমি অনি হায়বদি চহী ৫০ গী মমাংগী মহাক্কী মি , মমি অদুগা হৌজিক্কী ঐগী মাংদা লেপলিবা চাওবগী কোক্কী মমি অনি অদু চাংদমনদুনা অশেংবা চাওবরনে হায়বদু খংলিবনি । মসিবু ৰাখল খনবা কৌই।

অকোনবদদি থৱইনগী কোক্কী মমি , হৌজিক্কী মাংদা লেপলিবা চাওবগী মমি অনি অদু অমতনি হায়বা খনদোক খনজিন তৌরবা মতুংদদি থৱইনগী চাওবা অদু হৌজিক মাংদা লেপলিবা মী অদু তশেংনা থৱইনগী চাওবনি হায়বা খংলে। মসিনি ৰাখল হায়বদি ।

কোন হায়বদি লৈফম হায়বনি , খুদম ওইনা শনকোন , হায়বদি শন মকোন হায়বনি ।

মরম অসিনা ‘ৰাকোন’ হায়বগী ৰাহন্থোকতি , ৰা হায়বদি তইপংপালবদা উরিবা পোৎশিং , থৌথোকশিং অদুগী মি , মমি concept শিং অদুগী লৈফম হায়বনি , concept , images শিং অদুনা তুংদুনা লৈফম হায়বনি। ৰাখল অসি অমুক হেন্না শেংনবা মখাগী ৰাফমসি মুন্না অমুক পাবিয়ু ।

(২) ৰাকোনপুঙ - মীতৈ হায়বা ঈ কাংলুপ (Race) অসি ইনবা ঈয়েক য়ামনা ঙল্লিঙৈদগী লৈরকপগা , লোইননা ঐখোয় মীতৈগী ইনবা ঈয়েক ১৮ দা ইদুনা থমলমবা পুয়া নৈনরুবদগী , মীতৈনা হৌজিক হিংলিবা মালেমগী মীয়ামদগী হিনদুশিংনা লাকত্রিঙেগী মমাংদা , হেন্না শিংলমবা science কী হায়রো , ৰাংউলোনগী মতাংদা হায়রো , হেন্না ৰাখল ৰাংলমবগী খুদম চাংতম কয়ামুক ফংই । মসি পুয়াবু খরমখৈ খংলবা মীনদি শোয়দনা থাজগনি ।



মথকতা খন্নবগীদমক পুথোকচরিবা ৰাহৈ /concept ‘ৰাকোনপুঙ’ হায়বা অসি ৰাখল ৰাংবা শিংবগী অইবা খুদম চাংতম ৰাহৈ /concept অমনি ।

ৰাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা - ইলোন পুকোক পুয়াদা , [illegible] হায়বা মীতৈ ঈয়েক ১৮ গী অহানবা ঈয়েক অসিগী মতাংদা ইরমবনি। পুয়াদা ইরমলিবশি য়েংবিয়ু :-

“ হে মীওইপা তাপীও ॐ তইপঙ পালপা মপুগী কোনপু ঈয়েক কোনপুঙ ৰাকোনপুঙ কৌয়ে ।। ”

মথক্কী ৰাহৈ পরেং অসি মথকতা পনজখিবা পুয়া অসিগী লামইদা ইপা ইপুশিং না চহী লিশিং কয়াগী মমাংদা ইদুনা থমলমবনি । ৰাহৈ পরেং অসিগী ৰাহন্থোকতি - ৰাহৈ পরেং অসিদা য়াওরিবা ॐ খুদম অসি কংলৈ ইপা ইপুশিংনা শিজিন্নরমবা অঙকপা খুৎতমনি । অঙকপা খুৎতম (খুদম) অসিগী মখাদা লৈরিবা ৰাহৈ পরেং অসিগী ৰাহন্থোকসি য়ামনা ফজৈ মুন্না পাবিয়ু । মতাং অসিদা ইরিবা “ তইপঙপালপা ” হায়রিবা অসি ঐখোয় মী হায়বা কাংলুপ অসিবুনি , অদুগা তইপঙ পালপা মপু হায়রগনা তইপঙ পালপতা লৈরিবা থৌৰাই পানবা , মালেম তইপঙদা লৈরিবা থৌৰাই পালপা শা , ঙা , উচেক ৰায়া....... উলি ৰালি অসিনচিংবা পুমনমক অসিগী মপু হায়বনি ; কোনপু নত্রগা কোন হায়বা অসিনা লৈফম হায়বনি ;

“ ঈয়েক কোনপুঙ ” , মফম অসিদা ‘ঈয়েক কোনপুঙ’ হায়রিবা অসিনা তাকলিবনা , তইপঙ পালবদা লৈরিবা থৌৰাই পানবা পুমনমক অসিগী মপুঙ ওইবা লৈফম হায়বনি , মফম অসিদা ঈয়েক হায়বসিনা তাকলিবদি থৌৰাই পানবাদা ঈ য়াওবা পুমনমকসি মপু মাগী কোন , কোনপুঙ দা য়েকতুনা লৈ হায়বনি । অদুবু লৈবগী মওংদি “ ৰাকোনপুঙ কৌয়ে ” হায়রকপনি । ৰা হায়বসি করিনো মথকতা হায়জখ্রে , ৰা হায়বদি মি , মমি ওইনা অদুগা english তা হায়রগা Idea , concept ,image ( Abstract form ) ওইনা লৈবা হায়বনি । মরম অসিনা ৰাকোনপুঙ হায়বদি তইপঙ পালপা পুমনমকসি , তইপঙ পালপা থৌৰাই পানবা পুমনমকসি তইপঙ পালপা মপু মাগী কোনতা মি , মমি (Idea , concept ,image) ওইনা লৈ হায়বনি ।

অদু ওইরবদি ৰাকোনপুঙ কদাইদা লৈ ?

মীতৈ ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা থমবীরমবা পুয়াগী মতুং ইন্না মীতৈ মী কাংলুপ অসি তইপঙ শেমবা মপু মহাক্কী মশক য়েংদুনা শাখিবনি । “মিতা

সাইওন তৌদুনা পোকপা সিপা তইপঙ মীনা। মীতৈ হাইনা কৌখলে ।।০।।" পুয়ানা ইদুনা থমবীরমবসি মশিমকনি। তেংপালপা পুমনমকপু শেমলিবা মপু মহাকনা তইপঙ মীওইবা। মহাকপু মহাক্কী মশক মমি য়েংদুনা শাবা লৌইরবা মতুংদা, মহাকনা মীওইবা ঐখোয়গী লাইপক হায়রিবা, মফম অসিদা, মীওইবা অদুনা শিবা নুমিৎ ফাওবা মফম অসিদা লেংদনা লেংশিনদুনা লৈ। মরম অসিনা মীতৈনা কোক্কী মমাং থংবা শরুক অসিদা পীসুম অনিগী মরক্কী খরা কাখৎলগা লৈবা মায়গী শরুক অসিবু লাইপক কৌই। লাইপক হায়বগী ৱাহন্থোকতি তইপঙ পালপা মপু (লাই) মহাকনা পকতুনা লেংদনা লৈ হায়বদগী লাইপক কৌরিবনি।

লাইপকতা লৈবা মপু মহাকপু তইপঙপালপা মপু কৌই, করিগীনো? তেংপালপা মপু, তিংপালপা মপু মহাকনা মথন্নতা লৈবা য়াদদুনা তইপঙ মালেম অসিনচিংবা শেমলে। তইপঙ মালেম শেমদ্রিঙৈগী মপু মানা মথন্নতা লৈরিঙৈদা মহাক্কী মমিংবু ঈপুঙ লৌইনপা অপকপা নত্রগা তিংপালপা মপু কৌই। মপু মহাকনা তইপঙ মীওইপা শেমলবা মতুংদা, তইপঙ মীওইপা অদুনা শিবা নুমিৎ ফাওবা, মীওইপা মহাক্কী লাইপকতা মিকুপ অমাফাওবা মীওইপা অদুবু থাদোকতনা লেংদনা লৈ। ঈপুঙ লৌইনপা অপকপা নত্রগা তিংপালপা মপু মহাকনা মীওইপা, তইপঙ মীওইপা মহাক্কী লাইপকতা লৈবা, হায়বদি মীওইবগী তইবং হকচাংদা লৈরবা মতমদা, ঈপুঙ লৌইনপা অপকপা নৎত্রগা তিংপালপা মপু মহাকপু তইপঙ পালপা মপু কৌই।

মরম পুমনমক অসিনা, তইপঙ পালপগী হায়বদি তইপঙ মীওইবগী ৱাকোনপুঙ দি, তইপঙ পালপা মপু মহাকনা লেংদনা লৈরিবা মফম, মীওইবগী হকচাংগী শরুক ওইরিবা কোক্কী লাইপক তা লৈ। মীওইবা ঐখোয়না হকচাং অসি মপু মাগী শেংলবা লাইশংনি, কাওবিগনু।

(৩) **'ৱাকোন চীঙ'** - ৱাকোন চীঙ হায়বা ৱাহৈ অনি অসি কংলৈ মীতৈ ঈয়েক ১৮ গী ৭ শুবা ওইরিবা ꯅ (চীল হায়না খোন্থোক পীদুনা পাবা) ঈয়েক অসিগী মতাংদা পুয়াদা ইরকপা মতমদা য়াওরকপনি।

পুয়াদা অসুমনা ই - " মৈ। ঈসিঙ। নুংসিৎ অহুম মানা পুন্না চীলওকন্না লৈলে হাইপকীপু চীলওকনপা কৌয়ে।। তইপঙ পালপাকী হুকসাং ওইলিপা অসিতা থৌৱাই লৈলিপা খৈপীক অসিপু মঙালতা য়োমনা লৈলে। নিকহনতে হাইপকীপু ৱাকোনচীঙ কৌয়ে।। " পুয়াদা য়ামনা শেংনা ইপা ইপুশিং অদুনা ইদুনা থমলমলিবা অসিনি মথক্কী ৱাহৈ পরেং খরসি। পুয়ানা মফম অসিদা ৱাহৈ পরেং খরা অসিনা ফোংদোকলিবা অসি করিনো খংমিন্নসি।



ঐখোয় কংলৈচা মীয়ামনা চহী লিশিং কয়াগী মমাংদগী ইদুনা থমলমবা পুয়াদগী, পুয়াগী মতেংনা মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ হায়না ঐখোয়না হৌজিক খংনরিবা পোৎশক অহুমসি, তেংপালপা, তিংপালপা অসিদা হান্নদগী লৈরক্কবা, তিংপালপা মপু মহাক্কা লৌইনপা (Primordial ওইবা) পোৎশক অহুমনি হায়বা ঐখোয়না খংখ্রে। মসি কংলৈচা ইপা ইপুশিংগী Science কী ৱাংলবা লৌশিং (Knowledge) নি। ঐখোয় মীওইবগী হকচাংদা ঈ (Blood) অসি অহুমসিনা শাবনি (শাইওনবনি), তেংপালপা তিংপালপা মপু খৱাইদগী ইহান হানবা মপু (Primordial Lord) মহাক অদুবু মীতৈ কংলৈচা ঐখোয়না ঈপুঙ লৌইনপা অপকপা হায়না কৌরিবনি।

তইপঙপালপা মীওইবা খুদিংগী লাইপকতা তইপঙপালপা মপু মানা থৌৱাই কৌনা ৱাকোনপুঙতা লৈবা মতমদা, মপু মাগী মশেক মঙালনা থৌৱাইবু ইকৌই কোয়শিনদুনা য়োমশিনদুনা থমই। মসিনি পুয়ানা " তইপঙ পালপাকী হুকসাং ওইলিবা অসিতা থৌৱাই লৈলিপা খৈপীক অসিপু মঙালতা য়োমনা লৈলে। " হায়রমলিবসি।

### অদু ওইরবদি থৌৱাই হায়বসি করিনো ?

মীওইবা, তইপঙ মীওইপা ঐখোয়গী হকচাং (হুকশাং) অসি মৈ, ইশিং, নুংশিৎ, লৈপাক অতীংআ, লৌইননা মি (তইপঙ পালপা মপু) মহাক্কা লৌইননা তরুকনা থৌৱাই ওইবনি। মরম অদুনা কংলৈচা মীতৈশিংনা " হে থৌৱাই মঙামক মিগা থানা তরুকমক " হায়না থৌৱাইবু থৌচান থৌনিচৈ।

চীল হায়বদি মীওইপকী চীনচাক চানবগী কায়াৎ ওইরিবা অসিগা থৌৱাইগা মরি লৈনরকলিবা অসি য়েংবিয়ু। থৌৱাইবু শাগৎলিবা অউবা পোৎশক মঙা হায়বদি মৈ, ইশিং, নুংশিৎ, লৈপাক, অতীংআ, মঙা অসিগী মনুংদা মরিদি হায়বদি মৈ, ইশিং, নুংশিৎ, লৈপাক (লৈপাক হায়বদি protein, calcium, various chemicals etc included) অসিদি চীন্না চাখিবা থকখিবা পুমনমকতগী ফংবনি। মরম অসিনা থৌৱাই +
মিনা ৱাকোনপুঙদা মঙালনা য়োমদুনা লৈবদা চীল দগী মতেং নৎতনদি চৎথবা য়াদে।

পুয়ানা অরোইবা ৱাহৈ পরেংদা " নিকহনতে হাইপকীপু ৱাকোনচীঙ কৌয়ে।। " হায়বদি থৌৱাই + মিনা মীওইবগী লাইপক্কী শরুকতা লৈবা ৱাকোনপুঙ দা লেংদনা, নিকতনা মতম শাংনা লৈননবগীদমক চীন্না চাখিবা থকখিবা পুমনমক অদুদগী খৱাইদগী ফবা মচলশিং অদু কোকতা চীংখৎপা, থৌৱাইগী মচাক মরি ওইরিবা মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ, লৈপাক অসিবু মতম

পুমনমকতা চাং কায়দনা থমবা মথৌ তাবদগী " নিকহনতে হাইপকীপু ৱাকোনচীঙ কৌয়ে ।। " হায়বসিনি মসিনি " ৱাকোনচীঙ " গী ৱাহন্থোকতি ।

(৪) **ৱাকোকলোন** - অইবনা ৱাকোকলোন হায়বা পুয়াদা য়াওবা ৱাহৈ/ concept অসিগী ৱাহন্থোক মীয়ামদা পীজবগা লোইননা , কংলৈচা ইপা ইপুশিংনা থমবিরমবা মালেমগী য়ামনা তাংলবা পুয়া , ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা - ইলোন পুকোক হায়রিবা পুয়া অসিগী মমিং অসি করি হায়রিবনো , ৱাহন্থোক করিনো মীয়ামদা খংহন্নবা হোৎনজগনি ।

ৱাকোকলোনগী ৱাহন্থোক করিনো ?

ৱাকোকলোন = ৱা + কোক + লোন , ৱাকোকলোন হায়বা ৱাহৈ অসি ৱাহৈ /concept অসি অহুমনা পুশিল্লগা শেমবা (compound word) নি । মফম অসিদা ৱা , হায়বদি পাইবা য়াবা (material ওইবা) পোৎতি নওবা মি , মমি (ideal , idea , image) ওইনা মীওইবগী কোকতা লৈবা; তেংপালপা , তাইপঙ পালপা পুমনমকপু শেমবিবা মপু (The Universal God Father) অদুদা হান্নদগী (Primordial ওইবা) তাইপঙ পালপা পুমনমক , নুমিৎ , থা , থৌৱাইমিচাক মালেম অসিনচিংবা পুমনমক মহাক্কী মশাদা (মহাক্কী কোকতা) মি , মমি (idial , idea , image) ওইনা য়াওবা ,Abstract ওইবা পুমনমক অদুবু খংনৈ , হায়বসি অইবনা মথকতা মফম কয়াদা উৎচখ্রে । মথংদা কোক হায়রিবা অসিনা করিনো অসিনি । কোক হায়বদি কোকপা , য়েললুম (য়েরুম) থোক্লকপা ; মঙাং শালাইগী পুকোক কনানো ? হায়বা ৱাহংদা , মঙাং শালাইগী পুকোকতি, ইপুথৌ পাখংপাগী অহানবা মচানুপা অহন মঙাং নিংথৌনি , হায়বা পাউখুম অসিদা হায়রিবদি পুকোক হায়বা ৱাহৈ অসিদা কোক হায়বা অসিগী ৱাহন্থোকতি পুথোক্লকপা , কোকথোক্লকপা , পীথোক্লকপা , শনদোক্লকপা নুপাদি মঙাংনি হায়রিবনি ; মসিনা তাকলিবদি পুয়াগী ৱাহৈ /concept ৱাকোকলোন হায়বসিদা য়াওরিবা কোক অসিগী ৱাহন্থোকতি , কদাইদগী থোক্লকপনো , কদাইদগী শনদোক্লকপনো হায়বনি । অকোনবগী ৱাহৈ মচেৎ লোন হায়বা অসিনা করিনো, করি হায়রিবনো অসিনি । লোন হায়বদি ঐখোয়না ঙাংনরিবা , মীতৈ ঐখোয়না ঙাংনরিবা লোন (Language) অসিবু মীতৈলোন কৌই । মরম অসিনা লোন হায়বদি English তা Language হায়বা অদু নি । মরম অসিনা " ৱাকোকলোন " হায়বা পুয়াদা য়াওরিবা ৱাহৈ/concept অসিগী মনুংগী ওইবা ৱাহন্থোকতি , মীতৈ ঐখোয়গী মীতৈলোনদা য়াওরিবা ৱাহৈ (ৱাহাই) দা য়াওরিবা ( কোক্কী মনুংদা ) ৱা (idea , image etc) চীনদা ৱাবু



হায়দোক্লকপা ৱাহৈ পুমনমকসি কদাইদগী থোক্লকই , হৌরকই , শনদোক্লকই হায়বনি ।

মথংদা অইবনা ঐখোয়না হৌজিক পায়রিবা পুয়া , ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা - ইলোন পুকোক , খৃ: গী মমাং চহী ১৫০০ (লিশিং অমা চামঙা) দা ইরমবা অদুদি পামহৈবা গারিবানিৱাজগী মতমদা মৈ থাদোকপিখ্রবা, শিন্থোকপা ওইনা ঐখোয়না ফংহৌবা , পুয়া অসিগী মমিং " ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল শালাই অমা - ইলোন পুকোক " অসিগী মমিং অসি করি হায়রিবনো হায়বা মীয়ামদা খংহন্নবা হোৎনজগনি ।

হেক মথকতা 'ৱাকোকলোন' হায়বা পুয়াগী ৱাহৈ/concept অসি করিনো কদাইদগী হৌরকই অসিনচিংবগী মতাংদা অইবনা ইজখ্রে । অদু ওইরবদি, ৱাকোকলোন ৱাহৈ অসিনা মকোক থংলগা , ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা - ইলোন পুকোক কৌবা পুয়া , য়ামনা মরুওইবা কংলৈ ইপা ইপুশিংনা ঙসিগী মমাং চহী ৩৪০০ অদুৱাইদা ইদুনা থমবীরমবা পুয়া , Kanglei scripture অসিগী ৱাহন্থোক করিনো ? পুয়াগী মমিংদা , 'ৱাকোকলোন' হায়বা ৱাহৈগী মথংদা ইরিবসি ৱাহৈসি 'হীলেল' হায়বনি । কংলৈ মীতৈ লোনদা হী য়াই হাই , মসিগী হীয়াই হায়রিবা অসিগী ৱাহন্থোকতি করিনো ? হীয়াই হায়বগী ৱাহন্থোকতি খৱাইদগী ফবা , খৱাইদগী কান্নবা , থোকও হায়বদা থোকপা য়াবা পোৎ হায়বনি । ঐখোয় কংলৈচাগী লোনগী ৱাহৈ পুক্কেদা 'হীদাক' (medicine) হায়বা ৱাহৈ লৈ , 'হীদাক' হায়বসি 'হীদাক' হায়বা নত্তে , 'হীতাক' হায়বনি , 'হীতাক' কী ৱাহন্থোকতি 'হী' + 'তাক' হায়বনি , হী হায়বনা খৱাইদগী ফবা , খৱাইদগী কান্নবা পোৎ , থবক হায়বনি , তাক হায়বনা তাকপা ওইহনবা হায়বনি । মরম অসিনা 'হীতাক' কী ৱাহন্থোকতি হকচাং নাবা ফহনবা , অনা অয়েকতগী ঙাকথোকপা , হকচাংনা ফনা থমবা ঙমবা পোৎ (medicine) হায়বনি । মরম অসিনা পুয়াগী ৱাহৈ হীলেল অসিগী ৱাহন্থোকতি , ৱাকোকলোন হায়বা মপু মঙোনদগী থোক্লকপা পোক্লকপা মীতৈগী ৱা , লোন , ৱাহৈ অসিনচিংবা অসিগী খৱাইদগী ফবা , খৱাইদগী হেনবা হায়বনি । মথংগী পুয়াগী ৱাহৈ 'থিলেল' হায়বা অসিনা তাকলিবনা, 'থিলেল' হায়বদি থি + লেন হায়বনি । মফম অসিদা থি হায়বনা থিগৎপা খংনবা হোৎনবা (Research) হায়বনি , অদুগা 'লেল' হায়বনা

খৱাইদগী ফজনা খৱাইদগী ৱাংনা, ৱাংনা খংনবা হোৎনখিবা অহেনবা 'লেল' ওইবা হায়বনি। মথংগী পুয়াগী ৱাহৈ সালাই গী ৱাহন্থোক করিনো ? কংলৈপাক্কী কংলৈ মীয়ামগী অহানবা মপুথৌ ওইরিবা, কংলৈপাক্কী অহানবা নিংথৌ ওইখিবা, কোনচিন তুকথপা ইপু অথৌপা পাখংপাগী মচা নুপা তরেৎ পোকই, মখোয় অদুদি - (১) মঙাং (২) লুৱাং (৩) খুমন (৪) অঙোম (৫) মোইলাং (মোইরাং) (৬) খাপা - ঙানপা (৭) সালাই লৈসাংথেম মখোয় তরেৎ অসিনি। মখোয়বু সালাই কৌই, তরেৎ নি হায়বদগী সালাই তরেৎ কৌই। অদুবু ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা - ইলোন পুকোক পুয়াদা য়াওরিবা সালাই হায়বা ৱাহৈ /concept অসিগী ৱাহন্থোকতি মীতে কাংলুপ (Race) কী সালাই, সালাই তরেৎ হায়বা অসিদগী হেন্না পাক চাওই। 'সালাই' হায়বা কংলৈ ইপা ইপুশিংগী ৱাহৈগী পুক্কেদা য়াওরিবা অসিগী ৱাহন্থোক মুন্না খংবিয়ু।

থইনা কংলৈ ইপা ইপুশিং অসিগী astro - physics science না খংলমলিবসি তিংপালপা, তেংপালপা ( Universe ? The writer feels our তিংপালপা, তেংপালপা is greater than the universe of the west) অসিদা থৌৱাইমিচাক, নুমিৎ, থা, মালেম অসিনচিংবা অমতা লৈরমদে, ইহান হান্না ( Primordially) লৈরমলিবা তিংপালপা মপু, কংলৈ মীতে ইপা ইপুশিংনা ঈপুঙ - লোইনপা অপকপা হায়না কৌজবা মপু মহাকতনি, মহাকসি তলঙ মালঙ হায়বদি abstract, ideal, rational, spiritual ওইনা লৈবনি, মপু মহাক্কী মশাদা তইপঙ পালপা পুমনমক থৌৱাইমিচাক, নুমিৎ, থা, মালেম, মী, শা, উচেক, উলি ৱালি অসিনচিংবা পুমনমক সি, মসি ( abstract, ideal, rational, spiritual ) ওইনা লোইনা য়াওই। মপু মহাক্কী মশাদা য়াওবা তলঙ মালঙ ( abstract ... ) ওইবা ময়াম অদুনা মপু মাগী অনিংবা মতুং ইন্না ঐখোয় না হৌজিক উরিবা অরুমবা লৈবা পোৎশকশিং হায়বদি থৌৱাইমিচাক, নুমিৎ, থা, মালেম, মী, শা, উচেক, উলি ৱালি অসিনচিংবা ( physical, material objects ) অসি ওক্লকপনি। লাইরিক ইজরিবা মীওইবা ঐহাক য়াওনা, মপু মহাক্কী মশাদা য়াওবা তলঙ মালঙ ওইবা ময়াম অদুনা তইপঙ পালবদা উরিবা অচৎপা, চৎতবা পোৎলমশিং অসি পুমনমকসি ওনখিবনি, ওইরকখিবনি। মশিনি পুয়াদা য়াওবা 'সালাই' হায়বা ৱাহৈ/ concept অসিগী ৱাহন্থোকতি।

'সালাই' করিনো ?



'সালাই'= সা + লাই, মফম অসিদা 'সা' হায়রিবা অসি সা (animal) হায়বা খক্কী ৱাফম নত্তে ; মথকতা ইজখিবা 'নুং - সা সা - তুম' হায়বা ৱাহৈশিং অদুদা য়াওরিবা 'সা' হায়বা ৱাহৈ /concept অদুগা চপমান্নে, হায়বদি 'সা' হায়বদি অরুমবা লৈবা, পায়বা য়াবা, মসা লৈবা, মী, সন, উ ৱা, অসিনচিংবা পুমনমক লোইননা নোংথকতা তাওদুনা লৈরিবা থৌৱাইমিচাক, নুমিৎ, থা অসিনচিংবা ( physical, material ওইবা ) পুমনমকপু হায়বনি। মফম অসিদা 'লাই' হায়বা ৱাহৈনা হায়রিবনা god হায়বদি নোংচুপলোমগী লোনদাদা ফোংদোক্লগনা The Universal God Father, মীতে ইপা ইপুশিংগী লোনদা হায়রগনা ঈপুঙ লোইনপা অপকপা, তিংপালপা মপু হায়বনি। মরম অসিনা 'সালাই' গী ৱাহন্থোকতি, তিংপালপা মপু, ঈপুঙ লোইনপা অপকপা মহাক্কী মশাদগী 'লাই' মাঙোনদগী ওক্লকপা তইপঙ পালপাদা উরিবা পোৎ পুমনমক, 'সা' ওইবা হকচাং, মউ পানবা অচৎ চৎত পুমনমকপু হায়বনি। 'সালাই' হায়বসি পুমনমক অসিবু খংনবা ৱাহৈ/concept নি। মতাং অসিদা, পুয়াদা য়াওরিবা অইবনা চেফোং, লাইরিক কয়াদা ইজখ্রবা " ঈপুঙ লোই অপকপনা মথননাতা লৈপা য়াততুনা হইনা হুমমকপকী হুঙ। হুং। কী ঈৱাই ঈনিননা নীকশিল্লকতুনা ফমচিল্লকপতা। থেংনালুপা অতুপু লাইকী মশানি হায়দুনা লাইসা (লৈসা) হইনা কৌখিবা অতুপু ঈনুঙ পুঙতগী ঈপুঙ লোইনপা অপকপনা ফুকখৎ চীংখৎ থাংখৎ লকপতা লোইনলকপা। অমতি লাইসাপু থেংনপতকী থোকলকপা কামপী। লাইচা। মালঙপা হইনা কৌখিপা। লাইপুঙথৌ তলেৎকী লাইমিং থোনতুনা ঈমাই ফাওখিপা। ঈমাই অতুপু লাইকী খুৎতমনি লাই মাললে হইতুনা মালেম হইনা কৌখিপা। "

মথকতা পুয়াদগী লৌথোকপা শরুক অমা, অইবনা পুথোকতুনা উৎচরিবা অসি, পাবিরিবশিংনা খংজিনবা য়ামনা মথৌ তাই, পুয়াগী ৱাফমসি তইপঙ মালেম অসি শেমলকপগী অহৌবনি 'সালাই' হায়রিবা পুয়াগী মমিংদা য়াওরিবা ৱাহৈ/concept অসি, মথক্কী পুয়াগী লামাইদা য়াওরিবা ৱাহৈ পরেংশিং অসিনা ফোংদোকলিবা ৱাখল অসিমকনি।

পুয়াগী মমিং ' ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা - ইলোন পুকোক ' অসিদা য়াওরিবা 'অমা - ইলোন' হায়রিবা ৱাহৈ/concept অসিগী ৱাহন্থোক করিনো, অদুগা ৱাহৈ অসি ' অমাইলোন ' অসুমনা পাবা ইবা য়াব্রা মুন্না খংবিবা মথৌ তাই।

খুৱাই মীতে থৌকল লাংকল মালুপ, শাকোলপন, ইমফাল কংলৈপাকনা ফোংলমবা পুয়া অসিমক্কী বাঙ্গলা ময়েকতা ফোংবা খুৎনমদসু পুয়াগী মমিং অসি ' ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমাইলোন পুকোক' অসুমনা ফোংলমই। পুয়া অসিগী মমিং অসি ১৮ শুবা চহীচাদা ইপা অঙোম চাউপানা শিন্থোক্লমবা খুৎইদা অসুমনা ই: [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মফম অসিদা পুয়াগী মমিংদা য়াওরিবা ৱাহৈসি অসুমনা [illegible] ইরনি। ৱাহৈ অসিদা য়াওরিবা "[illegible]" অসি ঈলিক (·) য়াওই, ঈপী ঈয়েক কৌই, অদুগা অসুমনা " [illegible] " ঈলিক য়াওদনা ইরগনা লোনসুম ঈয়েক কৌই। পুয়ানা হায়বা মতুং ইন্না লোনশুম ঈয়েকনা ৱাহৈ হৌদুনা ইবা য়াদে, মরম অদুনা ' অমা - ইলোন ' হায়বসি "[illegible]" না হৌই। 'অমা - ইলোন' দা য়াওবা " [illegible]" অসি ঈলিক (·) য়াওনা ই, অদুনা [illegible] অসি ঈপী ঈয়েকনি "[illegible]" অসুমনা ঈলিক (·) য়াওদনা ইরবদি লোনশুম ঈয়েকনি। মরম অসি ' অমা - ইলোন ' হায়বা ৱাহৈ ঈপী ঈয়েক ([illegible]) ওইনা ইবনা ৱাহৈগী অহৌবনি। মরম অসিনা "[illegible]" গী লোনচন মওং অসিনা, "[illegible]" হায়বা পুয়াগী ৱাহৈ অসি অমাইলোন নত্রগা অমাইলোন হায়না পাবা শুকয়া য়াদে, অমা - ইলোন অসুমনা পাগদবনি। খুদম ওইনা ইরেৎই হায়বা ৱাহৈ ইবসি মীতে ঈয়েকতা "[illegible]" অসুমনা ইগনি, অহৌবগী ঈয়েক অদুনা ঈপী ঈয়েক, "[illegible]" নি, অদুগা অরেৎইবগী ঈয়েক অদুনা ঈলীক (·) য়াওদবা "[illegible]" লোনশুম ঈয়েকনি।

মরম অদুনা পুয়াগী মমিং অসি ' ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা - ইলোন পুকোক ' হায়না পাগদবনি।

মথংদা পুয়া অসিগী মমিংগী অরেৎইবা ৱাহৈ/concept 'পুকোক' হায়বা ৱাহৈ/concept অসিগী ৱাহন্থোক করিনো হায়বা অসিনি।

'পুকোক'= পু + কোক হায়বনি। পুকোক হায়বা ৱাহৈ অসি ৱাহৈ অনিনা পুনদুনা ওইরকপনি। মফম অসিদা 'পু' হায়বদি, ইপা ইপু হায়বগী 'ইপু' হায়রিবা অসিদা য়াওরিবা 'পু' অসিসু ওইবা য়াই, মফম অসিদা 'পু' হায়বা ৱাহৈ/concept না পুরিবা নুংগী ৱাহন্থোকতি, তিংপালপা মপু মাঙোনদগী লাকপা ঈ অদু পুরকতুনা ঐখোয় মচা মশু পুমনমকপু শনদোকলিবা মী হায়বনি। পুয়াদা হায়রিবা " পালী ঈপুঙঙো ꣿ ৱালম অসিপু পুথাংকোক পাথংকোক ঈথাংকোক না লেপ্পনপা য়াথংনে।। " হায়রিবা ৱাহৈ পরেং অসিদা য়াওরিবা " পুথাংকোক পাথংকোক ঈথাংকোক " হায়বা ৱাহৈ অহুমসি মুন্না য়েংবিয়ু পাবিয়ু। মতাং অসিদা ৱাহৈ অহুম অসিনা হায়রিবদি তাইপঙপালপা অসিদা



মীতে ঐখোয় মচা মশু পুমনমকপু শনদোকপীরমবা ইপা ইপু ময়াম, ঐখোয়দগী হান্না পোকতুনা তিংপালপা মপু মাগী ঈবু শনদোকপিরমবা, শমথবিরমবা ইপা ইপুশিং অদুবু হায়বনি। মরম অদুনা পুয়াগী ৱাহৈ 'পুকোক' হায়বসিনা তাকলিবদি হৌখ্রবা লাইগা মীগা শমনবা মতমদা লৈরমবা ঐখোয়বু শনদোকপিরমবা ইপা ইপুশিং অদুনা থমবিরমবা খৱাইদগী ফবা, খৱাইদগী ৱাংবা মখল হায়বনি।

মরম পুমনমক অসিনা পুয়াগী মমিং " ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা - ইলোন পুকোক " হায়বা মমিং অসিগী অশমবা ৱাহন্থোকতি, ঐখোয় মীতেনা ঙাংলিবা মীতেলোন, হীয়াইগী মশক ওইরবা লোল, অমদি তাইপঙ পালবদা লৈরিবা থৌৱাই পানবা, পানদবা অসিগী অমতা ঙাইবা তিংপালপা মপু ঈপুঙ লৈইনপা অপকপা মঙোনদগী মতৌ করমনা হৌরকপা অসিনচিংবগী মতাংদা খৱাইদগী ৱাংনা থিগৎপা (থিলেল) ইপা ইপুশিংনা শিজিন্নরমপা মকোক ওইবা (পুকোক) পুয়ানি, লাইলীকনি হায়বনি। মরম অসিনা " [illegible] " (অমা - ইলোন) হায়বা ৱাহৈ অসিসু শিজিন্নরিবনি।

(৫) " **ৱাকোনকী চনিঙতা** "

" ৱাকোনকী চনিঙতা " হায়বা ৱাহৈশিং অসি ঐখোয়না পায়রিবা " ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা - ইলোন পুকোক " হায়বা ইপা ইপুশিংগী লিরবা, ৱাংলবা লাইলীক পুয়া অসিদা য়ামনা শেংনা ময়েক লানা ইদুনা থমলমবা ৱাহৈশিংনি।" ৱাকোনকী চনিঙতা " হায়বা ৱাহৈশিং অসি থাইনগী মীতে ইপা ইপুশিংনা হৌজিক্কী মতমগী biological science কী মতাংদা অৱাংবা থাক্কী লৌশিং লৈরমবগী তশেং তশেংনা উৎপা ৱাহৈশিংনি। মথক্কী হায়জখিবা পুয়া অসিদা, মতৌ করমনা মীতে ঐখোয়গী ঈয়েক ১৮ গী মনুংদা ১৩ শুবা ঈয়েক ওইরিবা [illegible] (য়াং) মতৌ করমনা ওইরকপগে হায়বগী মতাংদা পুয়া অসিদা অসুমনা ইরি :

" সিতাপা মপুতি তাইপঙ পালপাকী মাইকী অয়ুঙপা ৱাকোনকী চনিঙতা লোন্না লৈলে হাইপকী লোনচা অলিপা য়াঙপী কৌয়ে। মিংখৈ মিংলেলতি পুঙতালিক কৌয়ে। তিংপালপা মপুনা অয়ুঙপা ৱাকোন ফোলাংতা ফাউলকলে হাইপকী ঈনুঙলোন কৌয়ে,। ঈনুঙলোন কৌপতি মপুকী নিংসাকী মসকনে। মসিবু লাইকী লোননে ।। "

"ৱাকোন" হায়বা ৱাহৈ/concept অসি মথকতা অইবনা নৈনজখ্রে,ৱাকোনপুঙ হায়বা ৱাহৈ অসিসু নৈনজখ্রে। মথকতা অইবনা নৈনজখিবা খরা অসিদগী পাবিরিবশিংনা ৱাকোন হায়বা ৱাহৈ/concept অসি করিনো হায়বসি খংবিরমলগনি হায়না অইবনা থাজজে।

অমুক খরদং হায়জবা তারবদি , ৱাকোন = ৱা + কোন , ৱা হায়বা তিংপালপা মপু ঈপুঙ লোইনপা অপকপা অদুগী মতিক ময়াই ওইবা , মহাক্কী মশাদা তাইপঙপালবা ওইরিবা পোৎ পুমনমক নুমিৎ , থা.... অসিনচিংবা পুমনমক ৱাখল , মমি (idea,concept,abstract) ওইনা লৈবা অদু , মীওইবগী হকচাংগী লাইবক হায়না খংনরিবা মফম অসিদা মহাকনা তাইপঙ পালপা মপু ওইনা , কৌনা , কুমথরকতুনা মীওইবা অদুনা শিদ্রিবা ফাওবা লেংদনা লৈরে । মফম অসিদা কোন হায়বসি লৈফম হায়বনি ।

পুয়াগী ৱাফম অসিদা মাইকী অয়ুঙপা 'ৱাকোনকী চনিঙতা' হায়বা অসিগী ৱাহন্থোকনা , ঐখোয় মীওইবগী মায়গী লাইপক্কী ময়াইগী মখা থংবা শরুক (চনিঙ) দা মপু মাগী লৈফমনি হায়বনি । মফম অসি কংলৈ মীতৈ ইপা ইপুশিংনা পিশুম অনিগী কারক অসিগী খরা কাখৎলগা , লাইপক্কী মখা থংবা শরুক্কী ময়াইদনি হায়না লৌই । মফম অসিদা তিংপালপা মপু মহাকনা , তাইপঙ পালপা মপু কৌদুনা লোন্না লৈ , মমিং মিংলেনদি 'লোনচা অলিপা য়াঙপী' কৌই হায়বনি । মফম অসিদা য়াওরিবা ৱাহৈ/concept অহুম অসি য়ামনা ৱাহন্থোক লুবা ,technical and scientific ওইবা ৱাহৈ/ concept শিংনি । মফম অসিদা য়াওরিবা 'লোনচা' হায়রিবা অসিগী ৱাহন্থোকতি , লোনচা = লোন + চা হায়বনি , লোন হায়বনা মথকতা হায়জখিবা লোন্না হায়বা ৱাহৈদুনি , 'চা' হায়বনা তাইপঙ পালপা শনদোকনবা চারা , থৌৱাই পানবা পুমনমক্কী মচা মশু পুমনমক হায়বনি , 'অলিপা' হায়বনা লীদুনা মপু মানা থমলিবা " পালী অহানপা । কোনসেন তুলৈ শেংপা " সনা মহীপু হায়বনি , অদুগা য়াঙপী হায়বনা তাইপঙ পালপাবু থুনা য়াংনা ওইরকনবা , পীরকনবা হায়বনি ।

মরম অসিনা " সিতপা মপুতি তাইপঙ পালপকী মাইকী অয়ুঙপা চনিঙতা লোননা লৈলে হাইপকী লোনচা অলিপা য়াঙপী কৌয়ে । " হায়বগী ৱাহন্থোকতি , সিতাপা তিংপালপা মপু ঈপুঙ লোইনপা অপকপা মহাকনা মীওইবগী তাইপঙ মীকী মায়গী মখা থংবা শরুক্কী ময়াইদা তাইপঙ পালপা পুমনমকপু থুনা য়াংনা শেমনবা চারোল শুরোল শনদোকনবা তাইপঙ পালপা মপু কৌনা লৈরে হায়বনি । মীতৈ কংলৈচাশিংগীদি , কোক্কী শরুক ওইরিবা লাইপাকতা semen and sperm (তিললাং , সনা মহী) শুংই , নোংচুপলোমগা মান্নদে হায়জবা অইবগী ৱাফম নিংশিংবিয়ু ।

'মিংখৈ মিংলেলতি পুঙতালিক কৌয়ে ।' হায়বগী ৱাহন্থোকতি , মফম অসিদা পুঙতালিক হায়রিবা অসি 'পুঙ' + তা + লিক হায়বনি , পুঙ



হায়বা ৱাহৈ অসিনা ঈপুঙ লোইনপা অপকপা হায়বনি , তা হায়বনা তারকপা ওইরকপা হায়বনি , অদুগা 'লিক' লিকনা য়ামনা তাংনা হায়বনি । মরম অসিনা মীওইবা , থৌৱাই পানবা পুমনমক্কী লাইপকতা লৈরিবা তাইপঙ শনদোকনা লৈরিবা পোৎ অদু তিংপালপা মপু ঈপুঙ লোইনপা অপকপা মহাকনা থারকপা ঈ মরিক ৎ (অমা) দা য়াওরিবা ঈলিক অদুনি 'পুঙতালিক' হায়না ইপা ইপু কংলৈচাশিংনা নুংশিনা ইকাই খুমননা কৌজবা মিংখৈ মিংলেলনি।

" তিংপালপা মপুনা অয়ুঙপা ৱাকোন ফোলাংতা ফাউলকলে হাইপকী ঈনুংলোন কৌয়ে । " পুয়াগী ৱাফম অসিদা " অয়ুঙপা ৱাকোন ফোলাংতা " হায়রিবা অসি মথকতা 'ৱাকোনকী চনিঙতা' হায়রিবা কোক্কী শরুক অদুদা য়াওবা পশোৎ ওইবা ঙৌরপ তৌবা (ফোলাং) অদুদা ফাউলকলে হায়বদি তিংপালপা মপু মহাকনা লাকতুনা লৈরে হায়বনি , ঈনুঙলোন কৌয়ে হায়বনা ঈ মপু ওইরিবা তিংপালপা মপু ঈপুঙ লোইনপা অপকপা মহাক্কী থৌশিনবু , কংলৈচা ইপা ইপুশিংনা ঈনুঙলোন হায়রগা খংনবনি ।

'ঈনুঙলোন কৌপতি মপুকী নিংসাকী মশকনে ।' পুয়াগী ৱাফম অসিদা য়াওরিবা 'নিংসাকী' হায়বসিদা য়াওরিবা 'নিংসা' হায়বদু মুন্না য়েংবিয়ু । 'নিংসা' হায়রিবা ৱাহৈ/concept অসি পুয়াদা ঙসিগী মমাং চহী ৩৫০০ রোম ইপা ইপুশিংনা ইদুনা থমবিরমবা অসি , কংলৈ মীতৈ ইপা ইপুশিং অসি মতম অদুদা অমসুং মদুগী মমাংদা cosmic science and cosmic evolution গী knowledge য়ামনা লৈরমই হায়বা তাকই ।

হৌজিকতা science and technology য়ামনা চাওখৎলবা নোংচুপ লোমনা 'Higgs boson' না 'God particle' কৌদুনা মশক মওং নাইদবা তলঙ মালঙ ওইবা (Abstract , idea ...ওইবা) তিংপালপা মপু ঈপুঙ লোইনপা অপকপা অদুনা মতৌ করমনা মশক মওং নাইবা living universe (থৌৱাই মিচাক , নুমিৎ থা , মালেম...) ওইরকপা অসি খংবদা হৌরকপগুম তৌরি । অদুবু কংলৈচা ইপা ইপুশিংদি ঙসিগী মমাং চহী ৩৫০০ অমসুং মসিগী মমাংদা খংখ্রে ।

মথক্কী পুয়াদগী লৌথোকপা ৱাহৈ পরেং "ঈপুঙলোন কৌপতি মপুকী নিংসা কী মশকনে ।" অসিদা য়াওরিবা 'নিংসা' হায়বগী ৱাহন্থোক খংবিয়ু।

নিংসা = নিং + সা নি ।

মফম অসিদা 'নিং' হায়রিবা অসিগী ৱাহন্থোকতি , নিংবা , খনবা , পামলকপা হায়বনি , কনানা নিংলকলিবা , পামলকলিবা , খল্লকলিবা হায়বনি। কনানা নিংলকখিবা , খল্লকলিবা , পামলকলিবা ? মশক মওং নাইদবা তিংপালপা

মপু ঈপুঙলোইনপা অপকপা মহাকনা মথন্নতা লৈবা য়াদদুনা তেংপালপা , তইপঙ মালেম (living universe) শেমনিংলক্লিবা , শেমগে খল্লকলিবা। মথংদা নিংসা হায়বা ৱাহৈগী 'সা' না করি খংনরিবা ? 'সা' মফম অসিদা 'সা' হায়বগী ৱাহন্থোকতি , মশক মওং নইবা , থৌৱাইমিচাক , নুমিৎ , থা, মালেম অসিনচিংবা living universe অসিবু হায়বনি ।

মরম অসিনা মথক্কী ৱাহৈ পরেং অসিদা য়াওরিবা নিংসা কী ৱাহন্থোকতি মপু মাগী অনিংবা মতুং ইন্না থৌৱাই মিচাক , নুমিৎ , থা , মালেম , মী , শা ঙা পুমনমক য়াওবা living universe ওইখিবনি হায়বনি । মশক লৈতবা মি , মমি ওইবা abstract ওইবা মপু মানা নিংবা মতুং ইন্না living universe , physical ওইবা পুমনমক অসি ওইরকখিবনি হায়বনি ।

মথকতা অইবনা পুয়াদগী লৌথোকতুনা উৎখিবা ৱাহৈ পরেংশিং অসিগী অশমবা ৱাহন্থোকতি, তিংপালপা মপু ঈপুঙলোইনপা অপকপা মহাকনা থৌৱাই পানবা পুমনমক্কী মায়গী মখা থংবা চনিংদা পিশুম অনিগী মরক্কী মথক খরা কাখৎলগা ময়াইদা , মথং চাদা - নাউদা শনদোকনবা লোন্না থুপতনা লৈ । মপু মহাকনা লাইপকতা অসুমনা লৈবা অসি তইপঙ পালপা মী , শা উচেকনচিংবা ময়াম শনদোকনবা , মপু মাগী মশক মওং লৈতবা অদু , মশক মওং লৈবা physical universe দা ওন্থোকপগী, মাগী নিংবা মতুং ইন্না তৌবা নিংসাকী , শাইওন , লাংওনগী মওংনি , তিংপালপা মপু মহাক্কী খুৎশেমদা মতাং অসি ফাওবা অসি ঈনুঙলোন হায়বদি সিতপা উবা ফংদবা মহাক্কী ৱাফমনি লাইলোন্নি হায়বনি , অদুগা মপু মানা লাইপকতা লৈদুনা তিংলাং (sperm) ওইনা সাইওনদুনা লৈরগা তইপঙপালপা শনদোক্লকপা অসিবু খুনুঙলোন হায়বদি খুন ময়াম , সা উচেক ময়াম শনদোক্লকপা অসিবু হায়বনি।

পুয়ানা মফম অসিদা হায়রিবা অসি , কংলৈ ইপা ইপুশিংনা খৃ: গী মমাং চহী লিশিং কয়াগী মতমদা , হৌজিক্কী মতমগী biological science য়ামনা খংলমবগী ৱাফমনি ।

(৬) **ৱাহৌলোন** -

কংলৈচা মীতৈশিং অসি তইপঙ মালেম অসিদা মপু মানা খৱাইদগী হান্না শেমবা মী কাংলুপ ওইবনা , মালেমদা খৱাইদগী লিরবা মীওই কাংলুপ অমসু ওই । অদুগী মথকতা , মালেমদা খৱাইদগী হানবা , খৱাইদগী হেনবা খুন্নাই অমসং ইনাৎকী মপু অমা ওইবা মীওই কাংলুপনি । science and philosophy দা , মালেমগী মীওই অতৈদগী খৱাইদগী হান্না হৈ শিংবা মী কাংলুপনি । ৱাফম অসি হিনদু নিংথৌশিংনা , কংলৈচা মীতৈশিংগী মালেমগী



খৱাইদগী লিরবা পুয়া পুমনমক ১৮ শুবা চহীচাদা মৈ থাদোকখ্রসু , য়ামনা তাংনা কংলৈচা ঐখোয়না ফংজহৌবা , পামহৈবগী মতমদা পুয়া মৈ থারমদাইদা অঙোমচা ইপা চাওপা মায়চৌনা শিন্থোকতুনা থমবীরমবা , ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা - ইলোন পুকোক পুয়া অসি নৈনবদা হেকতা খংগনি । পুয়া অসি খৃ: মমাং চহী ১৫০০ নত্রগা ঙসিগী মমাং চহী ৩৫০০ অদুৱাইদা কংলৈ ইনিংথৌ মুংয়াংপাগী মতমদা ইখিবনি ।

মথকতা মমিং পনজরিবা পুয়া অসিদা য়াওবা science কী মতাংদা, হৌজিক লাইরিক অসি ইচারিবা অইবনা <u>THE WAKOKLON HEELEL THILELSALAIAMA - ILON PUKOK and THE MODERN SCIENCE</u> হায়বা লাইরিক মচা অমা ইজরি , য়ামনা থুনা পুথোকনবা হোৎনজরি , মপু মানা থৌজানবীরবদি শোইদনা ঙমগনি হায়না থাজজৈ ।

**ৱাহৌলোন =ৱা + হৌ + লোন হায়বনি । মীতৈ কংলৈচাশিং অসি মালেমগী য়ামনা লিরবা , য়ামনা ৱাখল বাংবা মীওই কাংলুপ ওইবনা , মখোয়গী ৱাহৈ বাতাশিং ৱাহৈ অমতনা ৱাহন্থোক কয়া পীবা ঙমই , ৱাহৈ/concept কয়া ৱাহৈ অমতদা পুনশিল্লি । হৌজিক 'ৱাহৌলোন' হায়বা ৱাহৈ/concept অসিগী ৱাহন্থোক খংমিন্নসি ।**

ৱাহৌলোন =ৱা + হৌ + লোন:

মথকতা অইবনা 'ৱা' না হৌবা ৱাহৈ খরগী ৱাহন্থোক পীদুনা ইজখিবা অদু পাবীবদা , পাবীরিবা মীওইশিংনা 'ৱা' হায়বসিনা করি হায়রিবনো হায়বসি খরমখৈদি খংবিরমলগনি । ঐখোয় মীতৈনা ঙাংলিবা ৱাহৈশিংগী মনুংদা ৱাহৈ, ৱাতা , ৱাঙাং , ৱাখল , ৱাপাং অসিনচিংবা ৱাহৈশিংদা য়াওরিবা 'ৱা' হায়বা অহৌবদা য়াওরিবা ৱাহৈ মচেৎ অসিগী ৱাহন্থোক চপ - মান্নে । ঐখোয় মীওইবগী কোক মনুংদা , ঐখোয়না হায়দোকলিবা পোৎ পুমনমক , থৌথোক পুমনমক অসিনচিংবা অসিগী মশক , মওং , মতৌ অসি মমি ওইনা তাদুনা লৈ । মথকতা অইবনা খুদম ওইনা পীদুনা কয়াসু ইজখ্রে । খরা অমুক হন্না ইজবা তারবদা , হৈনৌ হায়বা ৱাহৈসিদা খন্নসি । হৈনৌ হায়বা পোৎ অসি মশক মখল য়ামখ্রে , করিগুমবা হৈনৌনা খুবীদগী হেন্না চাওদে , করিগুমবা মখলগী হৈ নৌনা কেজি ১/২ রোম লুমদুনা য়ামনা চাওই । অদুবু পুমনমকসি ঐখোয়না হৈনৌনি হায়বা খংই । করিগীনো ? ঐখোয়গী ৱাখলদা , পুকনিংদা , কোকতা হৈনৌগী ওইনা খংনবা মমি , মশক অমা তাদুনা লৈবদগীনি । মরম অসিনা পুমনমকসি হৈনৌনি হায়বা খংবা ঙমলিবনি । খুদম অমা অমুক

পল্লবদা অফ্রিকাগী মীশিং অসি য়াম্না ৱাং চাওই , য়াম্না মুই । ইউরোপকী মীশিং অসিসু য়াম্না ৱাং চাওই , য়াম্না ঙৌই । এসিয়াগী মীশিং অসি পিকই, য়াম্নসু মুদে , য়াম্নসু ঙৌদে । অদুবু অফ্রিকাগী কাংবুসু , ইউরোপকী কাংবুসু, এসিয়াগী কাংবুসু ঐখোয়না মীনি , মীওইবনি হায়বা খংই । করিগীনো? মরমদি ঐখোয় মীওইবগী পুকনিং , ৱাখল , কোকতা মীওইবা হায়বা পোৎশক অদুগী মশক , মওং অসি মমি ওইনা লৈবদগী , হেক উবদা কোক্কী মমি অদুগা চাংদমনবদা , অফ্রিকাগী , ইউরোপকী কাংবু পুমনমকসি মীনি হায়বা খংলিবনি। মরম অসিনা মথক্কী ৱাফমশিং অসিদগী খংবিগদবদি , ঐখোয় মীওইবনা খংলিবা , উরিবা , তারিবা পুমনমক অসি কোকতা , পুকনিংদা , ৱাখলদা মমি ওইনা তাদুনা অদুম লৈ , তাদুনা লৈরিবা মমি অদুবু কংলৈচা মীতৈশিংনা 'ৱা' হায়বগা খংনৈ , অদুগা ইংলিস লোনদা 'concept' হায়রগা খংনৈ ।

অইবনা মথকতা হন্না হন্না হায়জখ্রে - তিংপালপাকী মপু ঈপুঙলোইনপা অপকপা মহাক অসি পায়বা য়াবা , শোকপা য়াবা , ফোটো নমবা য়াবা physical ওইবা পোৎশক নত্তে ।

মহাক অসি মমি ওইনা , ৱা ওইনা ,concept, idea ওইনা , abstract ওইনা লৈবনি ।

তাইপঙপালপাদা ঐখোয়না উরিবা পোৎ পুমনমক নুমিৎ, থা, থৌৱাইমিচাক, মালেম , মী , শা উচেক , উ ৱা অসিনচিংবা পুমনমক অসি মপু মাগী মশাদা ৱা ,concept , idea ওইনা লোইনা হান্না লৈ । মপু মহাক্কী নিংবা মতুং ইন্না , মহাক্কী মশাদা য়াওরিবা ৱা , concept , idea অদুদগী নুমিৎ , থা , থৌৱাইমিচাক , মালেম অসিনচিংবা পুমনমক য়াওবা অহিংবা তাইপঙপাল (living universe) অসি ওইরকপনি ।

ঐখোয় মীওইবা ঐখোয়সি মপু মানা শেমলগা , ঐখোয়গী কোক্কী শরুক লাইপকতা মপু মানা মীওইবা অদুনা শিদ্রিবা ফাওবা লেংদনা লৈ । মরম অসিনা মীওইবনা মপু মাগী মতিক ময়াই ওইবা খংখিবা , উখিবা , তাখিবা মীওইব মহাক্কী মমাংদা থোকখিবা থৌথোক পুমনমক মমি ওইনা ,concept ওইনা , idea ওইনা কোকতা পুকনিংদা ৱাখলদা থম্বা ঙমই । মীওইবা ঐখোয়সি মপু মাগী মশক য়েংদুনা মপু মানা শেমখিবনি , মপু মহাক্কী থাক য়ৌরবা থৌৱাই পানবা কাংলুপনি , তাইপঙ পালপা শেমগৎপা (evolution) অসি মীওইবা শেমবদা লোইরে হায়রিবনি ।

অইবনা মথকতা য়াম্না শনদোকনা শাংনা ইজরিবা অসি , 'ৱা' হায়বসি করিনো , কদাইদগী হৌরকই হায়বা খংনবা ইজখিবনি , মফম অসিদা অইবনা



পীজরিবা পাউখুমদি 'ৱা' idea , concept পুমনমকসি তিংপালপা মপু ঈপুঙলোইনপা অপকপা মাঙোনদগী হৌরকপনি হায়জবনি ।

তিংপালপা মপু ঈপুঙলোই অপকপা মহাকনা , মপু মাগী ৱা , idea , concept অদুদগী অহিংবা তাইপঙ পালপা Living universe অসি শেমলে । মহাকনা উপাল অমা শেমলে হায়না খনবিরো । মহাকনা মশা মরেং পানবা , মউ লৈবা পোৎশক অসিবু শেমবনি । পোৎশক অসিবু ঐখোয়না উপাল কৌই , নোংচুপ লোম্না tree কৌই , হিনদুশিংনা পের হায় , পোৎশকতি চপ মান্নবা পোৎশক অমতনি । পোৎশক অদুগী কোকতা ৱাখলদা পুকনিংদা তারিবা মশকতি অমতনি । হায়দোক্লকপা মতমদদি মীতৈনা উপাল হায় ,west না tree হায় , হিনদুশিংনা পের (তালা) হায় । উদবা মপু মাগী মশাদা য়াওবা ৱা , concept , idea দগী ওইরক্লবা পোৎশক (পুকনিং ৱাখলদা তারিবা) অদুনা মীতৈগী 'ৱা' নি ,tree ,পের (তালা) না অতোপপা কাংবুগী ৱাহৈনি । পোৎশক অমতবু মালেমগী মীয়াম্না মশা মশাগী লোনদা তোঙান তোঙান্নবা মচিন্না ফোংদোকই । মচিন্না পোৎ অমবু খংনবা ফোংদোকলিবা অদুনা ৱাহৈ (word) নি ।

মরম পুমনমক অসিনা 'ৱা' হায়বা মীতৈগী ৱাহৈ মচেৎ অসিগী হৌরকফমদি তিংপালপা মপু ঈপুঙ লোইনপা অপকপা মাঙোনদগী হৌরকপনি হায়বসি খংবিরবা নত্রা !

ৱাহৌলোন = ৱা + হৌ + লোন অসিদা য়াওরিবা 'হৌ' হায়বা অসিগী ৱাহন্থোকতি হৌরকপা , থোকললকপা হায়বনি , অদুগা লোন হায়বা ৱাহৈ মচেৎ অসিগী ৱাহন্থোকনা ঐখোয়গী লোন language হায়বনি ।

মরম অসিনা মালেমগী মীওইবা পুমনমক্কী লোন , ৱাহৈগী 'ৱা' মসি , concept , idea , পুমনমক মপু মঙোনদগী থোক্লকপনি হৌরকপনি , অদুগা ৱা অদুবু ফোংদোকপগী মওং ৱাহৈ না মী কাংলুপ অদুনা মাগী লোনদা তোঙান তোঙান্না মচিন্না হায়দোকতুনা ফোংজবনি হায়বসিনি । অমরোমদা অমুক হায়বা তারবদি মালেমগী মীওইবা কাংলুপ খুদিংগী মীওইশিংনা মা মানা উবা মপু মানা শেমবা পোৎশক অমতবু , কাংলুপকী লোন খেন্নবা মতুং ইন্না, মচিন্না মাগী মাগী লোনদা ৱাহৈ (word) ওইনা ফোংদোকনবনি । মসিনি 'ৱাহৌলোন' হায়বগী ৱাহন্থোকতি ।

"ৱাহৌলোন" হায়বা ৱাহৈ অসিখকতগী ৱাহন্থোক থিগৎপদা , হৌখিবা কংলৈচা ইপা ইপুশিংগী ৱাংউলোন অমসুং science কী লৌশিং অসি য়াম্না ৱাংলমই হায়বসি খংবা ঙমমী ।

মতাং অসিদা কংলৈচা ইপা ইপুশিংগী থিগৎলোনাদা , ৱাহৌলোন , ঈনুঙলোন অমসুং খুনুঙলোন ৱাহৈ অহুম অসি মতৌ করমনা মরি লৈবগে হায়বা অসিনি ।

মথকতা অইবনা কুপনা নৈনজবদা , ৱাহৌলোন করিনো হায়বসি খংবীখ্রে। মথংদা ইপা ইপুশিংগী থিগৎলোন ৱাহৈ 'ৱাহৌলোন' অসিগা অতোপপা থিগৎলোনগী ৱাহৈ 'ঈনুঙলোন' অসিগা করি লৈনৈ অসিনি । ঐখোয়না ৱাহৈ/concept কী মতাংদা নৈনবদ্রা , কংলৈ ইপা ইপুশিংগী ৱাহৈ/concept ৱা (concept , idea , abstract and rational ওইবা) পুমনমক অসি তেংপালপা মপু তলঙ ঈপুঙ লোইনপা অপকপা মঙোনদগী হৌখিবনি , খোক্লকপনি খংবিখ্রে । মথংদা 'ঈনুঙলোন' করিনো অসিনি ।

ঈনুঙলোন = ঈ + নুঙ + লোন অসিনি । মফম অসিদা ঈ হায়বদি তইপঙ পালবগী ঈ পুমনমক ; ঐখোয়না তেংপালপা ,তইপঙপালপা পুমনমকপু শেমবা অরেইবা মপু মহাকপু (ultimate universal lord) মহাকপু তিংপালপা মপু ঈপুঙলোইনপা অপকপা কৌই , অদুগা তলঙ ঈপুঙ লোইনপাা হায়নসু কৌই । কংলৈচা ঐখোয়না নোং ঙাল্লকপাবু ঈনুঙ ঙানবা হায়নসু খংনৈ, অদুগা অহাংপা অতীংআ অসিবু সালাইলেল সিতপা হৈপা সোরারেনসু) কৌই । মরম অসিনা কংলৈচা ঐখোয়গী ৱাংউলোন অমসুং science কী নৈনলোন্না খংবদি , ঐখোয়গী ইমাংদা উরিবা হৌবা লৈতবা , লোইবা নইদবা অতীংআ অসি অরেইবা মপু (ultimate lord) মহাকনি , তলঙ ঈপুঙ অদুনি , ঈপুঙ লোইনপা অপকপা অদুনি । 'নুঙ' হায়বনা মনুং হায়বনি , অদুগা লোন হায়বনি চুমনগী লোন (language) হায়বনি । মরম অসিনা 'ঈনুঙলোন' গী ৱাহন্থোকতি , ঈপুঙ , তলঙ ঈপুঙ গী ওইবা মপু মাগী ওইবা, তইপঙ পালপা শেমদ্রিঙেগী মপু মাগী ওইবা ৱা , মমি (concept , idea) ওইনা লৈরিঙেগী living universe অমা শেমদ্রিগী ৱানি , লোম্নি হায়বনি। পুয়ানসু ' লাইকী লোলনে । ' হায়না ই ।

অদুগা 'খুনুঙলোন' হায়বনা থাংগৈ শেংবদি খুন মনুঙদা লোনবা , খুন মনুংদা শিজিন্নবা ৱাহৈ লোন হায়বনি । অশেংবা তইপঙ পালপা (living universe) অমগী শকতম অসি মপু মাগী ঈনুঙপুঙদা ৱা , মমি (concept , idea , rational , abstract) ওইনা লৈরমবনি । অদুবু মপু মানা মতোমতা লৈনিংদ্রদুনা " হুঙ । হুং । কী ঈৱাই ঈনিন " big bang থোকহনদুনা নুমিৎ , থা , থৌৱাইমিচাক , মালেম.... পুমনমক অসি য়াওবা অহিংবা তইপঙপালপা (living universe) অসি শেমখিবনি ।



'ৱাহৌলোন' , 'ঈনুঙলোন' অনি অসিনা " হুঙ । হুং । কী ঈৱাই , ঈনিন " মপু মানা থোকহনদ্রিঙেগী , অহিংবা তইপঙপাল অমা শেমদ্রিঙেগী মমাংগী ৱাফমনি । অদুগা 'খুনুঙলোন' হায়বা অসিনা অহিঙবা তইপঙপাল (living universe) অমা শেমলবা মতুংদা ঙাংনবা লোল ৱাহৈ ৱাঙাং অদুবু হায়বনি।

ৱাহৌলোন , ঈনুঙলোন অমসুং খুনুঙলোন হায়বা ৱাহৈ অহুম অসি তিংপালপা মপু মানা তইপঙ পালপা , অহিংবা মালেম অমসুং তইপঙপাল অমা শেমলকপকী মথং মথং ওইবা মপু মাগী খোংথাং অমসুং মদুগী মহৈবু ফোংদোকপা ৱাহৈ/concept অহুমনি ।

(৭) ' **মপু সিতাপানা ৱাকোন ফোলাং চীঙতোলতা তইপঙ পালপা মপুপু খুনথোকহললে হইপকী খুনুঙলোন কৌয়ে ।।০।।** '

মথকতা অইবনা ইজরিবা ৱাহৈ পরেং অসি ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা - ইলোন পুকোক কৌবা পুয়া অদুদগী লৌথোকপনি । ৱাহৈ পরেং অসিনা খুনুঙলোন হায়বসি করিনো , খুনুঙলোন , গী ৱাহন্থোক করিনো , খুনুঙলোন হায়বা ৱাহৈসিদা শিতপা তিংপালপা মপু মহাকনা করি তৌই হায়বদু কংলৈ মীতে ৱাংউবশিংনা তশেং তশেংনা তাকই ।

মথক্কী পুয়াদগী লৌথোকপা ৱাহৈ পরেং অসিদা য়াওরিবা 'মপু সিতপানা' হায়রিবা মপু অসিনা , ' কেইলৌ নোংমতোননা ৱাংপলা ? পনথৌ ঈপানা মৱাংই ।' হায়রিবা অসিদা য়াওরিবা ' পনথৌ ঈপা ' , তেংপালপা শেমলিবা, পুমনমকপু শেমলিবা তইপঙপালপাগী মপা , তিংপালপা মপু ঈপুঙ লোইনপা অপকপা মহাকপু হায়বনি । অদুগা তইপঙ পালপা মপু হায়রিবা অদুনা , তইপঙ মালেম অসিবু শেমবা লোইরবা মতুংদা , মী শেমলবা মতুংদা তিংপালপা মপু ঈপুঙলোইনপা অপকপা মহাকনা, তইপঙ মীওইবকী লাইপকতা লৈরবা মতমদা কৌবা মমিং তইপঙ পালপা মপু হায়বা অদুবু হায়বনি , মীওইবগী হকচাংদা পুমনমক্কী মপু মহাকনা মি কৌনা লৈরকপা অদুবু হায়বনি ।

মথংদা মথক্কী পুয়াগী ৱাহৈ পরেং অসিদা য়াওরিবা 'ৱাকোন ফোলাং চীঙতোল' হায়বা ৱাহৈ/concept অহুমসিগী ৱাহন্থোক করিনো হায়বা অসিনি । অহানবগী ৱাহৈ ৱাকোন হায়বা ৱাহৈ অসি মথকতা য়ামনা কুপনা নৈনজখ্রে। সমনা হায়রবদা ৱাকোন গী ৱাহন্থোকতি ঐখোয় মীওইবগী কোক মনুংদা লৈরিবা থোক (brain) বু হায়বনি । মথংগী ৱাহৈ ফোলাং অসিনা মীওইবগী থোক (brain) মনুংদা য়াওরিবা অঙৌবা , য়ামনা থোৎপা নংনং লাউবা , ৱাখল লৌশিং (idea , image, etc) পুমনমকপু লৌশিনবা ঙমবা , অচুম চুমদা খনদোকপা ঙমবা শিংলিগী ময়াই ওইরিবা অসিবু হায়বনি।

মথংগী ৱাহৈ 'চীঙতোল' হায়বা ৱাহৈ অসিগী ৱাহন্থোক য়েংবিয়ু - চীঙতোল = চীঙ + তোল হায়বনি । মফম অসিদা চীঙ হায়বদি চিংখৎপা (pulling up) হায়বনি , অদুগা অমুক চিংখৎপা হায়বা অসিদা করিবু চিংখৎলিবা অসিনি । ঐখোয় মীওইবনা চারি - থকলিবা অদুদগী থোক্লকপা খৱাইদগী ফবা, খৱাইদগী হেনবা পুমনমক অদুবু চিংখৎপা হায়বনি ।' তোল ' হায়বনা মতোল, হকচাংগী খৱাইদগী ৱাংবা মফম কোকতা হায়বনি । শমনা হায়রবদা ' চীংতোল' হায়বদি হকচাংগী খৱাইদগী ৱাংবা কোক্কী ' ফৈলাং ' অসি চাবা থকপদগী ওল্লকপা খৱাইদগী ফবা পুমনমক অদু চীংখৎলগা শেমবনি হায়বনি । মথংদা ' খুনথোকহনলে ' হায়বদি মী শনদোকনবা মী য়ামনবা , খুন্থোক - খুনজাওনবা হায়বনি ।

মরম অসিনা ' মপু সিতাপানা ৱাকোন ফোলাং চীঙতোলতা তৈপঙ পালপা মপুবু খুনথোকহনলে ' হায়বগী ৱাহন্থোকতি তিংপালপা , তেংপালপা, তৈপঙপালপা পুমনমকপু শেমলিবা তিংপালপা মপু ঈপুঙ লৌইনপা অপকপা মহাকনা মহাক্কী মহুৎ শিন্না মীওইবগী লাইপকতা তৈপঙপালপা মপু কৌনা লৈরিবা মঙোনদা তৈপঙপালপা শনদোকনবগী থবক পুমনমক শিন্নে তৌহল্লি হায়বনি । অতোপপা লোন অমদা অমুক হায়বা তারগনা মীওইবগী কোক , থোক (brain) মনুংদা তৈপালপা মপু মহাকপু তিল , তিললাং (sperm) শেমহল্লি হায়বনি ।

অইবনা হন্না হায়জখ্রে - ঐখোয়না পায়রিবা ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা - ইলোন পুকোক কৌবা পুয়া অসি খ: গী মমাং চহী ১৫০০ অদুৱাইদা পাল্লমবা কংলৈপাক্কী ইনিংথৌ মুংয়াংপাগী মতমদা ইরমবনি। মরম অসিদা পুয়া অসিদা ইশিনদুনা থম্‌লমলিবা লৌশিং (knowledge) পুমনমক অসি কংলৈচা মীতৈশিংগী ঙসিগী মমাং (B.P) চহী ৩৫০০ (লিশিং অহুম চামঙা) গী মমাংগী লৌশিং (knowledge) ঙাক্তনি ।

ঙসি ঙসি নোংচুপলোমগী science and technology না sperm অসি testis দা শুংই (produce তৌই) হায় , অদুগা কংলৈচা মীতৈশিংনা নোংপোকলোমদা, Asia দা ঙসিগী মমাং চহী ৩৫০০ গী মমাংদগী কোকতা শুংই (produce তৌই) হায় , মসি অইবা পুয়ানা হায়বা লেংদবা খুদমনি । য়ামনা খেন্নরি - নোংপোক্কা নোংচুক্কা খেন্নবগুম খেন্নরে । মতুংদা মতমনা করমরনা চুমবগে হায়বা পুথোক্লকপা য়াই ।

**Books of the Writer so far published:**



The Author

(1) মীতৈগী নোংকালোন (1980)

(2) কংলৈপাক শক্তম (1980)

(3) মীতৈ/মৈতৈ করমবনা চুমবগে
য়েক সালাই করি করিনো ? (1993)

(4) From the Pages of History: The Meetei and
the Bishnupriya (1999)

(5) A Historical Evidence that proves the falsehood of the
Present History, Literature etc. of Manipur (2000)

(6) A Short History of Kangleipak (Manipur)
Part - I (2005)

(7) ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা - ইলোন পুকোক
(পুয়া অসিগী ৱাফম খরগী ৱাহন্থোক পীবগা লোইনবা) মনিপুরগী
সরকারগী স্কুল অঙাংশিংদা তমবীনবা পুথোক্লিবা মীতৈ ময়েক্কী
মতাংদা অহকপা য়ানীংদবা খরা । (2006)

(8) A Short History of Kangleipak (Manipur)
Part - II (2007)

(9) A Short History of Kangleipak (Manipur)
Part - III (2008)

(10) Kangleipak : The Cradle of Man (2010)

(11) Discovery of Kangleipak (Series I) (2011)

(12) Kangleipak: The Cradle of Man (II - Edition) (2012)

(13) মীতৈ ৱাহৈশিংগী ঈনাৎকী ৱাহন্থোক - অহানবা শরুক
(The Cultural Dictionary of the Meetei Words) (2012)

(14) Discovery of Kangleipak (Series II) (2013)

(15) Wakoklol Heelel Thilel Salai Ama-ilon Pukok
(in Sapa Mayek) (2013)

(16) মীতৈ ৱাহৈশিংগী ঈনাৎকী ৱাহন্থোক – অনিসুবা শরুক
(The Cultural Dictionary of the Meetei Words) (2013)

(17) Bamon Khunthoklon (in English) (2013)

(18) Discovery of Kangleipak (Series Three) (2014)

(19) মীতৈ/মৈতৈ করমবনা চুমবগে ? য়েক শলাই করি করিনো ?
অনিসুবা খুৎনম (2014)

(20) মীতৈ/মৈতৈ করমবনা চুমবগে ? য়েক শলাই করি করিনো ?
অহুমসুবা খুৎনম (2015)

(21) মীতৈ ৱাহৈশিংগী ঈনাৎকী ৱাহন্থোক – অহুমসুবা শরুক
(The Cultural Dictionary of the Meetei Words) (2015)

---

লাইরিকশিং অসি অইবগী য়ুমদগী ফংবিগনি ।

ফোন: 8974577213 E-mail:chingtamlen@gmail.com